পাৱারী-পুৱারীগী মৈতৈচনু খর

(অহুমশুবা শরুক)

অফোঙবা
বি. কুক্লুবিন শর্ম্মা
ইম্ফাল ২০১৫

অইবা
বি. কুলচন্দ্র শর্ম্মা

পাব্রারী-পুব্রারীগী মৈতৈচনু খর

(অহুমশুবা শরুক)

অইবা

বি. কুলচন্দ্র শর্ম্মা

অফোঙবা

বি. কুঞ্জবিন শর্ম্মা

ইম্ফাল ২০১৫

অইবা ঃ
বি. কুলচন্দ্র শর্ম্মা

ফোঙজবা ঃ
বি. কুক্কুবিন শর্ম্মা

অহুমশুবা খুৎনম ঃ
দিসেম্বর ৩০, ২০১৫

মমল ঃ লুপা ৩৭৫/-

Copyright : অইবা অমদি অফোঙবা

পুন্না ফংফম ঃ
অইবগী য়ুম অমদি ইম্ফালগী লাইরিক য়োনফমশিং

নম্ফম ঃ ———————————————
AROOBAA PRINTERS, PAONA BAZAR, IMPHAL

লান্থোকচবা

পাৰারী-পুৰারীগী মৈতৈচনু খর (অহুমশুবা শরুক) মিংথোনবা লাইরিকসি য়াম্না খঙ-হৈরে হায়দুনা ইজরুবা অমসুং পুথোকচবা নত্তে, মৈত্রবাক্কী মৈতৈচনুরাশিংনা মমা লৈপাকসিগী থৌদাং লৌখিবা অমসুং থৌদাং পুখিবশিংদু পৱারী-পুৰারীগী মতমদা লৈরিবশিংদুগী মমাঙদা হিংলম-পাল্লম্বশিংদুগী মরমদা অহল-লমনশিংদগী তাজহৌবা অমদি খঙজবা খর অদু ইথোকচদুনা থমজবনি। মরমদি নুপা-নুপীগী তাইবং পান্দা মৈতে খুন্নাইসু শরুক য়ারকই অমসুং নুপীনা নুপাগী ইকচাং তংখায় ওইনা থৌ পুরকখি। অরান-অহুই অমদি অশোয়-অঙাম কয়া য়াওরম্বা য়াই অদুবু মদু মশানা হৈজদবদগীনি চুমথোকপীগে অমসুং শেমদোকপীগে খনবীদুনা থৌজালগী মিৎয়েং য়েংবীয়ু। থমজরিবা খরসিদি খজিক্তনি, লোয়নাইদবা মখৈ লৈরিবা মৈতৈচনুশিংনি, মৈত্রবাক্কী চীঙ-লৈপাক অমসুং তমলৈপাক অনিসিগী মমোমশিংনি। মৈত্রবাক্কী পাৰারী-পুৰারীগী মমাঙগী মতম অমসুং পাৰারী-পুৰারীগী হৌগৎলকপা অমদি অঙনবা মতমগী তাংকক্তদি চীঙদা লৈবশিংগা তমদা লৈবশিংগসি চীঙদা লৈবশিংনা হিরম পুম্নমক্তা হেল্লি। মদুগী খুদম হায়ববু মৈতৈগী উমংলাইগী খুবমশিংসি চীঙদা ঙাক্তা লৈরিবসিনি। অদুগা তম্পাক্কী মীশিংনা চাওখৎপা হেল্লকুবা মতমদসু লোইবী চীঙগী চনুরা কয়ানা তম্পাক লমদমদা ওঙলক-পাল্লকখিবনি। অদুগা চীঙথকপু লাইরৈপাক অমসুং লাইরৈপাক্কা নকুবা লমদমশিং ওইনা ঙল্লিঙৈদগী মৈতৈগী ৰাখন্দা লৈরকই। অদুনা লোইবী চীঙদা পাল্লক্তবা মৈতৈগী লাইরৈম্মা কনা-কনা নংত্রগা কয়া য়াম্না লৈরিবগে?

অহোংবা মতমগী লাংওন্না চীঙমী-তম্মীবু খেন্নহল্লবসু হিংবা-পানবগী লমদাংদা অমদি থম্মোইগী মরীদদি করিসু খেন্নবা নংত্রগা মান্নদবা লৈতে। নকুবনা কনবনিনা মাগী মাগী লম্বী য়াৎনখিবনি। নকুবনা পুরকখিবা নুংশিবগী মরীবু কনানা থিংবা ঙমখিবগে, থৰাইনা পোস্থা ওইনখিবা ঙাক্তনি। লায়রবা মপান থাদে, ঈনাক খুনবা মউ লীংদে। অদুনা পুন্সিগী পরীংদা নুপা-নুপী পুন্না

চংমিন্নরিবনি, অমনা অমগীদমক্তা থৱাই কখোক্লরিবনি। অদুবু লাইবক্লা শেন্বা পন্থুং নত্তনদি পীরাং পীরোইনবা মহৌশানি। অসুম্না লাইগী থাক্তা কাখ্রবা মৈতৈচনুশিংসিগী পুন্সি-ৱারীদসু অৱাবনা পোলোয় ওইবা কয়া য়াওরি, নুংঙাইবনা পোলোয় ওইখিবা কয়াসু য়াওরি। মখোয়শিংসিদগী মীওই খরদংগী ৱাফম থমজবনি। অদুনা লাল্ল-লঙজরবসু ঙাকপীয়ু, অশোয়-অরান চুমথোকচনবগী খুদোংচাবা পীনবীয়ু।

খ্বাইগী
অইবা

য়াওফম তাকপা ঃ-

হিরম	লমায়
১। লৈমরেন খুম্হোকহানবীগী লাইফম	১
২। চকপা য়াংনু ফিশাহৈবী	৫
৩। শৌবোন য়াইরেন চনু	১৩
৪। শম্হোঙ হুইমু লৈমা (নোংশীৎ লৈমা)	২৭
৫। শীজ কালিকা খুল্লৈমা	৩৯
৬। ৰাংবন/কোয়ৌলৈমা নাহুইনু (চীঙথাং লৈমা নত্রগা কোম্থৌজম লাইরেম্মা)	৫৩
৭। লীকলা পীচা নোংতমনু	৭৫
৮। চংনিং লৈমা (সনালীক/সন্দ্রিক চংনিংখোম্বী নত্রগা চীঙঙা লৈমা)	৮৭
৯। লংমাই চীঙ্জারোইবী	১০০
১০। চকপা লমলাং মাইবী	১০৭
১১। য়োঙ্গরুমলোন খাইনু লৌথিবী	১১৯
১২। শোংগ্রী লৌঙাকপী	১২৯
১৩। হাওশী নামোইনু	১৪০
১৪। খয়োঙ্গরোন হাওরৈমা শাফাবী (খয়োঙ্গরোন তাউথোং কায়বা চনু)	১৪৮
১৫। ঈচুম লাইরেম্মা (লৈমা য়াংদৌ তাউবী)	১৬৩
১৬। মরী মখোঙ উৎচবা	১৯২

লৈমরেন খুম্নোকহানবীগী লাইফম

"লৈমরেন খুম্নোকহানবী" মৈতৈগী উমংলাইশিংগী ওয়গী লমদাং ওইবী লাইরেম্মশিংগী হৌরক-থোকলকফম ওইরিবী অথোইবী লাইরেম্মা লৈমরেন লৈশীরেন-লৈপুনবী, তাইবংপানবগী মমা ওইরিবী (সুপ্রীম মাদর গোদেশ) গী লাংওন (ইনকার্নেসন/অবতার) নত্রগা শানওন/শাইওন (মেনিফেস্টেসন/প্রকাশক) নি। মহাক্না মহাক্কী লাইফম নত্রগা খুবম য়ারিবা মফম অসিদা কৈদৌঙৈ, করম্না, কদায়দগী অমসুং করিগী খুম্নোক্লকখিবগে নত্রগা খুম্নোকহানবী (অহানবা খুম্নোক্লকখিবী, খুম্নোক অহানবী) ওইখিবগে হায়বসিগী লীখুন থিবা ফংজদ্রি। অদুগা লাইরেম্মা অসিগী অতোপ্পা মিংলেন অমনা 'লাই চৈখেৎপী' হায়নসু লাইরেম্মসিগী অশাওবী ওইবা ৱাহৈ নত্রগা মিংখৈ ওইনা খঙনৈ। মিংখৈসিগী মরমদা থম্বীরম্বা ৱারোন্দি :-

লাইরেম্মা খুম্নোকহানবী লৈমরেন শিদবীনি। শয়েং পাম্বোম ঙানরকপা, অথোয়-অহেন তান্নরকপদা মাবু খুরুমজরবদি মায়থীগদবদু খেত্তোক্কুনা মায় পাকহল্লি, অদুগা লাইরৈমসিবু থওইদববুনা (থৌওইদববুনা) মায় পাক্কদববু খেত্তোক্কুনা মায়থীহল্লি হায়দুনা লাইরেম্বীসিবু লাই চৈখেৎপী হায়নসু কৌরি।

অসিনা লাইয়িংথৌ তোকপগা লাইরেম্বী চৈখেৎপী (খুম্নোকহানবী) গা পুন্না খুরুম্লবদি তৌজরুবা পুম্নমক থোইনা হেন্না মায় পাকপা ওইগনি, মীথক থোংবা ওইগনি [স: রু: ১৯৯১, ২২(চ)] অসিনি। মথক্কীসিদা পল্লিবা "লাইয়িংথৌ তোকপা" হায়রিবসিসু ডি: এম: কোলেজগী কেম্পসসিগী খা থংবা শরুক্তা লৈরিবা মৈতৈগী উমংলাইশিংগী অথোইবা লাইয়িংথৌ গুরু/অতিয়া শিদবা অমসুং লৈমরেন লৈশিরেন-লৈপুনবী অনিগী মচা ঈবুংঙো অশিবা/অশীবা (চীঙঙু কংলৈ অশিবা/অশীবা) গী লাংওন ওইরিবা লাইয়িংথৌনি, পোইরৈ সনা লৈপাক্কী লৈশেম-লৈশাবা, মাল্লং- নোংশেম্বা লাইনি। হিন্দুগী মহাদেব ব্রহ্মাগা মান্নবা লাইয়িংথৌনি। লাইয়িংথৌ অশিবসিগী অথোইবা লাংওন্দি লাইয়িংথৌ সনামহীনি।

অশেংবা লাইশক

লাইরেম্মা খুন্থোকহানবীসি মৈত্রবাক্কী কংলৈ (সহর) লমদমগী লৈকোক-লৈকায় (Headquarters area or division) মরিগী খ্বাই লৈকোক্কী লাইয়াৎ/লায়াত্তা (Division of Dignities) থাঙমৈবনগী মনুংদা লৈবা লাইশিংগী মরক্তা য়াওরি। হায়রিবা লায়াৎ অসি মাইবী-মাইবশিংগী লাইথৌ পাংথোক্লবগী লায়াৎ ওইনা লৈবগুম তৌই। অদুগা লাইরেম্মসিবু ঈরাৎ-থৌনীবগী মতমদদি লেরা (লাইৰা/লিৰা) লৈমা অহন কোয়রেন লৈমা ঙাংশাবী নত্রগা অয়াঙলৈমা কবোকচায়বী অহন ওইনা লাইথৌ পাংথোকই।

লেরা লৈমা লৈশন/লাইশন থানবী অহন, কোয়রেন লৈমা ঙাংশাবী হায়বসি, লাইয়িংথৌ কৌব্রুগী মচানুপা অতোনবা, কেগে পোকপা সরারেন/সোরারেন, মোইরাং শাৎপা কশারেন (লাইবক নোংদল্লিবা লাইশিংগী অথোইবা লাইয়িংথৌ) চীঙঙু থংচীঙ/থংজীঙ [ৰা: খুন:, খুৎ: লাই:]গী লৈমা অহনবী, লৈমরেননি। অদুবু মহাক অসি ঙানবা শল্লাইগী পুকোক ওইরিবা খমজীংকোন হায়হৈবনা পোকপী ওইনা পীবীরম্মী। হায়জরিবা ঈ পাউসিদি :-

নয়োন কেকে মোইরাংলৈমা, ঙানুরোন; খমচিংকোন হাইহৈপনা য়েনপি, য়াইথোঙ ৰায়েন চুমপা-চনু, খুনপী সলাইহন, মালেম লৈখারোনতকী থম্বাল লৈঙাং লৈগুম্না লমহৌফবী। মৈবী শলাম ওই, উরেপ চারা ওইনা মোইরাং লৈকোয় হাননা হাথহৌরকপী, লৈনুং য়ুচাখাচনু লৈমরেন ঙাংশাবী ... [ও: ভ: ১৯৮২, ১৪]

অসিনি। মহাকসি মোইরাংগী নিংথৌ শাগৈগী নিংথৌশিং অমসুং মোইরাংগী য়েক (Clan) - শল্লাই (Sub-clan)শিংগী হৌরকফম মরূনি হায়বদুসু মথক্কী লৌথোক্লকপা ৰারোল মতেক অসিদসু পল্লি/পীরি। অদুগা মোইরাংগী লাইয়িংথৌ থংজীঙগী লাইকোন্দা কুম খুদিং লেপ্তুনা পোইনু-ৰাকচীঙদা পাংথোক্লিবা অয়াঙলৈমা কবোক চায়বগী লাইথৌসিদি মোইরাং থংজীঙগী লাইকোন্দা লৈরিবা লাইফমসিদা নত্তনা অতৈ মফমশিং লাইরেম্মসিনা লৈবশিং-চীঙঙা, চীঙঙামখা মাইবম লৈকায়, মান্তক চীঙ, ককচীঙনচিংবদা

পাংথোক্তবগুম থাঙমৈবনগী নত্রগা ডি: এম: কোলেজ কেম্পস মনুংদা লৈরিবা কোয়রেন লৈমা ঙাংশাবী (খুন্থোকহানবী) গী লাইফম অসিদসু পাংথোক্তে। মফম অসিদদি লাইরেম্মসিগী শক্তম নত্রগা লাইচৎসি লাই চৈখেৎপী লাইরেম্মগী শক্তম, লাইচৎ অমসুং মচৎসিদা লৈবী; মুকনা-য়েক্লবা, শয়েং পাম্বোম ঙানবনচিংবদা তেংবাংবী নত্রগা খেত্তোকপী ওইনা লৈবগী মনাৎসিদা থৌজাল পীনবীবী লাইরেম্বী ওইনা তৌই।

খুন্থোকহানবী নত্রগা লাই চৈখেৎপী লাইরেম্মসিগী মতীক-মঙম, মহী-ময়াইনচিংবগী মওং-মতৌ, মচৎ-মনাৎনচিংবগী লমদাংশিংদা মিৎয়েং থম্লকপদা মহাক্কী লীচৎ-শাজৎ অসি হিন্দু শক্তি ধর্ম্ম (Religion of worship of power) গী দূর্গাগী মখল অমগী শক্তমগা মান্নে। নীজরিবশিংদা মখোয়না নীজরিবদু ফংহনবা নত্রগা পীবীবা অমসুং নীজবগী মায়য়োক্তা নত্রগা তাকবগী মায়য়োক্তা লৈবশিংদনা মখোয়না নীঙবদু মায় পাক্লা ফংগদবগী খেত্তোকপা, লৌথোকপা নত্রগা ফংহন্দবগী মতীক-মঙম/শক্তি পায়বসি দূর্গা দেবী অমসুং লাই চৈখেৎপী নত্রগা লাইরেম্মা খুন্থোকহানবীনি। হায়রিবসিনা পুরক্লিবদি খুন্থোকহানবী হায়রিবা লাইরেম্মসি অফবা অমসুং শেমগৎ-শাগৎপগী অমদি ফত্তবা, মাঙহন-তাকহনবা অমসুং থুগায়-য়ানখায়বগী মতীক-মঙম, মহী-ময়াইনচিংবগী পুনশিল্লবা অনিমক্কী মতীক লৈবী লাইরেম্মনি। অদুবু লাইরেম্মা অসিদা অফবা অমসুং শেমগৎ-শাগৎপগী মতীক-মঙম্মা হেন্না লৈ হায়বসি মহাক্লা মোইরাংগী য়েক-শল্লাই পোকপী মমা অমা ওইবসিনা খুদম-চাংদম ওইরি। মরম অসিনা খুন্থোকহানবী লাইরেম্মসি অফবশিংগী মরুপ্নি, চঙজফম্নি অমসুং ফত্তবশিংগী য়েক্লবনি, থোঙ্গুল মুৎনফম্নি।

ৱাখোম-ৱারোয়

হৌজিক হৌজিক ডি: এম: কোলেজগী কেম্পস মনুংদা লাইফম লীংলগা খুবম য়াদুনা লাৎলিবী খুন্থোকহানবী নত্রগা লাই চৈখেৎপী হায়রিবী লাইরেম্মা অসি মৈতৈ উমংলাইশিংগী মনুংদা অচৌবা মফম কল্লিবী লাইরেম্বী অমনি।

লাইরেম্মা অসি চাইরেনগী হৈয়াইনু (পান্থোইবী) গুম নত্রগা হিয়াঙথাংগী হিয়াঙথাং লাইরেম্মা (কামাখ্যা) গুম মতীক-মঙম চাওবী, মহী-ময়াই চেনবী লাইরেম্মনি। মহাক অসি লাইচৎ-লাইশক্তা লৈমরেন শিদবী (লৈশীরেন লৈপুনবী) গী লাইচৎ ওইনা পীরি। অদুবু লাইয়িংথৌ থংজীঙ কোয়রেল লাইগী মপা নত্রগা তাল্লোই ওইরকপা মতমদদি নোংথাঙলৈম (পান্থোইবী) গী লাইচৎ ওইনা ঈরাৎ-থৌনী তৌনৈ। মৈতৈ উমংলাইশিংগী লাইয়িংথৌ-লাইরেম্মশিং অসিসু মৈতৈ লাইনীঙলোন্দা মানা-মানা পুবা মথৌ, মঙম, থৌগায়, থৌদাং নচিংবগী মতুং ইন্না মতীক-মঙম, মহী-ময়াইনচিংবা খেন্ন-খেন্ননা লৈনৈ। মরম অসিনা খুন্থোকহানবী লাইরেম্মসি, মহাক্কী মবুংঙো লাইয়িংথৌ থংচীঙগা লোইনরবসু অমসুং লৈমিন্নরবসু, অদুগা কেগে মোইরাংশিংগী য়েক-শল্লাই অপোকপী ওইজরবসু খুন্থোকহানবী অমসুং লাই চৈখেৎপীগী শক্তমদা ডি: এম: কোলেজগী কেম্পস মনুংদা লৈবসিদদি শয়েং থৈন, পান্মোম ঙানবগী মায় পাকপা নীজবদা শোয়দনা পীনবীবী অমসুং অরানবা লমচৎননা নীজরবদি মায় পাকপবু খেত্তোক-কোথোকপী ওইনা লৈ অমসুং মসিগীদমক মমিং চৎলি। থৌজাল হৈবী লাইরেম্মসিগী কুবী হৈবগী মতৌ অসিনা লাইরেম্মসিগী মরল-মথুমসি নোংম-নোংমগী লেপ্তুনা চাওখৎলক্লি।

য়াইফবী ঈমাসি য়াইফনা অসুম্মক পানবীসনু !

চকপা য়াংনু ফিশাহৈবী

ৱাহৌ-শৈহৌ

... চকমোম মোইনু চনুদি য়াওৱা চকফি লোই খলয়ে। মথংলেন লেরা খোঙজোম্বদি ৱাংলেন পুঙতিংয়ে। মরুম্বী চকমোম মোইনু চনুনা পাউমেনখিয়ে - ঈথংলেন লেরা নহা খোঙজোম্বা-ও ! নঙনা কোংয়াঙ চগো মিতম কোন্না লেরা খরোই শেম, শউল খুরৈ তিংনা ৱাংলেন পুঙবু তিংবনা হানবরা, নরূম ঐনা মোমনু য়াওৱা চকফি লোইখনবা, চৈরৈ ফিদোন লোম, ঈয়োং লাইজী ককপনা হানবরা য়েংনসে, হায়না তেনশীঙনববু ... [মহা: লৈহেক:, খুৎ: লাই অমসুং ম: ন:, ১৯৮১, ১৮]

মথক্তা থমজরিবা লাইরিক অনিদগী লৌথোক-শত্তোকচরকপা ৱারেং মতেক অসিদা পল্লিবা "চকমোম মোমনু চনু" হায়রিবী অসি চকপা য়াংনু ফিশাহৈবী হায়না খঙনরিবী নুপী অদুনি।

"চকপা" হায়বসি পোইরৈ মৈতৈ লৈপাকসিগী অরিবা য়েলহৌমীশিংগী মনুংদা অমনি। চকপশিংসি চীঙখোঙ পোইরৈতোন্না মৈতৈ লৈপাক্তা খুন্থোক্লকত্রিঙৈগী মমাঙদা খুন্দা-লৈতাদুনা পাল্লে, মসিগী লমদাংদা পীবীরল্লিবদি-

... ঈয়ুৱা চীঙখোঙ পোইরৈতোননা ... শেনবী শিদবা কবো নাদববু লৈরিগবরা হায়না খুনথিরকপদা চকপা কৈতোং হাও পাখংপা শীঙচঙ লেঙতা থোংবা পামেন তংখায় লৌবদা পাউহংখিয়ে - চকপা কৈতোং পাখংব-ও! মৈবী তাঙ্গোই পাই, মৈখু নোংলোন কাবা অসিবু করি মৈনো, হেন্বা ফুচেৎমৈ, চেগায় কাগুপ-মৈ ... ফুদীৎ-নোংশোল মৈরা হায়না পাউহংববু - হোয়দা ঈয়ুৱা চীঙখোঙ পোইরৈতোন-ও! আঈয়ুম হেমচেং ফুঈক-মৈ... নত্তে, চকপা খমপোক মৈ, লৈমা ফাল্লৌঙম্বী মপারী শাংফুরাইববু খারা খুৎয়োন থানা নোংমল্লে। আঈয়ুম চকপা মীঈক মৈ, হেমচেং মীরৌমৈনে, হায়না পাউখুমখিয়ে। [ম: চ: স:, ১৯৭৯, ২৮-২৯] অসিনি।

মরম অসিনা চকপশিংসি পোইরৈতোন্না মৈত্রবাক্তা খুন্থোক্লক্ত্রিঙৈগী মমাঙদা হান্না খুন্দাদুনা লৈরম্লে। অদুগা পোইরৈতোন্না খুন্থোকখিবসি মৈত্রবাক্কী পাৱারী-পুৱারীগী মতম (Historical Age/Time) হৌরক্লদবা চহি ৫ / ১০

(মঙা/তরা) গী মতম ৱাৎলিঙৈগী মতম অদুৱাইদনি। মসি মৈতৈ তম্পাক্তা মহাক্লা য়ৌরক্লবা মতমগী ৱাফম্নি, মদুগী মমাঙ চহি ৫/১০ গী মতমদা মহাক অশিবা চঙদবা, অনাবনা য়ৌদবা লমদম/মফম থিদুনা মৈত্রবাক্কী নোংপোক্কী চীঙ অমসুং তমগী লমশিংদা কোয়না চত্তুনা খুন্দাফম নত্রগা খুন্দা লৈতাবা য়াবা মফম/লম থিদুনা লৈরুব্বনি।

চকপশিং অসি কাংলুপ-ফুরুপ কয়ামরুম থোক্লা - খরোই, লমলাং, হেমচেং, শেকমাই, অন্দ্রো, ফয়েং, লৈমরাং/লৈত্রাম, কৌত্রুক, কাম্তো তিংঈৎশা, পুংপুন, তিংশাং, খোংজী, থৌবান্দোং, শেক্তা, লন্বান, হাওকু, মখাউ, অসিনচিংবা খায়দোক্লম্মী। চকপা য়াংনু ফিশাহৈবীসি চকপা তিংশাং (মখোয়সি চকপা লমলাং অমসুং খরোই/খুরোইগা মরী নক্লবা লমলাং লমদমগী লমতুপ্তা পানবা কাংলুপ্নি) দা চনবা তিংশাং নিংঙোন্নি। তিংশাংশিংসি লমচীন-হাও কৌরম্বা [ম: স: ক: এ:, ১৯৯৪, ১৭-১৮], মসিগী মমাঙদা 'লোইরেনচম' কৌনরম্বা অমসুং মসিগী মমাঙদা 'মুংয়াংচম' হায়না কৌনরম-খঙনরম্বা [মথক্কীসিদা, ১৭, ১৭] মী কাংলুপ অদুনি। অদুগা অমুক চকপা য়াংনু ফিশাহৈবীসি লেরা-খোংনাং কাংলুপ [মথক্কীসিদা, ৯] কী ওইনসু মমিং-মথা তোংঙানবা অমা থোন দুনা/হায়দুনা পীরি। তিংশাংলোনগী ওইনা "য়াংনু ফিশাহৈবী" হায়না [চক: তিং:, খুং: লাই:]; লেরা খোংনাংলোনগী ওইনা চকমোম মোইনু চনু, থরৈ চামোইবনা পোকপী, লেমলৈ ঙামোইবনা য়েনবী হায়না [য়েল: পু:, খুং: লাই:] অমসুং অমাইবা-অমাইবীশিংগী ওইনা "চকপা নিংঙোন নুরা শাফবী, চকপা তেল্লোই হঞ্জবা লৌমী লাকপা মমোম" হায়না [রা: মাই:, ১৯৭৭, ৯১, ৯০-৯১,] পীবীরম্মী।

চকপা য়াংনু ফিশাহৈবীগী মতম

চকপা য়াংনু ফিশাহৈবীসি তাইবংপানবা পোক্নি-শাৎলিবী, য়োকপী-থাকপীরিবী অমসুং কনবী-কোনবীরিবী মমা লৈশীরেন-লৈপুনবী কৌবা লৈমরেন শিদবী (Universal Mother Goddess) কী ৮ (নিপান) শুবা লাংওন, তাইবং থৱাই পানবা খীবীক্কী চীঞাক পীবীরিবী লোইমোম ফৌওইবী

(The Goddess who becomes the paddy) গী ২ (অনি) শুবা লাংওন ওইনা পীবীরম্মী [মথক্কীসিদা, ৯০-৯১]। অদুবু মীওইবা ওইনা তাইবং কুম্মৈগী থৌদোক- ৱাথোক্লা শারবা পুন্সি-ৱারীদদি লাই-তীনগী,লাইওই-তীনওইবগী নত্রগা লাইওই-মীওইবগী ওইবা শক্তমগী মমি তাদে।

চকপা য়াংনু ফিশা হৈবীগুম্বী নুপীশিংগী খুনুং পুৱারীগী মখলসিগী ৱারী-শীঙবুনসি মালেমসিগী মী কাংলুপ - ফুরুপ খুদিংমক্কী লৈনৈ। মহৈ-মরোংগী মবেম্মা ফৌগী লাইরেম্বী ফৌওইবীগী ৱারীসু খা-নোংপোক এসিয়াগী মফম খুদিংমক শীনবা থুংনা লৈ। অদুগা চকপা য়াংনু ফিশাহৈবীসি চাওখৎত্রিবা খুন্নাই অমসুং লৈপাকশিংদা লৌ-ঈংখোল লীংলকপা, পান্বী-শীঙবী য়োক্লক-থারকপা হৌরকপা (Beginning of domestication and rearing of plants) মতম তাংকক্কী খুনুং খুন্নাইদা হিংলম-লৈরম্বী ওইনা পীবীরি। মহাক্কী পুন্সি-ৱারীসি চীনবুঙদা পুরকপা ৱারী- শীঙবুন নত্রগা খুনুং পুৱারী ওইনা পীবীরম্মী। অদুগা মতমদুগী খুন্নাইদুদা লাইনীঙলোনগী নত্রগা লাইনীঙগী ওইনা নীঙনরিবা লাই অসি চীঙঙু সরারেল (লাই কশা) ওইনা পীবীরম্মী। অদুগা মীওইবনা মৈ শীজিন্নদুনা থোং-থাক্তুনা চাবা-থকপা হৌগৎলকপা, অমুনবা মমুন ফারবা চিঞ্জাক চাবা হৈত্রিঙৈগী থাক্কী মতমগী ওইনা পীবীরম্মী [রা: মাই:, ১৯৭৭, ৯১]। অদুবু ওল্লকপা মতমগী তাম্বাদা হিংবা-পানবদা মথৌ তারকপনা অনৌবা মতমগী লাংওন অমসুং শাইওন্না পুথোকহল্লকপা অনৌবা পোৎলম-পোৎশকশিংগী মমি য়াৎপগী শক্তমগী মথি ফোংলকপসু উবা ফংঙি।

চকপা য়াংনু ফিশাহৈবীগী পুন্সি-ৱারী

চকপা য়াংনু ফিশাহৈবী মপন-পন্থৌ নিংথৌ চকপা তিংশাং খুঙ্গংগী তেল্লোই (লীরুঙ-তেন শীজিন্নবা/পায়বা লাল্লোই/লান্মী) হঞ্জবসু ওইবা, লৌমী (লৌউবা মী) লাকপসু ওইবা লেমলৈ ঙামোইবা কৌবনা চকপা থরৈ চামোইবচনু মোইনু কৌবী পানদুনা মালেম তাইবংপান্দা খোঙদারকখি। মহাক্কী অশেংবা মমিংদি চকমোম (ৱাহন্দোক্তা মৈ/Fire নৎত্রগা নুঙ/Stone হায়বনি) নত্রগা চকপা

নুরা শাফাবী চকমোম কৌই, "য়াংনু ফিশাহৈবী" হায়বসিদি ফি শাবা হৈ হায়দুনা থোনবা মিংথোন্নি। মথক্তসু পঞ্জখ্রে, চকপা য়াংনু ফিশাহৈবীগী মতম অদু চকপশিংগী খুন্নাইগী খুমবান-লৈপান অদুদা য়ুমদা হুই-হৌদোং, শা-শন, ওক-য়েননচিংবা য়োকপা-লোইবদগী হেল্লক্তুনা পান্বী-শীঙবী থাবা, মনা-মশীঙ য়োকপা, ঈংখোল কোইবা, লৌবুক-লৌফম লীংবা, পামলৌ উবা, অসিনচিংবা হৈরবা অমসুং তৌনরবা মতম্নি।

মহৈ-মশীঙ তম্লকপা

চকপা তিংশাং চনু চকমোম্না পুঙকক চাওরক্লবদা মতমদুগী নুপী ওইবীগী শীল্লম-শীনফমশিং, মরু ওইনা - ফুশা-ৱানশাবা, ফিশা-লোনশাবা, ঙাফা-লোংখোনবা, শীঙয়ান-শীঙজনবা, অসিনচিংবা পল্লেম মমা থরৈ চামোইবচনু মোইনুদগী তঁম্লকখি। অদুবু মহাক্না খ্বাইদগী হেন্না খোয়দা-খোয়জঙজবা শীল্লম-শীন্থাদি ফিশা-লোনশাবনি। অদুগা শীল্লমসিদা মানা পুক্নীঙ পীথোক্লকপা ওইনা হৈথোই-শিঙথোই। মহাক্না ফি থুনা-য়াঙনা শাবা তম্বদা নত্তনা অতৈ ফিশাবীশিনা শারকপা ফিশিংদগীদি হেন্না মমুৎ তানা ফজনা শাবা ঙল্লম্মী। মরম অসিদগী মহাক মশানা চহি ১৪/১৫ (তরামরি/তরামঙা) শুরকপদগী 'য়াংনু ফিশাহৈবী' হায়বা মিংথোন অসি পীদুনা মসিনা মহাক্কী মমিং মিংলেন ওইনা খঙনরকখি। মহাক ঈমুং মনুংগী- নুপীগী শীনশিং - চাকথোং-ফৌশু, ফিশূ-ফিজাম, খোমশেম-য়ুশুং, অসিনচিংবদসু নীঙথিনা হৈ। মবুঙ-মপ্পা লৈতবনা মপন পন্থৌগী তেংবাংবা ওইনা শঞ্জেন-শনঙাক, শন্বন-ফৈরোই থিংবা, লৌঙাক-ফৌঙাকপা, লৌতা-লৌয়ানবনচিংবদসু শরুক য়ারকখি। অদুবু মাগী থৱাই তাজরবা শীন্থা, শীন্নৌ লংচাক লংদুমবু য়েৎনা হুন, ওয়না ওক, ওয়না হুন য়েৎনা ওক, তুনুং লংলম ফেন্দুনা ফিশা লংলী পরেং কাঙদুনা কদেং থাঙ মানবা উগী তেম্মা তেমথেং কন্না য়ৈদুনা মাল্লৌ ফিশাবা, চৈরৈ ফিশা তম্বদি নোংমতা থাদোকপা মরৈতে, ৱাংলেন পুঙজা অমতা ওইবসু খ্বাঙগী ঈয়োংদু তিংথোক্তনা মতোক্তে।

ঈনখৎলকপা পুন্সিগী ঈপোল্লক্তা

তাইবং মপুনা তন্বীরকপা খুদোন্নি, ঈনখৎলকপা পুন্সিগী ঈপোল্লক্তা নুংশিবা মশক খঙলকপা, থম্মোইনুংদা নুংশিবা শক্তম লৈরকপা হায়বসি। থৱাই

পানবা পুম্নমক্তা পীনবীরকপা মচৎনি নুংশিবা হায়বসি। অদুনা চকপা তিংশাংচনু চকমোম, য়াংনু ফিশাহৈবীগী ঈনখৎলকপগী থম্মোইদসু নুংশিবগী শক্তম লৈরক্লে। মহাক্লা নুংশিজরিবা মীশক অদুদি চকপা তিংশাং খুঙ্গং অদুগী লায়রবা ঈমুং অমদা পোকপা চকপা শাফবা, লেরা খোঙজোম্বা (অমাইবা-অমাইবীগী পরমদা চকপা মচা শাফবা লায়রবা খাংসু পাখংলোই) হায়না কৌবা পাখং অসিনি। নুংশিবগী মফমদদি লায়রবা মউ নাইদে, ঈনাকখুনবা মপান থান্দে। মখোয় অনিমক অঙাং ওইবগী পুন্সি থাদোক্লরমদুনা মথোক কারকপগী পুন্সিদা চঙলক্কুনা অপাম- নুংশি ঈহৌ লাক্কুনা নুংশি-নুংওনগী ঈথক-ঈপোম মরক্তা মালেমদা উরিবা পুম্নমকসি ফজবগী ফজবা ঙাক্তা ওইনা উরিবা মতম্নি। মতমদুদা শাবী-শানৌ অনিসি শকখঙ-মায়খঙনখি।

চকমোম য়াংনু ফিশাহৈবীগা চকপা লেরা খোঙজোম্বগা চীম্বান-চীম্বান্না ফোংদোক্লা, মমিৎ মমিৎনা য়েংননা থম্মোই মশেন ঈতীন্না, অপাম কাদা থুংননা নুংশি নাক্তা য়ৌজগে হায়না পুক্নীঙ লীতীন্না, ৱাখল পল্লেপ্পনা থম্মোই থম্মোই কখোক্লবগী থাক অদু য়ৌনখি। অদুবু অরেপ্পা খঙনীঙগনবা নুপা ওইবগী পুকচেন্না নিংঙোন পুক্নীঙ থৌরকপদা নুজাগী ফিগৈ শেংবা ৱারোন্দি পাখং লেরা খোঙজোম্বনা কোংয়াঙ চগো মিতম কোন্, শউন খুরৈ তিংনা ৱাংলেন পুঙবু তিংনা লাংদেং পুঙখৎ তৈবগা নুজা চকমোম মোইনুচনু য়াংনু ফিশাহৈবীনা নানবা শংদিং চকফিবু লোই খনবা, চরৈ ফিদোন লোমনা মালনৌ ফিককপগা ৱাংলেন অনিসি মান্নরবদি নুংশি নাক্তা ৱাইথুংনজগে, অকোনবনা হুঁইয়াই শেঙ্গোইননা ঈকাইনসি, হায়না চীংঙ্গোয়নখি।

নুরা পাখং অনিমক্লা থৌদান-শীন্থানখিরম্মী। নুরা পাখং অনিমকসি মাগী মাগী মশীনশিংদা অতৈদগী শীনফম-শীল্লমশিংসিদা মীথোই-মীহেল্লবা, শীন্থোই লমকেৎলবা ঙাক্তনি। অদুগা অনিমকসি নুংশি-নুংওনগী পুক্নীঙ লেপ্পরবা, অমনা অমগী ওইরবনি নীঙনরবা ঙাক্তনিনা শীন্থা শীন্দান্নরকপদা অমগী অশোনবা শোঙবদা অমনা অমবু ঙাইগে, অপাম ৱাইথুংনগে, নুংশি ঈতীন্নগে হায়না পায়ম মপুক্নীঙদা তোংঙান তোংঙান্না মান্ননা খন্নখি। অদুবু মীনা নীঙবনা অমনি, অদুগা লাইনা তম্বনা অমনি। নোংদল্বা মপু মহাক্লা মাগী নোংদম-থৌশীনবু নমু-পোং কনাদসু খঙহন্দে, অদুগা মদু চীঙঙু খোইয়ুম কনানসু কনঙমদে অমসুং

কনফদে। শাবী- শানৌ অনিনা শীন্থা লম্বানবগী লমথারকপদদি লেরা খোঙজোম্বা লাংদেং পুঙদিং হৈবনা তম্বা ওইবা মরমচৎ শমু মশা খীঙবনা লাংদেং পুঙদিংলকপদি মোমনু চকমোম ফিশাহৈবীনা তেমগী-তেমথেং পীবা-য়ৈবগা খোঙজেন মান্ননা চেল্লকপদা লেরা খোঙজোম্বনা মপুক্লীঙদা নুংঙাইবা ফাওজরম্মী, চকমোম মোইনুচনু য়াংনু ফিশাহৈবীসু অদু মঙাই, মহাকসু নুংঙাইজে।

য়াংনু ফিশাহৈবীদি মশাগী চেংলৌ শক্লা লাং ওইরক্লে, নুরা শমু হুকচাং শাবান্না য়েক্লবা ওইরক্লে। কল্লক-মিহৌ খরনা লাংদেং পুদিংহৈবা লেরা খোঙজোম্বগী মফমদা চীরোন মশা পাল্লরে, মনানা হৈমাং শাররে। মদুদা লেরা খোঙজোম্বনা তম্বা ওইবগী খম্বন চাওবা পুকচেন্না লমলোই মরুপ শাবদুগী চীনহায় ৱাশিংদু লৌদুনা পুঙজা ঙাইনা ঙাইনা শীনশূ-শীন্থারম্ববু পাখং খুৎচাও থাদুনা নুপা খুৎলৈ থুনা য়াঙনা লাংদেং পুঙদিংলক্লে। থংলেন ৱাইথুংননীঙবনা নুজা ঙাইনা ঙাইনা শূরম্বী শাবী ঙাইবী নুরা অঙাইবীনা তুনুং লংলা অমতংগী নাৎলম কাংলম কাংফাত্রিঙৈদা তিংশাং পুঙদিং হৈবা লেরা খোঙজোম্বদি লাংদেং পুঙখৎ তৈরক্লে। লাংদেং পুঙখোলনা তিংশাং খুঙ্গং নীল্লক্লে, অদুবু মোমনু নুজা ওইবী চকমোম য়াংনু ফিশাহৈবীদি মাল্লৌ ফি ককহৌদ্রে। নুরা থম্মোই নুংওৎনরে, পুক্লীঙগী থম্বাল খুইথরে।

চকপা য়াংনু ফিশাহৈবী নোঙ্গাবা

চকপা য়াংনু ফিশাহৈবী চকমোম কৌবীনা মশাবী লেরা খোঙজোম্বনা লাংদেং পুঙদিংবা লোয়রে খঙননবা ৱাংলেন পুঙখৎ তৈরক্লবদা নুজাদি চরৈ ফি ককহৌদ্রবা, মাল্লৌ ফিশাবা লোয়হৌদ্রবনিনা থম্মোই লৈরাং কংলে। শীন্দান-থৌদান্নবগী হিদান্নবগী লমজেন্দু মায়থীরবী চকমোম্না মতোমতা নীঙবা কায়না শোঞ্জখি - “ঈশাবীনা থোইখ্রে, মশানৌ ঐনা পোবগী হুইয়াই শেঙ্গোয়রে, ঈকাই মৈশা লাংলে।” অদুগা মতোমতা মখোয় অনিনা চেংলৌ শকখঙনরকপা, মখোয়নৌ মমান্নবীশিংগী মরক্তগী পাখং মাবু লোন্না লোন্না কনাসু খঙহন্দনা য়েংজরগা নুংঙাইজখিবা, শাবী-শানৌ অনিনা শীন্দান-থৌদান্নসি ৱারেপ্লখিবা, অসিনচিংবা হৌখ্রবা থৌদোকশিংদু নীঙশিঙদুনা মাগী মিৎমাঙদা থন্নগা থম্মোই পেন্না কপচরে। শক্লখিবা শরী-নামুং নীঙশিঙলুরগা মশাবী লেরা খোঙজোম্ববু চেংলৌ শকউনবা ঙল্লরোয়, মোমনু ওইবী ঐহাকপু মতৌ করম তৌশিগে হায়না

মওল মওল খল্লক্লে। হায়না-ঙাংনখিবা ৱাফম ঙাকপা ঙমদ্রবদি মালেম তাইবংপানবসিদা হিংলুবগী করি কান্নরি, ঈশাবী মফম্‌দা ঈশক করম উৎলুগনি, ওহ্মোক্লা ঈকাইখ্রেদা, ঈশুঙ-ঈমান্নবীশিংগী মফমদনা করি হায়না পাউখুমগনি? ঐ অসি নমু তাইবং ওইনা হিংবা পামদ্রে, অমন খমলৈ কুমলগে, হায়না চপ য়ুংনা লেপখ্রে।

চকপা য়াংনু ফিশাহৈবীনা মশাগী অরেপ্পা ৱারেপসি লৌজরগা, "লৈহৌরোকো নুংশিবা! হন্দক্কী মপোক লাংওনসিদদি পাম্মু নাক্তা ৱাইথুংনবা ফংজদ্রে, নশানৌ লাইবক্লা য়েক্লরবীদি মথংগী মপোক ঙাইরুরগে," হায়না হায়রন্নগা নুজা শমু মখুৎশূ চরৈ ফিশা তেমবু পায়খৎলে, হে খোয়নৌ চান্নবী নুজাগী শিনশূ-শীন্থা খুদিংমক্তা তেংবাংলকপী: ঙসিসু নুজা ঐবু তেংবাংবীয়ু! পাখং চামনা শিরগা নুরা চামনা ঙাইনা চীঙ, নুরা চামনা শিরগা পাখং চামনা ঙাইনা থেন, থোঙঙাক অশি' থেন, মকোই নোংলোন পাইদা থিনবীয়ু, মফমদুদা মাঞ্জা মাবু ঙাইদুনা লৈজরুগে" - হায়রগা ফিশা তেমদুনা থম্মোই ফিরাক খায়, হকচাংগী লাইয়ুম হোগাইনা খমনুং শৱা তানখরে। নুজাগী য়াইবী থৱাই মঙাদি মাল্লেম তাইবং মাল্লংপান থাদোক্লে অদুবু নুরা শমু হকচাংদি খ্বাঙগী ঈয়োং শাংদিংগী খ্বাঙলীনা খ্বাঙদা য়েৎনা চরৈ ফিশা মথক্তা উপশিন্দুনা লৈহৌরে। লাইবক থিবী মাগী মিৎলুদগী শীন্থরকপা পীরাং মরীকশিংদুদি তমথীরবা লৈমায়না চুপশিনবীখ্রে, মোমনুগী শমু হকচাংগী ঈদি মানা শাজবা চরৈ ফি অদুদা তৈদুনা লৈহৌরে।

চকপা তিংশাং নিংঙোন চকমোম য়াংনু ফিশাহৈবীনা মশাবী ঈকাই ৱাগী য়াইবী থৱাই থাদোকখিবগী পাউসি তারগা কল্লক মিহৌবগী মীশৌ চঙবা পাখংদুদি মফম মরাং খঙহন্দনা লোৎখ্রে। চকপা নহা শাফবা লেরা খোঙজোম্বনা মীশৌগী শরৌ লাংদু খঙলক্লে, মরাল লৈজদ্রবী মশানৌনা মহাক্কা হায়না-ঙাংনখিবা ৱাবু শরী নামুংবা ওইনা মহাকপু ঈকাইবগী মরম্মা মশাগী ফিশাতেমনা থম্মোই লাইয়ুম খায়দুনা অমন খমলৈ কুমখিবগী কোল্লোয় পাউবু তারগা মহাক্কী পুক্নীঙ-ৱাখল ফাজিনবা ঙল্লক্লে। নীঙমদবগী মৈনা মাগী হকচাং থুংনা চাক্লক্লে। মশানৌ মতৌ ওহ্মোকপবু নীঙশীঙলুরগা খাঙঙমলক্তুনা মহাকসু মহাক্কী শমু মখুৎশূ লাংশোই থাঙ পায়খত্তুনা থম্মোই লাইয়ুম থিনগায়দুনা শৱা মীখুরোন্দা চৎখ্রে। অসুম্মা শাবী-শানৌ অনিসিগী পুন্সিসি অৱা-পোলোয় তানবা পুন্সি ওইনা পীবীরম্মী। অদুগা চকপা চনু চকমোম, য়াংনু ফিশাহৈবীগী য়াইবী

থৰাইনা চীঙগু লাইৰক্তসু তীনবা য়াদে, নমু মীৰক্তসু চঙবা য়াদনা পল্লেপ-পুন্থুংফম খঙদনা লৈবদগী "পু (নাপ্পী-শীঙবী মখল অমা)" নত্ৰগা "পুৰেন (অথোইবা পু পাম্বী)" ওইনা হৌখি, হায়না পীবীৰম্মী। [মথক্কীসিদা, ৯৪ অমসুং মহা: লৈহেক:, খুৎ: লাই: ২১-২২]।

অভোপ্পা ৱাৰী পৰীং অমা

মথক্তা থমজৰিবা ৱাৰী পৰীং অসি নত্তবা, থৌদোক-ৱাথোক্কী পৰীং-পৰেং (Plot) দ খৰ থৈনা-মান্নদবা চকপা য়াংনু ফিশাহৈবী অমসুং লেৰা খোঙজোম্বগী পুন্সি ৱাৰী অমসু লৈৰি। মদুগী শন্নপ্পা ৱাৰোন মখাদা থমজৰি।

চকমোম মোইনু চনু য়াওবা চকপা শীনশূবীগা মথংলেন লেৰা খোঙজোম্বা, কোংয়াঙ চগো-ময়িতম কোন, লেৰা খয়োই শেম্বা শউন খুৰৈ তিংনা ৱাংলেন পুংদিংবা শীনশূ শীন্দানমিন্নসি তেমশীঙনখি। ৱাংলেন পুংদিংবনা শীনশূ খুৎলোইবনা ৱাংলেন পুংদিংবা লোয়বা হাল্লববু মৰূম্বীনা তাঙজা ঈকাইখিগনি খন্দুনা ঙাইদুনা পুংদিংবা লোয়শিন্দনা লৈৰম্মী। অদুবু লমলোই মৰুপ অতৈবা, মপাতাউ পুকচেল ফত্তবনা মৰূম তাল্লোই খম্বনবনা চীৰোন ৱাহৈ হায়দুনা মীনম শৰৌ লাংথাকপদগী ৱাংলেন পুংদিং হৈবনা পুংদিংবা তল্লোয় লোয়শিল্লগা ৱাংলেন পুংখৎ তৈৰক্লে। মোমনু নুজা ওইবীদি নানবা ফিশাবগী চকফি ফি ককহৌদ্ৰে। মোমনু তাংজা ঈকাইৰবগী নুৰা শীনশূ মখুৎশূ শাবৌ তেমনা মতোমতা থিঞ্জদুনা মপুন্সি লোমখি। মহাক্কী য়াইবী মথৱাইনা পু ওইনা লাংওনখি। নুমিৎ ৫ (মঙা) নী লৈৰগা ৱাংলেন পুংদিং হৈবদা মখোয়গী মৰুপ-মপাং ওইবী হাওনু পুখৎতৈনা মহাক্কা নাপী ফোয়ৰিঙৈদা শিখ্ৰবা চকফি লোইখনবী চকমোম মোইনুচনুগী মথৱাইনা হায়ৰে হায়দুনা পাউদম্লম্মী, মদুদি - ঐগী ঈথংলেন লেৰা খোঙজোম্বনা অশিবী ওইৰবী ঐগী তমফম থোকপা ঈপোৎ-ঈচৈ, সনা-লুপা, ফি-ৰোন্নচিংবা পুম্নমক তম্বীৰে, অদুগা ঐগী লৈবাক তৌনবা ৱানা মখোক পানবা য়োৎপাক অদুদি তম্বীৰক্তে - হায়না ৱাকৎলম্মী, হায়বা অসিনি। মদুদা লেৰা খোঙজোম্বনা মাগী তাল্লোইগী পোৎলোয়ফম যুম্ফম অদুদা চৎলম্মী। মদুদা মহাকপু লিননা চীক্লুনা মফমদুদা শিখি। অদুগা লেৰা খোঙজোম্বগী য়াইবী মথৱাইনা লাং পাম্বী ওইনা লাংওনখি।

ৱাখোম-ৱারোয়

মথক্তা থমখ্রিবা চকপা চনু য়াংনু ফিশাহৈবীগী পুন্সি ৱারী অসি "অৱাবনা পোলোয় ওইবা" ৱারী শীঙবুন অমনি। য়াম্না লীরবা, কুইরবা মতমগী মীওইশিংগী মতমদা পানশিন-পুশিন্দুনা পীরবসু ৱারীসিদা য়াওরিবা মেটরিয়েল কলচর (Material culture), হায়বদি, মীওইবা অমনা অয়ুক্তা ফমুংদগী তুম্বা হৌগৎলকপদগীনা নুমিদাংদা তুম্নবা অমুক ফমুংদা চঙবগী মতম অসিদা শীজিন্নরিবা হিংবা-পানবদা চঙবা পোৎলম-পোৎশকশিংগী ৱাফমদা মিৎয়েং থম্লকপদা ফংলিবা ফিশা-লোনশাগী শীনফমসিদা শীজিন্নরিবা ফিশা তেম অমসুং শারিবা ফিগী মখল চকফি হায়বসি য়াম্না ঙনখ্রবা মতমগী নত্তে, ৱারীসি চীনবুঙ-চীনফাদা মীরোন কয়া ফাওনা পুথরকপা ওইরবসু মীরোন্দু মশীঙ য়ামদ্রি হায়না খঙে। মরম অসিনা ফুঙ্গা ৱারী অসি মীহৌরোন (Evolution of Man) গী য়েলহৌঙৈগী মতমগী ওইনা পীজরবসু মতমদুগী চপ চাবা থৌদোক্কী ৱারী-শীঙবুন্দি নত্তে। কায়নবনা নুংশি-পন্থুং ওইখ্রবী পুন্সি তেনবী চনুরা অমগী পুন্সি-ৱারীনি।

চকপা তিংশাং চনু য়াংনু ফিশাহৈবীসি নুংশি পন্থুং তানবগী লমজেন্দা থৌদান-শীন্দান্নবগী হিদান্নবদা কল্লক খম্বনবগী লৌনম লাংনা মায়থীবা ফংহল্লবীনি। অদুবু মহাক মশানা ঙাংথোকখিবা ৱাঙাং অমসুং শকখিবা ৱাশক্কী শরী নামুং ঙাকপগী লেঙদ্রবা শক্তম অমনি। অদুনা মহাক্কী ফিদম লৌদুনা ঈশানা হায়খিবা ৱাফম ঙাক্লা চৎপা ঙম্নবা লেপকদবনি। মহাক্কী ফিদম্নফম অসি লৈবসিনা মহাকপু লাইরেম্মগী লাংওন (Incarnation) ওইনা থম্বীরম্লা হায়না খঙে।

শৌবোন য়াইরেন চনু
ৱাহৌ-শৈহৌ

"মমান্ নিংথৌ মপুথিবসুং মমোম্ শৌবোন য়াইরেন্ চনুপু শমু মাঙতা থানা মরান থিঙ্লৌ নীঙ্না তেনা হলৱাইলক্লে। শঙ্কাই মাঙ্কোল লাংতা ৱাইথুংলপতা মশানৌ য়াইপীলৈমা কাঙ্নৌতোন শাফাবীনা পাউহংঙম্মে, ঈমোম্

তারক্লদুনা ময়ুম মরানয়াঈদা হল্লক্লম্মী। অদুগা নুমিদাংদা মপন পন্থৌ মপাদা য়োঈময়াই তাউদনবগী ৱাহংদুগী পাউখুম পীবীনবা হায়জরম্মী। মদুদা মপন পন্থৌ নিংথৌনা ৱাহংদুগী পাউখুমদু তাকপীরম্মী। অদুগা মহাকসু মথংগী নুমিৎ অদুদা মমোম অনিনা খাল্লে লৌতারিবা চেংলৈ উনুংদাগী লৌফমদা লৌতাগে হায়না হায়রম্মী।

কোরৌ ঈনুং ঙাল্লক্লবদা চেংলৈ মপুথিবা পুথিবনা মমোম অনিবু মমাঙ থানা পুদুনা চেংলৈ উনুংদাগী লৌকোন্দা লৌকুম্লক্লম্মী। অদুগা মহাক্লা লৌরী পন মরুমদা লৌফমগী লৌখন মনুংদা য়েনপাক্লা মথক্তা কুপশিন্দুনা হীপ্লগা লোন্না শাথুপ্তুনা লোৎনা মমোম অনি অমসুং য়োঈময়াই তাউদনবগী ঈরাং য়েংনবা লোত্তুনা লৈখ্রে। মমোম লাংলেন অনিনা য়োৎপাক পায়দুনা লৌয়ানবা হৌখ্রে। মতম ঙাইহাক লৈরগা য়োঈময়াই তাউদনবদি নোংপোক মায়কৈদা লৈরিবা নুমিৎ মাগী লম্বীদা নোংপোক মায়কৈ ঙান্‌হন্দুনা থোক্লক্লগা নোংমদোন থক্তগী মচীন-মনাউ অনিদা হায়রকখিরম্মী - "হে নুপীমচা ওইবী ঈবেম্মা ! নখোয় অনিদা ঙরাং ঐনা হংজখিবা ৱাহংগী পাউখুম পীবীদববু করি মরমগীনো? নুমিৎ ঐবু ঈকাইবা পীবীরিব্রা? নোঞ্জবগী মতীক চাওথোকপীরিব্রা?" - নোংমদোন কোরৌহনবগী মপুক্লীঙ নুংশিবগী ৱাহৈদু তাবদা মচীন-মনাউ অনিদুনা য়াওবা ফিগৈ শেংদোক্লীঙবনা লাংতক্লরম্মী। অদুবু মপন পন্থৌ মপা লৈ হায়দুনা পাউখুম পীবা ঙমদনা লৈরম্মী। মতমদুদা মপানা পাউখুম পীয়ু হায়না পাউতাক পীরক্লম্মী। মদুনা মচীন-মনাউ অনিনা খুম্লক্লম্মী :-

"হোয়তা, য়োঈময়াই তাউতনবা-ও ! লাংগোই শামদোন অয়াঙবা লাঙ্গৌই শয়াঙ খোঙওইনরক্‌পতুম লাঙ্গৌই খোঙগুন কয়ানো, হাননা পাউখৈ শেংবীয়ো, মোমনু লৌশিঙ থেনবীদি, কোননা পাউখৈ শেংজগে" [মথক্কীসিদা, ৩১]।

মখোয় অনিগী পাউখুম অসি তাবদা য়োঈময়াই তাউদনবনা মহাক্লা হংবা ৱাহংগা মান্নবা ৱাহং অমনা মহাক্কী ৱাহংগী পাউখুম পীরকপা অদুদা মহাক মখা তাবা ঙমদ্রে। অদুগা মখোয় অনি অসি পুক্লীঙ লৌশিঙ চাওবী, পায়মা লৌয়াম উবীনি, মখোয়গা অরেপ্পা ৱাফম ঙাংনদবা য়াদে হায়না খন্দুনা শগোল খুরুপ

অপোকপা অপোকপী

শৌবোন য়াইরেন চনুসি থাঙয়ি/চেংলৈ য়েক্কী চনু/নিংঙোন চীনফুরোন্নি। মহাক্কী অপোকপা মপন পন্থৌ মপাগী মমিংনা থাঙয়ি/চেংলৈ মপুথিবা নত্রগা অহোঙ নিংথৌ পুথিবা কৌই [মথক্কীসিদা, ৯৬ অমসুং চ: হে: খা: ১৯৮৭, ২৬] অমসুং অপোকপী পল্লেম মমাগী মমিংনা খারোনী লৈমা চংখানু [ও: ভ: স:, ১৯৬৭-৩,৯৬] নত্রগা লৈমা কাঙনৌতোন শাফাবী [চ: হে: খা:, ১৯৮৭, ২৬] হায়না কৌই। মপন পন্থৌসি মখোয় অঙোম য়েক্কী কৌব্রু চীঙজাওগী লৈচীন-নোংফাইনা কুপ্পা লাইরৈপাগুম্বা চীঙয়াঙ-নাপোমগী লমদমদা লৈরম্বা মনীঙ-মখা তম্বা লৈপাক অদু খাবা-ঙানবা অমসুং মখোয়গী লাল্লোই-খোঙলোইনব (Alley) শিংনা থুগায়খ্রবদা অঙোমগী নিংথৌ মচাশিংনা মথৰাই হিংনবা চেনথোক্লরকপদা চীঙশোম্বা অমসুং অঙৌবনা নোংপোকলোমদা (উখ্রুল পানাগী খংখুই চীঙ-লৈখুন/চীঙনুংহুত্তা) চেনখ্রবদা চেংলৈ নিংথৌ মচা পুথিবদি লাঙ্গোন-চীঙ্গোন অনিগী খা থংবা চীঙয়া-তময়াদা লোত্তুনা লৈহৌরগা হিংহৌবদগী মফমদুদগী খুরাইগী লমখৈ মনুংদা খুরাই অহোঙপুঙগী লমদমদা হোংলক্তুনা পানখিবনি। পল্লেম মমাসি থাঙয়ি/চেংলৈ য়েক/শল্লাই ওঙদুনা চেংলৈগী লৈমাবী লৈমা ওইখিবনি।

পন্থৌ মপা পুথিবা অমসুং পল্লেম মমা লৈমা কাঙলৌতোন শাফাবীনা মমোম শৌবোন য়াইরেন চনুসি পোল্লবা ঈকুই কুইদনা শৌবোন য়াইরেন চনুসিগী মনাউনুগী অমা পোকখিরম্মী, মনাউ ঈবেম্মসিগী কোল্লোয় মমিংনা সনা খোংনাং লৈমা হায়না মিংথোনবীরম্মী [মথক্কীসিদা, ২৬]। অদুগা মখোয় নুপী মচীন-মনাউ অনিসিগী মখা অমুক তাখিদ্রে, মখোয়গী মপ্পা-মদুনিংথৌ নত্রগা মশানৌ শানৌ ঙাইথিংতোন মনাউ অমুক পোকখিদ্রে। মখোয় অনিসিদা তোমথিন ওইনা পন্থৌ মরানয়াইদা পাল্লক্লম্মী।

চাওরক্-শাংলক্পা

চীনফুরোন শৌবোন য়াইরেন চনু অমসুং মনাউ ঈবেম্মা সনা খোংনাং লৈমা অনিসি হেক থংননা অমসুং নাউরোন খুনা পোকপীশিং ওইবনা মখোয়

অতোন্‌পীতি কতাইনো? হায়না পাউহংপবু মশাবী নিংথৌ মপুথিপনা পাউ খুম্‌ঙম-এ, ঈমোম্ লৈরাং অতোনপীতি য়োঙ্গময়াই লাইরেন তাউতন্‌পতা কাওচন্‌নখিরে, হায়না পাউখুম্‌লবদা - মশানৌনা নুংশি মখৈ লৈতনা...” [চ: হ: খ:, ১৯৮৭, ৩৪-৩৫]।

মথক্তা থমজরিবা “মপুথিপা (মবুধিবা)” কৌবা মৈতৈ পুয়াদগী শত্তোক-লৌথোকচরকপা ৱারেং মতেক অসিদা পল্লি-হায়রিবা “শৌবোন য়াইরেন চনু” হায়রিবী নুপী অসি মৈত্রবাক্কী মৈতৈ তম্মীশিংগী খুনুং পুৱারীগী ৱারী- শীঙবুন্দা মমিং লৈরবী, লৌয়ান-লৌতাবদা অমদি চীঙগু খোইয়ুম লাইগী লাই-তীনগী নত্রগা লাইওই-তীনওইবগী ৱারী-শীঙবুন্দা চীঙগু লাই, নোংপোক ঈঙৌবা নত্রগা নোংপোক নামুংবা/নিংথৌগী থৌগন-লাংগন্দা লাইনীঙ মতোন লোন্নবী ওইনা শীঙথানরিগী মীশক অমনি। মহাক অসি মৈতৈগী অরিবা লাইরিকশিংনা মৈত্রবাক্কী চকপরোন, মতম কুম্বাবগী খুনুং চক (অহুমশুবা চক - The third Epoch) কী হৌগৎলকপা মতমদা পাল্লম-লৈরম্বা মীওই ওইনা পীরম্মী [ও: ভ: স:, ১৯৬৭ - ৩, ৯৬]। অদুগা মহাকসি মৈতৈ তম্পাক্কী ময়োল কংলৈ পুঙময়োন (ইম্ফাল কংলৈ) গী অৱাং-নোংপোক থংবা তম্পাক্কী মশুঙ লাইফম পানা (Division/District) গী লৈকোক খুরায় লৈকায় (Sub division) গী লমতুপ লমদমগী লমচেৎ অমদা পোকখি-শাখিবী অমসুং পানখি-লৈরমখিবী ওইনা পীবীরম্মী [মথক্কীসিদা, ৯৬]।

শৌবোন য়াইরেন চনুগী পুন্সি-ৱারী

শৌবোন য়াইরেন চনুগী পুন্সি-ৱারীগী থৌদোক- ৱাথোকশিং অসি লাইওই-তীনওইবগী নত্রগা মীওই-লাইওইবগী থৌদোক্লা নমনা থম্বীরম্মী। নিংথৌ নত্রগা মতীক-ময়াই লৈবা মীবু নুমিৎকা মান্নবা নত্রগা নুমিৎ ওইনা শীঙথানদুনা হায়বীরম্মী। তশেংবমক্তদি শৌবোন য়াইরেন চনুসি নোংপোক ঈঙৌবা নত্রগা নোংপোক নিংথৌ নীঙবা নত্রগা মহাক্কী তাল্লোই ওইবী নুপীনি।

অসিনি। অসুম্না মচীন-মনাউ অনীনা লৌকুমদুনা লৌয়াল্লকপসিদা মখোয়না ঈশৈ শকপদা শৈথারিবা য়োঙ্গময়াই তাউদনবা, নোংমদোন কোরৌহনবা নুমিৎনা মখোয়গী ঈশৈদু তারগা অতিয়াদগী য়েংথরকপা মতমদা মখোয় অনিবু উরে অমসুং মশানৌ সনাখোংনাং লৈমবু উরুবদা কোরৌহনবা মহাক্কী থম্মোইবু শুমহৎখ্রে। নুজাগী চেংলৌ মশক খঙনবা, মখোয়বু পোকপা পল্লেম পন্থৌ মমিং হংলক্লম্মী। লৈশাবী মপুঙ ফারক্লবী ওইরকপা অমদি পাখংগী মিৎয়েং অথৌবনা শানৌ লৈরাং অনিদুদা য়েংশিল্লকপা মিৎয়েংদুদা নুংশি-নুংঙোনগী মপাউ য়াওবনা নুজাগী মফমদা ঈকাইবগী ঈথক্লা য়ৈরক্লম্মী। অদুনা মায়থোঙ লুক্লপ্না খোঙবীনা লৈমায়দা তক্কুনা ঈকাইবগী মৈশা খাঙলগা চীম্বাল মোমোন নোক্লা খুম্লকখি -

- "হোয়দা য়োঙ্গময়াই লাইরেন তাউদনব ও! পনথৌ নিংথৌ মপুথিবনা শাংলে। পল্লেম ঈমা য়াইবী লৈমনা পোকলে, কাঙলৌতোন শাফাপীনা ফুয়পনে। মোমনু কোল্লোয় ঈমিংথোনতি শৌবোন য়াইরেন চনু কৌয়ে, শানৌ লৈরাং অতোনবীদি সনা খোংনাং লৈমা তৌনা কৌয়ে" [মথক্কীসিদা, ২৮]।

পাউখুম অসি তারবদা কোরৌহনবা নুমিত্তু মহাক্লা খঙনীঙলিবদুদি খঙলে। অদুবু পুক্লীঙদা নীঙলিবা ব্রাফম, থম্মোইদা ফাওরিবা ব্রারম অমসুং ব্রাখন্দা লৈরিবা ব্রাহৈশিং অদুদি মচেম অহন্দুদা ফোঙদোক-হায়দোকপা ঙমদনা মতোমতা তরক তরক হনখ্রে। অদুগা মচীন-মনাউ অনিনা ময়ুম মোংবয়ায়দা হল্লগা, ঈনুং নুমিদাংগী মতমদা য়োঙ্গময়াই তাউদনবগী ব্রাফম পন্থৌ মপাদা তমদুনা তাহল্লি। অদুবু কোরৌহনবা মহাক্লা পান্দম্লিবদু মঙোন্দনি খঙজদবী সনা খোংনাং লৈমদি অঙাংদা অঙাং ওইবগুম ঙাংলু-শক্লুবা তৌদনা তুমিন্না তাবদমক তারম্মী।

য়োঙ্গময়াই তাউদনবনা পুক্লীঙগী অনীঙবা থুংনবা চীনফুরোন মচীন মনাউ অনিবু লুম্বা, য়েংবা অমদি তাঞ্জা ঙাইবদি লেপ্লমদে। মহাক্লা মচিন-মনাউ অনিনা লৌকুম-লৌতাবা মথংগী নুমিৎ অদুদা অমুক মখোয়'নীগী মনাক্তা লাক্লম্মী, অদুগা মখোয় অনিনা মমাঙগী নুমিত্তগী লৌতাদুনা লৈপাক তৌরকপা অদু য়োৎলৈ তেংপাক মতুম কয়া শুরবগে, হায়না হংলম্মী। মহাক্কী ব্রাহংসিগী পাউখুম শৌবোন অমসুং সনা খোংনাং মচিন-মনাউনা পীবা ঙম্লমদে। ঈকাইবনা মরু লুকথদুনা খাঙলম্মী। মহাক্কী ব্রাহংগী পাউখুম ফংদ্রবদা য়োঙ্গময়াই তাউদনবসু, মথংগী নুমিত্তা পাউখুম পীয়ু, হায়রম্লগা চৎখ্রে। মচীন-মনাউ অনিসু কোরৌ নুমিৎ

অনিসি হাইরপ মান্নবা চাওরক-শাংলকখি। শাওং-শাবান, শাহৌ-শারেপ, শক্তম-শকফম্নচিংবসু খর খর মান্নবা চাওবা লেপ্তম ফানরকখি। পল্লেম মমাগী খুদুং অমসুং মতুং ইন্দুনা ঈমুং-মনুংগী চাকথোং-ফৌশূ, ফিশু-ফিজাম, ৱাইতৈ-লমতৈবনচিংবা ঙম্লক্লবা মতম, মশাগী চহী ১৫ (তরামঙা) অমশুং ১৩ (তরাহুমদোই) শুরক্লবদা লৌঙাক-ফৌঙাকপা অমদি লৌয়ান- লৌতাবা হৌরকখি। লৌশূ-লৌতাবা হৌরকখিবসি মপন পন্থো নিংথৌনা শীন্থাবীবদগী হৌখিবনি, মদুদি :-

"হে ঈমোম পেম্ম- ও ! শানৌ নচীন-ননাউপু নপন ঐকী খাললে লৌনমুং অচনপা, অৱাং চেংলৈ উনুংতাতা খাললৌ লৌতারুও, হায়না পাউমেনখিএ" [মথক্কীসিদা, ২৬] ।

অসিনি। অসুম্না চাওরক-শাংলকসিদা নুপীচাগী শীনশূ-শীনথা শীল্লম-শীন্থোঙশিং - ফিশা-লোনশা, ফিরোন-ফিরীবা, শিন্নৌ মোইথাপ নাইবা, তুনুং লং-নাইবা, তৌওৎ-তমংনা তুনুং লংজা লংখাই শাবা, তরেং মাঙদা থা, শীন্নজৈদি য়েৎনা পায়, তুনুং লংলী ওয়না পায়না লংচাক-লংদুম নাইবা, অসিনচিংবা শীল্লম-কয়াসু তল্লক-তৌরকখি। অদুবু মপন পন্থৌনা পীবা শীন্থাদুদা ইন্দুনা চেংলৈ উনুংতাদা লৌতাবা চৎলম্মী।

লৌতাবদা য়োঙ্গীময়াই তাউদনবা উনবা

খাল্লে লৌতাবা অসিদি কুম অমগী মনুংদা মতম অকক্লবা অমসুং মতম নাইবা থবক্নি। শৌবোন য়াইরেন চনু অমসুং মশানৌ সনা খোংনাং লৈমনা চেংলৈ উনুংতাগী খাল্লে লৌবুক্তা লৌতাবা অসিগী মরমদা পীবীরম্লিবদি:-

"লাংলেন কোংয়াঙ্ ৱারূকন, থৌরৈ নীঙপাকপা তেৎনৌ য়াফাক্পপু কোংয়াঙ খাঙতপ পায়না কোরৌ নোংবু লাউনা য়োৎলৈ নোংথাঙ কুপ, পেরোম মমৈ শম, কৈথেৎ মরূ তুপ্, য়াংদৌ মমৈ শম, ৱাহি কোকতাই তুপ, য়ুপা খুমন্ তান্, হারূ লোংনা ফৌ, হাকুম তেংপাক অকংবনা খাগা থা, কুমশি তেংপাক অনৌবনা থক্কা থোন্না ঈশৈ খোনমান্নবা, য়োঙ্গীময়াই তাউদনববু তেংথাননা খাল্লে লৌয়াল্লক্য়ে" [মথক্কীসিদা, ২৭] ।...

থাদুনা থৌথরকপা মতমদা লৌবুক্কী লৌরী মরুমদা য়েনপাক্লা কুপ্তুনা লোত্তুনা লৈরিবা চেংলৈ নিংথৌ মপুথিববু উদবনা শগোনগী মখোঙনা নেৎখায়-নেখত্তুনা শিরে। অসুম্না শগোন্না নেত্তুনা শিরবা অদুদা চেংলৈ নিংথৌ মপুথিবদি তুরেন্দা লৈবা ৱাইখু হায়বা থৱাইপানবদু ওনখি। মতৌ অদুদা মচানুপী অনিদুনা থম্মোই শোক্লা মপন পন্থৌ মপাবু কোন্দুনা কপ্লম্মী। অদুগা মখোয় অনিনা মরম ওইদুনা মপাগী পুন্সি লোয়খিবনি, অদুনা মখোয় অনিসু মপাগী মতুং ইন্দুনা শিরগনি, হায়না থৌরাং তৌরম্মী। মখোয়নীগী মতৌদু উবদা য়োঙ্গময়াই তাইদনবনা হায়রক্লম্মী :-

"... হে মোমনু পেম্মা - ও ! মোমনু নপীঙঙা - অনীমকপু চেংলৌ মিৎকুপলম ঙাইখমপী-ও ! নপন অমন খমলৈ কুমপপু তাইবং অমলক য়োঙ্গওইহন্কে" [মথক্কীসিদা,৩৩]।

অদুগা য়োঙ্গময়াই তাউদনবনা খোইয়ুম লাইমিং শোন্দুনা চেংলৈ নিংথৌ মপুথিববু অমুক হিঙ্গৎহনখি। চেংলৈ নিংথৌসিনা হিঙ্গৎলক্তুনা হৌগৎলক্তুনা ফন্লবদা য়োঙ্গময়াই লাইরেন তাউদনবনা মপুথিবা নিংথৌদা খুরুমদুনা, মহাক্না উহৌদবদগী ঈমান ঈবুংঙোবু শগোন্না নেৎহনখ্রে, ঐনা লঙ্জ-লাঞ্জবা পুম্নমক ঙাকপীয়ু হায়জরে। চেংলৈ নিংথৌ মপুথিবনা ঙাকপীরে, অসুম্না তাইশিন-য়াশিন্নবা পুরক্লবা মতুংদা য়োঙ্গময়াই তাউদনবনা চেংলৈ নিংথৌ মপুথিবদা, মচানুপী অতোনবী সনা খোংনাং লৈমবু পীনবীরো, মহাক্কী তাল্লোই ওইনা লাইরৈবাক্তা পানমিন্নজরুরগে, হায়না অমুক হন্না খুরুমজরম্মী। থাঙ্গৎলক্লিবা ৱাফমদুদা চেংলৈ নিংথৌ মপুথিবনা য়াবীরদুনা মমোম অতোনবী সনা খোংনাং লৈমবু খুদক্তুদা মফমদুদা য়োঙ্গময়াই তাউদনবগী মখুত্তা শিন্নরে। য়োঙ্গময়াই তাউদনবসু মহাক্লা নীঙবা থুংলবদা সনা খোংনাং লৈমবু পুদুনা মহাক্কী লৈফমদা হনখ্রে। চেংলৈ নিংথৌ মপুথিবসু মমোম লাংলেনহন শৌবোন য়াইরেন চনু পুদুনা খুরাই অহোঙপুঙগী মোংবা মশাইগোন্দা হল্লক্লে। ময়ুমদা থুংলরবদা মপুথিবগী তাল্লোই য়াইবী লৈমা কাঙলৌতোন শাফাবীনা মমোম লাংলেন অতোনবী সনা খোংনাংলৈমবু কদায়দা লৈহৌরবগে, হায়না হংলক্লম্মী। মদুনা চেংলৈ নিংথৌ মপুথিবনা মমোম লাংলেন অতোনবীদি য়োঙ্গময়াই লাইরেন তাউদনবদা থাজদুনা মহাক্কী মখুত্তা শিন্নখ্রে, অৱাং কোরৌ লাইরৈপাক্তা

নুহোংঙলগা পানমিন্নরুনবা পুখ্রে, হায়না হায়রম্মী। মদু তাবদা পল্লেম মমানা মমোম অতোনবীবু অমুক হন্না উবা ফংলরোয় হায়না কপ্লম্মী। অসুম্না সনা খোংনাং লৈমা য়োঙ্গময়াই তাউদনবদা ওঙদুনা লাইরৈবাক্তা লৈখিরম্মী।

শৌবোন য়াইরেন চনু কৎখিবা

সনা খোংনাং লৈমাবু য়োঙ্গময়াই তাউদনবদা থাজখ্রবা মতুংদা চেংলৈ নিংথৌ মপুথিবনা মমোম লাংলেনহন শৌবোন য়াইরেন চনুবু তাইবং মী কনাদসু থাজ-য়োঞ্জরোয়, চীংঙঙু নোংপোক নামুংবা, খোইয়ুম শিদবা মাগী মফমদা থাজগে হায়দুনা ময়ুমদগী মপান থোকহন্দনা নুঙনা পন খাগত্তুনা থম্বগুম নাউয়োক-নাউকোন্দুনা থমখিরম্মী [মথক্কীসিদা,৩৬]। মতমসিদা লমদা থাগী য়াইফরবা নুমিৎ অমদা লাইনীঙ-লম্বোইবা অমগী শক্তমদা শম লৰাইদা হামুন লৈ, য়ুবী খুজাই পায়, চৈশু পাল্লোইনবা অমা ওইনা নোংপোক মাল্লুং হুমওইবনা খুরাই অহোঙপুঙগী লমদমদা পনম চখোক্লক্লম্মী। অদুগা চেংলৈ নিংথৌ মপুথিববু চেংলৌ শকউনরম্মী। মহাক্না মহাকসি পাঙল [বঙ্গ/বাঙ্গাল/বেঙ্গোল (Vangga or Banggal/Bengal)] লৈপাক্তগী "কুসু" হায়বা খুঙ্গং অদুদগী লাকপনি, মমিংনা "মি-কুরু" হায়না কৌই হায়না শক্তাকচরম্মী [মথক্কীসিদা,৩৭]। মহাকপু করিগীদমক্তা লৈপাকসিদা লাকপনো, হায়না চেংলৈ নিংথৌসিনা হংবা মতমদা মহাক্না, নঙগী লৈপাক অসিদি মুৰাপল্লী লৈপাক কৌই, সনানা খুদোন ৭ (তরেৎ) থোনপা লৈপাক্লি, লাইগী লৈপাক লাইরৈবাক নুংঙাইবনি, হায়বগীদমক্তা লাকপনি", হায়না হায়রম্মী।

মহাক্কী ৰাহৈদু তাবদা মপুক্লীঙ পেল্লবা চেংলৈ নিংথৌদুনা মহাকপু নুংশিনা ওকপী-তৌবীদুনা লাংশঙ শঙলাংমৈদা লৈহল্লে [মথক্কীসিদা,৩৮]। লাংশঙ শঙলাংমৈ হায়বসিদি নিংথৌ ফিজেৎ শেৎফম অমসুং ফিরোই-ফিঙাম থম্ফম, নিংথৌকোন্দা লৈবা শঙনি। অসুম্না শঙ অসিদা লম্বোইবসিনা নুমিৎ ৫ (মঙা) নী লৈথরক্লবদা চেংলৈ নিংথৌনা মমোম শৌবোন য়াইরেন চনুবু থেমদুনা, লম্বোইবা অদুদা মহাক থাজগদৌরিবনি, অদুনা নপুক্লীঙ লোঙদনা মহাক্কী (লম্বোইবগী) থৌগল-লাংগন তৌজরু, হায়না শৌবোন য়াইরেন চনুবু লাংশঙ শঙলাংমৈদা থারক্লম্মী। অদুগা মহাক মশানসু লাক্তুনা লম্বোইবা অদুগী মফমদা

মমোমবু তাল্লোই ওইনা লৌশিনবীনবা হায়জরম্মী। মদুদা লম্বোইবা অদুনা খুল্লকখিবা পাউখুমদি :-

"... ঈখোয়তি তাল্লোই নাকতা থানা শামু হকচাং শোক্লহৈতে। তৌয়ীকুম নিংথৌ নঙনা থৌজানবীরবনিনা তাল্লোই নুংদা চনবী ওইনা থৌগন্নগে" [মথক্কীসিদা, ৩৯-৪০]।

অসিনি। অসুম্না লাংশঙ শঙলাংমৈদা লৈরম্বদগী মখোয় অনীদু শেনবী পোং নিংথৌগী থুংফম মফম অপোং ঈংখোলদা হোংজিন্দুনা লৈরে। মতমদুদা শৌবোন য়াইরেন চনুনা লাইনীঙ-লম্বোইবা অদুদা - য়াম্না নুংঙাইনা কে-মৌদুনা তেরাগী মোন্দুম-মোনপক, কব্রং মোনপাক ফিদাথক্তা ওন্না-থোইনা লৈবীয় - হায়জববু লম্বোইবদুনা য়ারমদে। মদুদা মহাক্না খুমখিবা পাউখুমদি :-

"হে মোমনু চেংলৌ শকহেনবী - ও! চৈরৈনুংগী য়াকুনুং কোরৌ মোন্দুম থক্তা য়াতাহৈদে। খোইয়ুম লাইবু নীঙবা ঈখোয়গী ঈহৌশাদি, কাওরেন শম্বীগা তুরেন চংলৈ লৈঙোইগা লাইজা ঈশিংগা ৩মনা তীল্লগা মাল্লেম লৈমায় তৈনা চংবী লারাক অমা থাববু চৈরৈ ফিদা ওইনৈএ।" [মথক্কীসিদা,৪০-৪১]।

অসিনি। অদুনা শৌবোন য়াইরেন চনুনা লৈঙোইগা শম্বীগনা লৈমায় ৱাই তৈথোক্লগা চংবী লাতোন থারগা ফিদা ওইনা লম্বোইবদুদা ফম্ফম্নখি, লৈমায় মোনখাঙদুনা হীপ্লগা উচেক ৱায়া, তীন-কাঙ, ককচেং খোইয়ানা খোংবা মখোল তানা তানা অহিং তুমখিরম্মী।

য়াওরৌ শাদানবা

চীঙঙু নোংপোক নিংথৌনা লাইনীঙ লম্বোইবা শাদুনা অপোং ঈংখোন্দা শৌবোন য়াইরেন চনুগা লোইননা লৈরকপা নুমিৎ ৩ নি শুরকপদা চেংলৈ নিংথৌ মপুথিবগী অঙম-অথৌশিং অমসুং অকন-অরিংশিংগা চাননবা শা শাদানগনি হায়না লেপ্পদুনা শেম-শারম্মী। মদুদা লম্বোইবা মহাক্না মকু নিংথৌনা শাদানবা চৎপদু য়েংবা চৎকে হায়রম্মী অমসুং লাই ওইবা মহাক্কী মতীক ময়াইদু উৎকে অমদি খঙহনগে হায়না খল্লম্মী। অদুনা মহাক্না মহাক্কী মশম তারৈনবা, লৱাই হামুন পরৈনবা অদুগী মনুংদগী মোরিশা কৌবা খোঙ্‌বী ফাওবা থিংজিনবা চল্লোয়দবা খাউ অমগা ৱাগী উতোং অপীকপা অমগা পুথোক্লক্লগা,

মদুদা চাক হানবীয়ু, ঈশিং হাপ্পী হায়দুনা শৌবোন য়াইরেন লৈমদা পীরম্মী। লৈমনা মপুক্লীঙদা করিনো তৌরিবা মতৌসিবু হায়না নীঙনা চাকহান-ঈহানববু মোরিশা অমসুং উতোংদূবু থনহনবা ঙম্লমদে, অহিং চুপ্পদুমা থোং-থাক্তুনা, লাইজা ঈশিং হোন্দুনা চাকহান-ঈহান্দুনা হোৎনরিবনি। নোং ঙাল্লবা ফাওবদা থনবা ঙমদ্রবদা শৌবোন লৈমনা হায়জখি :-

"চীঙঙু কোরৌ ঈনিংথৌ, ৱাংবন ঈকশা-ও! নদাইরেম ঐনা তরা চাকহানববু চাকথনবীদে, লাইজা ঈহানবসু লাইজা ঈথনবীদ্রে, লঙজা অয়োনববু কোকপীয়ু" [মথক্কীসিদা, ৪২-৪৩]।

মতমদুদা অহন ওইরবা লাইনীঙ লম্বোইবদু নহা পাখং ওইবা অমা ওইনা মশক ওন্থোক্লক্লে। অদুগা, "লৈমা নঙগী লঙজবা করিসু লৈতে, ঐহাক ঈকু নিংথৌনা শাদানবা চৎপগী মতুং ইল্লুখিগে" - হায়না হায়রম্মী। মদুদা মশানৌনা লৈপাক পুবা অঙম্বশিংনা নোক্লগনি, মীনাই মীশন থৌগন-লাঙ্গন য়াওনা চৎপীয়ু, হায়জববু য়ারমদে। মখ্বাঙদা তুম্বা য়াল্লগা মীচম মীয়ামগী মরক্তা চৎখিরম্মী। মদুনা লৈপাক পুবা অঙম্বশিংদুনা নোক্লরম্মী অমসুং করেম-কথাইনদুনা লংনরম্মী। "পাঙল লম্বোইবদা নঙদি কৈদৌবৈ লাকপনো? তোকপা, কামবা, নুংওক-পাইবং, শায়ু-লৈৱাং, খুবীঙ-খুকাই, য়োংমু-য়োংশেন, শাতুপ-শঙাই, করম্বা অমতা ফাজবা হৈরোইয়ে। তাংজা ঈকাইদব্রা, হোরেন ঈখোয়না লাংগোই খুরুপ মানবন হৌনা তিমেন হুঙশোন লৈনববু চেংলৌ নমিৎ ঙক্কনি। নঙদি হোরেন লৈমা মৱানে হায়রবদি নরান য়ুমদা করিগুম্বা অমতসু পাউদমলুগবনো?" অসুম্না লংনা-করেম্লবা ৱাঙাংনা হায়রকপদু তারগা মীগী মশক ওইরিবা লাইয়িংথৌনা, -"হোয়, মরুপ-মপাংশিং! ঐদি অকন-অথৌশিং নখোয়না শাদানবসি তোয়না থোকপা থৌদোক নত্তে, অদুনা য়েংগে হায়দুনা লাকচবনি, অদুবু মীগী মওং-মতৌ খঙদনা নোক্লবদুদি তৌবীগনু, ঐদি মী পুম্নমকপু ঈকাইখুম্ন - জবনি" - খুম্লম্মী। মদুদগী অমুক মখা তানদনা মীয়ামদু অৱাং শাচেপ লোনমল্লাং, থুম্বী লৈহৌচীঙবু য়ৌনা শা তানখ্রে। ময়াম শা তাল্লিঙৈ মতম অসিদা চীঙঙু নোংপোক নিংথৌনা মহাক্কী শম্লাং তারৈনুংদা তাইবং কনাসু খঙহন্দনা শাথুপ্লিবী লৈমা পাবর্বতী নীঙাইবীগা খোইমোম লাইরিকলৈমা শীঙজাখোম্বীগা মখোয় অহুম্না মদাইরেম পাঙ্গল্লবা অনি কৌরগা য়াওরৌ শাফম অদুদা লৈবা শাশিংবু মনা লেন-ককউ, হায়না য়াথং পীখ্রে অমসুং মনাই অনিদুনা চীঙঙু

ময়াথংদু খুদক্তা থীন্দনা পাংথোকখ্রে, শা খুদিংমক্কী মনা ককখ্রে। অদুগা মখোয়না শাশিংদু মশীঙ থিবদা মশীঙ ১০০ (চামা) শুই, হায়না হায়রম্মী। অদুদগী চীঙঙু শিদবা মহাক্লা খোইমোম লাইরেম্মা অনিসু মদাইরেম পাঙ্গনবা অনিসু মহাক্কী শন্নাং তারৈনুংদা শাথুপহনখ্রে।

নিংথৌ মপুথিবনা খোইয়ম লাংলেন লম্পাক খান্বী মৈপু থোক্লে, চকমোম মথি নাইরে, খান্বী মৈরাং হৌরে, মৈরী লামদুম লামলে, কোরৌ খোংদুম খোং, ৱাংবন লাওদুম লাও, নুমিৎ মমি খুম, উনবী পুক্লীঙ ঙক্না পঙ্গেংলবদা, লাংগোই খুরুপ মানবন থৌ, শাজৈ খোমওন য়ৈ, তিমেন খাঙতপ লাক, উফুল নোংলৈ হৌ, চেংলৌ শকউদনা হুমাং লোক-ঈ, চেননা, পাথৌ মমান্নববু য়াওরৌ শাতুহনগে ...[মথক্কীসিদা,৪৪]। ......অসিনি। অসুম্না শাদান্দুনা শা ময়াম ফারে। মতম থেংজিল্লক্লবদা চেংলৈ নিংথৌ মপুথিবনা অঙম-অথৌ পুন্নমক! মতম থেংজিল্লক্লে, য়ুমদা হন্নবা তৌরশি, ফারিবা শাশিং অসি কয়া শুবগে, মশীঙ থিরো, হায়দুনা থিবদা ১০০ (চামা) শুরে। শাশীঙ ১০০ শুবদুদা নিংথৌ অমসুং অকন- অথৌশিংদুনা হরাউনা ঙাইহাক্তং ফমথনরবদা অকন-অথৌশিংদুনা হায়রকখি -

“হে লাইনীঙ লম্বোইবা নঙদি নিংথৌগী মমাকনি, লৈমা মতৈনি হায়দুনা লাকপসিদা তোকপা, কামবা ১ (অমা) তবু ফাজবরা, ফাজরবদি করি শানো হায়না পাউদম্নবগী ৱাফম লৈরিব্রা?”

নোক্লবা, করেম্নবগী ৱাফমদা মখোয় ময়াম্না নোক্তুনা তৌরক্লিবা মওং মতৌদুদা শাইয়োন হৈরবা চীঙঙু লাইনা ওইরক্লিবা লম্বোইবদুনা নিংথৌগা মায়য়োক্লনা ফন্নদুদা ময়ামদুদা হায়রকখি - “হোয়দা পাথৌশিং-ও! মীগী মতীক খঙদনা নাপন ময়াই কানা ৱারম পঙনা হায়নহৈদে। তৌইগুম লম্বোই লাইনীঙবা, য়াওরৌ শাদানবা হৈতবা ঐগা শারেন শাফানসে। শারেন কনানা হেন্না ফাবনো য়েংনসে, য়াওরৌ ঐনা ফাবা শাদি ১০০ শুইয়ে, শারেন মনা য়েৎলমগী (য়েৎথংবগী) ককপখৈবু লম্বোই ঈখুৎননে, য়াওরৌ ঐনা ফাবা শানে” - অসি হায়রগা মোরিশা খাউ মনুংদগী শাগী মনাশিংবু ময়াম মমাঙদা লৈমায়দা হৈদোক্তুনা থল্লে। মদু উবদা মকু নিংথৌনচিংবা অঙম-অথৌ, অকন-অরিংশিং পুন্নমক পুঙক

ঙক্লে। য়াওরৌ পুন্নমক লম্বোইবা মানা ফাবা ওইখরে। ময়াম পুন্নমক্তু নাপন ময়াই কারুবগী ঈকাইবা নংলে, মখোয়না ফাবা শা অমতসু পুথোকপা ঙমখিদ্রে।

লাইগী মতীক-ময়াই খঙহল্লকপা

লমলেন শাচেপ লোনমল্লাংদা নিংথৌ মপুথিবনা লৈপাক্কী অকন-অরিংশিংগা লোয়ননা য়াওরৌ শাদানবগী থৌরম অসি লোয়রদুনা অমসুং চেল্লু-চোংলুবগী চানীঙ-থক্লীঙবা পোক্লক্লদুনা চেংলৈ নিংথৌনা ময়ুম খুরাই অহোঙপুঙদা মখোয় ময়ামদু হল্লসি হায়দুনা থৌরাং তৌরক্লম্মী। মতমদুদা লাইনীঙ-লম্বোইবা অদুনা মকু নিংথৌদা মহাক্কী নিংথৌগী মচাঈবেম্মা শৌবোন য়াইরেন চনুনা তরা চাকহাল্লকপা লাইজা ঈহাল্লকপা লৈরি, চাক চাখিসি, হায়না খান্নম্মী। তশেংনমক চাক লাল্লবা, ঈশিং খৌরাংলবা মশেননিনা ময়ামদু হরাউনা য়েংনরক্লম্মী। মতমদুদা লম্বোইবদুনা পীশক পীক্লবা মোরিশা খাউ মচা অদুগা খুৎনাউমুক্তা চাওরবা শমু খোংবীলকপা কৌবা উতোং মচা অদুগা অনিবু নিংথৌ মপুথিবগী মমাঙদা থন্নম্মী। মদু উবদা নিংথৌ অদুনা চীঙঙু মাগী মতীক খঙদবা অমদি মদাইরেম অঙন্বশিংদুগী মমাঙদা ঈকাইবা ফাওরম্মী। মরম অদুনা মহাক্না হায়রক্লম্মী - "হে ঈমাক ঈবুংঙো লাইনীঙ-লম্বোইবা! নহাক্কী তরা চয়োম অসিদি করি মতৌগীনো? মসিদি ঈদাইরেমশিং অসিগী মমাঙদা ঈকাইবা পোকই। মসিদা য়াওরিবা চাক্তি য়াগী য়াখোঙদা তৈবা ফাওবসু ওকফাৎলোয়য়ে।" মদুদা লাইনীঙ-লম্বোইবা অদুনা - "ঈকু চেংলৈ নিংথৌ-ও! পুক্লীঙদা করিসু ৱাবীবা তৌবীগনু। লৈপাক মীয়াম অসিদা নত্তনা পুরক্লিবা শাগোন-শামুশিং য়াওনা চাবসু ওক্কনি" - হায়না খুন্নক্লম্মী। লৈপাক মীয়াম পুন্নমক্তুনা খাউ মচা মোরিশা অদুদগী চাক লৌথোক-লৌথোক্তুনা চাবা হৌখ্রে।

লৈপাক্কী অঙম-অথৌ, অকন-অরিংনচিংবা লৈপাক মীয়াম পুন্নমক্তুনা মোরিশা খাউদগী চাক লৌথোকপা শমু খোংপী লাকপা উতোংদগী ঈশিং হৈদোকপা লোয়বা ঙমদ্রে। মখোয় পুন্নমক থাজরুব্দবদগী করেম্নরুবা, উশীত্তবদগী নোক্লরুবা, তৌরুবা অদুগীদমক্তা অকিবা অমসুং অঙকপা অনিনা য়ান্ননা ফাওরে। মখোয়না নিংথৌ মপুথিবদা হায়জদুনা হংজবদা পোক্লাই-শিনাইদ্রবা চীঙঙু নামুংবা মহাক্লি, মহাক্কী শানওন-কুম্মেনি হায়না চেংলৈ নিংথৌনা তাকপীরবদা খোইয়ুম

মাবু শকখঙলে। অদুগা চেংলৈ নিংথৌনা চীঙঙু মাগী মখোঙ খাদা পোইরে লৈপাক পুন্বগা লোইননা - ননাই ঐখোয়না অপঙবা নমু তাইবং ওইবনা চীঙঙু নঙবু শকখঙদবদগী লঙজখিবা অয়োন-অরান পুন্নমকপু ঙাকপীয়ু - "হায়না খুরুম-খাজঙজরে! ঙাকপী হৈবা মপুনিনা পুন্নকপু ঙাকপীরে, লঙজবা অয়োন-অরান পুন্বসু কোকপীরে। অদুদগী চেংলৈ নিংথৌ মপুথিবনা চীঙঙু মাবু দোল্লাই থক্তা ফমহল্লগা থক্তা চোঙলেন খন্দুনা মহাক মশানা মখোঙনা চত্তুনা শা তানফম শাচেপ লোনমল্লাংদগী ময়ুম খুরাই অহোঙপুঙগী লমদম য়ৌনা হল্লক্লে।

শৌবোন য়াইরেন চনু নোঙ্গাবা

চীঙঙু নোংপোক লাইনামুং নামুংবনা মশক-মশা মী ওন্থোক্তুনা ওইরকপা খোইয়ুম লাইনীঙ-লন্বোইবনা নমু তাইবং মীরমচত্তা য়ুন্বানবগী পুন্সিদা চঙদুনা চেংলৈ চনুরা চীনফুরোন শৌবোন য়াইরেন চনুদা য়াওং ইন্দুনা লৈবগী লৈপাক্কী য়াওরৌ শাদানবা শাচেপ লোনমল্লাংদা চৎলুবা নুমিত্তুগী খুরাই অহোঙপুঙগী মকু নিংথৌগী য়োঈকোনুং চঙলল্লগা মরানয়াই পোং নিংথৌগী ময়ুম্ফম অপোং ঈংখোলদা থুংলদুনা তাল্লোইগী নাক্তা লৈররবা মতুং কোরৌ নুমিৎ মঙানি শুরবদা খোইয়ুম লাই ওইবগী লাইরৈপাক্তা হল্লগে, চীঙঙু নোঙ্গারগে খল্লখি। অদুনা মকু চেংলৈ নিংথৌ মপুথিবগী মনাক্তা লাক্তুনা হায়রম্মী, - "ঈমান নিংথৌ মপুথিব-ও! চীঙঙু ঐবু তাইবং নোংশাপান অসিদা পঙনা লৈফদে, খোইয়ুম ঈঙাইরোই, চীঙঙু ঈহিকশাং পুন্নমক্লা ৱাওইখরগনি, নমোমগা কোরৌ নোঙ্গারগে, চীঙঙু পন্দল্লগে, ঈমান নরানয়াঈদা য়াঙ্গোইবু নোংদমদে, ঈমান য়াইবীলৈমগা নবীংঙা লৈবাক শমু খুদুম চন্না ঙাকমিন্নরকউ..." [মথক্কীসিদা,৪৯-৫০]। ৱাফম অসিদা নিংথৌ মপুথিবনা পন্থহল্লুবা ঙল্লমদে। অদুগা মপুরোইবনা চৎলবদি মাগী তাল্লোইসু ইনবা হৌনবনিনা শৌবোন য়াইরেন চনুসু চীঙঙু মতুং ইন্দুনা খোইয়ুম লাইরৈবাক্তা চত্তুনা চীঙঙু লাইরক্তা তীনখি, খোইমোম লাইরেন্মা ওইখি।

ৱাখোম - ৱারোয়

চেংলৈ নিংথৌ চনু চীনফুরোন শৌবোন য়াইরেন চনু অমসুং মশানৌ চীনফুরোন সনা খোংনাংলৈমা, মচীন মনাউ অনিসি নমু তাইবং ওইনা পোল্লগা চীঙঙু লাইগী তাল্লোই শীঙদা চন্দুনা খোইমোম লাইরেম্মা ওইখিবীশিংনি। মখোয়গুম্না নমু তাইবং মী ওইনা পোল্লক-চাওরল্লগা খোইয়ুম লাইরক তীনখিবী, খোইমোম লাইরেম্মা ওইখিবী অমনা হাওরোক কোম্হৌজম চনু/নিংঙোন কোম্হৌশূ কোরৌ লৈমা/ৱাংবন লৈমা নাহুইন (চীংথাংলৈমা নত্রগা চীংথাং লাইরৈমা/লাইরেম্মা/লাইরেম্বী নত্রগা কোম্হৌজম লাইরেম্মা, অমাই-অমাইবীশিংনা "কোম্হৌজম তম্ফা লাইরেম্মা" হায়না মিংথোনবী) নি। চীনফুরোন শৌবোন য়াইরেন চনুগী পুন্সি-ৱারীসি লাই-তীনগী, লাইওই-তীনওইবগী নত্রগা মীওই-লাইওইবগী থৌদোক- ৱাথোকশিংনা পীক থল্লি। তশেংনমক মসি ফুঙ্গা ৱারী (Folk tale) গী অশেংবা মশক্লি। অদুবু মৈতৈগী লৌয়ান-লৌতাবগী (লৌ খোইবা= শন-ঈরোই শীজিন্নদুনা লাঙ্গোন য়োৎচীন্না লৈপাক তৌখায়বগী থবক হৌদ্রিঙৈদা চৎন-তৌনরম্বা অমসুং তম্পাক্তা লৌ খোইবদসু চীঙগী পামদা, চীঙয়া-চীঙচেপ্তা লৌ উবদা শীজিন্নবা য়োৎপাক নত্রগা য়োৎ মচা/অচৌবনা লৌ উনবা/লীংনবা লৈপাক তৌবগী) লমদাংদদি শৌবোন য়াইরেন চনু অমসুং সনা খোংনাং লৈমগী লৌতারোন অমসুং লৌতা ঈশৈশিংসি মমিং য়াম্না চৎলি।

শৌবোন য়াইরেন চনুনা চাদা-নাউদারম্বগী ৱাফম লৈতে অমসুং মীওইবগী পুন্সিগী পোকপদগী লোইনরক্লবা শিবগী ৱাফমসি খোইয়ুম লাইরক চনখ্রবনিনা শিবগী-থৌসি কোকথোকপীখ্রে, হায়না লৌবা তাই। "মপুথিবা" কৌবা পুয়া অসি হিন্দু লাইনীঙ মচৎকী নাৎ মপুঙ ফানা য়াওনা থন্বীরম্বনা মৈতৈ ঈনাত্তা ওন্থোকপদা লুনা থোকপা ৱাহৈ খর য়াওই। অদুনা অশোয়-অঙাম য়াওরবসু ঙাকপীনবা নোল্লুকচরি।

শন্থোঙ হুইমু লৈমা (নোংশীৎ লৈমা)

ব্রাহৌদোক

"…. পোইরৈ মীরৈপুঙ।। খমনুং খুন্‌থোক্‌ফম্‌।। য়াংলৌ খনপরমতা।। মরূম্‌পী খোইমোম্‌ লাইরেমমা।। সনথোঙ হুইমু লৈমা।। মঙাং নিংথৌ চনু তুংওইরমপ-অো।। …" [খম: খুন:, খুৎ: লাই: লা:-১]।

মথক্তা থমজরিবা "খমলাংপা খুনকুমলোন" কৌবা লাইরিক (পুয়া) তগী শত্তোক- লৌথোকচরকপা ব্রারেং-ব্রারোল মতেক অসিদা পল্লিবা খোইয়ুম-খোইমোম লাইরূপকী লাইরেম্মা/লাইরৈমা নত্রগা লাই নুপী অসি পোইরৈ মৈতৈ লৈপাক্কী লমদম/খুঙ্গং.অমসুং মফম খরদা, মরূ ওইনা উরীপোক খোঙশায়ান (হৌজিক্কী উরীবোক পোল্লেম লৈকায় অমদি মসিগী লমলোন-লমথংনবা লৈকায়শিং) অমসুং থৌবালদা খুবম য়াদুনা লাৎনরিবা লাইরেম্মা/লাইরেন্বী অমনি। লাইরেম্মা অসি উরীবোক লমদমসিদা ময়ুম-ঈংখোল লীংদুনা লৈবী অমা ওইনা নোংশীৎপুঙ নত্রগা নোংশীৎলৈমপুঙ [মসি হৌজিক্কী ইবোতোনস্না হাইয়র সেকেন্দরী স্কুলগী নোংচুপ থংবা লমখৈ/ঙমখৈ পরেংগী পরীংগী ময়ায় ওইরপ্পা লৈরিবা লৈপুঙ মচা অমগী মফম্লি] দা পুঙদোং-কাইদোংলিবী অমসুং উরীবোক অমদি শগোনবনগী লমদম অনিগী তুরেন লুখায় (মসি মৈদিংঙু-চা আনন্ত শাই মন্ত্রী পুন্সিবনা খৃ: ১৭৭৮ গী অদুব্র ইদা তৌখিবনি) অনিমকপু পুন্না কোল্লিবী, হৌজিক হৌজিক লাইকোন-লাইবুঙ লীংদুনা খুবম য়ারগা লাৎনরিবনি।

মপন পন্থৌ অমসুং মমিং-মথা

মৈতৈগী উমংলাইশিংগী মনুং চনবী লাইরেম্মা অসিগী অপোকপা পন্থৌ মপাদি মৈতৈশিংনা "মঙাং" হায়না খঙনবা/কৌবা লোইচীঙ ফৌওইচীঙ হায়না থোনবা মৈত্রবাক্কী ময়ায়লম তম্পাক্কী নোংচুপকী ঙমখৈ ওইবা চীঙ অদুদা পাল্লম্বা মী কাংলুপ/ফুরূপ, মখোয়গী ৭ শুবা-৮ শুবা খৃষ্টগী কুমশীঙ চামগী মতমদা নিংথৌ/লুচিংবা ওইরম্বা মঙাং কোনখুচা অতেংবা কৌববু ব্রাংঙম মৈদিংঙু নাউথিংখোং (খৃ: ৬৬৩-৭৬৩) না হাত্তুনা মখোয়গী খুন্দা- লৈতাফম অমসুং মফুরূপ্পু থুগায়-য়ৈখায়খিবা মীফুরূপ [ও: ভ:(।), ১৯৬৭, ৩৫-৩৬] অদুগী মমাঙগী মতমদা লৈরম্বা মীশিংনা চায়থোক্তুনা লম/মফম অতৈ অতৈদা খুনথোক

-খুন্দারকখিবদা থাঙহি.ঙাংঙোই (খা-নোংচুপ) রোমগী শন্থোঙ চীঙশাংদা খুন্দা-লৈতাবা ফুরুপ্তুগী নিংথৌ (অশেংবা মমিং মথা পীবীরমদে) অমনি। অদুগা মহাক্কী অপোকপী পলেম মমাগী মমিংদি পীবীরমদ্রে। শন্থোঙ হুইমু লৈমসি শন্থোঙ চীঙশাংগী চীঙশাং নাপোম অমদা পোকখি অমসুং চীঙশাংদুগী চীঙ্গোনগী চীঙনুং-মান্নুংগী চীঙশাং থেনশিং অদুদা চাওনবা য়োক্লক-থাক্লকখি হায়না চেৎনা থাজজে।

লাইরেন্মা অসিগী মমিংসি "শন্থোঙ হুইমু লৈমা" হায়না মথক্তা পঙ্খিবা লাইরিক/পুয়া (খমলাংবা খুনকুমলোন) অসিনা পীরি। অদুগা "শন্থোঙ হুইমু লৈমা" হায়বা মিংসিগী মখাদা মীশক-মীওই অহুম-মরি শুনা লৈবা থেংনজে, খুদম ওইনা লুৱাং পামিংনবগী তাল্লোয়, লুৱাং খুনথিবা নত্রগা নুংবান পোনবী লুৱাংবা পোক্লিবী অদুসু শন্থোঙ হুইমু লৈমা কৌই। অদুগা খন্ন-নৈনবগী মখাদা লৈরিবী অসিগী মখুন খুঙ্গংগী/খুনফমগী মচা-মনাইশিং অমাইবা অমাইবীশিংগী চৎনরিবা লাইয়িংথৌ-লাইরেম্মশিংগী ৱারী-শীঙবুন, লাইরোন-লীরোন্নচিংবগী ওইনা পীবীবনা "নোংশীৎ লৈমা (নুংশিৎ লৈমা)" কৌই হায়না পীবীরম্মী [র: মাই:(।), ১৯৮০, ১০৭]। লাইরেম্মা উরীবোক্তা লাৎলিবী, নোংশীৎপুঙদা কাইদোংবী নোংশীৎ লৈমা ওইবী শন্থোঙ হুইমু লৈমসিগী মখা-তানা থিজিন-হুমজিনবগী মথৌ তারি।

শন্থোঙ হুইমু লৈমগী পুন্সি-ৱারী

শন্থোঙ হুইমু লৈমা মৈত্রবাক্কী ইস্ফাল তম্পাক্কী খা-নোংচুপকী ঙমখৈ ওইনা লৈরিবা শন্থোঙ মরিবনা পানবা শন্থোঙ চীঙশাংগী চীঙশা নাপোম অমদা পোকপী অমসুং চীঙশা-নাপোমদুদা চাওরক-শাংলকপীনি, হায়বসি মথক্তা পঙ্খ্রে। মহাক্লা মপুঙ-মরৈ ফারক্তুনা লৈশাবী অমা ওইরক্লবা, মশাগী চহী ১৪/১৫ শুরক্লবা মতমদা লৈনুং-খমনুং লৈপাক্তগী খুন্থোক-খুনহোংলকপা মী কাংবু অমা শন্থোঙ চীঙশাংগী লমদম, চীঙ্গোনগী চীঙনুং-মান্নুংসি ফাওদুনা লাক্লম্মী। মখোয় অদু চীঙ্গোন চীঙনুংসিদা মতম খর পন্দুনা লৈরম্মী। খুন্থোক্লক্লিবা কাংবুসিগী লুচিংবদি খমনুং লৈপাক্কী নিংথৌ মচা চীঙখোঙ পোইরৈতোননি অমসুং মহাক্লা মতৈ লৈমা/মতৈমা লৈমা লাইনাউতাবী অমসুং শীন্নী-থৌমী মীওই ৫৩ (য়াঙ্খ্রে হুমদোই) গা লোইননা খুন্থোকখিবনি। মখোয়দুগী মনুংদা য়াওরকপা মতমদুদা য়োৎথি-য়োৎহুমদুনা য়োৎশুং-য়োৎশাবা, মমৈদা পোইরৈ মৈতৈগী য়োৎকী লাই অমসুং য়োৎশুং-য়োৎশাবগী খোইয়ুম লাইয়িংথৌ ওইরকখিবা

খমলাংবা/খল্লাংবা কৌবা অমা য়াওরম্মী। মহাক্লা য়োৎ হায়রিবা কোন অসিগী কোনচাক-য়োৎচাক থিরকপদা শন্থোঙ হুইমু লৈমসিগা উনখি। মখোয় অনি মশা-মশা য়ানদুনা অহন লম্মনশিং খঙহল্লগা হায়না-শীঙনবগী মখলগী লুহোঙ-খোঙদোংবদা য়ুন্নানবগী পুন্সিদা চঙ্মিন্নখি।

লাইয়িংথৌ য়োৎনিংথৌ খমলাংবা

শন্থোঙ হুইমু লৈমা (নোংশীৎ লৈমা) লৌরিবা/নুহোঙলিবা (লুহোংলিবা) লাইয়িংথৌসি য়োৎনিংথৌ খমলাংবনি অমসুং লাইয়িংথৌসি পোইরৈতোন্না খুন্থোক্লকপদা মাগী খোঙবু অমদি শীন্মী ওইনা থোকমিন্নরকপনি, হায়বসি মথক্তসু পঞ্জখ্রে। মখোয়না লাইয়িংথৌ শন্থোঙগী লমদম শন্থোঙ চীঙশাংদা মতম খর পাল্লম্মী-লৈরম্মী, হায়বসি চীঙখোঙ পোইরৈতোনগী চাদা-নাউদা অমসুং লাইয়িংথৌ খমলাংবগী পারী-পুরী অমসুং চাদা-নাউদাগী মওং-মতৌদু য়েংলগা খঙবা ঙমই। হায়রিবা মৈহৌরোনগী ৱাফম [Genealogical Account] অনিদুনা ৱাপাং অমসুং খুদম-চাংদম পীরি। হায়রিবা চাদা-নাউদারোন অনিসি অমনা শাগৈ-শল্লাইরোনগী লাইরিক অমদগী অমসুং অমনা খমলাংবা খুনকুমলোনদগী লৌথোক-লৌখৎচবনি। মখোয়দুগী চার্ট ওইনা শেমদোক্লবা মওং মতৌশিংদি - .....অসিশিংসিনি।



অহানবগী চাদা-নাউদারোন্দা চীঙখোঙ পোইরৈতোনগী মপারী শীঙঙুৎ শীঙতাপুঙনা শন্থোঙ পুনেম্বা চনু অমসুং মখা তারকপদা মচা পামিংনবনা শন্থোঙ হুইমু লৈমা লৌরি-পানরিবসি, মখোয়না শন্থোঙ নিংথৌগী খুন্দাপুঙ-খুন্দাফমদা লৈরম্লগা অমুক লাকপদা শন্থোঙ চীঙশাংগী লমদমসিদগী মী খর লোইনরকই, মখোয়দুগী মচা নিংঙোনশিং লৈ অমসুং কোন্না চারৌ-মৌরৌনৈ, হায়বনি। অনিশুবগী খল্লাংবগী চাদা-নাউদা খল্লাংবনা শন্থোঙ হুইমু লৌবা/নুহোঙবসিসু মহাক্না লাইয়িংথৌ শন্থোঙ নিংথৌগী মকাইফম, শন্থোঙ চীঙশাংদা চঙলুবা অমদি পল্লুবা অদুদগীনি। মহাক্কী ৱারম-ৱাফমসিনা হান্না থোকখিবা থৌদোক্নি, পোইরৈতোনগী মচা অমসুং মশূগী ৱারম-ৱাফম অসি কোননা থোকপা থৌদোক্কীনি।

উরীপোক- খোঙশায়ান্দা খুন্দাবা

য়োৎনিংথৌ খমলাংবনা পোইরৈতোনগী কাংবুগী খোঙবুদা য়াওদুনা খুন্থোকমিন্নরক্লগা শন্থোঙ চীঙশাংগী চীঙ্গোন্দা চঙমিন্নরম্লগা মহাকসি পোইরৈতোনগী খোঙবুশিংগা কায়না-খায়নরম্বা য়াই। মহাক্না শন্থোঙ চীঙশাংদগী উরীপোক্তা চুমদ্রিং লাক্তুনা খুন্দারম্বা য়াবগী থাজবা লৈ। শন্থোঙ হুইমু লৈমনা মৌগী শীঙদা চনবসি উরীবোক খোঙশায়ানগী লমদমসিদা খুন্দারবা মতমদা নত্রগা মতুংদা চনবগী ৱাফম ওইনা পীবীরমদে। হান্ননা লৌদুনা পানদুনা লাকপগী ৱাফম ওইনা থম্বীরম্মী। অদুগা উরীপোক্তা খুন্দা-লৈতারবা মতমদা মচা ঈবুংঙো লাইয়িংথৌ অমুদোনসি পোকখিবগী ৱাফম ওইনা পীবীরম্মী।

ফংজরিবা ৱাফমদি - মথক্কী ৱারী-ৱাখোঙশিং অসিদগী ফংজরিবা, খঙজরিবা ৱাফমশিংসিগী মথক্তা পঞ্জখিবা শন্থোঙ হুইমু লৈমা অনিমকসিদগী হেনবা - (১) অৱাং পাখং য়োঙ্গৈরেনব (সরারেন) গী তাল্লোয় অতোনবী; নিংথৌ তারিগী তাল্লোয়/নুপী য়াঙ্গৈমা, চেংলৈ (সরাং-লৈশাং) গী নিংথৌ শাপায়বগা পানবী কোন্থৌজম লাইরেম্মা (কোরৌ লৈমা নাহুইনু নত্রগা মাইবা-মাইবীগী মমিংদা তম্ফা লাইরেম্বী)বু পোকপী মমা, অসিনচিংবা শন্থোঙ হুইমু লৈমশিং লৈরি। অদুনদি - 'শন্থোঙ হুইমু লৈমা' হায়রিবা মিং অসি অকক্লবা মী/মীওই/মীশক অমখক্তা খঙনবা মিং নত্তে। য়েক্কী, শল্লাইগী,

কাংলুপকী নত্রগা ফুরুপকী মিংথোল ওইনা শীজিন্নবগী ওইবা মওং-মতৌ নত্রগা মচৎ-শাজত্তা লৈ, হায়বসি মথক্তা থমজখিবা জিনিআলোজিকেল চার্ট (Genealogical Chart) তা য়াওরিবা/উৎচরিবা মীশক অনিগী মিংসিনা খুদম-চাংদম ওইরি। মখোয় মীশক অনিসি মী/মীওই অমখক্তা নত্তে অমসুং মখোয়/মীশক অনিসি মীরোন অনিগী চাংদা খেন্নরি। মরম অদুনা শন্থোঙ হুইমু লৈমা হায়বসিনা খঙনরিবসি নিংথৌজা য়েক্কী, অঙোম য়েক্কী, খুমন য়েক্কী, লুৱাং য়েক্কী অসিনচিংবগী চনু/নিংঙোনবু মথংশীৎনা ৱাংঙমলোন, নোংবাল্লোন, খয়োঙ্গিরোন, য়োঙ্গিরুমলোন, অসিনচিংবনা খঙনবসিগুম শন্থোঙ চীঙশাং/ লমদমদা নত্রগা মোইরাং লাইজী নত্রগা নোংশীৎলমগী মায়কৈগী লমদা পানবা-লৈবা মী কাংলুপ নত্রগা ফুরুপশিং, মরু ওইনা চেংলৈ অমসুং মঙাংগী য়েক-শল্লাই নত্রগা কাংলুপ-ফুরুপকী নিংথৌগী মচানূপী/নিংঙোনবু খঙনৈ অমসুং মখোয়গী মিংথোল-মিংথেৎ ওইনা শীজিন্নৈ। অদুগা "নোংশীৎ লৈমা" হায়বা মিং/মিংলেন অসিগী মতাংদা ফংজরিবা ৱাফমদি :-

শন্থোঙ নিংথৌ লাইয়িংথৌবু নোংশীৎ (Air, Wind) কী লাই ওইনা লৌনৈ [লাই: কাও, খুৎ: লাই] অমসুং শন্থোঙ মায়কৈ (মোইরাং লাইজী, থাঙয়ী ঙাংঙোইরম নত্রগা নোংচুপকী কচিনগী মায়কৈ) বু নোংশীৎলম হায়না পীরি [সু: অচৌ:, খুৎ: লাই:]। অদুনা লাইয়িংথৌ শন্থোঙ নিংথৌবু নোংশীৎ নিংথৌ, খমকোল/খংকোন নিংথৌ নত্রগা খমকোন/খংকোনগী মপু হায়না মিংথোন পীনৈ। অদুনা নোংশীৎ নিংথৌগী মিংথোল অসি শন্থোঙ চীঙ নত্রগা মদুগী মায়কৈদা পানবা নিংথৌশিং (কাংলুপকী, ফুরুপকী নত্রগা অপুনবগী) দা পীনৈ। অদুনদি নোংশীৎ লৈমসিসু শন্থোঙ হুইমু লৈমগী অতোপ্পা মিংথোল অমনি, অনিমক্তা অমতবু খঙনবনি, হায়বদি, নোংশীৎ নিংথৌগী মচানুপীবু নোংশীৎ নিংথৌ চনু নত্রগা নোংশীৎ লৈমা হায়বনি। অদুগা নোংশীৎ নিংথৌগী তাল্লোয়বুসু নোংশীৎ লৈমা হায়না খঙনবসু য়াই।

মপারী অমুদোন শাৎপা:

শন্থোঙ হুইমু লৈমা নত্রগা নোংশীৎ লৈমসি, য়োৎনিংথৌ খমলাংবনা, লৈশাবী মপুঙ ফারক্লবদা মশা-মশা শকখঙনদুনা য়ানরগা অহল-লমন মশেনসু হায়ন-শীঙনরগা নুহোঙদুনা তাল্লোয় ওইনা শন্থোঙ নিংথৌগী মকাইফম শন্থোঙ

চীঙশাং (ইম্ফাল কংলৈদগী কিলোমিটর ৫২/৫৩ রোম লাপ্পা নত্রগা মোইরাংদগী কিলোমিটর ১০/১১ রোম থাপ্পা লৈ) গী চীঙ্গোন-চীঙনুংগী লমদমদগী লৌখিবনি। অদুনা মহাক মশাবী মপুরোইবগী মতুং ইন্দুনা মথং মথং খুনহোংলক্তুনা লাকখিরম্মী। অদুগা চীঙখোঙ পোইরৈতোনগী খুনথোক-কাংবুদগী খায়রক্তুনা উরীবোক খোঙশায়ান্দা তং তারবা খুন্দাফম ওইদুনা য়ুম্ফম ঈংখোল লীংদুনা লৈখিরম্মী। উরীবোক্কী লমদমসিদা কুমওন খর পাল্লক্লগা লাইয়িংথৌ খমলাংবগী নুপা ওইবগী লাংবন তৌস্না ঈরীকলাই অঙৌবগা শস্থোঙ হুইমু লৈমগী নিংঙোল/নুজা ওইবীগী লোইদাম থাজ লৈ অঙাংবগা ঈতীন-ঈমেন্নদুনা খাঙখা মিহুন লাংখিরম্মী। লোইদাম থাবুঙ ফা, অমুক লোইদাম থাবু শি, লোইদাম থাশীঙ চৎলকপনা লাংহে কুমওন অমা ফাগদবা লোইদাম থাবুম অনি ৱাৎলিঙৈদা মপারী অমা শাৎচখি, মপারী কোল্লোই মিংলেনবু অমুদোন হায়না মিংথোঞ্জখি।

থোংনাং তখেল পাংখিবা অমসুং তখেল নিংঙোন কালিকা লৌরকপা:

শন্থোঙ হুইমু লৈমনা মপারী অমুদোন শাৎলবা মতুং কুমওন মঙা হৌখ্রবা মতুংদা য়োৎনিংথৌ খমলাংবনা মশানৌ শন্থোঙ হুইমু লৈমা, নোংশীৎপুঙদা কাইদোংবী নোংশীৎলৈমা অমসুং মপারী অমুদোনবু উরীবোক্কী ময়ুম মকাইফমদা থন্নল্লগা তোৎনৌ য়োৎচাক থিগনি হায়দুনা মমায় নোংচুপ ওন্না ময়ুম মশাইগোন থাদোক্তুনা খোঙহৌ- খোঙশানখরে। তয়ুম মদাইরেম, মরোই মনাউশিংগী খোঙলোই খরগা লোইননা তেৎনৌ য়োৎচাক থি-থিদুনা হাওরে নোংচুপ পাংখিদুনা মরানয়ায়দগী অসুম অসুম তামথোক-থাপ্তোকখ্রে। অদুগা শন্থোঙ হুইমু লৈমনা মপারী নৱাবু চেৎনা-চান্না লাঙ্গোন্দুনা নাউয়োক্লি। লাইবক থীবী নুজাদুনা মশাবীনা মহাক্না পামজবা শীল্লম-শীন্থোঙগী মচাক-মথুম থিনবা য়ুম থাদোক্তুনা চৎখ্রবসু নোংমদি হল্লকখিগনি হায়বগী চেৎলবা ৱাখন্দা মপারীবু করিদা শোয়খিগদগে হায়না চেকশিন্না শেন্নজরি। মপারী অমুদোনসু পন্থৌ মপা য়াওদনা পলেম মমাখক্তনা নাউয়োক-নাউকোল্লকপদু নৱা মনীঙ থুংদবা কয়া লৈরবসু অৱা-খুদোংথীবা কয়া মায়য়োক্লরবসু পলেম মমাদা ৱাকত্তা, নোংদম্বা

লাইদা খোয়শাওদনা মমান্নবগা মীমান্নবা ঙম্লবা লাক্লবদা নত্তনা মমান্নবা খোইয়ুম লাইমচাশিংগী মকোক থোংনবা হোৎনখি। লিন্দা পানবা অমুদোন্নি, মমান্নবগী মথক থংদুনা শঞ্জেন-শনঙাক্তা, ঙাফা-ঙাথিদা, শীঙজন- শীঙয়ান্নচিংবা নুপামচাশিংগী মথৌদাংদা খ্বাই ময়াম্বু খোঙথাং খোঙকাপ অমা মাঙ থানা শমু মখোঙ থাংদুনা চৎলি। অসুম্না শঞ্জেন- শনঙাক ঙম্বগী চহি মতাংদগী পাখং ৱাই-ৱাই ফারকপগী চহি লোন্দা কারক্লে। পুন্সিগী তাংকক অসিদদি মুক্লা হৈবা অমুদোন, শারীৎ-শারাক কনবা অমুদোন অমসুং চীঙঙু শাথীবা অমুদোন হায়না খোইয়ুম লাইশিংগী মনুংদা মিংচৎ-মিংফাওরক্লে।

খোইয়ুম য়োৎথিবা লাইয়িংথৌনা মরোই-মনাউশিং লোইননা মালেম লৈরোন্নুংদা তেৎনৌ য়োৎচাক লৈবরা, য়োৎনম-কোন্নম নম্বরা হায়দুনা মালেম লৈকন হন, লৈপাক লৈনম নমদুনা কোরৌ খুদিং লেপ্তুনা অসুম অসুম চৎলকপনা পোইরৈ তম্পাক লান, ৱাংঙম চীঙলোন তুংওইননা পোইরৈ মৈত্রবাক্কী তমলোন-চীঙলোন লানখ্রে। লেপ্তুনা অসুম চৎলকপনিনা লোইদাম থাবুম অনি লাল্লকপদদি ময়ুম থোংনাং তখেনগী মরৈপাক-মরমদমগী ঙমখৈদা চঙলক্লে। "তখেন" হায়বা লমদম-লৈপাকসি দক্ষিন কৌবা নিংথৌনা পানবগী দক্ষিন/তখেন কৌবনি। হৌজিক্কী খা থংবা কছাড়গী শরুকসি তখেন [দক্ষিন/দখিন/তখেন] নিংথৌগী লৈপাক তখেন (TRIPURA)] গী লম, ত্রিপুরা লৈপাক্কী লমদম ওইরম্মী। খৃষ্টগী ১৮ শুবা কুমশীঙ চামা হৌগৎলকপগী মতম অদুৱাইদা নত্রগা মদুগী মমাঙগী চহি ৫০ মুক্কী মমাঙগী মতমদা কছাড়ী/ডিমাসা নিংথৌ মচা অমনা তখেন নিংথৌ মচানুপী অমা লুহোংদুনা লৌখি, মদুদা হায়রিবা হৌজিক্কী লম অসি অউনপোৎ ওইনা উনখি। মদুদগী কছাড়ীশিংনা লমদম অসি ফংখি। হায়রিবা লমদম অসিদনি লাইয়িংথৌ খমলাংবনা য়োৎ থিনবা মৈত্রবাক্তগী খোঙনা চৎখ্রবসি।

তেৎনৌ য়োৎথিবা য়োৎনিংথৌ খম্লাংবনা য়োৎ থিবদা শীজিন্নরিবা মওং-মতৌ অমসুং হৈ-শিঙবগী মচৎ-মনাত্তি —লাংলেন কোংয়াঙ ৱাগী পৌ পীক্লপ্পা অমা মচীন তুমহল্লগা তুমলিবা মচীন অদুদা য়োৎনা মচীন তুম্না শারবা লোঙখুম অমনা অমুক হুকচিল-পানশিল্লগা তাগুম্বা খুৎলাই অমা শাগদবনি।

হায়রিবা খুৎলাই অদু খুৎনা পায়রগা অতুম্বা মচীন অদুনা লৈপাক্তা লৈনুং খর য়ৌনা চঙহন্দুনা থিন-থিন্দুনা চাংয়েং তৌই। চাংয়েং অদুদা লৈনুংদা থিন-থিন্দুনা চঙহল্লিবা মচীন তুম্বা য়োৎকী লোঙখুম অদুদা নত্রগা মদুগী মতোন্দা য়োৎ অহিংবগী য়োৎথী, কোৎহিং (কোনহিং), লৈঙোইনচিংবা পক্লক্লবদি য়োৎ/য়োৎচাক/কোনচাক লৈরে হায়না খঙনরম্মী [খম: খুন, খুৎ: লাই: অমসুংT.C.H., 2003]। অসুম্না য়োৎ শুংনবা য়োৎকী য়োৎচাক থিবগী মতৌ অসি মৈতৈশিংনা মমাঙঙৈদগী চৎনবী ওইনা তৌনরম্মী। হায়রিবা মওং মতৌ অসিদা য়োৎনিংথৌ খল্লাংবনা য়োৎশুং-য়োৎচাক য়োৎ থিরম্মী হায়না লৌনৈ।

তখেন লৈপাক্কী লমদমশিংদা য়োৎচাক-য়োৎহিং থিদুনা মতম খর লৈরিঙৈসিদা থোংনাং তখেন নিংঙোন কালিকা হায়না কোল্লোয় মিঙ্গৌবী, মুনং মায়থোং ফজবী, শাওং-শাবান চঙখোনবী চনুরা অমা থেংনখি। নুজা মাবু উরুবদা য়োৎ নিংথৌ খল্লাংবদু পোইরৈ মৈত্রবাক্তা লমলেন উরীবোক খোঙশায়ান দা লৈহৌবী য়োৎ নিংথৌ মহাক্কী য়ুমঙাকপী য়ুমলৈমা শনথোঙ হুইমু লৈমা অমসুং মপারী নৱা চাওদ্রিবা অমুদোনবু কাউখি। কালিকাবু অপাম-নুংশিবগী ৱাখলনা কামজাওনখি অমসুং নুরা মাবু কোরৌ নুমিৎ কয়ানি চঙনা নুংশি চীনকোয় পাউরন্নদুনা থেমখি। লাইবক্কী নোংদম তীন্নরুবা পূক্লীঙ-ৱাখল মান্নরুবা অমসুং অপাম-নুংশি চানরুবনা তখেললৈমা কালিকাসু লাইয়িংথৌ খল্লাংবদা ওঙবা-লৈবদু য়ারকখি। অসুম্না থোংনাং তখেন লৈপাক্তা লৈমা কালিকাবু য়োৎ নিংথৌ খল্লাংবগা নুহোঙ-খোঙদোংলে। মতম খর অমুক তখেন লৈপাক্কুদা য়োৎথি-য়োৎশুংদুনা লৈরম্লগা য়োৎনিংথৌ খল্লাংবা পোইরৈ মৈতৈ লৈপাক্তা হলৱাইনবা খোঙশাল্লকখি।

পোইরৈ মৈত্রবাক্তা খল্লাংবা অমসুং কালিকা

লাইয়িংথৌ খল্লাংবনা থোংনাং তখেল লৈপাক্কগী তখেন চনুরা কালিকাবু পুরগা মচা মনাইশিংগা লোইননা পোইরৈ মৈত্রবাক পাংলক্লে। কোরৌ শীঙবুম খর শমু খোঙনা লাক্কুনা চীঙলোন-তমলোন কয়া লান্দুনা পোইরৈ লমদমগী চীঙঙু মকাইফম লৈরিবা উরীবোক্তা থুংলখি। মরানয়ায় চঙলক্কুনা মতাল্লোয় নোংশীৎ লৈমা অমসুং মপারী অমুদোন উনরে। মতাল্লোয় অহনবী

অমসুং মপারীনা য়োৎনিংথৌ খল্লাংবা মহাক্লা পামদুনা লৌরক্লবা, নুংশিদুনা পুরক্লবনিনা থোংনাং তখেন নিংঙোন কালিকাবু তরাম-তরাম্না ওক্তুনা উরীবোক্কী ময়ুম শঙ্গায়দা পুশিল্লে। লৈমা মাসু হরাউ হরাউ য়ুমজঙদুনা লৈমিন্নরে। অসুম্না মখোয় পুল্লপ্না উরীবোক্কী য়ুমদুদা লৈমিন্নরে, মনাই-মশন, তয়ুম-মদাইরেম, য়োৎশুং-য়োৎশাগী মঙাইরোইনচিংবা পুম্নমকসু উরীবোক্কী খল্লাংবা মকাইফমগী অকোয়বদা লমশঙ-লমলেকশঙ খনগত্তুনা লৈরে। কোরৌ শীঙবুম খরনী লমশাং লাকপগী অৱাবা পোৎথোক্লদুনা পোখারে।

তুরোন-লুমলোন্নবগী তাল্লোয় কেৎনবা, নুপী মশেন ৱাইনা-চায়নবা হায়বসিদি তুরোন্নবা য়ুমথোঙ খুদিংমক্তা তত্তনা থোক্লবা ৱাথোক্নি। অতোনবীনা মায়পাকপা, মশাবী মৱাগা শাগোন্নখিবা হায়বসি ৱাথোকসিগী তোয়না থোক্কনবা পরীংনি। হায়রিবা থৌদোকশিংসি য়োৎনিংথৌ খল্লাংবগী ময়ুমদসু থোক্লরে। অদুনা য়োত্থি-কোনথিবগী মমিংদা লাইয়িংথৌ খল্লাংবনা মশানৌ মতাল্লোয় শম্থোঙ হুইমু লৈমা অমসুং মপারী অমুদোনবু উরীবোক্কী কোল্লোয় মকাইফমদা হুন্দোক্লম্লগা থোংনাং তখেন চনু কালিকাবু পুদুনা ময়ুম ঈংখোল থাদোক্লে। মমায় নোংপোক ওন্দুনা শেল্লোই-লংমাইচীঙ (নোংমাইজীঙ) গী লৈয়াত্তা য়োৎচাক-য়োৎহিং থিনবা খোঙশাল্লক্লে। য়োৎচাক থিবগী থবক্তু নীঙথিনা পাংথোক্লবসু শেল্লোই-লংমাইচীঙগী লমদমদদি য়োৎচাক-কোনচাক ফংখিদে। লাইয়িংথৌ খল্লাংবনা তাল্লোয় অতোনবী কালিকাবু পুদুনা তয়ুম-মদাইরেম য়োৎথি-য়োৎহুম খুৎ, য়োৎচাক-কোনচাক খোম্বা লুপকী মচা-মনাইশিংগা লোইননা উরীবোক্তগী খাবা শঞ্জেনথোং, থোঙলেন ৱাংখৈ, চোংখু কৈরাউ, কোংবা ঙাচৈথেন, শৌদোন তাউবপুঙ, কৈরাউ-উরাউ উরাল্লম, শেল্লোই ঙারংয়ান (ঙারীয়ান চীঙ) বু লাম্থোক্তুনা চৎখ্রগা থৌবাল ঈখোংকায় (থৌবাল ক্ষেত্রী লৈকায়) দা থুংদুনা মফমদুদা খুন্দা-লৈতাফম শেমদুনা খুন্দারমখি। মফমসিদা য়োৎথি-কোনথিবদা তেৎলৌ য়োৎচাক ফংদুনা য়োৎশুং-য়োৎশাখি।

থৌবাল ঈখোংকায়গী লমদমসিদগী কৈরাউগী তারিয়া কৌবা লুচিংবগা অন্দ্রোগী পল্লুংবা কৌবা অথৌবগা অনিসিনা লমজিংদুনা য়োৎ থিবদু লমলেন সিখোং য়ৌনা চৎখি অমসুং সিখোংদা লেক-চাদুনা নুমিৎ খর লৈরমখি।

মফমসিদা লৈরিঙৈসিদা মপারী অমুদোন লাকখি। অদুগা মপা পম্হৌ অমসুং পলেম মমাতোনগা লোইননা থৌবাল ঈখোংকায়গী লমদমদা হল্লকখি। লাইয়িংথৌ খল্লাংবনা মপারীবু পলেম মমা অপোকপীগী মনাক্তা হল্লো হায়বদগী মপারী অমুদোন পলেম মমাগী মনাক্তা হনখি। মফমসিদগী য়োৎনিংথৌ খল্লাংবনা মশানৌ কালিকা অমসুং মদাইরেমশিংগা লোইননা ৱাংচীঙ, লাঙঙাথেন, লৌশী থমলানলম, খেচীঙ (খেব চীঙ), সোরা লমদম লান্দুনা হৈরেম লমজাও চঙদুনা খেরে/কেরে চীঙ তুংওইনরম্লগা ককচীঙ-চোঙচীঙগী লমদমদা থুংলখি। ককচীঙ চোঙচীঙগী চীঙনীঙগী চীঙখোঙ-চীঙয়াদা তেৎনৌ য়োৎচাক ফংলদুনা মফমদুদা খুন্দাফম শেমদুনা পাল্লে। ককচীঙগী চীঙখোঙ-চীঙয়াগী লমদমদুদা খোইয়ুম মঙাইরোই পুম্নমক তীন্নদুনা মালেম লৈকন তৌনা তেৎনৌ য়োৎলৈ কাংনা য়োৎশুংদুনা লৈরে।

ককচীঙ-চোঙচীঙগী লমদম, হৈরেম লৈয়াৎ লমতুপকী মনুংদা য়োৎনিংথৌ খল্লাংবনা তখেল চনু কালিকাগা তেৎনৌ য়োৎশুংদুনা পাল্লিঙৈসিদা থৌবাল ঈখোংকায়দা লৈহৌবা লাইয়িংথৌ খল্লাংবগী ময়ুম ঈংখোন্দু য়োৎনিংথৌ মদাইরেমশিং-থিংকুলাকপা, ৱাসোকপা অমসুং শম লোইবা অহুম্না শঙদুনা লৈহৌখিরম্মী। মতমসিদা লমলেন উরীবোক্তা লৈহৌবী শম্হোঙ হুইমু লৈমনা থৌবাল ঈখোংকায়গী লমলেনসি খোঙগুম্লক্তুনা লৈরম্মী। মশাবী করম পাল্লিবগে হায়না লোননা মিৎয়েং শানকৈরদুনা কৈরোই য়ুমদাংনা শাথুপ্তুনা লৈরম্মী। মতমসিদা মশাবী য়োৎনিংথৌ খল্লাংবসু থৌবাল ঈখোংকায়গী ময়ুম ঈংখোলসি য়েংগে, হায়দুনা হৈরেম খেরেচীঙগী কোল্লোয় ময়ুমদা তাল্লোয় অতোনবী কালিকা থম্লম্লগা লাক্লম্মী। খোইয়ুম লাইগী নোংদম্না কৈরোই লৈকায়দা শাথুপ্লীবী নোংশীৎ লৈমা মতাল্লোয়বু লমওক্লনা চেংলৌ শকউনখি। মখোয় অনি উনরবদা নুংশি কোল্লোয় মতীন মেন্ননা শঙ্গায় কোল্লোয়নুংদা চঙদুনা নুংতিগী চয়োম থোক্লরে, কৈরোই মনীন-নাইদা লৈকায় কনা খঙহন্দনা হৈরাং লোঞ্জা চামিন্নরে, লৈরাং লোঞ্জিন চীনমিন্নরে। অসুম্না কোরৌ শীঙবুম কয়া য়োৎনিংথৌ খল্লাংবনা থৌবাল ঈখোংকায়গী ময়ুমদা শম্হোঙ হুইমু লৈমা মশানৌগা হরাউ-তোয়তাউননা লেনমিন্নরে।

লমলেন খেরে চীঙগী মোংবা মশঙ্গায়দা মতোমতা লৈহৌবী তখেল চনু কালিকা তাল্লোয় লৈমা অতোনবীনা কোরৌ শীঙবুম কয়ানী মশাবীনা য়াঙ্গোইরক্তবসিদা করি ফত্তবা থোক্লবা, করম্বা খুদোংথীবা নংলবা হায়না পুক্নীঙ ৱাররক্লে। মশাবীগী খোঙ্গুল লীরুগে, থৌবাল ঈখোংকায়গী ময়ুম ঈংখোলসু য়েংলুগে হায়দুনা তখেল চনু কালিকা নুজা মফেৎলোই খরগা লোইননা থৌবাল মায়কৈ পাংলক্লে। নমু পোং কনা খঙহন্দনা কোল্লোয় মশঙ্গায় তন্নক্লে। ময়ুম শঙ্গায়দি থোঙ থিংলমলে। অতোপ্পদগী পাউ লৌদুনা লৈকায়গী য়ুম অমগী মফমদা চঙলকপদা য়ুমজীন-য়ুময়া পল্লকপা, শাইজীন-শাইয়া য়ৌরকপদা শঙ্গায় মনুংদা মী লৈবগী শউম ফংলে। কনাগুম্বা কনাগুম্বী অনি হৱাউ তোয়তাউনরি, নুংশি কুম্মৈ শান্নরি, অপাম মথোই কানরি হায়বা খঙদুনা ফকলাং লোঞ্জা মতাই কাঙনা মিৎয়েং শানকৈরকপদা মশাবী খল্লাংবনা মশানৌ শম্থোঙ হুইমু লৈমবু তাল্লোই নাক্তা থানা নুংশি চীন্দীলববু উরুরে। তখেন চনু শীজ কালিকানা অশাওবনা মৈ হৌদুনা মতীন শীৎলম্লগা হৈরেম খেরে চীঙগী লমদমদা থুনা য়াঙনা হনখিরম্মী।

লাইয়িংথৌ খল্লাংবা অমসুং মতাল্লোই শম্থোঙ হুইমু লৈমনা তাল্লোই অতোনবী কালিকানা থৌবাল ঈখোংকায়দা লাক্লম্বগী অমসুং খোয়শাওননা হনখিবগী পাউসি তারে। মদুদা পাখৎলবা মপুরোইবনা মহাকপু থৌবালদা হুন্দোক্লম্লগা হৈরেম লমদমগী ককচীঙ-চোঙচীঙগী ময়ুম্ফমদা থুনা য়াঙনা চেনখিরম্মী। মদুনা শম্থোঙ হুইমু লৈমসু য়াম্না মথৱাই নুংঙাইহল্লমদে অমসুং তাল্লোয় তুরোন্নবগী অতোনবীদা লুপ্পা নুপাগী পুকচেনবু তাথিখি। ফনেক খোয়দোম শেৎলিঙৈদা শকখঙনরগা ফনেক ফিদোন চিংখৎচবা মতমদগী মশাবী মতুং ইঞ্জদুনা লাক্লবী মহাকপু মপারী শাৎমিন্নদুনা মমৌ থিবা য়ারবা মতমদুদা মমল য়াওদ-লৈত্রবা নাপী-নারাংনা শাবা খুদোপকুম হুন্দোকপীরম্বা অসিদা হায়নীঙঙাই লৈতনা শাওনীঙখি। অদুবু মচীন্দি থোকখিদে, মতোমতা থনুংদা ওমচাক্লখি, নুপানা তরাগী মপু ওইদুনসু নাপদা চীনবা লৈরাংবুদি শমু খোঙনা নেৎনদে, হায়না ৱাখন্নখি। অসুম্না তাল্লোয় মশেন্দা মীচঙ মীখায় নাইবগী লমচৎ-শাজৎ অসিদা শাওনীঙখিবনা য়ুমগী মখাদা ঙাইহাক্তা লৈনীঙহনখিদে, কৈরোই-লৈকায়গী মশুঙ-মমান্নবী ফনেক খোয়দোম শেৎনবা য়াওরক্লম্বীশিংগী ময়ুমদা, মনাক্তা কোয়না চত্তুনা নুমিৎ খরনি লেল্লকখি। অতোনবীগী মবুংঙো

অদুগা শুপউদা উনজররোয় খন্দুনা য়ুমগী থোঙ লোনশিল্লন্নগা য়ুমলীং কৈরীংদবী নুপীগুম লৈকায় কোয়দুনা লৈরকখি। মতুংদা মপারীগী ৱাখন খল্লক্তুনা মহাক্কা শুপউ উনররোয়দবা উরীবোক লমদম, মপারী অমুদোন্না লৈরিবা মফমদা চৎল-হল্লগে হায়না লেপখি।

উরীবোক্তা হল্লকপা অমসুং পুন্সি লোমখিবা

শম্বোঙ হুইমু লৈমনা থৌবাল ঈখোংকায়গী মরানয়ায়দা লাইয়িংথৌ খম্লাংববু অতোনবীগী খুদোনবীদা লৈখ্রে হায়না উরকপদগী উরীবোক্তা মপারীগী মনাক্তা হল্লকখি। চেল্লিবা মতমগী খোঙজেন্দি লেপ্পা লৈতবনা শম্বোঙ হুইমু লৈমদু চাহৈগী চৈথা চাশিল্লক্তুনা মনু-মনেম ওইরকখি। মহুইরোন মমৌ শীন্তাক-শীন্দম্বী, ৱারক-ৱাতেম্বীদুনা য়ুম কোইদুনা লৈরকখি। মপুরোইবনা ককচীঙ-হৈরেম লমদমদা লৈখিদুনসু উরীবোক্কী মকাইফম অসি মমান্নবা খোইয়ুম লাইরুপকী চীঙঙু-খোইয়ুমশিংগী মশাইগোন্দগী তাথ-তোম্থদনবা হোৎনদুনা পান্খি।

উরীবোক্তা মতম কুইনা লৈরদুনা মপুরোইবা মশাবী য়োৎনিংথৌ খম্লাংবগী মতেং অমতা লৌদনা মপারীগী মরুম থুপ্তুনা পুন্সিগী মতম লেল্লমখি। পুন্সি চেঙজেল লোয়রবদা তাইবং মপোক থাদোক্তুনা খোইমোম লাইরৈবাক্তা তীনখি।

ৱারোইশিন

শম্বোঙ হুইমু লৈমা নত্রগা নোংশীৎ লৈমা হায়বী লাইরেম্মসি পোইরৈ মৈতৈ লৈপাক্কী তম্পাক লমদমগী খা-নোংচুপ কাচীনগী অরোয়বদা তম্পাক্কা তাইননা লৈরিবা শম্বোঙ চীঙশাংগী চীঙ্গোন-চীংনুং অমসুং চীঙখাঙ-চীঙয়াঙদা পানবা মী কাংলুপ-ফুরুপকী মীশক-মীওই অমগী মচানুপীনি। মহাকসি মৈতৈগী য়োৎ হায়বা কোন (Metal) অদুগী লাই খম্লাংবা [মচৎ-মতৌদা ম্যাম্মা/ম্রাম্মাশিং গী মন মহাগীরি/মহাগ্রী (Man Mahageeri/ Mahagree] কৌবা নাট (Nat) শিংগী মকোক অদুগা চাংদম্নবা য়াই] কৌবগী তাল্লোয় অহন্নি, মশাগী চহি ১৪/১৫ তা য়োৎনিংথৌ খম্লাংবদা ওঙদুনা ময়ুম পানখিবনি। লাইয়িংথৌ খম্লাংবনা উরীপোক খোঙশায়ান্দা খুম্বোল্লকপা

মতমদা লোইনরকখিবীনি, মহাকসি উরীবোক্তা লৈবদদি নোংশীৎ লৈমা হায়না মিংগৌনৈ। মহাক্না লাইয়িংথৌ খল্লাংবগী ঈনা মপারী লাইয়িংথৌ অমুদোন পোকখি।

শম্থোঙ হুইমু লৈমসি মপুরোইবনা হুন্দোক-থাদোকপীরল্লগা মতোমতা য়ুম লেপচদুনা মীমান্নবা ঙম্লবা হোৎনখিবী নুপীশিংগী মনুংদা অমনি। মহাক্কী লোন্নবী অতোনবী ওইনা মপুরোইবা য়োৎনিংথৌ খল্লাংবনা তখেন লৈপাক্তগী তখেন নিংঙোন কালিকা লৌরকখি। হায়রিবী অতোনবীসিগা লোইননা লাইয়িংথৌ খল্লাংবনা হেরেম লৈয়াৎকী ককচীঙগী লমদমদা লৈখ্রবদা শম্থোঙ হুইমু লৈমনা মচানুপা অমুদোনগা লোইননা উরীবোক লমদমদা পানখি অমসুং মফমদুদা নোঙ্গাখি। হায়রিবা উরীবোক্কী লমদমদুদা হৌজিক ফাওবদা মাগী কাইদোংফম নোংশীৎপুঙ লৈরি। অদুদসু নত্তনা লাইয়িংথৌ খল্লাংবা অমসুং মহাক্কী খুবম য়াদুনা লাইবুঙ লীংদুনা লৈরি। অতৈ লম/মফম কয়াদসু মহাক্কী খুবম য়ানদুনা লৈরি।

শীজ কালিকা খুল্লৈমা

ৱাহৌ-শৈহৌ

"... লাইয়িংথৌ (য়োৎনিংথৌ) খম্লাংপনা॥ মশানৌ ঈপেম্মা শীজ কালিকা লাইরেম্মদা পাউমেনখি। ঈয়ুম থৌপাল্ লম্নুংশি ঈখোংকায়॥ ঈয়ুম মোংপা ঈরানয়ায়পু॥ শমু তুংওইনরমপা॥ কোরৌ নুমিৎ শীঙ্পুম য়ামলে॥ মিৎয়েং শান্কৈরুকে॥ হায়না মতোম্ মরান্ থৌচৎখিয়ে ..." [ম: গৌ:, ১৯৯৭, ৪]॥

মথক্তা থমজরিবা "খমলাংপা খুনকুমলোন" কৌবা লাইরিক/পুয়াদগী লৌথোক-শক্তোকচরকপা ৱারেং মতেক অসিদা পল্লিবা মৈত্রবাক্কী উমংলাই খোইয়ুম লাইরুপকী থোইমোম লাইরেম্মা শীজ কালিকা হায়রিবীসি ৱাংঙম পোইরৈ মৈত্রবাক্কী অথাবা উমংলাই লাইবংথৌ (লাই নিবুংথৌ) ৯ (মাপন) গী মধ্যং চল্লিবা পোইরৈ মৈত্রবাক্কী তেৎনৌ য়োৎলাই (God of iron) লাইয়িংথৌ

খন্নাংবগী তাল্লোই অতোনবী, মরু ওইনা ককচীঙ [মৈত্রবাক্কী মী- ফুরুপ অমা অমসুং কংলৈ অমা অমদি খুঙ্গং খর] অমসুং মসিগী য়ুমলোন-য়ুমথংনরিবা লমদমশিং অমসুং ককচীঙশিংনা শন্দোক্লুনা খুন্দা-লৈতাখিবা খুঙ্গংশিং, লমশিং নত্রগা লমদম/মফমশিংদা লাইবুঙ-লাইকোন লীংদুনা অমদি লাইখুবম থমদুনা লাৎনরিবী লাইরৈমা/লাইরেম্বীনি।

শক্তাক ৱারোল

শীজা কালিকাসি তখেন [দক্ষিন/দখিন নত্রগা তখেন কৌবা নিংথৌনা লীংখৎলম্বা অমসুং পাল্লম্বা লৈপাক (ত্রিপুরা) নত্রগা তখেন লৈপাক্কী মী (ত্রিপুরী] নিংঙোন/চনু নত্রগা নুপীনি। মহাক্কী মিংলেন্না কালিকা নত্রগা শীজা কালিকা অমসুং মিংথোন্না খুল্লৈমা (খুনগী লৈমা/লৈমাবী নত্রগা মবেম্মা) হায়বসিনি। “শীজা” হায়বা মিংথোন-মিংনপ অসি তপশিল্লগা মহাকসি লাইয়িংথৌ খমলাংবগী তাল্লোইনি হায়বসি শক্তাক-শকখঙহল্লি, নত্রবদি হিন্দু শাক্ত (লাইরেম্মা নত্রগা পাঙ্গল অমসুং মতীক-মঙমগী লাইরৈমা/লাইরেম্বী লাৎপা) লাইনীঙগী অমসুং লাইনীঙলোনগী অথোইবী লাইরেম্মা, মাগী মথক্তা নত্রগা মঙোন্দগী হেনবা লাই অমা লৈত্রবী, “অরান খুবম” পীবীবা ঙন্বী লাইরেম্মা অদু খঙনৈ নত্রগা অতৈ লাইরেম্মা কালিকাশিং (খুদম ওইনা ঈকোপ নিংথৌ তাল্লোই কালিকা)বু খঙনৈ। শীজা কালিকাসিগী অপোকপা পন্থৌ মপা, অপোকপী মপন পলেম মমাগী মমিং-মথাগী ঈ-পাউশিং ফংবা ঙমদে। মহাক থোংনাং তখেন লৈপাক্তা পোক্লকখি, লৈপাক্লুদা চাওরক- শাংলকখি অমসুং লাইয়িংথৌ খন্নাংবনা তখেন লৈপাক্তগী মৈত্রবাক্তা পুরকখি, হায়বসি নত্তনা অতৈ অমতা খঙজবা ঙমজদে।

‘কালিকা’ হায়বা মিং নত্রগা ৱাহৈ অসি পোইরৈ মৈত্রবাক্কী ৱাংঙম/মৈতৈ (নিংথৌজা), নোংবান/অঙোম, ঈৱাং/কৌবা (মোইরাং), থাংয়ি/চেংলৈ (শরাং-লৈশাং), খা-ঙানবা, নুংবান/লুৱাং, নোংয়াই/খুমন, শেল্লোই-লংমাই (নোংমাই) নচিংবা কাংলুপ নত্রগা ফুরুপশিংগী লোন/মরোন নত্তে, মীরৈবাক্কী মরোন্নি। অদুগা মৈত্রবাক অসিদা “কালিকা খুল্লৈমা” হায়বা মিং অসিদা লৈরিবা লাইরেম্মশিংদি - (১) চীঙখোঙ পোইরৈতোন্না খুন্থোকপদা

মহাক অমসুং লৈমা লাইনাউতাবীগা লোইনরকপা মখোয় মী ৫৩ গী মনুংদা [ম: চ: স:, ১৯৭৯, ১০-১১] অমা ওইরিবা য়োৎনিংথৌ খল্লাংবগী তাল্লোই অতোনবী থোংনাং তখেন চনু অসিমা, (২) থাংয়ি খোংজ্রোম্বা অমসুং নোংবাল্লোন পেনু লৈমগী মচানুপা চীঙজেং নারল পাঙ্গনব (লাই পাঙ্গনবা) না থোংনাং ময়াং লম পাসা [শ্রীহস্ত/সীলেট] দা তাল্লোই ওইনা লৌখিবী থোংনাং ফৈত্রি চনু লৈরি লৈশংখোম্বী মিংথোনবী, কছাড়ী/ডিমাসা নিংঙোন কালিকা, (৩) মৈদিংঙু তুবী চরাইরোংবা (খৃ: ১৬৯৭-১৭০৯), খোইমোম লাইয়িংথৌবু শাইওনবনা ক্ষেত্রী লমচৎ হাপ্পবা শাখ্য/শাক্ত লাইনীঙ লৌবদা [ও: ভ: স:, ১৯৭৪, ৪৫] লৌদ্রিবৈঙগী মমাঙদা কংলা কোনুংলেনগী ঙমখৈ মনুংদা লাইশঙ শাদুনা লাৎলম্বা [চৈখা: কুম:, ২০০৫, ৬৬], হৌজিক্লা নিংথেম পুখ্রি মপান (ৱাংখৈ) গী অৱাং থংবা শরুক্তা লাৎলিবা নুঙগী মশক কালিকা, অমা (৪) উমংলাই ঈকোপ নিংথৌগী তাল্লোই ওইবী লাইরেম্মা কালিকা, অসিনচিংবনি।

"কালিকা" লাইরেম্বীগী মমিংসি শাক্ত লাইনীঙগী লোন্নি অমসুং লাইরৈমনি, হায়বসি মথক্তা থমজখ্রে। শাক্ত লাইনীঙনা শৈব লাইনীঙ ("শিব" লাৎপা-নীঙবা লাইনীঙ) দগী হৌরকখিবসি ইন্দিয়াদা গুপ্ত নিংথৌ শাগৈনা পানবা মতম (খৃ: ৩০০-৫২০) গী অদুৱাইদনি [B.N.L., 1988-89, 357], শাক্ত-তন্ত্র লাইনীঙসু মসিগী মতুংদা হৌরকখিরম্মী [মথক্কীসিদা, 357]। হায়রিবা "কালিকা" লাইরেম্মগী মমিং পুবা লাইনীঙশিং অসিনা বঙ্গ/গৌর-দেশ (বেঙ্গল) লান্দুনা ত্রিপুরা/তখেন্নচিংবা লমদম/লৈপাকশিং য়ৌরকপদদি খৃষ্ট কুমশীঙ চামাগী ৬-৭ (তরুক-তরেৎ) শুবগী অদুৱাইদা শোয়দনা ওইগনি। অদুনদি কালিকা হায়বা মিং/ৱাহৈ অসি ত্রিপুরাদা খৃ: ৬০০-৭০০ কী মতমদা চঙলক্কনি, মরমদি, শাক্ত অমসুং শাক্ত-তন্ত্র লাইনীঙশিংসি লাক্ত-য়ৌরক্রুবদি "কালিকা" হায়বা মমিংসি মীয়াম্না শক্খঙবা লাইরেম্মা ওইরমদে। মদুনা অমুক মীগী মমিংদা থোন্নরকপা অসিদসু মতম খর অমুক লৌরমগনি থাজজে। মরম অসিনা পাৱারী-পুৱারীগী খোঙফম অমসুং খোঙথাংদা চয়েৎনবশিং অদুম লৈহল্লি, পঙহায়দা হায়জিনবা তাহল্লি।

শীজ কালিকাগী ৱারী

লাইরেন্মা শীজা কালিকা, লাইয়িংথৌ য়োৎলাই-য়োৎনিংথৌ খন্নাংবগী তাল্লোয় অখুবীনি, লাইয়িংথৌ খমলাংবগী পুন্সি-ৱারীগা মরী লৈনৈ। অদুনা লাইয়িংথৌসিগী মরমদা ৱারম-ৱাফম খর হাননা থম্বনা অচুম্বা ৱায়েন্নি খঞ্জদুনা ৱাফমশিংদু লৌখৎচরি।

লাইয়িংথৌ খন্নাংবদা লৈনুং লমদমগী খমনুং লৈবাক্তগী চীঙখোঙ পোইরৈতোনগী খুন্থোক-কাংবুদা য়াওদুনা খুন্থোক্লক্লবা মতুংদা মঙাং ফুরুপ-কাংলুপ অমগী নিংথৌগী মচানুপী শন্থোঙ হুইমু লৈমবু লুহোংদুনা লৌরগা পোইরৈতোনগী কাংবুগা খায়দোক্লদুনা লমলেন উরীবোক খোঙশায়ান্দা খুন্দা লৈতাদুনা লৈখিরম্মী। উরীবোক্তা খন্নাংবা, শন্থোঙ হুইমু লৈমা নত্রগা নোংশীৎ লৈমনা মতম খর পানদুনা পাল্লবদা নোংশীৎ লৈমগী পায়মা লিনগোয়নুংদগী মপারী-মচানুপা লাইয়িংথৌ অমুদোন পোক্লক-শাৎলকখি। মতম অদু ফাওবদা লাইয়িংথৌ খন্নাংবসি নীঙবা থুংনা শীনশূ-শীন্থাবদা মচাক য়োৎচাক-পোৎচাক ফংলমদে। লাইয়িংথৌ খন্নাংবসিদি মপা-মপু হাক্তক্তগী য়োৎ শুংবা অমসুং য়োৎশা-থাঙশাবগী শীনফম পায়রকপনি অদুবু য়োৎ শুংনবা য়োৎচাক, মনীং থুংনা য়োৎচাক-কোনচাক ফংদবা অমসুং লৈতবনা লাইয়িংথৌসি তৌফম-শূফম খঙদনা ফুম্বংনদুনা লৈরম্মী।

থোংনাং তখেন পাংলকপা

লাইয়িংথৌ খন্নাংবনা করম তৌরগা য়োৎ শুংনবা য়োৎচাক ফংগদগে হায়দুনা উরীপোক অমসুং মসিগী অকোয়বদা লৈরিবা লমদমশিংগী লৈপাকশিংদা য়োখি-য়োৎফং খুৎলাইনা থিন-থিন্দুনা, হন-হন্দুনা য়েংববু য়োৎচাক লৈবগী খুদম অমতা ফংবা ঙম্লমদে। লাইয়িংথৌ খন্নাংবগী য়োখি-য়োৎফং খুৎলাই হায়রিবসি পৌ/ৱা পীকতকপা মকক অমা মচীন অমদা তুম্নবা শেম-শারগা য়োৎকী লোঙজীন লোঙখুম পানশিন, কোন্থাং হুকচীনবগুম হুকচীল্লগা তিমেন তাগুম শারগা মচীন অদুনা লৈনুংদা থিংজিনবদা য়োৎ, য়োৎহিং, য়োৎচাক্লচিংবা পক্লকপা, য়োৎ নত্রগা য়োৎচাক লৈত্রবদি করিসু পক্লক্তবা তিমেন তাগুম্বা খুৎলাইনি [T.C.H., 2003,]। তা অমনবা তাওইনা শীজিন্নদ্রবা নত্রগা

শীজিন্নবা য়াদ্রবশিংনসু খুৎলাই ওইনবা নত্রগা ওইনা শীজিন্নবা য়াই। লাইয়িংথৌসিনা মসিদগীদি অথাপ্পা লমদা চত্তুনা য়োৎচাকসি থিরগে হায়না খল্লদুনা তয়ুম মদাইরেমশিংগা ৱাতানরে। অদুগা নম্ন মীকোক ৩২ (কুন্থ্রানিথোই) শাচুরুপ, লাংচুরুপ, কংথি, কংনাউ, নাউৱা, খৌচোং, কাংক্রুক, কাংনাউ, শালিং, লাইহি, পোইরৌ, হিথা, ৱাংবা, তোকমু, তোমশোম, অকোয়, অশাউ, কমপোং, লোইরাংখু, লোইরাংহন, শাংখু, শাংহন্নাউ, অরিং, অরাং, ময়াং মাইবা, শমলোইবা, থিংকুরাকপা, ৱাশোকপা, অফেৱাচা, থাওয়ানকনপা, লোক্কা অমসুং সুমকাতাওপা কৌবশিং, পোইরৈদা খুনথোকমিন্নরকপা মখোয়সি তীন্নদুনা খোঙবু খোঙলুপ শেল্লগা পোইরৈ ময়ায়লমগী খা-নোংচুপ পাংবা লমদমশিংদা য়োৎচাক লৈগদবা, য়োৎ-থোক্কদবা মফম থিরক্লম্মী। য়োৎ থিনা থিনা অসুম লাকপনা উরীবোক্কী মকাইফম তামহৌরে, তাল্লোই নোংশীৎ লৈমা অমসুং মপারী অমুদোন লাপহৌরে। অদুবু তেৎনৌ য়োৎচাক ফংদবনা থিবগী খোঙচৎ লেপ্পা লৈত্রি। অসুম্না চীঙলোন- তমলোন কয়া লান্দুনা লাইয়িংথৌ খল্লাংবা অমসুং মাগী খোঙবুরোইশিংদু থোংনাং তখেনগী ঙমখৈদা চঙশিল্লক্লম্মী। অসুম্না য়োথিবা খুৎপুদু তখেন লৈপাক্তা থুংখিরম্মী।

থোংনাং তখেন চনু কালিকা লৌবা

থোংনাং তখেন লৈপাক য়ৌরে হায়বা খঙলবসু য়োৎথিবা লাইয়িংথৌ খল্লাংবদি মহাক্কী থবক্তু লেপ্পমদে। য়োৎকী খোং ফংনবা য়োথি-য়োৎফং খুৎলাইদুনা মালেম লৈদা থিন্দুনা লৈনুং-লৈখাগী লৈরোনগী চাংয়েং তৌবদি তোক্লমদে। মফমসিদা থোংনাং তখেন লৈপাক নত্রগা তখেনগী লমদম/লম হায়রিবসি হৌজিক্কী কছাড় ডিষ্ট্রিক্টকী খা-থংবা শরুক (South Kachhar) ওইরিবা লমদম অমসুং মসিগী অকোয়বগী লমদমশিং অসিবুনি। লমদমসিদা লাইয়িংথৌসিনা য়োৎকী খোং নত্রগা য়োৎচাক লৈফম থিবদা ফংলমদে। অদুবু মহাক্কা থিবগী থবক্তুদি লেপ্তবনা মফম অমদগী অমদা কোয়না কোয়না চৎলম্মী। অসুম্না কোয়চৎ চৎলকপদা থোংনাং তখেন চনু কালিকাবু থেংন-উনখি। "কালিকা" হায়বা মিংথোন-মিঙ্গৌসিগী য়েংলু-খল্লুরবদি ঈবেম্মসিগী লৈশারিঙৈগী মতমসিদা মহাকসি থিক-থা ফনা তিঙদা য়াঙদা ফজবী, কুচু মুনং

তৌরগা মিৎনা নোকপী, চেংলৌ শককোয় হেন্না শুমহৎয়াই পুবী অমসুং অউবগী-অয়েংবগী মিৎয়েং চিংশিনবী ওইরমগদবা মাল্লি। অদুদসু নত্তনা তুংয়ান্দা নীঙদুগী ঈপোম হৌবী, মাঙলোমদা খ্বাঙ চেংলগা খ্বাঙগী মখাগী কায়াৎনা পাক্লপ্না তাপীগী ফিবমদা লৈরমগদবসু মাল্লি। অদুননি তাল্লোই নুপী লৈরবা লাইয়িংথৌ খল্লাংবনা মহাকপু উবদা মঙোন্দা লুপখ্রিবা অমসুং ঙাওখ্রিবসি।

লাইয়িংথৌ য়োৎনিংথৌ খল্লাংবনা নুমিৎ কয়ানি মহাক্কী মতৌ য়েং, উবা ফংগদবা মফম মফমদা লেপ-লৈদুনা ঙাইজরগা নুমিৎ কয়ানী চঙনা অমুক থেমদুনা লৌনসি- লৈনসি হায়বা য়ানরে। অপাম-নুংশিগী ঈথৌ লাংনবনা কুইনা-শাংনা থাপ্তোক্লদুনা লৈবা ঙম্লরক্তবদগী নিংঙোন ওইবী কালিকাবু মৌগী শীঙদা চন্দুনা খল্লাংবগী মনাক্তা লৈরে। চনু-নিংঙোন ওইবীশিংতনবু লাইবক্লা তম্লম্বা মপাম লমদম থাদোক্তুনা মশাবীগী মতুং ইন্দুনা মীরৈকোক-মীরৈকায়, মীখুন-মীয়ুমদা পুন্সিগী ওইনা ওঙখি-লৈখিবনি। অদুবু পীবা ওইবশিংদি ময়ুম-মরৈকায়দা পুন্সি খোয়রেন্নৌ তম্লম্বনা মীয়ুম-মীরৈকায়দা লৈবসি হৈনদবনি, মচীঙ-মরৈপুঙদা হন্নীঙ-চৎনীঙবনি। অদুনা তেৎনৌ য়োৎথিবা য়োৎনিংথৌ খল্লাংবা অমসুং মহাক্কী খোঙবু-খোঙলোইশিং পুম্নমক মখোয়গী পুগদবা- পুরক্কদবশিং পুরক্তুনা মরৈবাক-মরৈপুঙ পোইরৈ মৈতৈ লৈপাক্তা হল্লকখি। থোংনাং তখেন চনু শীজা কালিকাসু নোংদম্বনা তম্লম্বগী পুরকপা মায়কৈদুদা মশাবী-মপুরোইবা লাইয়িংথৌ খল্লাংবগী তুং ইল্লক্তুনা লাকখি।

মৈত্রবাক্তা শীজা কালিকা

লাইয়িংথৌ খল্লাংবা, মাগী য়োৎথি-খোঙলোই-খোঙবুশিং অমসুং থোংনাং তখেন চনু কালিকানা মৌ ওইনা পোইরৈ মৈত্রবাক্তা হল্লক-থোক্লক্লগা লাইয়িংথৌ খল্লাংবগী মখুন খুঙ্গং উরীবোক-খোঙশায়ান্দা থুংলরে। মখোয়না হল্লক-থোক্লকপসিদা লাকখিবা লম্বী পরীংদা লৈহৌবা লমদমশিংগী পরেংদি হৌজিক্কী ওইবা লমমিংদা পীবীরল্লিবদিঃ-

মখোয়না লৈরুবা থোংনাং তখেনগী লমদম/মফম অদুদগী জিরি তুরেল লাল্লক্তুনা জিরিগী লমদম তারখি, জিরিদগী অমুক মকু তুরেন লাল্লগা মকুগী

চীঙজাও কাদুনা লাকখিবনি। মকুগী চীঙজাওদুদগী ঙাপ্রুম চীঙশাং তারগা মদুদগী কুমথরক্তুনা তাইরেন উথাকোন লাক্লগা ফয়েং তারকখি, ফয়েংদগী অমুক তাউথোং-লমশাং লানথোক্লগা লমদেং শমদুনা লাঙ্গোন চীঙ্গোনগী নোংচুপ থংবা চীঙশাংগী চীঙমৈ (ঈরোইশেনবগী চীঙখোঙ চীঙয়া) শোক্লা চীঙয়াদা চৎলগা মদু লান্থোক্তুনা উরীবোক খোঙশায়ান তারকখিবনি।

উরীবোক খোঙশায়ানগী লমদমদা লৈরিবা লাইয়িংথৌ খন্নাংবগী ময়ুম-মকাইফমদা লাইয়িংথৌসিগী তাল্লোই অহনবী নোংশীৎ লৈমনা মপারী অমুদোন কোন্দুনা য়ুমঙাক্তুনা লৈরম্লিবনি। মশাবী হল্লক্লে খঙবগা মপারীগা লোইননা মশাবীবু তরাম্না ওকচখি। মনাউ থোংনাং চনু কালিকা য়াওরক্লে খঙলবদা পলেম মমা ওইবীনা মহুই মমৌ ওক্পা শাদুনা মনাউবু ওকপীখি। অসুম্না লাইয়িংথৌ খমলাংবা অমসুং শীজা কালিকা ময়ুম মোংবা য়ুমজঙদুনা পোত্থাখি। থুংলবগী অৱা পোত্থোকপগী মতম হৌখিদুনা লাইয়িংথৌ খন্নাংবা তাল্লোই অনিগা মপারী চাওদ্রিবগা লোইননা পুন্সি লানথেং-লানশোক্লবগী থবক্কগী পোরম শীনবা হৌরকখি। তেৎনৌ য়োৎশুংবা য়োৎনিংথৌদি য়োৎশুং পোৎচাক- য়োৎচাক য়োৎহিং থিনবা শীনথোঙ শীনবা হৌরকখি।

লমলেন উরীবোক অমসুং মসিগী অকোয়বগী লমদমশিংসি হান্নদগী য়োৎ ফংদ-থোক্তবনা লাইয়িংথৌ খন্নাংবা অমসুং মহাক্কী ঈমুংগী মীওইশিং অমদি য়োৎথি খোঙলোই মদাইরেমশিং পুম্নমক উরীবোক্কী ময়ুম মকাইফমশিং থাদোক্তুনা মমায় নোংপোক ওন্দুনা শেল্লোই লংমাইচীঙগী চীঙ্গোনগী লৈয়াৎ-লমতুপশিংগী লমদমশিংদা তেৎনৌ য়োৎথিরুনবা খোঙশাল্লক্লে। মসিদা লাকখিবা লন্মী পরীংদি - ময়ুম উরীবোক্তগী খাবা শঞ্জেনথোং (হৌজিক্কী শঞ্জেনথোং) লাল্লগা ৱাংখৈ লৈকায়, ৱাংখৈদগী চোংখু কৈরাউ শমদুনা কোংবা ঙাচৈথেন, মদুদগী শৌদোন তাউবপুঙ লান্দুনা কৈরাও উরাউ উরাল্লম তারগা অমুক ঙারংয়ান চীঙ (হৌজিক্কী ঙারিয়ান চীঙ) তুবৎ শমদুনা লাল্লগা শেল্লোই-লংমাইগী লমদমশিংসিদা নোংমতসু অহিং য়ারেক্লমদে - অসিনি। লমশিং অসিদা য়োৎ পোকপা লম, য়োৎচাক লৈবা অমসুং ফংবা মফম য়াওদবনা খোঙচৎ অসিনা থৌবাল ঈখোংকায় (হৌজিক্কী থৌবাল ক্ষেত্রি লৈকায়) গী লমদমদা থুংলম্মী। থৌবাল ঈখোংকায়গী লম অসিদা

তেৎনৌ য়োৎকী য়োৎচাক-কোনচাক মালেম লৈরোন্নুংদা লৈবগী খুদম ফংদুনা মফমদুদা লেকফম-চাফম শেমদুনা য়োৎ পেল্লবা থৌরাং তৌরে। য়োৎচাক পেক্কুনা য়োৎশুংবগী থবক পায়খৎলকপদদি তেৎনৌ য়োৎচাক মতীক চানা লৈবনা তশেংনা খুন্দা-লৈতাফম শেমদুনা ময়ুম ঈংখোল লীংলে। তয়ুম মদাইরেম তেৎনৌ য়োৎপেকলোইশিং, য়োৎচাক-য়োৎহিং-কোৎহিংদগী য়োৎশুংলোই য়োৎশারোইশিংসু ময়ুম-মকৈ শারে, মরান মশাইগোন শেল্লে। অসুম্না থৌবাল ঈখোংকায়দা মতম খর খুন্দাদুনা চাহি কুমওন খর পাল্লম্মী।

থৌবাল লমদমদা লাইয়িংথৌ খল্লাংবা, মাগী তাল্লোই অনি নোংশীৎ লৈমা (শন্থোঙ হুইমু লৈমা) অমসুং শীজা কালিকা অমদি মপারী অমুদোন্না তেৎনৌ য়োৎথিবা, য়োৎপেকপা, য়োৎশুংবা অমসুং য়োৎশাবা মদাইরেমশিংগা লোইননা খুন্দাবসিদা পোইরৈ লৈপাক মীয়াম্না করিগী খুন্দাবনো হায়না লাইয়িংথৌ খল্লাংবদা হংবদা লাইয়িংথৌসিনা তেৎনৌ য়োৎথিবগী খুন্দাবনি হায়না পাউখুমখি। মফমসিদগী কৈরাউ লাকপা তারিয়া অমসুং অন্দ্রো (হন্দ্রো) লাকপা পল্লুবা অনিনা লন্থী লমজিংদুনা শিখোং লমদমদা চৎলম্মী। মফমদুদা নোংমা লৈদুনা য়োৎ থিরগা ফংদদুনা তারাং লম্মহন, মমৌ লম্মকোক, লৌশী লাংমপান (লৌশী থল্লান) অমসুং ঈকোপ লাইপন শোয়দসু মফম অমমমদা নোংমা নোংমা লেক্কুনা লৈরম্লগা থৌবাল ঈখোংকায়গী মরানয়ায়দা অমুক হল্লকখি। অদুগা মফমদুদা লৈরিবা মপারী অমুদোনবু পোইরৈ মৈতৈগী লমদম উরীবোক খোঙ্শায়ান্দা হল্লো, মরান য়ুমশঙলু পোইরৈ য়ুমঙাকলু, হায়না পোইরৈ লমদা হলহনখি।

ককচীঙ-চোঙচীঙ লমলেন্দা

লাইয়িংথৌ খল্লাংবনা মপারী অমুদোনবু পোইরৈ লমদা থাখ্রবা মতুংদা মতাল্লোই অনি থাদোক্লম, মদাইরেমশিংগা লোইননা থৌবাল ঈখোংকায়গী লমদম থাদোক্লে। মমায় মখারোমদা ওন্দুনা লাকপনা লমলেন ৱাংজীঙ, লাংঙথেল, খেচীঙ-খেবচীঙ অমসুং সোরাগী লমদমশিং লান্দুনা লমলেন ককচীঙ-চোঙচীঙগী ককচীঙ চীঙনীঙ, হৈরেম লমদম লৈয়াৎ-লমতুপকী খেরে [শান/টাই মী কাংলুপকী মরোন্নি, ৱাহন্দোক্লা "ৱা (Bamboo)" হায়বনি] চীঙ্, খুঞ্জান (লুৱাং কাংলুপকী/য়েক্কী ফুরুপ/শল্লাই অমা) লাল্লুমথেন্দা থুংলরে।

মফমসিগী মালেম লৈরোন্নুংদা তেৎনৌ য়োৎচাক লৈরে, য়োৎথি-য়োৎফং খুৎলাইগী মচীন্দা য়োৎথী-য়োৎহিং পল্লক্লে, তেৎনৌ য়োৎ পোল্লনি হায়বা খঙলে। অদুনা লাইয়িংথৌ য়োৎনিংথৌ অমসুং মরোই মদাইরেমশিং পুম্নমক খুন্দা-লৈতাফম শেমদুনা মরান মোংবা য়ুম, মশাইগোন- ঈংখোল লীংলগা মালেম লৈরোন হাঙদোক্লা তেৎনৌ য়োৎলৈ কাঙনা য়োৎশুংলে। অদুগা লাইয়িংথৌগী মদাইরেমশিং - থিংকুলাকপা, ৱাশোকপা অমসুং শমলোইবা অহুম্না থৌবাল ঈখোংকায়গী মরান ময়ুম শঙদুনা লৈহৌরে।

লাইয়িংথৌ খম্লাংবগী তাল্লোই অনিমিত্ত মতমসিদা থৌবাল ঈখোংকায়গী মোংবা মরানয়ায়দা লৈরম্মী। মতৈ-মনাউ তোংঙান-তোঙান্না লৈনবা অসিদা তখেল চনু কালিকানা য়াম্না পেঞ্জদবা ৱাফম ফোঙদোক্লকখি, "নুপী ওইবরশিংদা পামজবা অমসুং পেঞ্জবদি মৱা-মপুরোইবগা থাদোক্লদনা লৈবসিনি" - হায়না শীজা কালিকানা ফোঙদোক্লুবদগী লাইয়িংথৌ খম্লাংবনা মতাল্লোই কালিকাবু লৌরদুনা তেৎনৌ য়োৎশুংফম ককচীঙগী য়ুমদা পুদুনা থমখি। অসুম্না হৈরেম লমগী খেরেচীঙদা য়োৎশুং-য়োৎশাদুনা চহী কুমওন খর লেনখরে। মতমসি ফাওবদা লাইয়িংথৌ য়োৎনিংথৌসিগী তাল্লোই নোংশীৎ লৈমদি থৌবাল ঈখোংকায়গী মোংবা য়ুমসি য়ুমশঙলি, মপারী অমুদোনসু উরীবোক্কী মোংবা মরান দা লৈখিবনা নুজা মতোম তরক্লা মোংবা শঙ্গায় য়ুমজাওদুদা লৈরি। মতমসিদা লাইয়িংথৌ খম্লাংবনা শীজা কালিকাদা নোংমা হায়রকখি - থৌবাল ঈখোংকায়গী য়ুম-ঈংখোলদু থাদোক্লস্বা য়াম্না কুইরে, করম করম্না, করি করি তৌরমগনি, মদু য়েংশিল্লুবনা ফৈ, অদুনা ঐ থৌবান্দা চৎলুগে" - হায়দুনা মতোমতা চৎখিরম্মী।

লাইয়িংথৌ য়োৎনিংথৌনা থৌবালদা থুংলদুনা মোংবা মরানয়ায়দা চঙলক্তুনা ঈংখোল-শম্বল য়েংশিল্লম্মী। অদুবু মহাক্কী তাল্লোই অহন নোংশীৎ লৈমদি অহানবদা য়ুমদুদা থেংনবা ফংলমদে। নুপা য়াওদনা পানবা য়ুম্বান ওইবনা নুপী ওইবী নোংশীৎ লৈমদি কৈরোই লৈকায়গী মশুং-মমান্নবী অমসুং মচেম-মনেমশিংগী মনাক্তা চঙজদুনা লৈরুবনা অহানবা মতমদুদা উনবা ফংদবনি। অদুবু লৈকায়গী মচেম-মচনশিংদগী মশাবী-মপুরোইবা মতম কুইরবগী তুংদা ময়ুম ঈংখোন য়েংবা লাক্লি তাবদগী থুনমক লাক্তুনা মপুরোইবগা উনররে। অদুদগী মতৈ-মনাউ ওইবা লোনচৎননা শাবী ঙাইবা মহাক্কা শানৌ ওইবী মহাক্কা

মনা-মনীন নাইহন্দনা মোল্লাং অমতদা খাঙমিন্না লেনমিন্নরে। মশানৌ শীজা কালিকাদা পাউ য়ৌখিগনি হায়না লোন্না-থুপ্লা মতৌ-মনাউ অনিদু কোরৌ নুমিৎ মঙানি চুপ্পা হৈরাং লোঞ্জামিন্না, তাউজীঙ মহাউ খঙনা চামিন্না লৈরাং লোনজিনমিন্নবা লৈরাং লৈনম পুক হুনা চিনমিন্নরে। হরাউবা মথোই কানা নুংঙাই তোয়তাউনরে।

শীজা কালিকানা, মায়কৈ অমরোমদা মশাবী মপুরোইবনা ককচীঙ-চোঙচীঙ মরমখৈগী মোংবা মরানয়ায়দগী চৎখিবা কোরৌ নুমিৎ মঙানি শুরবা ফাওবদা হল্লক্রুবদা খম্বন চাওবী নুজাদু খাঙফম-লৈফম খঙদ্রে। করি তৌখ্রবনো, খুদোংথীবা থোক্কুনা অৱাবা তারব্রা নত্রগা তাল্লোই অহন শকহেনবীনা শুমখ্রবরা, হায়না মওল মওল খন্দুনা লৈরম্মী। শাবী মহাক য়াওদ্রবদি লমলেন ককচীঙ লমদমসিদা নুজা ইদোম করম পানগনি, পানঙমলোয়। অদুবু করম তৌসিগে হায়না ৱাখল ফুম্বংনদুনা লৈরে। মমৈদা ৱাখন খন্দুনা লৈবসিনদি কান্নররোয়, থৌবাল ঈখোংকায়গী লমদমদা মোংবা ঈরানয়ায়দুদা ঈখোঙনা থোংনা চত্তুনা য়েংলুরগে, হায়না লেপ্লদুনা খোয়নৌ মতারোই ওইবী অমা অনি হৌদুনা থৌবাল মায়কৈ পাংলক্লে।

খল্লাংবগা কালিকাগা খায়নবা

থোংনাং তখেন চনু, য়োৎনিংথৌ খল্লাংবা ওঙবী শীজা কালিকানা মশাবীগী মার মখোঙ্গুল লীরকপা, মপুরোইববু থিবা লাকপদা লমলেন থৌবাল ঈখোংকায়দা ৱাইথুংলরে। মোংবা মরানয়ায়গী ঈংখোল পম্বালনুংদা চঙলক্কুনা মোংবা মশঙ্গায় য়ুমজাও তম্না য়ুমজঙলকপদদি শঙ্গায় য়ুমজাওদু চার পৌরোন থানা থোঙ লোল্লম্লে। ঈংখোল চাওগোয়নুং অকোয়বদা মিৎয়েং শানকৈরুবসু নমু মী অমতা উবা ফংলমদে। কৈরোই-লৈকায়দা থোক্কুনা মশাবী খল্লাংববু কদায়ৱাইদা করি থবক চৎখিবগে হায়বগী পাউ লৌরকখি। মতমসিদা লাইয়িংথৌ খল্লাংবদি য়ুম অদু থোঙ লোনশিল্লম্লগা অতোপ্পা য়ুম অমদা মহাক্কী তাল্লোই অহনবী শম্থোঙ হুইমু লৈমগা হরাউ মথোই কাদুনা লৈরি। পাউ অসি ফংলবদা শীজা কালিকানা য়ুম অদুদা চঙদুনা খল্লাংববু উনগে খন্দুনা লাক্লম্মী। য়ুমজীন-য়ুময়াদা চঙশিন্দুনা শাইজীন-শায়া পক্লা মিৎয়েং শানকৈরুবদদি মশাবী খল্লাংবদি মতাল্লোই হুইমু লৈমা

(নোংশীৎ লৈমা) গা চীল্লোক-চীন্দীন্না, শমু হকচাং লীয়েৎননা হরাউ নুংঙাই তোয় - তাউননা লৈরম্মী। হায়রিবসি উরুবদগী শীজা কালিকাদু য়াইবী মনুং হৌনা, নুরা খোয়বুঙ খোয়থীৎননা মতীন শীৎলল্লগা মরমদম ককচীঙ মায়কৈ পাংদুনা হনখ্রে। নুপা ওইবগী পুকচেল থাজনীঙাই ওইদে খন্না ময়ুম-মরান য়ৌখি।

লাইয়িংথৌ খল্লাংবনা শীজা কালিকানা থৌবাল ঈখোংকায়গী মশাইগোন্দা লাক্লম্বসি খঙলমদে। মহাক্তি মশানৌ নোংশীৎ লৈমগা হরাউ মথোই কামিন্নরগা মশানৌ মহাক্লা থৌবাল লমদমসি থাদোক্লগে, ৱাংঙম পোইরৈ লমদম উরীবোক খোঙ্শায়ানগী মরমদমগী মোংবা মশাইগোন্দা মপারী অমুদোনগী মনাক্তা হল্লগে, মপারী-মহুইরোই কোন্দুনা মকাইফমদুদা লৈরুরগে, হায়বদুদা নুংঙাইরদুনা পেন্থোক্লি। মহাক্লা তেৎনৌ য়োৎশুংফমগী মকাইফমদা হল্লকপদি তাল্লোই অতোনবী থোংনাং তখেল চনু শীজা কালিকাদি শাওবনা মৈথোক্লমলে। শীজা কালিকানা মশাবী মপুরোইববু খায়নরগনি, মহাক্কা অমুক লৈমিন্নররোয়, পুন্সিগী তৎনা-থানরগনি হায়দুনা ককচীঙদা মহাক্লা হেক থুংলবদগী মফি য়োমদুনা খেরে চীঙগী ময়ুমদগী থোক্লকপদা লাইয়িংথৌ খল্লাংবনা হল্লকপা খরায় থোঙ্গান্দা থেংনরম্মী। লাইয়িংথৌনা মশানৌবু হন্না হন্না খামজববু শীজা কালিকানা পাউথেম পাউখামখোন্দু মচেৎ অমতা তাদনা অশাওবনা মাঙওইনদুনা মখোঙ থাংদোক্তুনা চৎখিরম্মী। অদুগা লাইয়িংথৌসিনা উরীবোক্তা খুন্থোক -খুন্দামিন্নরকপা মঙাইরোই, মদাইরেম লোইরাংখু, লোইরাংহন, শাংখু অমসুং শাংহন মরিমকপু মশানৌ কালিকাবু খামহনববু শীজা কালিকানা য়াবা কৌবা লৈতনা খোঙকাপ য়াঙনা থাংদুনা চৎখ্রে। থৌদৌসিদা পাম্বৈ লৈত্রবা য়োৎনিংথৌ খল্লাংবনা মদাইরেম ৱাশোকপা অমসুং হিথাৱাংবা কৌবগা মখোয় অনিবু মশানৌ কালিকাগী মতুং ইন্নৌ হায়দুনা ইন্নহনখি।

শীজ কালিকানা মশাবী খল্লাংবগী হৈরেম খেরে চীঙগী মকাইফম তেৎনৌ য়োৎশুংফমদগী লাক্লগা থোইনা থাপ্তুনা লৈরিবা ৱাইরী লমদা খুন্থোকপগুম ময়ুম ঈংখোন শেমদুনা লৈখি। মনাই-মশনশিং অমসুং মাগী তুং ইন্নহল্লকপা মদাইরেম অনিগনা কোল্লোই মশঙ্গায় শাদুনা ঈংখোল শন্বন খাজিন্দুনা মতোমতা তোংঙান্না লৈখ্রে। অসুম্না শাওন-ওইনদুনা খায়নবা, মতৈ-মনাউ তোপ্পা তোপ্পা লৈনবসি কোয়ৌ শীঙবুম মঙানি শুরবদা লাইয়িংথৌ

খমলাংবনা মশানৌবু ৱাইরীদা লৈরে হায়বসি খঙলবদা মশানৌগী মনাক্তা মখোঙনা থোংনা লাক্কুনা থেম্লরে -

- ঈশানৌ কালিকা -ও! শাওনু তোক্লো, মতুংদা অমুক হন্না তৌররোয়। অসুপ ৱানা ঐনা নঙবু ফংজরগা ঐবু থাদোক্লগে খল্লব্রা? ঐগী অৱাবসে খঙবীয়ু!

“- খঙজরে ঈবুংঙো, লৌরমদায়দা তেংনা মানবী, খায়নরমদায়দা য়োং মানবীনি ঐদি, থেম্বীরনু কান্নররোয়, নহাক্কী তাল্লোই অহন শকহেনবী শম্বোঙ হুইমু লৈমগী মনাক্তা ঙাংবী-থেম্বীরুরো, ঈনাক্তা লৈবসে মতম মাঙহনবনি, নখোয়গী নুংঙাইবা শীংলগনি। ঈপা-ঈমানচিংবা পুম্নমক হুন্দোক-থাদোক্লমদুনা তাল্লবা লমদম অসিদা নহাক্কী নতুং ইঞ্জরকপগী মহৈ ফংজরে, খায়নরসি পুন্সি চুপ্পসিমগী। ফরে ঈরাইবক, ফত্রে ঈরাইবক ওইজরগে, পুম্নমকসে মীগী মকাদা য়েংলুবদগী থোক্লিবা ঙাক্তনি। নহান মচীনঙৈদা খুংনা খোঙনা ফংদুনা মীগী কাদা য়েংকনি খঙজরল্লবদি লৌনম পাউথেমদু থাজজরমদ্রবদি ঙসি ঐনা লাইবক থীবী ওইরিবসি ওইজরল্লোয়দবনি। হৌজিক্তি মীশুম ৱাহৈশিংদু তাজনীঙদ্রে, ওকচরে, পুমওক ওকচরে। চাবোক্তবীগা ওইশিল্লে, কুচুনগা মুশিল্লে, ঐবু কনানা পাম্বীগনি হায়বগে!!”

- অদুবু ঙাইহাক শাওরবদি ফরো, শাওরনু, ঐহাক হয়েং মখৈ থৌবাল খক চংলরোয়, মায়কৈ অদোমদসু মায় ওল্লরোয়।

- হৌজিক মতমগী ৱাশকসিদি খোংবান অমা চোংলগা কোকপনি। নহাক্কী নুপী অহন্দুদা শকপীরুরো ৱাশক্তু, মহাক্লদি তাগনি। মহাক্কা লৈমিন্নবীরুরো, ঐগী ঈনাক্তদি লাকপীরনু, ঐদি অমুক হন্না ননাক্তা লৈজনীঙদ্রে। মহাক্কা নুপা অমতদা ওঙমিন্নগদৌবগী শরুক ঈপুরোইবা ফংদনা লৈজবনা ফৈ, মাগুম্বীসিদি উবদা তীন শীংনীঙঙি [খম: খুন:, খুং: লাই:]।

- মহাক অসিদি ঐগী তাল্লোই নত্তেনে, ঐনা থোংনাং নরৈবাক্তা লাক্লিঙৈগী মমাঙদা ময়ুম পান্দুনা মচা পোক্লবীনি। ঐখোয় অনিনা নরৈপুঙদা লৌনা-লৈনদুনা লৈরিঙৈদা ঐগী ঈমিং তাবদগী মহাক্লা মতোমতা পঙখন খঞ্জদুনা ৱাখল তৌজদুনা লৈরম্বনি, ঐদি মদু করিসু খঙবা নত্তে। ঐখোয়না মৈত্রবাক্তা থোক্লক্লবদা নহাকপু শাওহন্নবা হায়দুনা মহাক্লা ঐগী তাল্লোই শাদুনা ওন্থাং- ওনশিন তৌরকপনি। মদুদা মহাক্কী মশাবী মথংলেন অদুনা মহাকপু ঈকাইবা পীরম্লগা মহাকপু থাদোক্তুনা চংখিবনি। ঈকাই-নুংশি য়ান্নরবা মশাবী অদুনা চংখ্রবদা মহাক্লা ঐঙোন্দা

ওনশিল্লকপনি। মদুদা ঐদি করিসু খল্লুবা নত্রগা তৌরুবা লৈতে। মসিদা ঐগী করি ঈরাল্লো? অদুনা শানৌ ঈবেম্মা কালিকা নঙনা ঐবু শাওবসে শাওরগনু। ঐহাক য়াম্না ৱারে, ঐগী অৱাবসি কোকহল্লো।

লাইয়িংথৌ খল্লাংবগী ৱাহৈশিং - মহাকসি ঐগী তাল্লোই নত্তে, মশাবী মপুরোইবনা হুন্দোক্লম্লবী, অসিনচিংবসি তারগা মৈরী থোক্লা চাক্লম্বী, অশাওবনা কাহৎলম্লবী কালিকাদু অতেবা হুইগুম তেথ-নোম্থরক্লে। অমরোমদা মপুরোইবনা মহাক লৈত্রবদা কোল্লোয় মশঙ্গায়ম ফমদুদা চাফম-থকফম খঙদা, হীপফম-তুম্ফম নাইদনা লৈরমগদবা ফিবম অমসুং মতৌশিং অদু মমিত্তা উরক্লে। মপুরোইবগী মায়থোংদা তারিবা অৱাবা, শেৎন-খায়ননীঙদবগী মমিদু উরুরগা শীজা কালিকানা লূ লূক্লপ্লা হায়রকখি -
- অদুদি, মরাল লৈতবা মীনা চুল্লক্লেদনা!!
- কান্নদেসে, অসিদা অসুম লৈদুনা, ফি-রোল য়োমশিল্লো, পোৎ- চৈ লোয়শিল্লো, চৎলসি মতমসি থেংজিল্লক্লে। মখোয় ময়াম্না য়োৎচাক পেকপা, য়োৎ শুংবদু খর য়াওশিনবীরুবা ফৈ।

অসুম্না লাইয়িংথৌ য়োৎনিংথৌ খল্লাংবনা থেম্বদা লাইরেম্মা শীজা কালিকাগী অশাওবা কোকখরে। শানৌ উরী ওইবীনা শাবী পামেল ওইবদা য়েৎচদুনা মালং শাফু অকনবনা হুমদোক্লবগী খায়দোক্লরুবদু পুনশিন্নখি।

খল্লাংবা-কালিকা হঞ্জিন্নবা

মশাবী-মপুরোইবা তেৎনৌ য়োৎনিংথৌ খল্লাংবা অমসুং মশানৌ মতাল্লোই থোংনাং তখেন চনু শীজা কালিকা থৌবাল ঈখোংকায়গী ৱাহৌদগী মতৈ-মনাউ ৱারৌ-পুকলৌনদুনা শেৎনা-খায়নরুবদু ৱাইরীগী ৱাথেম থৌদৌদগী অমুক হন্না হঞ্জিনরে, পুক্লীঙ মকা লামনা নুংশি-চান্নরে। অসুম্না লাইয়িংথৌগা লাইরেম্মগা তাইশিন্নদুনা হঞ্জিন্নদুনা ৱাইরী খুনফম নৌনা চোংথোকপা অদুদগী য়োৎশুং খুল্লেন খুনফম (হৈরেম খেরে চীঙ, খুঞ্জান লাল্লুম থেন: - হৌজিক্কী পল্লেন-, চীঙ- কংলৈগী মনীঙ ওইরপ্লা লৈবা অনেম্বা চীঙদুম/চীঙ মচা অমা) দা হঞ্জিল্লকখিরম্মী। হঞ্জিন্নদুনা লৈমিন্নবা নোংমা-নিনী মতুংদা শীজা কালিকাদু লোন্নবী মচেম নোংশীৎ লৈমবু মশাবী শমু মমাঙদা চৈবা য়াবা মখৈ চৈথোক্লুরগা অমুক নুংঙাইতবা পোক্লক্লে। মহাক মতোমতা মওল-মওল খল্লকখি - ওন্থোকপনিদকো ঐহাকসে! ঐনা মীগী মকাদা য়েৎলিবনিকো! ফরবসু ফত্রবসু মহাকসে মপারী মচানুপা অমা চাওথোক চাওনা লৈরিবনি। অঙাং নহা অদুগী

করিসু খন্দ-য়েংদনা মপন পনথৌ অসি ঐনা ফাজিন্দুনা থম্বসি লঙজবা অমনি, অদুনা ফাজিন্দুনা থম্ফম থোক্তে। মহাক্কী অমসুং মাগী মমাগী মনীঙ থুংনবা তৌবীফম থোকই। নুপা মহাকসু তৌজসনু, নুজা তরাগী মপুনি, ঈতোমতগী ওইফম থোক্তে। মখোয়গী মনাক্তসু নোংমা-নিনী লৈরুসনু, ঐগী ঈনাক্তসু লৈরসনু, চৎনা-থোক্লা অসুম লৈসনু, মসিদা অকায়বা করিসু লৈরোয়। শীজা কালিকানা খল্লিবা ৱাফমশিংসি ৱাখন্দা থম্বদা নত্তনা চীন্না থোক্লা মশাবীগী মফমদা হায়দোক্তুনা খঙহনখি। অমসুং মহাক্লা মচেমগী মফমদসু মপুরোইবগী মফমদসু লাল্লবনি, হায়না চঙখি।

নোঙ্গাখিবা

থোংনাং তখেন চনু শীজা কালিকা নমু তাইবং মীওইবগী মপোক্তুনা মী ওইনা হীংলম-পাল্লম্বী অমনি। লাই থাজগনবা অমসুং মপা-মপু নীঙবা লাইনীঙ চৎপা, লাইনীঙসিগী লাইনীঙলোনগী চৎলম অমসুং ৱায়েন-ৱাখুন ইনবা মী কাংলুপকী তাইবং মালংপান্দা লৈরুবনা খোইমোম লাইরেম্মা ওইনা খোইয়ুম লাইরক চনখিবনি। মহাক মশাবী লাইয়িংথৌ য়োৎনিংথৌ খম্লাংবগা মতম শাংনা নুংঙাই-য়াইফনা পাল্লমখি, হায়না চেৎনা থাজজে। অদুবু মহাক্লা হেক পোকচবা মবুকথোক্কী মপারী-মমোম মমিত্তা উজৌ হায়না তম্লমদবনা মপারী নত্রগা মমোম লৈখিদে। শীজা কালিকা তাইবং পুন্সি লোমদুনা পুন্সি মৈরা মুৎখ্রগা য়াইবী থৱাইনা ফুরা লাইয়ুম্লুংদা চঙজখি।

ৱারোইশিন

থোংনাং তখেন চনু শীজা কালিকা ময়ুম তখেল লৈপাক্তগা পোক্লক-শাৎলকখি অমসুং চাওরক-শাংলকখি। পোইরৈ মৈতৈ য়োৎনিংথৌ খম্লাংবনা তেৎনৌ য়োৎথিবা তখেন লৈপাক্তা চৎপদা থেংন-ওক্লদুনা তাল্লোইশীঙদা চন্দুনা পোইরৈ মৈত্রবাক্তা পুরকখি। মশাবী য়োৎনিংথৌ মতুং ইন্দুনা পোইরৈগী লমদম খরদা চৎলুরগা ককচীঙ-চোঙচীঙগী লম, হৈরেম লৈয়াৎ-লমতুপকী খেরে চীঙগী লমদমদা অরোয়বা খুন্দা-লৈতাফম ওইখি অমসুং মফমদুদা পুন্সি খমখি। লাইরেম্মা শীজা কালিকাসি মৈতৈগী উমংলাইশিংগী মনুং চন্দুনা হৌজিক হৌজিক লাৎনরিবা লাইরেম্মনি।

ৱাংৱন/কোরৌলৈমা নাহুইনু (চীঙথাং লৈমা নত্রগা কোন্থৌজম লাইরেম্মা) ৱাহৌ-শৈহৌ

"... খোইমোম্ লাইয়িংথৌকা।। খোইমোম্ চিন্‌ফুরোন্ কোনথৌসূকা অনিমতি।। মপন মরানয়ায়কি অৱাং কোরৌ নোংকামিন্নখিয়ে, হায়তপরা।। অৱাং নোংমতোন্‌তা।। খোইমোম মসাপীকা।। চীঙ্ঙু খাচীক্‌না খোইমোম্ নাক্‌লৌ শীন্‌পা।। চীঙ্ঙু খোংফাং লেঙপলকতা... য়াংকোইমিন্নরে। অতুনোংকিপু চীনফুরোন কোনথৌসূতি কতৌনকনো।। ৱাংপন লৈমা নাহুইনু য়োঙ্গীরেনপী।। অৱাং কোরৌ নোংলৈম-ও তৌনা কৌএ" [কোন: নোং:, খুৎ: লাই:]।।

মথক্তা থমজরিবা কোনথৌচম নোংকারোল (কোন্থৌজম নোঙ্গারোন) কৌবা মৈতৈ লাইরিক্তগী লৌথোক-শত্তোকচদুনা থমজরিবা ৱারেং মতেক অসিদা পীরিবা, "ৱাংপন লৈমা নাহুইনু য়োঙ্গীরেনপী, অৱাং কোরৌ নোংলৈমা" কৌই হায়রিবীসি হৌজিক কোন্থৌজম খুন, নোংচুপ ইম্ফাল-১ দা লাইকোন উয়োক/উমং লীংদুনা লাইবুঙ থমদুনা খুবম য়ারিবা, কোন্থৌজম লাইরেম্মা/লাইরেম্বী হায়না খ্বাইনা খঙননা অমসুং পান্নগা মিং ফাওরি-চৎলিবা মৈতৈ উমংলাইগী লাইরেমা অসিনি। লাইরেম্মা অসিগী মরু ওইবা খুবম/লাইফম অমসু হৌজিক্কী রাজভবন (His Excellency Governor's Residence and own office) লৈরিবসিগী মনুং চল্লম্বা, হৌজিক্তি খায়দোকখ্রবা মনিপুর ষ্টেট মিয়ুজিমগী মনীঙ (নোংচুপ) দা মণিপুর ফায়ার বৃগেট (Manipur Fire Brigade) কী কম্পাউন্দ মনুংগী মমাঙ (নোংপোক) থংবা শরুক্তা লৈরি। রাজ ভবন অমসুং মসিগী শরুক ওইরিবা লমশিং/ওফিসশিং অসি পুনশিল্লগা মফমদুবু "কোন্থৌজম য়ুম্ফম" হায়না কৌরম্মী অমসুং মসি মৈদিংঙু চীঙথংখোম্বা (১৭৬৩-৯৮), মৈদিংঙু লাবন্যচন্দ্র (খৃ: ১৭৯৮-১৮০০) অমসুং মৈদিংঙু চৌরজিৎ (খৃ: ১৮০৪-১৪) গী অতেনবা মতমগী কোনুংশিং ওইরম্মী অমদি খৃ: ১৮৮৬ তগী ১৯৪৭ ফাওবদা বৃটিশকী পোলিটিকেল এজেন্টশিংগী লৈফম অমসুং ওফিসকী অপুনবা মফম ওইরম্মী। মফমসিদা কোন্থৌজম লাইরেম্মা লাৎপা অমসূং লাইরেম্মসিগী খুবম য়াবসি মৈদিংঙু চীঙথংখোম্বনা হৌদোক্লম্বনি।

শক্তাক ৱারোল

ৱাংবন/কোরৌ লৈমা নাহুইনু নত্রগা কোন্থৌজম লাইরেন্মা, "হাওরোক-কোন্থৌ" হায়বা মী-ফুরুপ/শল্লাই, থাংয়ি/চেংলৈ হায়বা মী-কাংলুপ (Ethnic Group or Tribe, Later Clan) কী মনুং চনবা অদুগী কোন্থৌজম শাগৈগী/য়ুম্নামক্কী চনু/নিংঙোন্নি। মহাক্কী অপোকপা মপন পন্থৌগী মমিংদি থাংয়ি/চেংলৈ "নিংথৌ শাপায়বা/সাপাইবা" হায়না কৌই [কোন: নোং, খুৎ: লাই:] অমসুং অপোকপী পলেম মমাগী মমিংনা "কোরৌ হুইমুলৈমা নুচেংয়াম্বী" হায়না কৌই [মথক্কীসিদা, ১]। মহাক্কী মদু-মপ্বা "কোন্থৌলোকপা" হায়না কৌবা অমা লৈরম্মী [ম: স: ক: এ: ১৯৯৪, ১৪ নচিংবা]। অদুবু মাইবা-মাইবীগী ৱারী-শীঙবুনদা ৱাংবন লৈমা নাহুইনুগী পন্থৌ মপাগী মমিংসি হাওরোক অরেম্বা অমসুং নাহুইনু নত্রগা কোন্থৌজম লাইরেম্মগী মমিংসি তম্ফা লাইরেম্বী হায়না পীবীরি। [রা: মাই:, ১৭৯৭, ১৭৯, ২০১, অসিনচিংবা]। ৱাংবন লৈমা নাহুইনু অসি "চীঙথাং লৈমা/লাইরেন্মা" হায়নসু মিংথোল্লি [কোন্থৌজম লাইরেম্মগী লৈকোন উমংদা য়ুংলিবা লাইরিক ইবা নুঙগী অহানবা পরেংদা ইরিবা মমিং]। মহাক্না পোকখি-শাৎখিবসি চেংলৈ নিংথৌ শাপায়বগী মোংবা মরানয়ায়, লৈমোন/লম্বান [লৈমোন চাকোয়পান নত্রগা লমপাল হায়না পীরম্মী (ম: চ: স:, ১৯৯৯, ২১)]। মদু লম্বান খুন/লমগী মনুংদা লৈবা অদুদনি। মফমসি হৌজিক কোন্থৌজম লাইরেম্মগী লাইকোন-লাইবুঙ লৈরিবা মফম ওইনা নত্রগা মসিগী অকোয়বদা লৈরিবা মফম অমদা লৌবা য়াই।

ৱাংবন লৈমা নাহুইনুগী পুন্সি-ৱারী

ৱাংবন লৈমা নাহুইনুগী পুন্সি-ৱারীসি লাই-তীনগী ৱারী শীঙবুন ওইনা তৌই। অদুগা মহাক্না মরী লৈননা পীরিবা মীওইশিং, মরু ওইনা, মহাক্কী পন্থৌ মপা 'নিংথৌ শাপায়বা' হায়রিবা মীশকসি মৈত্রবাক্কী 'পাৱারী-পুৱারী' হৌদ্রিঙৈগী মতমগী মীওইনি, হায়বসি "পানথোইপী খোঙকুল" কৌবা লাইরিক্তা খুদম-চাংদম পীরি। মরমদি নিংথৌ শাপায়বসি তমপা (তম্ফা) ৱাংঙমলোন পান্থোইবীবু নুহোঙ-খোঙদোংনবা হায়ন-শীঙনরম্বা অমসুং পান্থোইবী মশাদসু মহাক্কী

মদাইরেম "লৈমোন হাওরাবা" থাদুনা থেল্লম্বা মীওইনি। মরম অসিনা কোন্থৌজম লাইরেম্মা, কোন্থৌসূ নত্রগা ৰাংবন লৈমা নাহুইনু অসি মৈত্রবাক্কী পাৰারী-পুৰারী হৌরমদায়গী মতমগী মীওইনি। মহাকসি মৈতৈগী অমাইবা-অমাইবী/মাইবা- মাইবীগী ৰারী-শীঙবুন্দা তাইবংপান পোকপী মমা লৈমরেন শিদবীগী লাংওন ওইনা পীরি [রা: মাই:, ১৯৭৭, ১৯৫-৯৭]।

পোক্লক-শাৎলকপা

ৰাংবন লৈমা নাহুইনুগী মপন পন্থৌ অমসুং পলেম মমাসি কুইনা মপারী-মমোম শাত্রবদা খোইয়ুম-খোইমোম কয়াদা হীরীকোন্দুনা, কোরৌ লনশাদুনা অমসুং ঈরাৎ-থেল্লাৎ কয়া তৌজরবদা লৈমরেন শিদবী লৈশীরেন-লৈপুনবীনা থৌজাল লনকুবীদুনা কোরৌ/শন্থোঙ হুইমু লৈমা নুচেংয়াম্বীবু মশাবী শাপায়বগী লাংবন তৌস্না ঈরাকলাইনা খাঙখা মিহুনহল্লে, নাক্লু ফিয়ানহল্লে। অসুম্না নাকলু ফিয়ানবগী ৰাফমসি চীঙঙু তাইবং নিংথৌ সরারেন, অৰাং পাখং য়োঙ্গরেনবনা পলেম মমা ওইবীবু চাকমাং ফিমাংগনু, মমোম লাংলেন শাৎলবদি কোরৌ নোংলৈমা ওইগদৌরিবীনি, হায়না পলেম লীনগোয়নুংদা লৈরিঙৈদগী হায়ন-শীঙনবগী য়ুমজীন কাকফৈ থানা সুম্মায় উরোঙ খীনবগুম চীঙ্গোয় মতীন মেল্লবনি। অসুম্না নাউপুরকপনা লোইদাম থাবুম তরা শু, নুমিৎ শীঙবুম তরানি শুরদুনা কোরৌ হুইমু লৈমা নুচেংয়াম্বী মমোম লাংলেন অমা নাউশোঙ-নাউনৌরে। অঙাং পোক্লবা মতমসিদসু চীঙঙু নোংথৌ সরারেন্না চাকমাং পীজগনু, য়ুমাং পীথক্কনু, হায়না পাউজেল্লে।

চীঙঙু নোংথৌ সরারেন, অৰাং পাখং য়োয়রেনবা হায়বসি মৈতৈগী লাইয়াম নীঙবা লাইনীঙলোন (Religious Faith of Polytheism) গী লাইশিংগী নিংথৌনি। মহাক্কী মমিং অমনা কাশা নোংদম্বা হায়বসিনি। মহাকসি গ্রীকশিংগী জেউস (Zeus) অমসুং রোমানশিংগী জুপিটর (Jupiter) গা অমদি ইন্দিয়ানশিংগী ইন্দ্র দেব (Indra Deva) গা মান্নে। অদুগা "সরারেন/সোরারেল" হায়বা ৰাহৈ নত্রগা মিং অসি কৌব্রু চীঙজাওগী অৰাংবা চীঙদোল, চীঙখোঙ-চীঙয়াঙ অমসুং চীঙশা নাপোমগী লৈচীন-নোংফাই থাংদুনা নোংলাংবা মফমদা পানবা/লৈবা, নোংপান/নোংবান (অঙোম) গী নত্রগা

সোরা/সরা মী কাংলুপ/ফুরুপকী অমসুং কৌব্রু চীঙজাওগী অৱাংবা চীঙশাং-নাপোম সোরাদা পানবা মীশিংগী নিংথৌ নৎত্রগা "লেন (মকোক লুচিংবা)" ওইবা মীওইদা পীবা/কৌনবা মিংথোন মিংহুননি, মরু ওইনা অঙোম কাংলুপকী নিংথৌশিংদা পীনৈ, অদুগা শেল্লোই লংমাই চীঙদা পানবা অঙোমগী নিংথৌবু পুরৈরোম্বা মিংথোল পী। অদুবু লংমাইচীঙদা অহানবা পানবা নোংবান/অঙোমগী নিংথৌ অঙৌবা পুরৈরোম্বদি সরারেন হায়বা মিংথোলসি ফংই অমসুং মাগী খুদুং ইন্দুনা মাগা লংমাইজীঙদা পানমিন্নবা মাগী মীচঙ অমদি লাল্লোইনবা ওইবা লুৱাং লংমাইবা অমসুং থাংয়ি নিংথৌ (সরা পুকতাং) সু সরারেন মিংথোলসি পীদুনা "সরারেন অরিবা অহুম" হায়দুনা মখোয় অহুম্বু খঙনৈ [পা: লাই:, খুং: লাই:]। অদুগা কোন্থৌজম লাইরেম্মগী মতাংদা পীরিবা লাইয়িংথৌ সরারেন অসিসু কৌব্রু চীঙজাওগী চীঙদোন্দা পানবা নোংবান/অঙোমগী নিংথৌ, খর লৈবাকমচা তানা পাঞ্জবা, চাকচা-য়ুথক ফজবা অমসুং তম্পাক্তা পাল্লিবা কাংলুপ-ফুরুপকী ওইশিংদগী চাওখৎপা, লৈবা-পানবা হিংবা খুৎহিং-লাকহিং, য়ুমলৈ-কৈরৈ, ফিজোল-ফিজেৎনচিংবদা থাক ৱাংবা হেনবা মী-কাংলুপ, ফুরুপকী মীশক/মীওই ওইনা পীরি। অমরোমদা হায়রিবা মতম অসিৱাইদগী মৈত্রবাক্কী পাৱারী-পুৱারীগী চক্কী ৮ শুবা খৃষ্টগী কুমশীঙ চামগী মতম ফাওবদদি অৱাংবা চীঙথক- চীঙয়াঙদা পানবগা অনেম্বা তম্পাক লমদমদা লৈবা- পানবগসি চীঙদা পানবা চীঙবুরোইবশিংনা থাক ৱাংবা, ঈনাক খুনবা নত্রগা মরল লৈবা হেল্লি, তম্পাক্তা খুন্দারিবা মীশিং অদুদি চীঙদা পাল্লিবা মীওইশিং অদুগী মনাইশিং — লৌউ-লৌশূবা, শনয়োক-শায়োকপা, অসিনচিংবা ঙাক্তা ওইরম্মী। মরম অসিনা অৱাংবা/কোরৌ লাইরৈবাক (Heaven) তা পানবা সরারেন অসি নোংবান/অঙোম কাংলুপকী নিংথৌনি। মৈতৈনা কৌব্রুগী অৱাংবা চীঙদোনবু লাইরৈবাক ওইনা লৌনবসি "খোংজোমনুপী নোঙ্গারোন মোইরাং নিংথৌরোল লম্বুবা, চোথে থাঙৱাই পাখংবনচিংবা" মৈতৈ লাইরিকশিংনা খুদম-চাংদম পীদুনা লৈরবনি। অদুনা লাইয়িংথৌ সরারেন্না পাল্লিবা লাইরৈবাক অসি কৌব্রু চীঙজাওগী চীঙদোন্দনি, হায়বসি মশান তাজরবনি। হায়রিবা ৱাফমসি মথক্তা লাইরিকশিংসিদা য়াওদুনা লৈজরবনি।

চাওরকপা অমসুং সরারেন্দা ওঙবা

হাওরোক-কোন্থৌশূ কোন্থৌজম চনু/নিংঙোনসি লাইয়িংথৌ সরারেনগী পাউজেন-পাউতাক অদুগী মতুং ইন্না পন্থৌ মপা শাপায়বা অমসুং মপন পল্লেম মমা কোরৌ/শন্থোঙ হুইমু লৈমনা চাক্মাং-ফিমাংদনা লৈমোন লমদম অমসুং লম্বান চকোয়পান্দা য়োক্লক-থাক্লকখি অমসুং নাউয়োক-লাঙ্গোল্লকখি। খোইমোম মরাংওন ওইবগুম নমু মীওইপোক ওইবীসি শাহৌ' ফবী, চাওরৈ কনবী ওইনা চাওরকখি। অঙাং নৰাগী পুন্সি লোয়দুনা, পলেম খোন্লাং মায়য়োক্লা ফৈরা তম্পাক্তা পল্লবা, শমু নমদা পোরম্বা তোক্তুনা লেপনা কোয়না চৎলক্লে। মতমগী খোঙজেন্দি লেপ্তবনা চাক্মাং চাদবী, ঈমাং থক্তবী মোম্লুদো চহি ১০/১১ শুরক্লে। লৈকায় খান্বী মৈহৌবা, ফুঙ্গা ৰাইমৈ মৈহৌবা ঙল্লক্লে। চাহৈ কুমওন ৩/৪ চৎখ্রবদা ফনেক খোয়দোম শেৎ কুমলং নাদা চীন্না মচেম-মনেমগী শমু তুং ইন্না শংলৌ য়েল্লম, য়েল্লাং-কেংঙোই হেকপা চৎচবা ঙল্লক্লে। মপন পন্থৌ-পল্লেম্লদি নীঙথাগী নৰাগুম খন্দুনা নুরা মাবু নোংমদোন কোরৌ অঙানবগুম য়েং, তরানী পানবা লোইদাম থাজগুম মিৎয়েং শানখৈজরি। ৰাংলেন মতমসিদা হাওরোক-কোনথৌশূ মাগী কোলোয় মিংলেনবু, "হাওরোক লৈশং শাফাবী" হায়না মিংলেন-মিংথোন্দুনা চেংলৌ শক্লা হেন্না মীশুম্বা পুক্লীঙ লিন্না ঙান্না পাউশা-হৈবগী ময়াই তাক্তুনা নুজা শক্তাক ফোঙদোকখি।

শকথোং-মায়থোং ফজবী কোন্থৌশূ নুজা হকচাং কায়াৎশিংনা মপুঙ-মরৈ ফারকপা মোমনু নুজা ওইবীগী মহী-ময়াই হাপ্লকপদা খুন্নাই চৎন-লোনচৎকী চৎলম-পরমদা লৈশা-ফাল লীংলম্বা তোক্তুনা লৈশা শীন্নাইফম-শীন্নাইবুঙ কাবা, লৈকায় ফৌশু-শীল্লংবা, মরুপ-মপীজা মখোয়নৌ-মমান্নবীশিং পুম্নমক্কা লোইন-তীন্ননা পাত্তা কুমদুনা লেমলৈ ঙাফাবা, লৌবুক-লমহাঙদা তাদুনা শংলৌ য়েনশাং-য়েল্লম থিবনচিংবা চৎলক্লে। নুজা মথোক কারকপগী অপাম-নুংশি খঙবা, অপাম্বা উরগা য়েংনীঙবা, নুংশিবা থেংনা-উনরগা ঈকাইবা পোকপা, থম্মোইগী মশক লাকপা অমসুং পুক্লীঙগী শক্তম লেপ্পা ঙল্লক্তবা তাঞ্জা চঙলক্লে। মতমসিদা মপন পন্থৌ মোংবা মরানয়ায়, পলেম মমাগী মশঙ্গায় য়ুমজাওদা নিংঙোন কারেন তোপ্পা থম, শীনশূ-শীন্থা

কারেন তোংঙান্না শেম্লা নুজা মশীন-শীঞ্জাং শূদুনা লেনবগী মতমসু ওইরম্মী। অসুম্না চনুরা নিংঙোন অমা ওইবগী অশেংবা পুন্সিগী মমি লাক্লবা মতমসিদা চীঙঙু নোংথৌ সরারেন, অৱাং পাখং য়োঙ্গৈরেনবনা নুজা মাবু পলেম লিনগোয়নুংদা লৈরিঙৈদগী হায়না-শীঙনখিবা, য়ুমজীন কাকফৈ থাখিবদু নীঙশিঙলক্লে। মরম অসিনা চীঙঙু খোইয়ুম লাইয়িংথৌ মশামক্লা নুরাগী মপন পন্থৌ নিংথৌ শাপায়বা অমসুং পলেম মমা কোরৌ হুইমু লৈমদা হৌখিবগী ৱাফমশিং নীঙশিঙদুনা নুরা মাবু খোইয়ুম মরানয়ায়দা পুনবা হায়ররে। নিংঙোন পোকপা-পোকপী অনিনা চনীঙ তানা খন্নরবা মতুংদা চীঙঙু মাগা উনরিবা নুমিত্তুদগী লোইদাম থাবুম তরেৎ শুবা নুমিত্তা মমোম লাংলেনবু লৈরোং লাইদা কৎপগুম শোয়দনা কৎচরগে হায়না ৱারোয়নখি।

হাওরোক-কোন্থৌসুগী মপন পন্থৌ নিংথৌ শাপায়বনা মমোম লাংলেনগী মফমদা লোঞ্জা লোনথুপ লৈতনা ফিগৈ শেংনা চীঙঙু নোংথৌ সরারেনগী ৱাফম পুম্নমক্তু পাউদম্লে। অদুগা নুজা মহাকপু য়ামচেম মনম মুক্তুনা শমু মমায় লৈখিদনবা পাউথেম্লে। মমোম লাংলেন্না চীঙঙু মহাক্না শকউননা চীন দা-পাউদাননা অমুক্তং ৱারী শানজখিগে, হায়না হায়জখি। অদুনা হাওরোক-কোন্থৌসু মহাক্না চীঙঙু নোংথৌ সরারেনগা উনদুনা ৱারী শানরবদা, হাওরোক-কোন্থৌসুনা চীঙঙু মকাদা হায়জখি :- চীঙঙু নিংথৌ সরারেন-ও! তাইবং চনুরা লাইবক থীবী ঐবু তাল্লোই শীঙদা চন্না চীঙঙু নখোঙখাদা য়াঙ্গোয়জৌ হায়রবদি চীঙঙু তাল্লোই লৈমশিংগী লৈমরেন ফম্বাল ফমহনবীয়ু। অদুগা খোইয়ুম লাইরমলেন, চীঙঙু লাইরৈবাক্তুদা পারী শাৎচবা, ঈমোম পোকচববু পীনবীয়ু। অদুদসু নত্তনা ঈপন পন্থৌ মন্দবা, পলেম ঈমা শিদবা, ঈদু কোন্থৌ পুম্নমকসু খমনুং শৱা তান্দবা, অমন থরৈ কুমদবা পীনবীগনি হায়না শরী নামুং শোনবীরবদি নুজা ওইবী ঐহাকপু খোইয়ুম তাল্লোই নাক্তা থাবীবু ওইবীয়ু। চীঙঙু ওইবা নহাক্কী শরী নামুং ৱাশক তারবদা মদুগী মৱা তুংইন্না চীঙঙু থৌজাল নরনকু তানফংজগে।"

শানৌ মাগী চীঙ্গায় মপাউ তারগা চীঙঙু থংবা নোংনিংথৌ অৱাং পাখং য়োঙ্গৈরেনবনা মশানৌ চেংলৌ শকহেনবীবু য়েংদুনা চীঙঙু শরী নমুং শোল্লকখি:- ঈশানৌ হাওরোক-কোন্থৌসু ও! কোরৌ নোংসু মালেম লৈসু খঙসনু, চীঙঙু

ঐনা শরীরি, খোইয়ুম নোংথৌ সরারেন ঐনা নামুং ৱাশক শক্লি, হাওরোক কোন্থৌ চনু নঙবু চীঙঙু ঐগী খোইয়ুম লাইরৈপাক্তা ঈতাল্লোই পুন্নমক্কী ফমলেন লুচিংবী লৈমরেন ফমবু হাপ্লগা তাল্লোই শীঙদা চনগনি। পন্থৌ নপা ঈমান নিংথৌ শাপাইবা, নপন পলেম নমা কোরৌ হুইমু লৈমবু শৱা কুমহল্লোয়, থরৈ তাহল্লোয়। অসিদসু নত্তনা নপাম কোন্থৌগী নদু হাওরোক্কী নমু মীকোক অমতদা অমন-অশিবনা চঙহল্লোয়, অনা-অয়েক্লা শাংকৈহল্লোয়। কোরৌ অসি.নোংদগী ঈমান কোন্থৌ মরানয়ায়দা নপাম হাওরোক মকাইফমদা থানফম মৈখু খুহল্লোয়, হাওরোক-কোন্থৌ কনাগী নমুরৌমৈ, শৱা পনকেনমৈ, মথৌ য়াংকেমমৈবু হৌহল্লোয়। অদুদসু নত্তনা কাওরেন শল্লাই তাহল্লোয়, তেকপী ওক্লাই চুহল্লোয়, তাউবা হুইরাই য়াঙ্গৈইহল্লোয়। নপাম হাওরোক, নদু কোন্থৌ পুন্নমক্তি চীঙঙু নোংথৌ সরারেন ঐনা শিদয়াই নাদয়াইবু য়োন্দনা কুবীরবনে।”

চীঙথাং চীঙগী চীঙ্গোন্দা, চীঙয়াদুগী চীঙখোদুগী পাত্তা অমদি শন্দোক্লিবা লৌবুক লমহাঙদা লৈকায় মচেম-মনেম অমসুং মখোয়নৌ লেঙমান্নবী মতাইরোইশিং কয়াগা লেমলৈ ঙাথি-ঙাফাবা, শংলৌ য়েনশাং য়েল্লাং- কেংঙোই হেকপা চৎলিঙৈসিদা নোংথৌ সরারেন লাক্তুনা কোল্লোই মতীন মেন্নরগা পন্থৌ-পলেম, মদু মবুংঙাইবশিং, মদুনিংথৌ মপ্পাশিং খঙনা কোন্থৌজম চনুবু অওঙ-অউন তমদুনা চীঙঙু নোংথৌ সরারেন্দা কৎচরে, নুহোঙ-খোঙদোংলে। চীঙঙু নোংনিংথৌনা নুজা মাবু অৱাং কোরৌ নোংলৈপাক, চীঙঙু খোইয়ুম লাইরৈবাক্তা পুখৎখ্রে। অৱাং কোরৌ নোংলৈপাক্তা হাওরোক-কোন্থৌ চনুনা চীঙঙু সরারেনগা ৱাইথুংলরবদা খোইয়ুম লাইরুপ পুন্নমক তীন, লাইয়াম পুন্নমক হরাউনা নমু মীপোক অথোইবী কোরৌ নোংলৈমা ওইরবীবু ওক্লম্মী। চেংলৌ শকথোঙ নীঙথিবা, তিঙদা-য়াঙদা চুমবা, শাওং-শাবান ফজবা ওইবীদুবু চীঙঙু খোইয়ুম পুন্নমক তীন্দুনা চীঙঙু নোংথৌ সরারেনগী কোল্লোয় য়াথং মতুং ইন্না হাওরোক-কোন্থৌসু নিংথৌ শাপায়বা চনুবু লৈমরেন ফমথোন হাপ্পগী থৌরম-থৌগায় পাংথোক্লে। অদুগা খোইয়ুম লাইয়াম্লা চীঙঙু সরারেনগী লৈময়েনবু কোল্লোই মিংহুনবদি - “ৱাংবন লৈমা নাহুইনু য়োঈরেনবী, অৱাং কোরৌ লৈমা” হায়না মিংথোনখি। অসুম্লা হাওরোক-কোন্থৌ চনু হাওরোক লৈশং শাফাবী ৱাংবন লৈমা নাহুইনু য়োঙ্গরেনবী কোরৌ লৈমা ওইনা খোইয়ুম লাইরৈবাক্তা পান্খি।

কোরৌলৈমা নাহুইনু অমসুং খোয়রীফাবা

ৰাংবন লৈমা নাহুইনুনা চীঙঙু নোংথৌ সরারেন অৰাং পাখং য়োঈরেনবদা মরান নুহোঙ-খোঙদোংদুনা কোরৌ লৈমা ওইনা লাকপা মতমসিদা চীঙঙু নোংনিংথৌগী হান্নগী ৰাংবন লৈমরেন্না পোকপা মপারী নৰা অখুবা, কোল্লোয় মিংলেন্না নৰা খোয়রীফাবা মিংথোনবা অসি লৈরম্লে। হাওরোক-কোম্থৌ চনুনা নৰা মহাকপু অসুপকী মতীক নুংশিজৈ মদুদি মহাক্না কোরৌ নোংলাংপান্দা হেক থুংবদগী নৰা মহাকপু পোনা-পম্না নাউরোইনজৈ। অসুন্না কোরৌ শীঙবুম ৫নি-৬নি লৈরকপদগীদি নৰা খোয়রী ফাবদু লৈমরেন নাহুইনুদা নপখরে, অপোকপী পলেম-মমা কাউখরে, য়োকচবী মপন পল্লেমদা লুপখরে। ৰাংবন লৈমা নাহুইনুনা নৰা মাগী মপী (Nursing Mother/ Matron) ওইনা মতম চুপ্পদা লোইনখ্রে। মপন পলেম অমসুং মপারী চাওদ্রিবা অনিগী মরীসিনা অমনা অমবু চেৎনা পুনশিন্নরকপগুম তৌরক্লি।

চীঙঙু নোংথৌ সরারেনগী খোইয়ুম লাইরৈপাকসিদা হেক য়ৌরকপদগী হাওরোক কোম্থৌ চনুসি নুংঙাইবতনা থুমহৎখ্রে। খোইয়ুম লাইনুরা অমসুং লাইরৈমশিংগী মচৎ-মতৌ তম্বদা নমু তাইবং লোনচৎ কাউশিল্লক্লে। কোরৌ নুমিৎ অমদদি ৰাংবন লৈমা নাহুইনুনা মথংলেন লাইয়িংথৌদা হঙ্গৎচখি, চীঙঙু ঈশাবী-ও! খোইয়ুম নহাক্না মিৎস্না ১০০ পানবগুম পান্না মিৎয়েং তাং চুম্বা, নাপা-নাকোঙ ১০০ পান্না নাতাজবা ফংজদুনা খোইয়ুম লাইরক্তা তীঞ্জবা য়ানা-ঙম্নবা খোইমোম লাইগী শক্তম পীনবীয়ু। চীঙঙু নোংথৌ সরারেন্না, নীজরিবা থৌজাল লনকুদুদা, - "শানৌ ঈনেমমচা-ও! নহাক্তি নমু তাইবং চনুনি, অদুনা চীঙঙু ঐগুম ওইবদি য়ারোয়, অদুমকপু খোইমোম লাইগুম্বগী মিংথোল-মিংচত্তি ফংজরো, - হায়না তাকপীরে।

ৰাংবন লৈমনা মপাম লময়েং তানবা

খোইয়ুম লাইরক্তা তীন্দুনা হাওরোক-কোম্থৌ চনু ৰাংবল লৈমা নাহুইনুনা অৰাং কোরৌ নোংলাংপান চীঙঙু লাইরৈপাক্তা মপারী নাৰা খোয়রীফাবা, খোইয়ুম লাইয়িংথৌ সরারেনগী মপারীবু নাউয়োক-নাউকোন্দুনা চাহে কুমওন কয়া লৈরকখি। ৰাংবন লৈমসিনা কোরৌ লৈমরেন ওইদুনা খোইয়ুম

লাইরৈপাকসিদা হেক য়াঙ্গৈইরকপা, লৈরকপা নুমিত্তুদগী মপাম-কোন্থৌ লম, নমু তাইবং লম লৈমোন-লম্বান খোয়রাংপানগী লমদম নোংমতসু খোঙদারক্তে। মপারী নৱাবু পো-পমদুনা থেমজবা, মশাবী নোংনিংথৌবু শমু মখোঙ পায়না থৌগঞ্জবা, মখোয়নৌ খোইয়ুম চনুরাশিংগা হরাউ-নুংঙাইনা শান্নমিন্নবা, অসিনচিংবদা নোংমতসু মপাম লৈমোন লমদম্মু নীঙশিঙলুবা লৈতে, নোংমা ফাদোক মপন পন্থৌ-পলেম, মদু-মপ্পা, মখোয়নৌ- মতারোইশিং নীঙশিঙলুরবসু মপাম খোঙদারুদে, মরম লৈমোন লময়েংলুদে। অমরোমদা চীঙঙু নোংথৌ সরারেন্না নমু তাইবং লোনচৎকা খোইয়ম লাইরমচৎকা তোপ্লবা, চাকচা- ঈথক মান্নদবা, ফিজেৎ-লাকশেৎ তীন্নদবা, চীঞাক পোৎলম তোংঙান্নবা, অসিনচিংবনা মতাল্লোই লৈমবু নমু পোংলৈপাক্তা তাহন্দে। মমান্নবা চীঙঙু খোইয়ুমশিংনা তাইবং চনু লৌবনি, খোইয়ুম ঐখোয়গা লোইন-লোন্দীনফদে, তীন্না-তোৎনররোয়সি - হায়রক্কদ্রা হায়না চীঙঙু নোংথৌ সরারেন্না তাল্লোই লৈমবু মপাম খোঙ্গুমহল্লমদে। অদুগা মপন-পন্থৌ নিংথৌ শাপায়বা, পলেম মমা কোরৌ হুইমু লৈমসু মমোম লৈশং শাফাবী, ৱাংবন লৈমগী মনাক্তা লাক্লমদে। অদুবু মপন পল্লেম-মমানা মপন নিংথৌরেন্না অওঙ-অউন তম্বীরকপা তাউবা হুই, নমু মীরোন খঙবা, খোইয়ুম লাইরোন তাবা মাবু মঙক্তা চরৈ ফি অমদা চায়োম-ঙায়োম, শায়োম-য়ুয়োমদুনা পুল্লগা মমোম ৱাংবন লৈমা নাহুইনুগী মনাক্তা থাদুনা চামিন-থকমিন্নে। অসুম্না নমু মীয়াম, খোইয়ুম লাইয়াম খঙহন্দনা পাউচৎ-পাউথানদুনা, পাউরৌ-পাউফংনদুনা চাহৈ কুমশীঙ কয়া পাল্লক্লে। অদুবু নমু তাইবং চনু হাওরোক-কোন্থৌ চনু পারী-মমোম শাৎখিদে। মপারী খোয়রীফাববু নাউয়োক- লাঙ্গোঞ্জদুনা অদুম লৈরকখি।

সরারেন-নাহুইনু খায়নবা

হাওরোক-কোন্থৌজম নাহুইনুনা মপাম লৈমোন খোঙগুমদা মপল্লম লম্বান খোঙদাদনা পলেম মমা কোরৌ হুইমু লৈমগী অউন হুই তাউবা লোনখঙবনা পল্লেম হুইমু লৈমগা মমোম লাংলেন নাহুইনু ৱাংবন লৈমগগী মপাউ পুথোক-পুশিন, তাইবং চীন্দমপোৎ হোন্দোক-হোঞ্জিন তৌদুনা কুমজা কয়া হৌখরে। মমোম চেংলৌদি উদা কোল্লোই মপাউদি ফংবা অদুদা মপন পন্থৌ নিংথৌ শাপায়বনা মমোম চেংলৌ শকউনীঙলে। হাওরোক মপা-মতোন, কোন্থৌ

মচীন-মনাউশিং কৌদুনা মমোম চেংলৌ শকউনবা, খোইয়ুম লাইগা নমু তাইবংগা শাচা শারেন শানৈনবা থৌরম পাংথোকসি, য়াওরৌ শা তান্দুনা শাফারগা চীঙঙু লাইদা কত্তুনা শাচানসি হায়না ৱাহৌ- পোরম কাংলক্লে। হাওরোক-কোন্থৌগী নুপা পুম্বসু য়ানদুনা লাবা খুমন পু, তাউবা শাহুই লোইননা য়াওরৌ শাদাল্লক্লে। কাশা নোংদম্বা মহাক্কী মনোংদম কনানসু খঙদে, শম্থোঙ/কোরৌ হুইমু লৈমগী মপন পন্থৌ নিংথৌনা মমোম মাগীদমক্তা উনবীরকপা অউন-হুই, নমু তাইবং মীরোন খঙবা খোইয়ুম লাইরোন হৈবা, মপন শম্থোঙ হুইমু লৈমগা মমোম ৱ াংবন লৈমা নাহুইনুগা পাউচৎ-পাউপুনবা হুই অদু নারক-মোংশোং চঙনা য়াওরৌ শাদানবদুদা তাংজা লিন অমনা চীক্লে। তাংজা মহু কনবা লিল্লাবা হুয়াই চেনবা ওইবনা লিনগী হুনা তাউবদু শিরে। তাউবা মাদু নিংথৌ শাপায়বনা লমহাঙ লমজাওদা নারক-শীঙলক্তা হুন্দোক্লকল্লগা মোংবা ময়ুমদা কারক্লে। কনানসু তাউবা মাবু থিবীদ্রে।

য়াওরৌ শাসু ফাদা, লাইদা কৎনবা শা অমতসু ফংদনা হাওরোক-কোন্থৌশিং ময়ুম ময়ুমদা চঙনখ্রে। হোরেন শম্থোঙ হুইমু লৈমনা তাউবা চাকথাগে, হুইচাক তমগে হায়দুনা তাউবা মাবু কৌরকপদদি হুই অদু লাক্ত্রে। কদায়দা লৈহৌরবনো, ঙশাই য়াওরৌ শাদানবা চৎপা মতমদদি য়াওখি, হায়দুনা মশাবী নিংথৌ শাপায়বদা ৱাকৎলে। মতমদুদা মশাবীনা তাউবা হুই অদু য়াওরৌ শাদানবগী শাদানফম অদুদা লৈরম্লগনি। হৌজিক্তি নুমিদাং ওইরে, হয়েং নোংঙাল্লগা থিরু-লৌরুরগে, হায়না মশাবীনা পাউখুমলে। কোরৌ ঈনুং ঙাল্লগা নিংথৌ শাপায়বনা মদাইরেম খরগা চত্তুনা তাউবা হুইদু মখোয়না য়াওরৌ শাদাল্লম্বা মফমশিং অদুদা চত্তুনা থিরুবদা হুই অদু শিদুনা লৈরম্লে। অশিবা হুইদু পুরক্লবদা শম্থোঙ হুইমু লৈমনা মীগী মীরোন খঙবা মহাক্কী অউন হুইনি, মমোম ৱাংবন লৈমগা মহাক্কা পাউ চৎনবগী পাউপুনবা হুইনি, তরায় তরায় তৌবা য়াবা নত্তে, হুইদুবু চকপগী মীশিংনা অশিবা হকচাং মৈদা থাদুনা অশিবগী মথৌ য়াংগেম্বগুম মৈদা পোৎশী-পোৎলোয়বীয়ু হায়দুনা তাউবা হুইদুবু পোৎশী-পোৎলোয়রে। মীগী মীশি থোকপগুম থানফম লময়াই কাইগা খীন, পামেন শীঙখন পাবন শেন্নগা অশিবগী কুদা হাপ, তরেৎ শেনফাং মনীন নাই, অশি' লমথোক শৈশক্তুনা পোৎলোয়বগুম খান্বী চুদুনা পোৎলোয়রকপদা খান্বী মৈখুনা মালং-নোংমদোন্দা লৈনা লৈনা কারক্লে।

চীঙঙু সরারেনগী লৈমা লুচিংবী ৱাংবন লৈমা নাহুইনুনা লাইজা ঈশিং শোক্লুবগী লৈরায় চেংজৌ কাখৎলকপদা মপাম কোন্থৌ, মরম লৈমোন, লম্বান্দা চকমোম মৈখু খুবদো উরে। মীকপ-মীরাউগী তেংথা নাউওইরোন্দু তারুরে। ৱাংবন নোংলৈমনা খুনীঙ কাঙনা, খুবাক লাইখন শাদুনা মপাম হাওরোক-কোন্থৌ লমদম পন্থৌ কনা শিরবনো, পলেম কনা মল্লবনো হায়না মিৎয়েং শানকৈজরে। লমদম্না লাপখিবনিনা পন্থৌ কনানো, পলেম কনানো হায়বদি, পল্লেপফম খঙদে, অদুবু কনাগুম্বা অমা অমন খোঙগুম্বা, শৱা পানকেনবদি শোয়দ্রে, হায়না লেপ্লে। মশাবী নোংথৌ সরারেনগী মনাক্তা চঙদুনা অউবা পুন্নমক্তু পাউদপ্লে, অদুগা, "হাওরোক কোন্থৌ চনু ঐবু তাল্লোই শীঙদা চনবীরবদি ঈপাম কোন্থৌজম, ঈদুলম হাওরোকচমদা থানফম মৈখু খুহল্লোয়, হাওরোক কোন্থৌ মচা অমতবু শিহল্লোয় হায়না শরী নামুং শোনবীখিবা নত্তব্রা? ঙসিদি করিগী ঈপাম লমদমদা অশি' পোৎশী-পোৎলোয়বগী খান্বী মৈখু খুরিবনো", হায়না ৱাকৎচরে। ৱাফমদুদা চীঙঙু থংবা নোংনিংথৌনা পাউখুম্লকখি - "লৈমরেন ৱাংবন লৈমা নাহুইনু-ও! নপাম লৈমোন লম, লম্বান খোয়রাংপান্দা হাওরোক কোন্থৌগী মী অমতসু শিদে। নপন পন্থৌ শাপায়বনা মমোম নঙবু শকউননবা চাক্কৌগে, শারেন শানৈনা শাচানগে হায়দুনা য়াওরৌ শাদানবদা পলেম নমা ঈনু-ঈনেম শন্থোঙ হুইমু লৈমগী অউনহুই, তাউবা মাবু য়াওরৌ শাদানবগী নারক মোংশোংদা চঙবদা তাংজা লিন্না চীক্তুনা শিরে। পলেম নমানা তাউবা মাবু নুংশি হায়দুনা নমু মীরমচৎকী অশিবগী মথৌ য়াঙ্গৈনবগী চৎলমদা তাউবা মাবু চকমোম খান্বী মৈদা থাদুনা পোৎশী-পোৎলোয়বনি। মদুগী খান্বী মৈখুনি, শানৌ নঙনা উরিবদু, মদুগী তেংথাশৈনি তাল্লোই নঙনা তারিবদু।

চীঙ্ঙু মিৎয়েং তাংজুম্বগী চীঙ্গোয় মতীনমেন্দু তারবদা ৱাংবন লৈমা নাহুইনু মপাম লমদা চৎনীঙলে, পলেম-পন্থৌ, অতৈ মপা-মতোন, মবুং-মপ্বা, মনেম-মন্দোল, মচে-মনাউনচিংবা চেংলৌ শকউননীংঙলে। অদুনা অৱাং পাখং য়োঈরেনবদা, মপাম লমদমদা চৎলুগে, পলেম-পন্থৌ উনরুগে, ৱারী-ৱাতাই শানরুগে", হায়না হঙ্গৎলে। মদুদা চীঙঙু সরারেন্না, "ঈশানৌ নপাম খোঙদাখিগনু, নয়ুম খোঙ্গুম্লুগনু চাকমাং-ফিমাংলক্কনি, খোইয়ুম লাইরকচন্দা অকায়বা থোক্কনি, খোইয়ুম লাইরমচৎনা অমনি, নমু মীরমচৎনা তোপ্পনি" হায়না

খান্নবু লৈমরেন নাহুইনুনা, “করিসু তৌরোয়, য়াগনি” হায়না শিখাঙ খাঙলে। চীঙঙু সরারেন্না হন্না হন্না খান্নবু য়াদ্রবদুদা, “ফরে, ঈশানৌ-ও! ঐহাক্না খান্না য়াদ্রবনিনা অনীঙবদু তৌরো! অদুবু পারী খোয়রীফাবদি চীঙঙু লাইরৈপাকসিদা থনম্মু, নমু মীরৈপাক্তুদা পুখিনু” হায়না তাকপীরে। চীঙঙু মশানৌ ৱাংবন লৈমসু শানৌ মকে শেম, নিংঙোন ফিজোন ফিজেৎনদুনা মপারী চাওদ্রিবা নৱা খোয়রীফাববু কোরৌ লাইরৈপাক্তা থল্লল্লগা হাওরোক-কোন্থৌ মপাম লমদম সরারেন, অৱাং পাখং খোঙ্গরেনবনা কোরৌ নোংলাংপান্দগী থাবীরকপা সনাগী কৈরাক্তা কুমথরক্লে, লাইরৈপাক লমদম তুংওইনরল্লে।

নমু মীচাক চাকচানবা

ৱাংবন লৈমা নাহুইনু য়োঙ্গরেনবীনা মপাম মরানয়ায়, মদু মশাইগোন পলেম-পন্থৌ নাক্তা ৱাইথুংলরে। হাওরোক-কোন্থৌ চনু মহাক্না মপাম খোঙদারক্লে তাবদা হাওরোক-কোন্থৌগী মী পুন্নমক হাওরোক-কোন্থৌ মনিংথৌ নিংথৌ শাপায়বগী মোংবা মরানয়ায়দা চেন্নরক্তুনা তীল্লরে। মমোম- মচন ওইবী কোরৌ নোংলৈমবু চেংলৌ মশক য়েংদুনা মহৈ-মহৈ থাগৎনরকই। অনৈ চকচা হৈজাননবা থৌরম শীন্থোঙ শীন্নরকই, অরৈ অরৈবা পুনরকই। তরা লুকহৌদুনা হাওদৈ, য়ু-শেম, ৱাংলৈ য়ু-হৌননা মখোয় মশেন লাংনরকই। মতম কুইনা থাদোক্লরুরবা পলেম-পন্থৌ, লাংহৈ কুমওন কয়া শেৎনা খায়নরুরবা খোয়নৌ মমান্নবী, মরোই-মনাউ, মপা-মচা পুন্নমক্না লাংজ-চেঞ্জবদুদা ৱাংবন লৈমসু হরাউ মথোই কাজরম্মী। তরা চাকথোংবা, য়াওরৌ শাফুৎ-শাহৌবা, হাওদৈ অথুম্বা, ৱাংলৈ কোককাবা য়ুশেম্ববু লোয়রবদা মহৈ মহৈ চারসি-থক্লসি হায়দুনা লাংনরে। অদুবু ৱাংবন লৈমা নাহুইনু তাইবং মীচাক চাকমাংদু খোইয়ুম লাইরুপনা চাফদবগী চাররোয়, হায়দুনা চাকলুক কনদরে। ময়াম লাক্লি-তীল্লিবা পুম্বসু নুংঙাইনদ্রে পলেম-পন্থৌসু কপ্লীঙলে। মপন পলেম মমা শন্থোঙ হুইমু লৈমনা, অনৌবা চাকলুক শেম, অশেংবা তুম্বা খীন্দুনা মমোম নাহুইনুবু পাউথেন্নক্লে। মমোম্না য়াদ্রিবদু করি তৌরগা য়াহনগদগে খল্লক্লে। মমৈথংদা মমোমবু চরৈ ফিজঙ মরোন তরেৎ খল্লগে, চীঙঙু-খোইয়ুম কনানসু উররোয় ফিজঙনুংদা চাররো, ফিখননুংদা থক্লরো, হায়না পাউথেম্বদা মমোম্না য়ারক্লে।

ফিজঙ মরোন তরেৎ খন, ফিখল মরোন শেম্না থল্লগা ফিজঙ্নুংদা ৱাংবন লৈমা নাহুইনুনা চঙদুনা মপন পলেম মমাগা লোইননা তরা চীনদমমিন্নরে, হাওদৈ অথুম্বদু থকমিন্নরে। চীঙঙু কনা উররোয়, খোইয়ুম কনানসু খঙ্ঙরোয় হায়দুনা থৌরাংজববু চীঙ্ঙু নোংথৌ সরারেন, খোইয়ুম মিৎয়েং তাংজুম্বগী মায়কৈ চামদা লৈবা, হাওরৈ চামদা থোকপবু মিৎয়েং শানখৈঙম্বনদি মশানৌ ৱাংবন লৈমা য়োঈরেনবীনা চরৈ ফিজঙনুংদা তৌরিবা অদু উরে। চীঙঙু মানা তীল্লাং মখোয় শাওনা মতিন তিল্লাং শীখরক্লে, ফিজঙ মরোন ফাওবা ৱাংবন লৈমগী মায়থোংদা তাররে। অদুগা ৱাংবন লৈমা মহাক্না কোরৌ অৱাংবদগী মপাম মালেম লৈমথক্তা কুমথরকপগী থারম্বা সনাগী কৈরাক্তু কোরৌ থক্তা চিংখৎখ্রে। মতাল্লোই হাওরোক কোন্থৌ চনুবু চমাং চাবীনি হায়না লৎনবীরে, হায়বা ইন্দবীনি হায়না খায়নবীরে। মশানৌ কোন্থৌ চনুসু লঙজরুবা মরান্নিনা চীঙঙু মরাইবক্কীনি হায়দুনা অৱাংবা কোরৌ কাঙমদা ৱাংবন লাইরৈপাক ফংঙমদবনিনা মশাবী খোইয়ুম লাইয়িংথৌবু শেৎনরে। কোরৌলৈমা নাহুইনুনা মিৎম্না পিরাং শিন্থনা কোরৌ নোংদোনবু য়েং, থোঙথিং-থোঙলোনখ্রবা ৱাংবন লমদমবু তাম্না য়েংজরে। অদুগা অরানবা য়াদবা খোইয়ুম লাইরৈপাকপু নীঙশিঙনা মপারী নৱা খোয়রীফাববু কৌদুনা ঈঙা-ঈঙেনগী কোরৌ নোংখোং তম্, নোংজু ঈহৈথবগুম মিংলু লাইজা শিন্থনা কপ্পুনা লৈখরে।

মমোম লাংলেন ৱাংবনলৈমগী অৱাবা মতৌদু উবদা মপন পলেম অপোকপী শন্থোঙ হুইমু লৈমনা মচাগী অৱাবদু থোকহল্লিবসি মমা ওইবী মাননি খঙজদুনা থম্মোই খুত্তুম্না শুজখি। অদুবু অৱাবদু কোকহন্নবা পান্থৈদি লৈজদবনিনা লাল্লে খঙজরবসু মমোম্বু থেমজিনবা নত্তনা করিসু তৌজবা ঙমখিদে, "ঈমাগী ঈমোম ঈবৈম্মা, কপ্লগনু তোক্লোনে, নমা ঐনা লানবা ঙাক্তনি, হৌজিক্তি ঈয়ুম মোংবা ঈরানয়ায়দা চঙলসি। চীঙঙু নোংথৌ সরারেননা কোরৌ নোংলাংপানগী থোঙ থিংখরে, লাইরৈপাক্কী থোঙ লোনখরে হায়দুনা ঈমোম করিগী ৱাবগে, নপন পন্থৌ মরানয়ায়সিদা লৈথোক্লগা লোয়রেদনা"- হায়ববু অৱাং কোরৌ নোংলৈমনা পায়ম পীবুক ৱারৌবা হৌরক্লে, "হে পলেম ঈমাও! নমোম ঐনা হন্না হন্না হায়জবদুনি, চীঙঙু নোংথৌ সরারেন মহাক্তি চেংলৌ মমিৎ লিশীঙ অমা

পানবনি, শমু মনাকোঙ লিশীঙ অমা পানবনি; খঙদ-উদবা, তাদ-নীন্দবা লৈতবনি, চীঙজু মানা খঙখ্র-উখ্রগা নমোমবু লৎনা থোঙ থিংখিনি হায়না, হৌজিক্তি হায়জখিবদু থোক্লরে, লৎনা-খায়নবীবদা নত্তনা পারী নৱা নুংশিবা, নমোম ঈথাদা কোঞ্জবা, ঈতমপাক্তা পমজবদুসু কায়নরে, খোইয়ুম খোইমোম লাইরক্তা তীঞ্জবসু তোক্লে। ঈশাবী মাগা খায়নরবদা নমোমগীনি হায়বা করি লৈরিবগে? নমোমগী পুন্সি ময়াক চাল্লবনি, পুন্সিগী মচু থাওরবনি। অদুনা পলেম-পন্থৌ নখোয়সু কায়নরসি। পন্থৌগী খরায় থোঙ্গান অসিদগী হেন্না মোংবা য়ুমদা চঙলরোয়, ঈশাবী চীঙজু নোংথৌ মানা নমোম ঐবু লৌখৎপীদ্রিবা অমসুং লৌশিনবীদ্রিবমখৈ শাবন পনথক খরায় থোঙ্গাল, হোজঙ পম্বাল অসিদা নমোম অসুম্মক লৈজখিগে, চীঙজু মানা থৌজানবীদুনা নমোম্মু লৌখৎপীরবা মতমদা অৱাং কোরৌ নোংদা কাজখিগে" হায়না নিংঙোনগী পীবুক্লুংগী ৱাফম ফোঙদোকচরে। পলেম মমা শন্থোঙ হুইমু লৈমদো মমোম লাংলেন মকাদা অমুক মখা চত্থনা থেন্না ঙমদ্রে। ৱা-লান অমুক ঙাংখিদ্রে।

সরারেন-নাহুইনু হুঞ্জিন্নবা

চীঙজু নোংথৌ সরারেন্না তম্পাক লৈনেমথক্কী তরা চাকমাং চাই, অনেম্বা থাক্কী, হন্থবা ফিবম-ফিরেপকী কাংলুপ-ফুরুপকী মীওইশিংগা চকচা-হৈজামিন্নে, হাওদৈ য়ুতংমিন্নে, তাল্লোই লমহেল্লি, হায়বা ইন্দে হায়দুনা হাওরোক-কোন্থৌচনু, ৱাংবল লৈমা নাহুইনুবু লৎনা-খায়নরবদা, ৱাংবন লৈমদি পন্থৌ মোংবা মশঙগাইদা চঙদনা শাবন কোন্থোঙ থোঙ্গান/হোজঙদা মতোম নোংলেন-নোংফাইগে থৌরাংলক্লবদা পন্থৌ মপা নিংথৌ শাপায়বনা ময়ুম মোংবা মরানয়ায়দা চঙলকউ হায়বা য়াদ্রবনিনা মহাক্কী লৈফম-নোংলেনফম কোন্থোঙ থোঙ্গান অদুদা খাম্বী মৈরীংলে। অসুম্না চকমোম মৈরীংলকপসি তয়ুম মদাইরেম মীথা নাইদুনা কোরৌ লৈমবু শঙলক্লে। তরা চাক্তি চাও হায়বা য়াদনা লেল্লকপা কোরৌ শীঙবুম য়াল্লক্লে। হাওরোক-কোন্থৌ নিংঙোনসি মশাবী কায়নবগী মৈশা লাং, মপারী নৱা শেৎনবগী খাম্বী মৈৱাইবনা নুজাগী শমু মহকচাং শীঙঙেল লৈরাংগুম থুইথরক্লে। তত্তনা খোল্লাং শীন্থরকপনা পান্খোঙ্লাদা শুমথদুনা থল্লগা পলেম ওইবী নাহুইনুনা মপারী মচাবু কৌদুনা নুমিৎ খুদিং লেপ্লকখি। চীঙজু মিৎয়েং তাংজুম্বনা মতাল্লোই কোন্থৌমুগী অৱাবা মতৌ অসি উবগা চীঙজু মাসু পুক্লীঙ লৈতাদ্রে।

চীঙঙু সরারেন্না কোরৌ নোংলাংপান্দনা মপারী খোয়রীফাবনা পলেম মমা ৱাংবন লৈমা নাহুইনু পীয়ু হায়দুনা কপ্পা, নীঙঙাই তৌববু থেন্বা হোৎনরি। শোমদনা তাল্লোই লৈমগী অৱাবসি উবদা থম্মোই পুঙমদ্রি। নুঙ অনিগী মরক্তা হা ওইরিবসিদগী খরমখৈ শাফনবা চীঙঙু সরারেনগী মপন পলেম মমা লৈমরেন মাইবী লাংঙা অতোনবীবু হায়জদুনা হাওরোক-কোন্থৌ চনুগী মনাক্তা থারকখি। মহাক্লা মমৌ ৱাংবন লৈমদা চীঙঙু সরারেনগী পাউ, মশূ খোয়রীফাবগী পাউসু তল্লম্মী। লাইরেম্মা অসিনা হাওরোক-কোন্থৌশিংগী নিংথৌ শাপায়বনচিংবদা পাউজেল-পাউতাকপীরম্মী, মদুদি হাওরোক-কোন্থৌ চনু ওইবী মহাক্তি নমু তাইবং ওইদ্রবনি, খোইমোম লাইরক্তা তীল্লবনি, লাইরৈপাক্কী লৈমনে, অদুনা নখোয়গা চাকতীন-ফিদীন্নবা য়াররোয়। তরা চেঙ-মচঙ অশেংবা, তাউজী হৈরাং হৈশেংবা, লৈরাং লৈশেং অনৌবা, পাননা-ক্বা চরৈ ফিশেং অহনবা, লীক-কোন, চফু-উয়ান, লাপোৎ-শীঙপোৎ অহনবা-অনৌববু ৱাংবন লৈমদা কৎলু। নখোয়না নমোমনি, নচেনি-নচন্নি খঞ্জরিবা ৱাংবন লৈমসিদি খোইমোম লাইরেম্মনে, খাম্বী মৈরা চিংনা মৈহৌরগা তরা চাক থোংদুনা কৎলো, লৈমরেন ঐনা কোনবীগে। য়াইরেক মীথা তোকলো। হাওরোক-কোন্থৌ নখোয়না নমোম নাহুইনু মহাক্লা ওইরিবা মওং, তারিবা অৱাবসে ফংজরোয় হায়না কোরৌ লৈমগী মফমদা মংকৎ কৎচরো (নুপী থাজ-য়োঞ্জবগী মং/ মোংফমদা কৎপা নুপী-মমল) কৎচরো।" হায়রিবা পাউতাকসিদগী হাওরোক-কোন্থৌ পুন্নমক্লা চীঙঙু মরন পীনা নিংঙোন মাগী অউনপোৎ পীদুনা মংকৎ কৎচখি, হায়রি।

কোরৌ লৈমা নাহুইনুনা মপনগী ঈংখোনগী পন্থোঙ, কোন্থোঙ -থোঙ্গান্দা লৈরিঙৈগী মতমসিদা মপারী খোয়রীফাবা অমসুং মশাবী চীঙঙু সরারেনবু খক কাউবা লৈখিদে। মখোয়বু নীঙশিঙদুনা অমসুং নীঙদুনা মতম পুন্নমক্তা লৈ। হায়রিবী ৱাংবন লৈমসিনা লৈরম্বা মফম অদুনি হায়দুনা লাইরেম্মসিগী লাইকোন উমং শেমদুনা হৌজিক থল্লিবা মফমসিনি। অসোমদা ৱাংবন লৈমনা লৈমোন অসিদা ৱানা লেল্লিঙৈ অসিদা পলেম মমা কায়নরবা নৱা খোয়রীফাবনা পলেম মমা পীয়ু হায়না কপুনা নীঙঙাই তৌরকপদা চীঙঙু নোংথৌ সরারেন্না পাম্বৈ কয়ামরুম শীজিন্নদুনা থেন্বা হোৎনবদা মায় পাকপা ঙমদ্রে। মপারীসু পলেম মমা থিনবা মালেম লৈদা কুন্নক্লে। পোইরৈ তম্পাক্কী

লমদম কয়া, লৈয়াৎ-লমতুপ কয়া চৎলক্লম্মী। মপন পলেম মমা থিবদা কেগে-মোইরাংগী খুয়োল, ঙাংখা, নিংথৌখোং, খুরোই হাওরা লমলাংতোং, নাচৌ, পোৎশঙবম, ওয়নাম, নমবোন্নচিংবা লাল্লকলে। লমলেন লৈমোন লমদম য়ৌরক্লে। পলেম মমাদু পোইরৈ মফম অসিদা নত্রগা অদুদা লৈ হায়বা খঙনা থিরকপা নত্তবনিনা মমাগী খোঙ্গুন লীরকপসি অরুবা থবক অমদি ওইরম্মী। অদুবু লমলেন লৈমোনগী লমদম অসিদা হাওরোক-কোম্ব্রৌচনুনা য়াঙ্গৈইরিবা লৈকায়দা চঙলক্লে। অয়ুক নোংথিন লৈরক-কোনশাং থুংনা চত্তুনা য়েংববু পলেম মমাগী চেংলৌ শক্তম খঙদবনা ককঙাওনদুনা মতোকলে। হাওরোক-কোম্ব্রৌ মচা কনাদা মমাবু হংজগদবসু চেংলৌ শকখঙনবা কনাসু য়াওদবনা হংবা ঙমদনা মরৈরে। খোয়রীফাবা লাইয়িংথৌনা নমু মীয়াম্না তুম্নখ্রবা অহিং তাংলৌ অথেংবদা নৱা অপীশক অমগী য়াওৱা খোঞ্জেল শাদুনা তেংথা-নাউওইরক্লম্মী - "হা পলেম ঈমা-ও! নপারী চাওদবা ঐহাকপু কোরৌ লাইরৈপাক্তা পন্থৌ ঈপা চীঙঙু নোংনিংথৌ সরারেনগী মতম্পাক্তা হুন্দোকপীরম্লগা মালেম তম্পাক খোঙ্গুম্না মপাম খোঙ্গুমখিবী ঈমা-ও। ঈমা নঙবু থিবা নপারী ঐহাক লাকচরি। পন্থৌ ঈপা সরারেন্না নপারী ঐনা ঈমা পীবীয়ু হায়না কপচ-লাউজববু থেম্বা ঙমজদদুনা ঈঙৌবা পুথিবদা পীদুনা য়োকহনববু নৱা ঈনীঙ থুংদবনা চীঙঙু মোইরাং থাংজীঙনা পন্থৌ ঈপা ওইদুনা লেল্লকপবু খোইয়ুম লাইয়াম্না পন্থৌ পোকমাবা নত্তে তাকপীরকপা, নৱা ঐগী পন্থৌ অপোকপা অমসুং ঐবু নাউয়োক-নাউকোনবী পলেম ঈমাগী কোল্লোয় মমিং, য়াঙ্গৈইরিবা মপাম লমদমগী মমিং তাকপীরকপনা চেংলৌ শকখঙদ্রবী ঈমা নঙবু থিজরকপনি। নপারীনা তেংথা-নাউওইরিবা অসি তাবীরবদি নপারী ঐবু খোঙ্গুল লীবীরক্তুনা পলেম চেংলৌ শকউনবা ফংহনবীয়ূ" - হায়না পাউকৌজরকপবু অহিং ঈনুং য়াম্লক্লবগী ৱাংবন লৈমা নাহুইনুসু নাতারে।

লাইয়িংথৌ খোয়রীফাবা মপারীনা পলেম খোঙ্গুল লীরকপগী তেংথা নাউওইববু নাতারবদা ৱাংবন লৈমনা মনু-মনেম লৈমরেনদা তমদুনা মনু-মহুইরোন (মনেম-মমৌ) ৱাতানদুনা খন্নরে, মপারীবু থিনবা লেপ্লরে। মনেম্না তাকপা মতুং ইন্না মপারী মচাদি খোইয়ুম লাইনি, পানখোকলাদা খোম্লাং শুমদুনা থম্লগা খোম্লাং শুম্লিঙৈদা পারী নঙবু পলেম ঈমানা শকখঙদরে, পারী

নঙনা কৌবদি তারে, অদুনা খোল্লাং অসি থক্লগা পলেম ঈমাগী নাক্তা হাওরোক-কোন্থৌ মনিংথৌ নিংথৌ শাপায়বগী মোংবা মশাইগোনগী পনথোঙ, থোঙ্গাল কোন্থোঙদা লমশঙ শঙলেন শারিবদুদা লাকউকো, হায়না হায়রম্মু", হায়না লৈমরেন মনেম্না তাকপদো ৱাংবন লৈমা নাহুইনুনা থীন্দনা পাংথোক্লে। মথং নুমিৎকী য়াচঙবা অমম-অঙান শিন্নরকপা মতমদা লাইয়িংথৌ খোয়রীফাবা, চীঙঙু লৈশং খেকৱায়বা, তাউবা হুইমৈ মানববু পাম্বনা পলেম মমাগী লমশঙনুংদা চঙলক্লে। কুমশীঙ চাহে তরেৎকী মতম ওইরকপদা কোরৌ নোংলৈপাক্তা হুন্দোক্লম্বা মপারীনি, পাখং চাওথোক চাওনা ফাদুনা পলেম নাক্তা লেপ্লবা অদুদদি চেংলৌ মশক খঙদ্রদুনা মপন পলেম মমানা পাখংদুবু কনানো হায়না হংলম্মী। মদুদা পাখং অদুনা "নপারী ঐগী ঈমিংদি চীঙঙু খোয়রীফাবা, শীঙঙেন লৈশং খেকৱাইববু পাম্বা কৌই, ঐবু পোকপা পন্থৌদি চীঙ্ঙু নোংথৌ সরারেন, অৱাং পাখং য়োঙ্গৈরেনবা কৌই। মপারী ঐহাক ঈপন পলেম ঈমা ৱাংবন লৈমা নাহুইনু য়োঙ্গৈরেনবী, হাওরোক-কোন্থৌ চনুবু থিবা লাকপনি" হায়না খুন্নক্লম্মী। মদু তাবদা কোরৌ লৈমা নাহুইনুনা মপারীবু চেংলৌ শকখঙলা, মমাঙদা শংশঙ লেপ্লরবদুদা, "পারী ঈবুংঙো নুংশিবা! নমা ঐনি ৱাংবন লৈমা নাহুইনু হায়বীদু , ঈচাদি পোইরৈ লমশাং লাকপগী নোংথিল নোংলেন্না নরান থৌশূরুবগী ৱাররিগনি, পলেম নাক্তা চঙনা অৱা পোথাররো" হায়না মপারী মচাবু কৌশিন্দুনা শকখঙ-মায়খঙননা লৈমিন্নখ্রে।

চীঙঙু সরারেন্না লৈমোন খোঙগুম্লকপা

হাওরোক-কোন্থৌ চনু নাহুইনুনা মপারী খোয়রীফাববু লৈমোন মপাম লমদমগী মপন কোন্থৌ নিংথৌ শাপায়বগী মশাইগোনগী পনথোঙ থোঙ্গান/কোন্থোঙদা খনবা লমশঙ শঙ্গায় (হৌজিক্কী কোন্থৌজম লাইরেম্মগী লাইকোন উয়োক লৈরিবা মফম) দা শকখঙ-মায়খঙনদুনা মমা-মচা পুন্না লৈমিন্নখ্রে। কোন্থৌজম লাইরেম্মাসি মাইবা-মাইবীশিংগী ৱারী-শীঙবুন্দা "তম্ফা" হায়না মিংথোল্লি। মসি তমপা/তম্ফা মিং/মিংথোনসি করম্বা মীশক্তা কৌগদগে [খ: চ: স:, ১৯৭৫] হায়বসি খস্থদনা, মাইবা-মাইবীনা য়োঙ্গৈরেন (Scholar) তানরমদনা হেক্তা কৌশিন-থোঙ্জিলবা মাল্লি। হাওরোক কোন্থৌ চনুসিনা

লাইয়িংথৌ খোয়রীফাবসিবু মশাগী চহি ১৪ (তরা মরি) শুরকপা অদুৰাইদগী কোন্দুনা য়োক্লক্লে। চীঙগু মাবু য়োক্লকপসে কোরৌ লৈমা নাহুইনুদা য়াম্না অৰাবা, মীৰা-মীশাওগী পাউ তাবা লাইয়াম-মীয়াম্না মপারীবু মচা ফুবীরে, মশূ য়েবীরে; কনাগী শম্বন শংখরে, কনাগীনা হৈ-রা হেকখরে: হায়দুনা ৱাকৎখোন্না নাকোঙ শীঙজা য়েরম্মী। খোয়রীফাবা হায়বা লাইয়িংথৌসিদি খোইয়ুম লাইদগীসু হেনগে, নমু মীদগীসু থোইগে হায়না হিরম-লমদাং খুদিংমক্তা মাওজীন থাবা লাইয়িংথৌনি, চীঙগু অশিবা লৈরোন-নোংলোন শেম্বা, মালেম তাইবংপান লৈশেম-নোংশেম্বা লাইগী লাংওন-লাইচৎ ওইবনি। পলেম-মমানা ঙাংবা-শকপসু চীঙগু নাকোঙদা হাক্লীদে। অসুম্না চীঙগু খোয়রীফাবনা শামান-লেঙমান্নবা মরুপ-মপাংশিংগা মুক্লাদা-কাওজৈদা, ঈথিংদা-পনথিংদা লমজেন্দা-শাজেন্দা, হিরম-ৱারম পুম্নমক্তা ঈবুংঙো মহাক্তনা থোইদুনা ঙমদুনা লাক্লম্মী। অদুনা পলেম মমানা য়োক-থাকপদা অৰাবা ঈশৌ লাংলম্মী।

চীঙগু সরারেনগী মপারী খোইয়ুম খোয়রীফাবসি পাখং শরেপ ফারক্লদুনা পোইরৈ তমলৈপাক, ৱাংঙম চীঙলৈপাক কোয়না চৎলক্লে। পলেম নাক্তা লৈরম্বদু খোইয়ুম মমান্নবনা নোক্লরকপদগী কোরৌ লাইরৈপাক, মপা সরারেনগী মনাক্তসু লৈনীঙলগা লৈ, পলেম মমাগী মনাকনমু মীরমলেন লৈমোন্দসু লৈনীঙলগা লৈ অমসুং চীঙগু মমান্নবা খোইয়ুম লেঙমান্নবা, নমু তাইবং শামান্নবা কনাগী ময়ুমদসু লৈথোক-লেকথোক্লীঙলগা হেক্তমক লৈথোক-লেকথোকখি। অসুম্না লাক্লবা ঙম্লক্রবা মতৌসিদা হাওরোক কোন্থৌ চনুনা চীঙগু সরারেন্দা মপারীবু ৱারক -ৱাতেম্না চীকোন- নাউকোনবীনবা ৱাকৎচৈ। হায়রিবা মতমসিমক্তা লাইয়িংথৌ খোয়রীফাবনা খুমন কাংলুপকী মরমদম হৈরেম মরৈকায় লৈকোয়দুনা মতাও থৌবগা লোইননা পনম হেকমায় কামিন্নরে। অসুম্না অপাম নুংশিনা থম্মোই চঙলক, য়ুম্বান-কৈবানবগী ৱাখল লাক্তুনা খোইয়ুম ঈরুম নিংথৌ (হৌজিক্কী ককচীঙ খুল্লেন য়ৌদ্রিৱৈদা পল্লেন লমখায়গা ককচীঙগী মরক্তা লৈবা ঈখোং ঈরম অমগী মপু ওইবা লাই) গী মমোম চীঙঙারৈমা/চীঙঙা লাইরেম্মা নত্রগা সন্দ্রিক (সনা লীক) চনীঙখোম্বী, চংনীঙলৈমা (অশেংবা মপা-মমাদি নোংপোক নিংথৌ কাইনৌ চীঙশোম্বা অমসুং তম্ফা ৱাংঙমলোন পান্থোইবীনি) বু তাল্লোই শীংদা চন্দুনা পলেম মমাগী মনাক্তা খোয়রীফাবা লাইয়িংথৌনা পুরকখি।

ৱাংবন লৈমা নাহুইনু য়োঙ্গৈরেনবীনা মচাগা মমৌগা লাকপসিদা চীঙঙু সরারেনবু পাউ থাদুনা কৌথজে। মতমদুদা চীঙঙালৈমনা লাইয়িংথৌ খোয়রীফাবদা, "লোইবী চীঙ অমগী চীঙথক্তা সনাগী শঙ্গায় শাদুনা থন্বীয়ু হায়দুনা নীঙঙাই তৌরবদা খোয়রীফাবনা লাইয়াম কৌদুনা খুন্দীন্নরে। লাইয়িংথৌ খোয়রীফাবগী তাল্লোই চীঙঙালৈমগী চীঙ পীনবা খোইয়ুম লাইয়াম্না চীঙঙু নোংথৌ সরারেনবু কৌথরে। চীঙঙু সরারেন মালেম তম্পাক লৈনেমথক্তা লেঙথবীরক্কে। মদুদা মচা-মমৌ লোইনদুনা ৱাংবন লৈমা নাহুইনুনা চীঙঙু সরারেনবু খুরুমজে অদুগা খোইয়ুম লাইয়াম্না মপারী অমসুং মমৌগী লৈফম পীনবীয়ু, হায়না হঙ্গৎচৈ। মরম অসিনা চীঙঙু সরারেনগী য়াথং মতুং ইন্না চীঙঙা লৈমগী লৈনবা চীঙ থিনরকই। অহানবদা পমচীঙ পুরকই, মচানা পামদে হায়দুনা মতুংদা ফোয়- চিংদুনা পুরকই হায়না ফোয়চীঙ কৌবা চীঙ পুরকপদা য়ারদুনা ফোয়চীঙদা সনা লুপাগী শঙ্গাই শাদুনা ফোয়জীঙ চংনীং লৈমগী চীঙ, খোয়রীফাবগী চীঙ থোন্দুনা শেম- শাদুনা থৌরাং তৌরে। মতমদুদা মপারী খোয়রীফাবনা খোইয়ুম লাইয়ামদা লোইবী চীঙ অদুদা পলেম-পম্থৌ য়াওদ্রবদি লৈররোয় হায়রম্মী। খোইয়ুম লাইয়াম্না অচুম্বনি হায়দুনা চীঙঙু নোংথৌ সরারেন্দা লৈবীনবা, হাওরোক-কোম্থৌ চনুবু লৌশিন-লৌখৎপীনবা হায়জরম্মী। চীঙঙু খোইয়ুম লাইয়ামগী হায়জবদু তাবদা চীঙঙু সরারেন্না য়াবীরদুনা ৱাংবন লৈমা নাহুইনুবু লৎনরম্বদগী লৌশিন-লৌখৎপীরে। অসুম্না চীঙঙু সরারেনগা হাওরোক কোম্থৌ চনু ৱাংবন লৈমা নাহুইনুগা লমলেন ফোয়জীঙ চীঙদা হঞ্জিন্নখি।

নাহুইনুগী পুন্সিগী অরোয়বা শরুক

হাওরোক-কোম্থৌ নিংঙোন, ৱাংবন লৈমা নাহুইনু মশাবী চীঙঙু সরারেনগা মতম কুইনা খায়নদুনা লৈরুরবদগী মপারী খোয়রীফাবগী মমৌ চীঙঙারৈমগী লৈফম শেম্বদা ফোয়জীঙ চীঙদা হঞ্জিন্নদুনা মতৈ মনাউ অনিনা মচা-মমৌ কোন্দুনা ফোয়জীঙ চীঙদোন্দা মতম কুইনা পান্দুনা লৈরম্মী। মতমগী অওনবা খোঙথাং লাকপনা চীঙঙু নোংথৌ সরারেন্না মতাল্লোই নাহুইনুদা, "অৱাং কোরৌ লাইরৈপাক্তা কারুখিগে, তাল্লোই মহাক্তি মালেম লৈনেমথকসিদা লৈরমখোই হায়রবদা কোরৌ লৈমা নাহুইনুনা, "চীঙঙু খোইয়ুম লাইয়িংথৌ-গা নতাল্লোই ওইবী ঐবুসু কোরৌ লাইরৈবাক্তা পুবীরোই হায়না হঙ্গদরম্মী।

মতাল্লোইগী মৰাহে তাবদা চীঙঙু অৰাং পাখং য়োঙ্গরেনবনা - "ঈশানৌ ৰাংবন লৈমা - ও! হয়েং মতম চাবা ৰাংলেন্দা শানৌ নঙবু লেম্না লৌরগে, মতমদুদা ঈশানৌ নঙসু ৰাংবন লৈমা লৈমরেন ফমথোল ফমফম্না পাল্লরো" হায়না তাকপীরগা হয়েং তুংদা কোরৌ লৈমা মহাক্না চীঙঙু মাবু পাউকৌরক্কদবা মচৎ-মতৌ "হাওদৈ (পুকয়ু ৰাইয়ু/লাইয়ু) অথুম্বা ৰাংলৈ কোককাবা য়াওনা পাওকৌরক্লবা" হায়রম্লগা চীঙঙু নোংথৌ সরারেন, লাইরৈপাক্কী মপু ওইবা, খোইয়ুম লাইগী নিংথৌ ওইবনা অৰাং কোরৌ নোংলৈপাক্তা কাখিরম্মী।

অরোয়বা য়াহীপ্তা

হাওরোক-কোন্থৌ চনু কোরৌ লৈমা নাহুইনু ফোয়জীঙদা মচা মমৌ কোন্দুনা লৈরম্লদগী চীঙঙু সরারেন্না অৰাং কোরৌ লাইরৈবাক্তা কাখিবা মতমসিদা মহাকসু ফোয়জীঙ, চংনীংচীঙ থাদোক্তুনা সরারেনগী য়াথং ইন্দুনা মপাম হাওরোক-কোন্থৌগী লম লৈমোন-লম্বান খোয়রাংপানগী লমদমদা খাম্বী মৈরীংনবা লাকখিরম্মী। মফমদুদা হান্নন কোরৌ লৈমা মহাক্না খাম্বী মৈরীং-মৈহৌরম্বা, মপনগী খরায় থোঙ্গান পনপান্দুদা অদুম্মক য়াঙ্গোয়ররি। চাহে কুমওন শাফুনা য়ৈবদা শমু হকচাংদি মৰাক চাল্লক্লি, অদুবু ৰাংবন লৈমা মাগী মতীক ময়াইদি, খোইমোম লাইপোক ওইবগী মতীক-মঙম অমসুং মহী-ময়াইদি অসুম অসুম হেনগৎলক্লি। কপ্লাক কুরু কা, চৈংশু পাল্লোইননা চৎলক্লবদা চীঙঙু মশাবী সরারেনবু নিংঙোন থম্মোই লাইমিংনা উনা পুক্লীঙ ৰাখন্না পাউকৌজরকপা মতমদা চীঙঙু মানা য়োন্দনা পাউখুম্বীরক্তুনা শানৌ নাক্তা লাকপীখি। নমু তাইবং কন্যাগী চেংলৌ মিংনা উদবা, শমু নাকোঙনা তাদবা কুম্মৈদা শানৌ মাগী য়াইবী-থৰাই মিরেনগা চীঙঙু মাগী মশেক-মঙানগী ময়াই-মমিগা তীন্নদুনা কোরৌ শীঙবুম মঙানী লৈরম্লগা মালেম তাইবংপান থাদোক্তুনা মৈবুন-মৈরা ওইদুনা কোরৌ নোংলাংপান্দা পাইখিদুনা লাইরৈপাক্তা মশাবী চীঙঙু সরারেনগী শাইজীন-শায়াদা তীঞ্জখি। অসুম্না হাওরোক কোন্থৌ চনু চীনফুরোন, ৰাংবন লৈমা নাহুইনু লমলেন লৈমোন (হৌজিক্কী নোংচুপ ইম্ফালগী কোন্থৌজম খুঙ্গং) গী নিংঙোন মরানয়ায়দা য়াইবী থৰাই চুপখি। নিংঙোন মাগী মশাইগোন্দু হৌজিক মহাক্কী লাইকোন-উমং লীংদুনা লাইবুঙ-লাইকংলা শেমদুনা থল্লি অমসুং লৈরি।

ৱাখোম - ৱারোয়

ৱাংবন/কোরৌ লৈমা নাহুইনু, হাওরোক-কোম্হৌ চনু চীঙথাং লাইরেম্মা নত্রগা কোম্হৌজম লাইরেম্মা/লাইরেম্বী অসি মৈতে খুন্নাইনা মী কাংলুপ-ফুরুপ, খুৎ-কাংবুনচিংবগী অনেম-অৱাংগী থাক খেন্নবা, হিংবা-পানবগী খুৎহিং-খুৎপান- মান্নদবা অমসুং ফিজেৎ-লাকশেৎ, চাকচা-যুথক, যুমলৈ-কৈরৈনচিংবা তোপ্প-তোংঙান্নবগী ফিবমশিংগী ফিদম উত্তুনা থম্বীরম্বা লাইরেম্মগী শক্তম অমনি। অৱাংবা থাক্কা অনেম্বা থাক্কা চারৌ-মৌরৌনবগী নাকন অনিমক্কী ওইবা মরী (শিং) খুদম ওইনা উৎপগী চাংদম অমসুং পরমনি। হিংনবগী লানফমদা নুংশিবা অমসুং নুংশিনবা, চান্নবা, তীন্ন-তোৎনবা অমদি চামিন-থকমিন্নবনা খুন্নাইদা করি পীবিবগে, হায়বসিগী মমিশিং নীঙথিনা তারিবা পুন্সি ৱারীনি। অখাঙ কনবা অমসুং চেৎনা নীঙজবনা খোইয়ুম লাইশিংবু লানঙম্বা ঙম্মী, হায়বসি কোরৌ লৈমা নাহুইনুনা তশেংনা উৎলি। মৈতৈনা নত্রগা অমাইবা-অমাইবী (মাইবা-মাইবী) শিংনা লাই ৱারী ওইনা লৌনরবসু মীওইবা হায়বা থৱাই পানবশিংনা লাইশিংবু মীওইবদগী মতীক-মঙম, মহী-ময়াইনচিংবা হেনবা ওইনা অমসুং হিংবা-পানবগী মচৎ-মনাত্তি মীওইবগা মান্ননা, লাইশিংদা অশি-অনা চঙদে হায়না থাজনবা/লৌনরবসু কোম্হৌজম লাইরেম্মগী পুন্সি ৱারীসি খুন্নাইসিদা মমি তাবা মীওইবগী ৱারীনি হায়না লৌবদা লাল্লোয়।

ৱারীসিদগী ফিদম ওইবা য়াবা অমসুং খঙজিনগদবা অদুমখে লৌখৎপনা শাফবনি। লৈপাকসিগী চৎলমদা মৈতৈ ঈপা-ঈপুশিংনা চৎনরম্বা হৌজিক ফাওবদা চৎনরিবা নিংথৌনা লৌরুরবা মৈতৈ চনু অদুবু খায়নদুনা মপামদা লৈরবদা নিংথৌবু ঈকাই খুম্নবদগী মপামদা চাকতীন-ফিদীন্নদে, হায়। ঈচানা নিংথৌদা ওংলুরবদি মতীক-মগুন ঙাকই। মৈতৈনা কোম্হৌজমবু শীজপামনি, কাংখল শুপ্পী, ফিদা ফমই, হায়" - হায়বনচিংবসি খঙজিনবদা কান্নে। মসি নাহুইনুনা সরারেন খায়নদুনা লৈরিঙৈগী ফিবমদুদগী লৌরক্লিবনি। খুন্নাইদা তারিবা মমি উৎপনি, অদুনা ফিদম অসি লৌশিনফম থোকই লৌশিনগদবনি, খঙজিনফম থোকই, খঙজিনগদবনি। কোম্হৌজম লাইরেম্মবু চীঙথাংলৈমা হায়না মিংথোন/মিং পীবসি/থোনবসি চীঙথাং চীঙ হায়রিবা মহাক্না পোকপা, লৈরিবা

লৈমোন অমসুং লম্বান হায়না কৌবা লমদম অসিদগী লাপ্তুনা লৈরিবা চীঙ অসিদা মহাক্লা লৈশাবী মপুঙ ফারক্লবদা শংলৌ য়েনশাং থিবা নত্রগা তল্লা শীঙজনবা চৎপদা চীঙঙু নোংথৌ সরারেন্না লাক্তুনা ৱারী-ৱাতাই শাখিবদগী মমিংসি থোনখিবা মাল্লি। অদুগা চীঙথাং চীঙসিগী মমাঙ (নোংপোক) ওইরপ্লা লৈবা শঙাইথেন্দা খৃ: ১৭৫৮ দা অৱা/ম্যান্মানা লান্দারকপদা লোক্তুনা লৈরম্বা মৈদিংঙু ভাগ্যচন্দ্রদা চীঙথাংখোম্বা/চীঙথংখোম্বা হায়বা নিংথৌ ওইবগী ফম্বাল কাবদা ফম্বাল মিং ওইনা পীখি অমসুং চীঙথাং চীঙসি লাইফম লমনামুং ওইনা লৌনৈ। কোম্থৌজম লাইরেম্মসি মপারী লাইয়িংথৌ খোয়রীফাবগা অসুপকী মতীক নুংশিননা মরী লৈননা মৈতৈনা খন্নে মদুদি নম্বোনগী ফোয়জীঙ চীঙদা লাইয়িংথৌ খোয়রীফাবা হরাউবগী লাংবা- নীনবসি কোম্থৌজম লাইরেম্মগী লাইকোন্দা তাই অমসুং কোম্থৌজম লাইরেম্মগী লৈমোন (কোম্থৌজম) খুঙ্গংদা হরাউবগী নীনবা-লাংবসি নম্বোন ফোয়জীঙদা লাইয়িংথৌ খোয়রীফাবগী লাইকোন্দা তাবা ফংঙি হায়না হায়নৈ। মমা-মচা নুংশিনবগী মরীগী অঙকপা মচৎ-মনাৎ অমসুং মওং-মতৌ মরমসু মাগী ৱারীসিদা ফংগনি।

লীকলা পীচা নোংতমনু

ৱাহৌ-শৈহৌ

(i) ফানতেক লোনতি-

লীকলাপীচা নোংতংনুবু সরারেনা তোংপায়তুনা খোইতোম পোক- এ।। লুৱাং পুন্সিপা মতু হাওসিয়াঙ পুয়াঙপাচনুনা মচা ওইনা য়োকচৈ- এ।। মানতোমনা লেরা খোংনাং ওইখিএ।। লীক্লা পীচা নোংতংনুনা খোইতোমনে।। ....[খা: য়ুম:,খুৎ: লাই: অমসুং ম:স:ক:এ: ১৯৯৪,৮] ।।

(ii) লেরা খোংনাংলোনতি-

লীকলা পীচা নোংতংনুপু সরারেননা তোংপায় তুনা খোইতোম-মানতোম পোকএ।। খোইতোমতি ফানতেক ওইখিএ।। মানতোমতি তিংকোই নিংথৌ চনু য়াইপীলৈমা পাননাতুনা....[মথক্কীসিদা,৯] ।।

মথত্তা থমজরিবা খাগেন্বা য়ুন্বী কৌবা পুয়া লাইরিক্তগী লৌথোক- শক্তোকচরকপা ৱারেং মতেক অনি অসিদা পল্লিবা "লীকলা পীচা নোংতংনু/নোংতমনু হায়রিবা চনুরা নুপী অসি অপুনবা পোইরৈ ৱাংঙম/মৈতৈগী মী কাংলুপ অচৌবা (Nation/Race) অসিগী অঙোম নত্রগা নোংবানগী মী কাংলুপ (Ethnic group) নত্রগা য়েক (Clan) কী মী ফুরুপ (Ethnic sub-group) নত্রগা শল্লাই (Sub-Clan) , ফান্তেক অমসুং নুংবান নত্রগা লুৱাং মী কাংলুপগী মী ফুরুপ নত্রগা শল্লাই, লেরা খোংনাং কৌবা অনিসি পুকোকশিং, মথংশীৎনা- অঙোম/ফান্তেক্কী খোইদোম অমসুং লুৱাংগী লৈরা খোংনাংগী মানদোম অনিসিগী অপোকপী মপন পলেম মমানি। মহাকসি হকচাংগী কুচু পানবী/ঙৌবী অমা ওইবনিনা পান্থোইবী (হেন্না কুচু ঙৌবা) ওইনা শীঙথানবদা মহাক্কী মী কাংলুপ/য়েক অমসুং মী ফুরুপ/শল্লাইগী নিংঙোনগী মশক তাকপা অমসুং খঙহনবা মিংথোন- মিং হাপ্পা অমসুং তপ্পদা মহাকসিনা নোংবান নত্রগা অঙোম মী কাংলুপ/য়েক্কী চনু নিংঙোন ওইবনিনা মহাকপু নোংপাল্লোন/নোংবাল্লোন পান্থোইবী অমা ওইনা মিংগৌনৈ। অদুনা নোংবাল্লোন পান্থোইবী অহানবী " হায়রগা মহাকপু খঙনবসু য়াই।

শক্তাকপা

নোংবাল্লোন পান্থোইবী অহানবী নত্রগা নোংবাললোন লীক্লা পীচা নোংতংনু অপোকপা মপন পন্থৌ মপাগী মমিংদি লংমাই নিংথৌ কাইনৌ চীঙশোম্বা নত্রগা নোংপোক নিংথৌ, নোংপোক মাল্লং হুমওইবা কৌই অমসুং অপোকপী মপন পলেম মমানা তমপা/তম্ফা ৱাংঙম্লোন পান্থোইবী হায়না কৌই। মহাকসি মপা- মমানা নাউয়োক নাউকোল্লক্তে, মীতোপ- লন্নানবনা য়োক্তুনা চাওরকখি।

লীকলাবীচাগী পুন্সি- ৱারী

লীকলাবীচা নোংতংনু নোংপোক নিংথৌ কাইনৌ চীঙশোম্বা অমসুং তম্ফা ৱাংঙমলোন পান্থোইবী অনিগী খ্বাইদগী ঈহন হনবী মমোম লাংলেননি। মহাক্কী মখাদা মপ্পা শেকমাই নিংথৌ [পল্লেন্দা খুবম য়াদুনা লাৎলিবা অমসুং পল্লেনগী চীঙনীঙদগী হৌরগা হৈরেম লমদম, ককচীঙ, কৈরক, ৱাবগাই- হিয়াঙলমনচিংবা ফাওরগা শেকমাইজিন(শেকমাই- ঈচীন) দা ইম্ফাল তুরেন্দা ঈতীনখিবা শেকমাই তুরেলগী মপু/নিংথৌ ওইবা উমংলাইনি]অমসুং সন্দ্রিক চংনীঙখোম্বী (চংনিংলৈমা, চীঙঙালৈমা/লাইরেম্বী অসিনচিংবা কৌই, লাইনিংথৌ খোয়রীফাবগী তাল্লোইনি) অমসুং লংমাই চীঙজারোইবী (উমাস্না চীঙজারোইবীসু থোল্লি, লাই লুখ্রাবীসু কৌই, লাইয়িংথৌ সনামহীগী তাল্লোইনি) কৌবী মনাউ নুপী অনিখকসু লৈ। অদুবু মহাক মখোয় অমতগা নক্লা- তীন্নরক্তে।

পোকপা অমসুং য়োক্লকপা

তম্ফা ৱাংঙমলোন পান্থোইবীসি অহল- লম্মন্না হায়না শীঙনদুনা খাবা তরম তরং খোইনুচাদা লুহোঙ-খোঙদোংদুনা খাবগী ময়ুম কংলৈ পুঙময়োন্দা লৈখি। নোংপোক নিংথৌ কাইনৌ চীঙশোম্বগা তম্ফা ৱাংঙমলোন পান্থোইবীগা উনবদগী লাইবক তীন্নরুদনা নুংশিনরকখি। অদুনা খাবা তরম খোইনুচাগী ময়ুমদগী পান্থোইবীসি নোংপোক নিংথৌদা চেনখিরম্মী। খাবা তরম খোইনুচানা থেংনবা মফমদা হাৎকনি হায়দুনা কোয়থি থিরম্মী অমসুং অনিদুনা লাঙ্গোই চীঙ্গোনগী নোংচুপ থংবা চীঙশা ঈরোইশেনবগী চীঙশাংদুগী মফম কয়াদা মশক লোত্তুনা মীতোপ শারগা লোত্তুনা লৈরম্মী। মতমসিদা পান্থোইবী হৈরাং মচা য়ান্দুনা লুৱাং পুন্সিবা(?) গী শোয়দা লাথুপ মনুংদা লোত্তুনা লৈরম্মী। অদুগা মনুং মতম

ওইরদুনা লুৰাং পুন্সিবগী শোয়সিগী লাথুক মনুংদুদা মমোম লাংলেন অমা পোকখিরম্মী। অঙাং অসি পোকপগী লমদাংসিদা অখঙ অহৈ অমনা অমুক থন্বীরম্লিবা ৱারমদি:-

"থিরেন মৈরম লীবা" কৌবা লাইরিক্তা, মখোয়না চেল্লকপগী মতাংদা মখাগী ৱারোল অসি ইরি-

অসুম তৌনা পান্থোইবীবু নোংচুপ লম্দগী নোংপোক্লা পুরকপদা লুৰাং পুন্সিগী সোয়, লাগী লাথুপ্তা পান্থোইবী লোৎলমএ। অদুগা নাকাদা নোংপোকা উনদুনা লংমাইচীঙদা কামিন্নখিরে।

পান্থোইবীনা থুপ্লন্বা লাথুপ অদুদগী মঙাল চাউবা মসক ওন্থোকপা ওইদুনা লৈরে। লুৰাং পুন্সিবগী থৌজান অনোনবনা লৈমা নিংথিবীবু ওইরক্লে। লাইরৈমা অদুবু লুৰাং লংমাইবনা য়োক্লদুনা খঙহন- উহন্দনা লৈরবদা সরারেন্না লাক্তুনা মচা অনি পোক্লে। মপা লৈতবগীদমক পুরৈরোম্ববু তান্নরকপদা সংঙাই কোয় ময়ূং মশক ওইনা চেল্লদুনা খোইদোম মানদোম অনিমনা লী, তেন য়াওনা তাল্লে [অ: হৈ, ১৯৯৩, ১৪৪- ৪৫]।

হায়রিবা ৱাফম অসিনা- পান্থোইবীনা নোংপোক নিংথৌদা চেল্লকপা মতমদা পান্থোইবী অসি তরম খোইনুচাগী ঈ- নাউপুদুনা চেল্লকপদগী থাশীঙ শুজিল্লক্তুনা লুৰাং পুন্সিবগী সোয়,লাগী লাথুপ্তা মচানুপী অমা পোক্লগা লুৰাং পুন্সিবদা য়োকহল্লমী, খঙহল্লি[মথক্কীসিদা, ১৪৫]।

(ii) পান্থোবীনা নোংপোক নিংথৌদা চেল্লকপা মতম অদু, পান্থোইবীদি মশা ৱাইশংদবী, থাশীঙ শুরবী ওইবনা লুৰাং পুন্সিবগী সোয় য়ৌরকপদা, মফম অদুদা, লাগী লাথুপ্তা পান্থোইবীনা লীক্লা পিচা নোংতংনুবু পোক্লগা নোংপোক নিংথৌগা লোইননা লংমাইচীঙদা চৎখি, লৈখি [মথক্কীসিদা, ১৪৭]।

তরম খোইনুচাগী মচানুপী ওইবী পান্থোইবীনা পোকপী লিক্লা পিচা নোংতংদু, লুৰাং নিংথৌ পুন্সিবনা য়োকহৌখি [মথক্কীসিদা, ১৪৭]।

অসিশিংসিনি। মসিদা অখঙ- অহৈসিনা লীক্লাগীচা নোংতংনুসি খাবা তরম খোইনুচাগী মচানুপী লীক্লা পীচা নোংতংনুনা সরারেন্দা ওঙবা (সরারেলনাসি

কৌব্রুদা পানবা অঙোম নিংথৌশিংগী মিংথোংন্নি, অঙোম কাংলুপ/য়েক্নি) অদু য়ানবা পুথোক্লকপা লাইরিক হৈবসী লৌশিঙনি। ঙল্লিঙৈগী নৎত্রগা খুনুং খুন্নাইদা অসিগুম্বা চৎনবী লৌন- লৈনবা য়াবা য়াদবগী ৱায়েন- ৱাখুন লৈরমদে, কোন্না শেম্বনি। অদুনা লীক্লাপীচা নোংতংনুসি নোংপোক নিংথৌ মমোম্মি।

লীক্লাপীচা নোংতংনুবু য়োক্লপগী লমদাংসি থিরেন মৈরম ঙীবা লাইরিক্তগী লৌথোক- শত্তোক্লক্তুনা পীবা ৱারেং মতেক্তুদা য়াওখ্রে। মদুদা পীবদুদদি লীক্লাপীচাসি হেক পোকপগা লুৱাং পুন্সিব (কনানো, করম্বনো? শীঙতাবুং, পামিংনবা, লুৱাং খুন্থিবা নত্রগা হোঙনেমলা, মতমসিদা পোইরৈতোন মৈত্রবাক্তা খুম্থোক্লক্লব্রা? লুৱাং/নুংবান মী কাংলুপতি পোইরৈতোনগী চাদা নাউদা পমিংনবদগী থোক্লক্কদবনি) না ফংবা নত্রগা থেংনবগী ৱাফম ওইনা পীবীরি। অদুবু অতৈ হিরমসিদা মরী লৈনবা লাইরিকশিংগী ৱারোন্দনি- নোংপোক নিংথৌ অমসুং পান্থোইবী লাঙ্গোন চীঙ্গোন্দা থোঙঙাক নিংথৌ অমসুং থোঙঙাক লাইরেম্মা ওইদুনা হনুবা- হনুবী শাদুনা লোৎলিঙৈদা খাবা তরম খোইনুচানা খঙলক্তুনা মখোয়বু ফানবা তকশিন- তানশিল্লকপদা নোংপোক নিংথৌ অমসুং পান্থোইবীনা অফিং- অফাই ওইনা মচা নুপীসি পুবা (লৌখৎ- পমখৎপা) নংদনা হুন্দোক্লমদুনা নোংপোক্লোমগী চীঙ্গোনগী চীংশাং- নাপোমশিংদা মতৈ মনাউ তোখায়- তোখায়না চেন্নখিবনি। খাবশিং চৎখ্রবা, মী অতৈগী লাউখোংবা, চেন্নবনচিংবগী ঈরাং লৈত্রবা মতমদা লুৱাং পুন্সিবনা থেংনবনি। অঙাং পীশক্তু মতোমতা লৈরম্বদুদা লৌখৎলগা ময়ুমদা পুরক্তুনা মাগী তাল্লোই মরিশুবী চাবোক্তবী হাওশীয়াঙ পুয়াঙবা চনুদা শিন্নবনি। অদুগা হাওশীয়াঙ পুয়াঙবা চনুসিনা মচা ওইনা য়োকচরকখিবনি।

লীক্লাপীচানা অঙাং পীশকা ওইরিঙৈদা লুৱাং নিংথৌ পুন্সিবনা ঈহান হাননা থেংনখিবা মফমসি মহাক্কী শোয়গী লাগী লাথুপ মনুংদনি। মহাক্কী শোয়সি কদায় ৱাইদা লৈ, লুৱাং- ঈ তুরেন্দরা নত্রগা লম্ফেল পাওরা? মহাক্কী লৈফম ময়ুম, লীক্লপীচা নোংতংনুবু য়োক্লক্কদৌবা অমসুং চাওরক- শাংলক্কদৌবা মফমদুনা কদায়দনো? হোঙনেম লুৱাং নিংথৌ পুন্সিবনা লুৱাংচীঙ (হৌজিক্কী খাম্রন খুনগী মনীঙ/নোংচুপ অমসুং লোইদাং খুন্নৌগী মমাঙ/নোংপোক্তা লৈবা চীঙদা পোক্লগা, মদুদা চাওরক্লগা ঈরোইশেনবগী চীঙশাংদুগী নোংচুপ থংবা চীঙমায়দা লুৱাং মকুবী

চীঙ শেমগত্তুনা লুৱাং/নুংবান পামং খুন লীংখত্তুনা খুন্দুদা মগুন্সি লোয়খিবা ফাওবা পানখি [নিং: খে: স:, ১৯৬৭,৫০-৬২]-হায়বসি " নাউথিংখোং-ফম্বাল কাবা" কৌবা পুয়া লাইরিক্লা পীদুনা লৈরি। অদুগা লুৱাং পামং খুন হায়বসি লুৱাং ঈ তুরেনগী ঈশিং চাবা খুন্নি [চেংলৈ:, খুৎ: লাই:]। অদুনা মহাক্কী শোয় অসি লুৱাং ঈ তুরেন্দা লৈবসিনা নাতে চাই, অদুগা শোয় অসিগী মনাক্তা লফু পান্বীশিং হৌই, হৌদ্রবদি লাগী লথুপ লৈবা য়ারোয়। অদুবু লীক্লাপীচা নোংতংনুসি শোয়দবু ফংলবসু চীঙথক্তবু ফংলবসু মহাকপু লুৱাং নিংথৌ পুন্সিবনা মহাকপু য়োকলক-থাক্লকখিবা মফমদি লুৱাং মকুবীচীঙগী পামং খুন্দনি।

চাওরক-শাংলকপা

নোংবাল্লোনা লীক্লাপীচা নোংতংনুসি অপোকপা পলেম পন্থৌনা হুন্দোক-থাদোকপীরল্লবসু অয়োকপা পলেম-পন্থৌ নাইনা নাউয়োক নাউকোল্লকখিবীনি। অঙাং পীশক ওইরিঙৈদা নোকপদা মীপুম খুদিংমক্লা নুংশিবা পোকপী, চাওরক্লগা মীনোক্তা রাশি লৈবীনি। পলেম মমা হাওশীঙ পুয়াঙবা চনুনা লৈমীন-চামিন্নরিবা নুংবান মপা-মচা, য়োঈরুমলোন মচেম-মনেম অমসুং লুৱাং মবুঙ মপ্পা কনানসু মমিৎনা কন্না য়েংবা য়ারমদে, হেক্তা চোংথোক্তুনা খৎনরুই, মমোম হাক্কন্নবদা পামং খুন শারা-শনবনা লীক্লপীচা নোংতংনুসি খর ঙকচাও থেক্লা লমকেৎ লমহাইনা হৌরকখি। পুংকক চাওরক্তুনা মহৈ-মশিঙ তম্বা হৌরকপদা পলেম মমাগী খুদুং ইন্দুনা মোইথাপ নাইদুনা তুনুং লংজা চিংথোকপা, চরৈ ফিশাবা, ফিরোন-ফিরীবনচিংবা তল্লকখি। লৈশাবী ফাগৎলকপদা খুনগী লৈশা ফান কাদুনা লুৱাং নিংঙোনশিংগী মরক্তা তীল্লকখি। লৈশাবী মপুঙ ফারকপদদি অপোকপী পলেম মমা তম্ফা ৱাংঙমলোনগী কুচু-কুমেন, শাওং-শাদা, শাবান-শারেপ লৌদুনা মচু তারবী লৈশাবী অমা ওইরকখি।

য়ুম্বানবগী পুন্সিদা

লীক্লাপীচা নোংতংনু, লুৱাং নিংথৌ পুন্সিবা হোঙনেমগী মমোম-লাংলেন ওইনা পলেম মমা হাওশীয়াঙ পুয়াঙবা চনুগী মিৎয়েং মখাদা চাওরকখি। মহাক তোংঙাননা শমু লেঙনা ফল্লগা খ্বাঙনাচেংনা নীঙদুগী ঈপোম হৌনা পুক্কী মখাদগী হুকচাং কায়াৎ, ফৈগন-ফৈবাক্কী মথক থংবা শরুক

পাক্ললপ্পা, থবাক ঙানফম চাওরপ্পা অয়েংবা-অউবা তনবা নুপা ওইবশিংগী মিৎয়েংবু চিংশিল্লিবীনি। মমোমগী নীঙথিবা শারেপ-শাবান, শক্তম-শকফম অমসুং মায়থোং থাজগুন্নীবু উরগা পল্লেম মমানা মহাক্কী লোন্নবী মচেম-মনাউশিংদা লেন্নরিবনি। অসুম্না ফজরকপা লীক্লাপীচাগী মতমসিদা নুজা মশীঞ্জাং ওইনা লাঙ্গোন চীঙনুংগী চীঙশাশিংদা খোয়নৌ মতাশিংগা লোইননা শীঙয়ান শীঙখুলবা, শীঙথি-শীঙজনবা অমসুং পামেন উদা পানবা শংলৌ য়েনশাং অমসুং উয়েন কংলায়েন্নচিংবা হেকপা-থিবা তৌরম্মী। অদুগা লম্ফেন পাত্তা ইনচিং -লোংখোন্দুনা লেমলৈ ঙা ফারম্মী। নহা ওইবগী পুন্সিদুদা মমান্নবা মরক্তা তীন্দুনা চাকচা-হৈজনবা, নিংঙোন মশেন তীন্নদুনা ফাগী- ফরাং তৌনদুনা হুরাউ-তয়াম্মীন্নবনচিংবা শরুক য়ারম্মী।

কোরৌ নুমিৎ অমদি লীক্লাপীচা মতোমতা তরক্লনা লুৰাং-ঈ তুরেন্দা লাইজা ঈশিং পাশাননা ঈরুজরম্মী। মতমদুদা য়াওরৌ শাদানবা লাকপা তম্বা চেংলৌ হেনবা অমগা মায়য়োক্লনা উনরম্মী। মহাকপু উবদা কোল্লোই মপাউদি হায়রমদে, নিংঙোন য়াৰাদি ফোংদোক্লমদে হায়ববু থম্মোইনুংদা ঈথিন অমদি পোকখি, মীৎনা তোয়না য়েংনীঙবগী ৰাখন্দি পোকখি। নুমিত্তুগী মথংগী কোরৌ নোংজাদা লীক্লাপীচা নোংতংনুনা ঙরাং ঈরুজখিবা হিদেন্দুদা খোয়নৌ কনা য়াওদা মতারোই অমতা লোইনদনা চেঙহী শম্বাল লাংদুনা লৈরম্মী। মতমদুদা তুংলোমদগী কনাগুম্বা অমনা নুজাগী পাম্প্লোম পায়দুনা কোনশিল্লক্লম্মী। নুপা ওইবগী অকনবা পাঙ্গন অদুনা নুজা মহাকপু হিদেন্দুগী লৈমায় মথক্তা চিংথবীরম্মী। নুজাগী চরৈ হাইদোক্লা হকচাং তোংপায়বীরগা পাদোংদুনা তুরেন খোংবান্দুদা নুহোঙ-খোঙদোংদনা মৌগী শীঙদা চনহনবীরম্মী। নুজানা লৌশিঙ তারক্তুনা য়েংলকপদদি ঙরাংগী তম্বা শকহেনবদু ওইরমল্লে। পুক্লীঙ ৰাথল ফোঙদোক্লদুনা চেংলৌ শক্তাকনরকপদদি পোইরৈ অতাম্বদগী য়ারৌ শাদানবা লাকপা সরারেন মিংথোল ফংলবা অঙোম মী ফুরুপ, নোংবান য়েক্কী নিংথৌ পুরৈরোম্বা (মসি শেল্লোই লংমাইচীঙ/নোংমাইজীঙদা পানবা অঙোম নিংথৌশিং খঙননবা মিংথোন্নি, অদুগা সরারেন হায়বসিনা কৌব্রু চীঙজাওগী চীঙদোন অৰাংবদা পাল্লিঙৈগী মখোয়গী নিংথৌশিংগী মিংথোন্নি) ওইরম্মী। শাবী- শানৌ অনি তাইশিন্নদুনা নুমিত্তুগী ওইনদি মচীঙ-মচীঙদা হন্নখ্রে।

লীক্লাপীচা নোংতংনু অমসুং অঙোম সরারেন/পুরৈরোম্বা অনিনা অহানবদা সরারেন্না তোংপায়নদুনা মরী লৈনরকপা লোইদাম থা ওল্লক্লে। মতমদুদা লীক্লাপীচানা সরারেনবু ময়ুম মরানয়ায়দা মাগী নিংঙোনকাদা য়াওং ইন্দুনা লোন্না লৈবীনবা হায়জরম্মী। অঙৌবা সরারেন্নসু য়ারদুনা নুজা মাগী নিংঙোনকা লুৰাং পামং খুনগী কোনুং য়োঙ্গশঙ্গায়, হোঙনেম লুৰাং নিংথৌ পুন্সিবগী মোংবা মশঙ্গায় মনুংদা কনা খঙহন্দনা চঙদুনা লোন্না মতৈ-মনাও ওইনা পানদুনা লৈরে। খঙলক্কনু য়াদবনা মপন পলেম মমা ওইবী হাওশীয়াঙ পুয়াঙবা চনু খঙলক্লে, অদুবু মমোম-লাংলেন্না ঙম্বনিনা পলেম মমা মনা-মনীন নাইবা ওমদনা লৈরে। নোংশীৎ শীৎলবদি উনা লেংবনিনা হোঙনেম লুৰাং নিংথৌ পুন্সিবা মমোমগী কাদা মী লৈবগী শামিন খর ফংখ্রে, অদুবু হকথেংননা শউম ফংবা নত্তবনিনা হায়রু-পল্লুবা য়াদবনা অরোনবদু ফাবা য়ারমদে, অরোনবা ওইনা অদুম লৈহনখি। কোরৌ নুমিৎ অমদদি মশানৌ লীক্লাপীচাগা মশাবী সরারেনগা চফু ঈৰান কেৎনবগুম নীঙাই শঙদানরক্লে, খোন কন্না, খোঞ্জেন হৌনা খৎনা-লাউনরক্লে। মদুগী খোঞ্জেন-মখোনশিং তাবদা হোঙনেম লুৰাং নিংথৌনা মখুত্তা তিমেন তা পায়খৎলে, মমোমগী নিংঙোনকা মনাক্তা লেপ্লগা

" ঙসি হোঙনেম লুৰাং নিংথৌ ঐগী ঈমোম লাংলেনগী কাদা য়াওং ইন্দুনা লৈরিবা তম্বা নহাক কনানো? মপানসিদা থোক্লকউ! খুৎলান-হুরানবা লীচৎননা ঐগী মোংবা য়ুমদা লোন্না চঙলম্বা লাল্লু চোম্মায় কককে, খঙগনি।"

হায়না লাউদুনা তা চীঙদুনা ফি-ফি কান্না শাওদুনা লৈরে। মতাং অসিদা নুজা ওইবী লীক্লাপীচানা চেম্থোক্লক্কুনা পম্থৌ মপাগী মখোঙ কোন্দুনা- "পুন্নমক্কু মহাক্কী মরান্নি, তম্বা মহাকপু কনবীয়ু, লাল্লু চোম্মায় কক্লা অমং য়াইথোং কুমহনবীগনু, নমোম্লু ঈরানগী মতুং ইন্না য়াইবী থৰায় লৌবিয়ু- হায়না হঙ্গৎ চবা মতমদুদা কানুংদা লৈরম্বা সরারেন/পুরৈরোম্বসু মপান্দা থোক্লক্কুনা লুৰাং নিংথৌ পুন্সিবা উনরে। মখোয় অনিদু হান্নদগী মশক-মতৌ খঙনবনি, মতীক-মঙম উনবনি। অদুগা তৌরিবসিগী থৌদোক- ৱাথোকসি লৌনা-লৈনবগী থৌদোক্লি, মচা-নিংঙোন থাজনবগী মরমনি। অদুনা ময়াম অদু তপথা-ঈংথনরগা তাইশিন্নদুনা লীক্লাপীচা অমসুং সরারেনগী মচীন হংলগা, লৌন-লৈনজগে হায়রবনিনা লুহোঙ-খোঙদোংবীনবা ৱারেপ্লখিরম্মী।

চীঙঙু সরারেন কায়নবা

নোংপাল্লোন লীক্লাপীচা নোংতংনু, চীঙঙু নোংথৌ সরারেন অৱাং পাখং য়োঈরেনবদা মশা-মশা নুংশিনদুনা লৌন-লৈনবগী মখন্দা অমসুং মমিংদা ওইনা লুৱাং পামং খুন্দা লুহোংদুনা সরারেন য়াওং ইন্দুনা লৈখিরম্মী। লীক্লাপীচা নুপী ওইবীগী চাবোক-চাদগী ময়াই নীঙথিনা চেনবী, চকমোম তেমখাঙ লোন্নবগী লৈহাউফবী ওইবনিনা লুহোঙবগী থাবুম অনিদা চনুগী চরৈ চিল্লে, তাউজীঙ তয়াল তল্লে, নাকলু ফিয়াল্লে। অদুবু নুংশিবা মাগা চীল্লোক-চীন্দন্ননা ফমদীন তোয়নবদি লেপত্রি। লোইদাম থাওন্না লেপ্তবনা থবুম তরা, কোরৌ শীঙবুম তরানি শুজিনখিদুনা মপারী অমা পোক্লে, নাউৱা কোল্লোয় মমিংথেন্দি খোইতোম / খোইদোম হায়না মিংথোল্লে। অঙাং অসিনা লৈরকপা লোইদাম থাবুম অহুম শুরকপদা সরারেন মচীঙ শেললোই-লংমাইচীঙদা লৈঙাক ৱায়েল থৌদাগী থবক্কী অরুবা মতাং লাক্কুনা ময়ুম নোংবান পুন্না তীন্নদুনা কৌরক্লে। লৈপাক থৌঃনা লুন্বা অমদি লুবনা তাল্লোই তুনুংশি লীক্লাপীচা অমসুং পারী নুংচানবা খোইদোম, মখোয়না শেল্লোই লংমাইচীঙদা চৎসি হায়বা য়াদ্রবনিনা লুৱাং মকুবী চীঙ, নুংবান পামং খুন্দা থল্লমদুনা অঙৌবা পুরৈরোম্বা শেল্লোই লংমাইচীঙগী লমদমদা চৎপা তাখি। মহাক্না পামু- নুংশিজরবী মতাল্লোই লীক্লাপীচা নোংতংনু মপন পন্থৌ হোঙনেম লুৱাং নিংথৌ পুন্সিবদা চেৎনা শিন্নরম্লগা লুৱাং মকুবীচীঙ থাদোক্কুনা চৎখরে। অসুম্না নেংবাল্লোন লীক্লাপীচা নোংতংনু মশাবী সরারেন পুরৈরোম্বগা কায়নখি।

অনিরকশুবা য়ুম্বানবা

লীক্লাপীচা নেংতংনুনা লোইদাম থাবুম অহুম শুরিবা মপারী নাউৱা খোইদোম পমদুনা মশাবী মপুরোইবা অঙৌবা পুরৈরোম্বনা শেল্লোই মচীঙলেন, লংমাই মরৈপুঙদা চৎখিবদু য়েংহৌরি। য়াম্না থুনমক মখোয়না লৈরিবা লুৱাং পামং খুনসিদা হল্লকখিগনি হায়বগী থাজবদি মাগী থম্মোইদা থমজরি। মতাংসিদা থমজননীঙলিবদি কৌব্রু চীঙজাওগী চীঙদোন্দা কোনশৌরেন (লাই-নীঙলোন্দা অতিয়া শিদবা নত্রগা মোইরাংদা অহানবা থংচীঙ কোয়রেল লাই) না লীংখৎখিবা খুন্দা-লৈতাফম, মতুং খর লৈরগা অঙোমগী কোরৌ নোংলাংপান লৈপাক অদু

খাবা,ঙানবা অমসুং চকপশিংনা থুগায়খিদুনা অঙোম/নোংবান নিংথৌমচাশিং অমসুং ৱাংঙম/মৈতৈশিং চেনখ্রে। সরারেন লৈখিদ্রে। নোংবান/অঙোম নিংথৌমচা অমা-অনিনা লাঙ্গোনচীঙগী চীঙখোঙ-চীঙয়াদা(চেংলৈগী পুথিবনচিংবা) অমসুং নিংথৌমচা অনি- চীঙশোম্বা অমসুং অঙৌবদা খংখুইগী চীঙ লৈখুন্দা লোৎলগা লৈখি। খংখুই চীঙ লৈখুন্দগী মচীন-মনাউ অনিসিনা পোইরৈ তমপাক্তা কুপ্লকলপ্লগা, অতৈ চীঙদসু কোয়রুরগা শেল্লোই-লংমাইচীঙদা কাখিদুনা অঙোম/ নোংবান লৈপাক লীংখৎলগা অঙোমগী নিংথৌবু পুরৈরোম্বা মিংথোন্না খঙনখ্রে। অঙোমগী পুরৈরোম্বশিংসিগী মনুংদা সরারেন মিংথোল ফংবসি চীঙশোম্ব(তম্ফা ৱাংঙমলোন পাম্থোইবীগী মশাবী মপুরোইবা) গী মনাউ নুপা " অঙৌবা পুরৈরোম্ব" সিনি। লীক্লাপীচা নোংতংনু লৌরিবা সরারেন নত্রগা পুরৈরোম্বসি কনানো[অঙৌবা, হঙ্গেন লোংনা থাবা, খমনুং ঈৱাইথেং, ৱাংমৈ লাম্থাবা , চীঙমিৎ য়োঈরেনবা, অহোঙ খমশা, তেন্দৌ, অসিনচিংবসিদগী করম্বনো]? অঙৌবা পুরৈরোম্বা/সরারেনদি ওইথোক্তে।

নোংবাল্লোন লীক্লাপীচা নোংতংনুনা থুনা হল্লক্নি খনবা মপুরোইবা হল্লক্লে, থাবুম অহুম হৌখ্রে। মচানুপা অমতং পোকচবদা ঙাইরিবী , ইনখৎলকপা পুন্সিগী অপাম ঈখৌ লাংবদা ককঙাওনরিবা অমসুং মহাক্কী হকচাং কায়াৎকী মঙান্না অউবা নুপা খুদিংমকপু মঙোন তম্না চিংশিল্লিবী মহাক্কী মওং-মতৌদু উবদা নুংবান-লুৱাং নুপা পুম্নমক নহা পাখংসু অহন হনুবসু লোয়না ঈথক-ঈরাং কানরে। মনাক নক্লীংবনা হিদান্নরে। মশুঙ মমান্নবা নুপাশিং কনানা হৈরাং পুরকই, কনানা লৈরাং পুরকই, মহাক্না চৎপা- লৈবা মফম পুম্নমক্তা লাইরেন মতুং ঙায়িনবগুম তৌনরিবা মতৌদু লুৱাং নিংথৌ পুন্সিবনা উরি। মহাকসু পুরৈরোম্বা/সরারেন্না লাক্তবা কুমজা অমা ফারক্লবসিদদি হান্নগী ৱাখল হোংখ্রে, মপা ওইবগী ৱাখল মাঙখরে, পুক্নীং মওং অমা তৌখ্রে। নোংমগী কোরৌ নুমিত্তা হাওসিয়াঙ পুয়াঙবা চনুনা মশু খোইদোম পুদুনা মপাম ঈরেম লমদমগী মপন মোংবা মরানয়ায়দা খোঙদাখ্রি। লীক্লাপীচাসু কনাসু য়াওদনা মহাক্কী নিংঙোন কাদুদা লৈরি। লুৱাং নিংথৌগী মতাল্লোই অতৈসু মাগী মাগী মশঙ-মকাদা অমগা অমগা য়েংনদনা মানা মানা থোকপা তৌদুনা লৈনখ্রি। মতমসিনা লৈহীনা থন্না য়াওরবী লৈরাংগী লৈকা খুদিংমক্তা লৈহী পাথোক্নুনা চেম্থরিবী শীঙঙেনগুম্বী লীক্লাপীচাগী কাদা

চঙলক্তুনা লেপ্লরে। অমুক্তসু অদুম্না লেপ্লদবনি। মদুগী হেন্দোক্তুনা নুজা মাগী হকচাং থেংনা চঙশিল্লক্তুনা কোল্লরে। লাউবা য়াবা ফিবমসু নত্তে, ঙম্মোয় হায়বসু য়াদরে। নুজা মাবু তোংপায়দুনা চীন্দীন্নরে, অদুগা নিংঙোন ফমদা ফমদীন্নরে। নুজা নাম্বোক্লবগী পাম্বে লৈখিদে, অদুবু অপাম ঈখৌ লাংবগী খৌরাংবদদি ফংলে। ঙাইহাক্কী মনুংদা পুক্লীঙ-ৰাখল ফোংদোক্লদুনা লৌশিঙ তানরে। লৌনসি-লৈনসি হায়বগী চপ চাবা ৱারেপ কোরৌ নুমিৎ শীঙবুম খরগী মনুংদা লাইখায় তানরে। ঈমুংগী মীশিংসু খঙনরে। অসুম্না লীক্লাপীচা নোংতংনুনা লুৰাং নিংথৌগী তাল্লোই শীঙদা চনখি।

মপারী মান্দোম গোক্লকপা

লুৰাং পামং খুন্দা নুংবান নুপাশিংদা তৌনরম্বা ঈরাংদু লীক্লাপীচা নোংতংনুবু হোঙনেম লুৰাং নিংথৌ পুন্সিবনা তাল্লোই ওইনা লৌখিবসিদগী নেমখ্রে। থাওন-থাচৎনা লেপ্তুবনা মপারী খোইদোমসু লোইদাম থাশীঙ য়ামশিল্লক্তুনা চহী অমা মখায় শুরক্লে। হায়রিবা মতমসি লুৰাং নিংথৌ পুন্সিবা হোঙনেমগী ঈনা লীক্লাপীচা নোংতংনু থা লেপখ্রে, তাউজীঙ হৈরু পন্দুনা নাউৰা মিতমখ্রে। মসিনা তাকপদি লীক্লাপীচাসি মপুরোইববু পেনহনবা ঙম্বীনি অমসুং মপুরোইবগী অনীঙবা-অপাম্বগী মায়য়োক্তা চত্তবীনি। থংগী কুমওন লাকপদদি লীক্লাপীচা নোংতংনু অনিশুবা মপারী ফংজরে। নাউৰা অঙাংগী কোলোয় মমিংনা মানতোম/ মান্দোম হায়না থোল্লে। মপারী অনিসি য়োক্তুনা লুৰাং পামং খুন্দা লীক্লাপীচা নোংতংনু হোঙনেম লুৰাং নিংথৌ পুন্সিবগী তল্লোই ওইনা লৈরকখিরম্মী। মপারী অনিসিনা কাংদোং ফারকপা ঙাইদুনা মশাবী মপুরোইবগী থৌগল তৌদুনা পুন্সিগী অৰা- নুংঙাই কয়া লেল্লকখিরম্মী।

অরোয়বা পুন্সিগী তাংকক

লীক্লাপীচা নোংতংনুনা মপারী অনি খোইদোম অমসুং মান্দোমবু চাওনবা য়োক্লক্তুনা মপুঙ-মরৈ ফারক্লে। মখোয় অনিসি মমান্নবা নুংবান লুৰাং মচাশিংগী মরক্তা মীথোই-মীহেনবা, শা-লান্দা কন-থৌবা, ঈথিংদা-পনথিংদা, মুক্লাদা কাঙজৈদা, লমজেন্দা-শাজেন্দা, চেঙ্গোংদা- মাঙজোঙদা, অসিনচিংবা হিরমশিংদা মীথক থোংবা নহাশিংনি। মখোয় অনিসি মশুঙ-মমান্নবা খ্বাইনা কিনা-হঙ্গৈইনা

চৎনবা মীশকশিংনি। মখোয়না মপন পলেম মমাগী ৱারীশিং পুন্নমক তারে, থিগৎলে। মমাগী পুন্সিবু লৈখা তাহল্লন্নবা, ঙাইহাক্কী মনানা হৈমাং শারম্বা অঙোম সরারেন/পুরৈরোম্ববু ঙাকপিবা ঙমখিদে। মখোয় অনিনা পুরৈরোম্ববু কনাসু খঙহন্দনা কদায়দা করি তৌরিবগে, কনা কনাগা লোইনরিবগে, হায়বনচিংবগী মরম পুন্নমক থিরম্মী। অদুগা খুদোংচাবা ঙাইদুনা লৈরম্মী।

খোইদোম অমসুং মান্দোম অনিনা মমাগী লমন খুন্নবগীদমক্তা পোইরৈ তমগী মফম কয়াদা কোয়না চত্তুনা ময়িং লৈরবা তা অমসুং লীরুং তেন শানবগী ৱাশিং থিরম্মী। অদুনা মখোয় অনিনা মখুৎ চারবা লীরুংশিং, তেঞ্জেশিং অমসুং তেন্দোংশিং শারম্মী। অদুগা মখুত্তা লীরুংশিংদু মতম চুপ্পদা পায়দুনা চৎলম্মী অমসুং তেঞ্জেশিংনা থন্না হাপ্পবা তেন্দোং মতম পুম্বদা পোদুনা শা-লানগী মতমগুম থৌরাং তৌদুনা লৈরম্মী। তেন কাপ্পগী শাজেন নুমিৎ খুদিং তৌরম্মী, লীরুং-তেনগী পান দম শোয়দনবা অমসুং তেনকাপ য়াঙবা অমদি থুবা হেন্ননবা ঙাইহাক লৈতনা ঔরায়রম্মী। মখোয় অনিগী খুৎশূ-খুৎলাইশিং শীজিন্নবগী শাজেনশিং অসি লুৱাং পামং খুন্দা লৈরিবা লুৱাং-নুংবান মচাশিং পুম্নমক্কা অঙকপা ফংনা য়েংনরম্মী। অদুবু মখোয় অনিনা মদু করিগীদমক্তা তৌরিবনো, হায়বদুদি কনাদসু খক হায়দোক্কমদে।

খোইদোম অমসুং মান্দোম অনিমক্কা পুরৈরোম্ববু থিরকপা অসি লেপ্পা লৈতবনা নোংমদি মখোয় অনিনা মতমদুদা পুরৈরোম্বনা লৈরিবা মফমদু খঙলদুনা লমন খুন্নবা খুৎশূ-খুৎলাইশিংগা লোইননা চঙলকপদা পুরৈরোম্বনা মখোয় অনিন চঙলক্লিবা মপা লৈতবগী লমন খুন্নবা চঙলকপনি হায়না চিংনরদুনা মশক লোৎলগা মফমদু থাদোক্তুনা চেল্লে। মসিদা পুরৈরোম্বনা শঙাই কোয়মযুংগী মশক ওম্হোক্লপদা খোইদোম, মান্দোম মচীন-মনাউনা লীরুংদা তেঙ্গা থোংদুনা তান্নরগা কাপ্লগে হায়না তৌরকপদা লুৱাং লংমাইবনা মখোয় অনিবু তেন কাপ্তনবা খান্নম্মী [অ: হৈ:, ১৯৯৩, ১৪৫]। মখোয়দা লুৱাং লংমাইবনা মখোয়না তেন কাপকদৌব অদু শা শঙাই নত্তে, নখোয়গী লাইওইবা নপানি, নপা হাৎহৈদে হায়রবদা[মথক্কীসিদা, ১৪৫] মখোয়না মখোয়গী অশেংবা ৱাফম, মমাবু লৈখা তাহল্লম্বা অদুগী লমন খুন্নবা থবক অসি লৌখৎপনি, হৌজিক ফাওবদা মচা

পোকথোক্লগা মচাদু করম তৌরি, মাগী মচা পোক্লিবী নুপীদুনা করম তৌখ্রে অসিনাচিংবা য়েংদনা মশাগী নুংঙাইবদা থিবা, খুদোংচাবদা লৌবা মহাক্কী মথক্তা লমন খুন্নদা অকায়বা লৈতে হায়রম্মী। অঙাংশিং অদুগী পাউখুম অদুদা ঈকাইরবা অমসুং থৱায় মাঙগনি হায়বগী কিরবা পুরৈরোম্বদুন ঈকাইবা পুন্নমক অঙাংগুম্না থাদোক্লগা লাল্লে, থৱাই কনবীয়ু হায়জখি[মথক্কীসিদা ১৪৫]। মসিদা লুৱাং লংমাইবনা শৌগত্তুনা খোইদোম অমসুং মান্দোমদা, “ হৌখ্রবদি হৌখ্রে, হৌজিক্তি মখা তানা নপা নচা খঙনরো”- হায়দুনা তাইশিন্নবদগী পুরৈরোম্বা মথৱাই হিংখি। খোইদোম- মান্দোমসু তাইশিন্নরবা মতুংদা মরৈপুঙ লুৱাং পামং খুন্দা হনখি।

লীক্লাপীচা নোংতংনু, মচানুপা অনিনা মখোয়গী হিংন-পান্নবা লম্বী থিরকপা মতমদা মহাক্সু লুৱাং মকুবী চীঙগী পাম্‌ংখুন থাদোক্তুনা মপারী অনিগা লোইননা খা মায়কৈরোমদা চৎখিরম্মী। মখোয়না খুরোই চকপশিংনা খুন্দাবা খুরোই হাওরা লমলাংতোং (হৌজিক্কী লম্মাংদোং) দা খুন্দা-লৈতদুনা মফমদুগী খুরোই চকপশিংগা লোইননা মনীঙ-মখা তম্বা লৈপাক মচা অমা লীংখৎনবা হোৎনরম্মী। লাইবক ফবদগী হায়রিবা থবক অদু মতম খরদগী মনুংদা মায় পাকখিরম্মী। হায়রিবা লৈপাক মচাসি মতমদুগী তুংলমচত্তা মৈত্রবাক্কী পাৱারী-পুৱারীদা ফানতেক লৈপাক হায়না খঙনরকখি। লীক্লাপীচা নোংতংনু হায়রিবা ফানতেক লৈপাকসিনা মপুঙ ফাবা লৈপাক অমা ওইদ্রিঙৈ, পামং খুন্দগী হোংলকপা কুমওন কুমশীঙ তরা হেল্লকপদা তাইবং মালংপান থাদোক্তুনা খোইয়ুম লাইরৈপাক্তা য়াইবী থৱাইনা লৈরাং লৈনম ওইনা তীনখিরম্মী।

ৱাখোম-ৱারোয়

লীক্লাপীচা নোংতংনু লংমাই নিংথৌ কাইনৌ চীঙশোম্বা অমসুং তম্ফা ৱাংঙমলোন পান্থোইবী, খাবী লেংনাউ মোম্বী অনিগী মমোম লাংলেন অহন্নি। অদুবু মৈত্রবাক্কী অখঙ-অহৈ ওইবা অহন লম্মন খরগী পুক্নিঙ ৱাখন্দা লীক্লাপীচাগী অপোকপা মপন পন্থৌ মপাসি পান্থোইবীবু হায়না-শীঙনদুনা হাননা লৌরম্বা খাবা তরম খোইনুচানি, পন্থোইবীনা পায়মা লিনগোয়নুংদা পুরকনি, নোংপোক নিংথৌগা চেল্লকপদা থা শুরক্তুনা লুৱাং নিংথৌ পুন্সিবগী শোয়দা লাগী লায়োম লাথুপনুংদা পোকখিবনি হায়না পীবীরি। মসিদি খুন্নাইগী লৌন-লৈনবগী অথিংবা

শেল্লক-লৈরক্লবা মতমগী লাইরিক্কী মহৈ-লৌশিংগী খুদোন্নি। মহাকপু মপা-মমানা খুদোংথিবা থোক্কনি হায়বগী অথু-অকায়দা হুন্দোকপীরম্লবদা লুৱাং নিংথৌনা থেংনদুনা পুরক্লগা য়োকপী- থাকপীরকখি। লুৱাং নিংথৌসিগী মরিশুবী তাল্লোই, চবোক্তবী হাওশীয়াঙ পুয়াঙবা চনুনা মমা শক্লা মহাকপু য়োকপগী থৌদাং লৌরকখি।

লীক্লাপীচানা মপুঙ মরৈ ফারক্লগা অঙোম সরারেন্না তোংপায়বীদুনা (Rape তৌবীদুনা) লৌরগা মচানুপা খোইদোম অহনবা পোকখি। অঙোম সরারেন/পুরৈরোম্বনা থাদোক্তুনা চৎথ্রবদা অমুক লুৱাং নিংথৌ পুন্সিবনা লৌদুনা মচানুপা মান্দোম অতোনবা পোকখি। মচানুপা অনিসি লুৱাং মকুবী চীঙগী নুংবান পামং খুন্দা চাওনবা য়োক্লকলগা মতীক চাবা মী অমমম ওইনবা শেমখি। মচানুপা অনিসিনা অঙোম পুরৈরোম্বাগী মথক্তা মমাগী লমন খুমখি। মতুংদা মখোয় মমা মচা অহুম লুৱাং পামং খুন থাদোক্তুনা খুরোই হাওরা লম্লাংতোং(লম্মাংদোং) দা চৎখিদুনা পানখি। মফম অদুদা চহী তরারোম লৈরম্লগা লীক্লাপীচা নোংতংনু লাইগী খুৎয়া তানখি।

লাইবক থীরবী নুপীগী পুন্সিগী শক্তম অমা ওইরবী লীক্লাপীচা নোংতংনুসি মৈত্রবাক্কী পাৱারী-পুৱারীদা পল্লেম মমাগুম কুচু পানবী পান্থোইবী অমনি। মহাক মৈত্রবাক্কী মী ফুরুপশিং-অঙোমগী ফানতেক অমসুং লুৱাংগী লেরা-খোংনাংগী পুকোকশিংগী অপোকপী মমানি। তশেংনমক অখাঙ কনবীগী পুন্সিগী শক্তম অমনি।

চংনিং লৈমা
(সনালীক/সন্দ্রিক চংনিংখোম্বী নত্রগা চীঙঙা লৈমা)
ৱাহৌ-শৈহৌ

"লমলেন ফোইজীঙ চীঙদোন্দা ঈবুংঙো, ঈবেন্মা অনিনা পাল্লকপা মতমদা ঈবুংঙোগী তাল্লোই ওইরিবী ঈবেন্মা চীঙঙারৈমা নুরা চংনিং লৈমনা মশাবী লাইনিংথৌ খোয়রীফাবদা হঙ্গৎচরকই।......" [রা: মাই:, ১৯৭৭,২৩৬]॥

মথক্তা থমজরিবা রাজো মাইবী ইবা, খ্: ১৯৭৭ তা মশানা ফোঙবা “লাংওন” মিংথোনবা লাইরিক্তগী লৌথোক-শত্তোকচরকপা ৱারেং মতেক অসিদা পল্লিবা “ ঈবেম্মা চীঙঙারৈমা নুরা চংনিং লৈবা” হায়রিবা লাইরেম্মা অসি মৈতৈ উমংলাই লাইনীঙলোন্দা চীঙঙুশিং, খোইয়ুমশিং অমসুং লাইশিংগী মনুংদা মুক্লাদা,কাঙজৈদা, অসিনচিংবা শান্না- খোৎনবগী মশান্নশিংদা মমিং চৎলবা অমসুং খোইয়ুমগী হরাউ কুম্মৈদা মহাক্কী মরমদগী থৌরম অমা হাপকথনরম্বা, লাইয়িংথৌ অসিবা/সনামহীগী লাইচৎ-লাইচন অমসুং লাংওন ওইরবা; চীঙঙু সয়ারেন, অৱাং পাখং য়োঙ্গইরেনবগী মপারী চীঙঙু লাইয়িংথৌ খোয়রীফাবগী তল্লোইনি হায়বসি মথক্কী লাইরিক্তগী লৌথোক-শত্তোকচরকপা ৱারেং মতেক অসিদা পন্দুনা লৈজরে। লাইরেম্মা কুচু ঙৌনা পানবী লাইরৈমশিংগী মনুং চনবনা নোংপাললোন/নোংবল্লোন(অঙোম য়েক ওইবী নিংঙোন/চনু) পান্থোইবীশিংগী মনুংদা অমনি। মহাকসি মাইবা-মাইবী(অমাইবা-অমাইবী) শিংগী ৱারী ৱাখুন্দা কবো(SHAN) মী-কাংলুপকী নিংঙোন নত্রগা মী কাংলুপসিগী মচৎ-মনাৎ লৈবী/চৎপী নুপী অমা ওইনা পীবী[মথক্কীসিদা, ২৩৭]। অদুগা লাইরৈমসি লোইবী চীঙথক- চীঙদোন্দা পাল্লকপী অমসুং মদুগী খুনবান-লৈপান অমদি য়ুমলৈ-কৈরৈ হৈনবী ওইনা পীবী [মথক্কীসিদা, ২৩০-২৩৪]। লাইরৈমসি পলেম মমাগী লিন্দা লৌদুনা খর মখৈ লমকেৎ-লমহাইবী ওইরম্মী।

শক্তাক-শকখঙ ৱারম

চংনিং লৈমা/লাইরৈমগী অপোকপা মপন পন্থৌদি লংমাই নিংথৌ কাইনৌ চীঙশোম্বা(নোপোক মাল্লংহুমওইবা নোংপোক নিংথৌ) নি অমসুং অপোকপী পল্লেম মমানা তম্ফা ৱাংঙমলোন পান্থোইবী, খাবী লেংনাউ মোম্বীনি। মহাক্কী মচেম, লীক্লাপীচা নোংতংনু কৌবী অমা, মপ্পা লাইয়িংথৌ শেকমাই নিংথৌ কৌবা অমা অমসুং মনাউ নুপী লংমাই চীঙজারোইবী (উমাম্না চীঙজারোইবীসু থোল্লি) কৌবী অমগা লৈরম্মী। মহাক্কী অহানবা মমিংদি সনালীক/সন্দ্রিক চংনিংখোম্বী, হায়বসিনি, মসি শমজিল্লগা চংনিংখোম্বী/লৈমা হায়বসি তারকখিবনি। মহাকসি লৈরু-লৈরুবা(কাইদোংলু- পাল্লুবা) মফমগী/লমগী মতুং ইন্না থোনবা অমসুং কৌনবা মমিং মিংখৈশিং — নমবোনগী চংনিং চীঙদা লৈরগা

চংনিংলৈবা, লাংপোক্তা লৈরগা পাম্হোইবী, মৈত্রমদা লৈরগা ওককোন্দা পোকখিবীনি হায়দুনা ওকলৈমা, হিয়াঙথাংদা লৈরগা য়াইম্না, চীঙঙা-চীঙদুমদা লৈরগা চীঙঙা লৈমা/লাইরেম্মা(লাইরেম্বী) অসিনচিংবা কৌনৈ।

চংনিংলৈমগী পুন্সি- ৱারী

লাইরৈমা চংনিং লৈমগী মপা-মমা অনিসি মশা-মশা খঙন-চান্নজদুনা নুংশিনরগা লৌন- লৈনজবনি। মহাক্কী মমা তম্ফা ৱাংঙমলোন পাম্হোইবীসি অহল-লম্মন্না হায়ন-শীঙনদুনা কংলৈপুঙ ময়োনগী মপু লৈমাবা খাবা শোকচ্রোম্বগী তাল্লোই তেকআনা পোকপা খাবা তরম/তরং খোইনুচাগা লুহোঙ-খোঙদোংদুনা খাবগী ময়ুমদা লৈঙাক- ৱায়েন্না য়াবী খাবা ময়ুম শাগৈগী মৌ ওইনা চহী অমা-অনিরোম লৈরুরবীনি। মহাক্না খাবগী ময়ুম কংলৈ পুঙয়োন(হৌজিক্কী কংলা অমসুং মসিগী অকোয়বগী লমদমগী কুরুমচীঙ/ পুরুমচিঙ)দা লৈরিঙৈদা লংমাই কাইনৌ চীঙশোম্বনা শা তানবা লাকপা অমসুং পাম্হোইবীনা ইনজিং-লোংখোনবা লাকপদা উন থেংনদুনা নুংশি-নুংওন্নরকপদগী খাবগী ময়ুমদগী পাম্হোইবীসি নোংপোক নিংথৌদা চেনখিবনি। খাবা তরম খোইনুচানা খুৎকন-পাঙ্গনবা খাবশিং নিংথৌমচা ওইবনা মখোয় অনিবু অফংবা মফমদা অমসুং মতমদা হাৎকনি হায়দুনা চহী ১৮(তরানিপান) কোয়তান তান্নরম্মী। মখোয় অনিনসু মৈত্রবাক্কী মফম অমসুং লমদম কয়া ঈরেম, লাঙ্গোন চীঙ্গোন, ক্নাথা-কোম্হোঙ, নুঙমু-চাইরেন, কৈরাউ-লংতুম্নচিংবা লমশিংদা লোৎলুরগা ঈঙৌরোক-লেংলেন(নিংঙেন) য়ৌনা হাইগৎলুরগা ঈঙৌরোক্তা খাবগা নোংপোক্না চায়নরগা খাবনা ঙমদুনা তাইশিন্ননখি। শেল্লোই-লংমাইচীঙ তারক্তুনা চীঙগোন্দুদা চীঙয়াঙ লাকপা চীঙশোম্বা হায়না কৌদুনা তঙ তানা লৈতাদুনা পানখিরম্মী। খাবা তরম খোইনুচা কিবদগী চেল্লিঙৈ মতমসিদা পোকখিবা মমোম সন্দ্রিক চংনিংখোম্বী নত্রগা চংনিংলৈমা অমসুং মপারী শেকমাই নিংথৌ অনিসিনি।

পোকপা অমসুং য়োক- থাক্লকপা

চংনিং লৈমা, মপাগা মমাগনা খাবা তরম খোইনুচাবু কিবদগী লোৎননবা লাঙঙাথেন অমসুং লৌশিপাৎ লমদমদা পাম্হোইবীগী মপন-মখুরা

ওইবা ঈরুম নিংথৌগী মনাক্তা চেল্লক্তুনা লৈরিঙৈদা ঈরুম নিংথৌ লাইয়িংথৌগী মোংবা মরানয়াই (হৌজিক্কী থৌবাল পানা/ডিষ্ট্রিক্তগী ঈরেংবদগী ঈরুম তুরেনগী হৌরকফম)গী মফমদা মিংলেন্দি 'সনালীক/সন্দ্রিক চংনিংখোম্বী'' হায়বা মমিংসিংনি। হৌজিক্কী ঈরেংবনগী লমদমসিদা পলেম মমা তম্ফা ৱাংঙমলোন পান্থোইবীনা তরা চাক শায়না, লেমলৈ ঙাতোং শৎনা ইনবীদুনা কুমওন অহুমলোম নাউৱা ওইরিবী সন্দ্রিক চংনিংখোম্বীবু নাউয়োক-নাউকোবীরকখি। মসিগী মতুংদদি মপ্বা ঈবুংঙো শেকমাই নিংথৌ তাইবংপান ফাউরক্লদুনা পলেম মমাগী তমপাক অমসুং শমু নঙ্গন্দু মুনখি। অদুবু ঈরুমলৈবা ঈরৈমনা লুনা চানা তৌবীবনা সন্দ্রিক চংনীংখোম্বীনা ময়োন মবেন ঈরুম লৈমগী ফৈরা মতম্বাক্তা, শমু মঙ্গন্দা পলেম পীথাং শিন্না অঙাং ওইবগী মপুন্সি লেঞ্জবা হৌরকখি।

মপ্বা ঈবুংঙো শেকমাই নিংথৌনা মালেম তাইবংপান্দা খোঙদারকপা চহি কুমওন অমা ফাফাত্রিঙৈদা পোইরৈ ৱাংঙম কংলৈ পুঙময়োনগী লৈমাবা ওইরবা খাবা তরম খোইনুচানা মহাক্লা শাথিরকপা য়াওরৌ শঙাই মতৈ-মনাউদু লাইয়িংথৌ ঈরুম নিংথৌগী মোংবা মশাইগোনগী কোল্লোই মশঙ্গাইদা চাক্তাদুনা লৈরে খঙলকপদগী খাবা মঙাইরোই, য়াংবা মরাল্লোই অকন-অথৌশিং পুদুনা খঙহৌদনা লান্দাশিল্লক্লে। নোংপোক নিংথৌ অমসুং পান্থোইবী মতৈ-মনাউসু হাননা লানগী নশোন ফংহৌদবনা অফিং-অফাই ওইনা করিগুম্বা অমতা লৌখৎ খুনগৎপা নত্রগা পুখৎ-পমখৎপা নংদনা মহৈ মহৈ মানা-মানা থোকপা ঈরুম নিংথৌ মশাইগোন্দগী কায়দুনা চেন্নখ্রে। মশাগী চহী মরিশুদ্রিবী মমোম সন্দ্রিক চংনিংখোম্বী অমসুং চহি অমা ফাদ্রিবা মপারী শেকমাই নিংথৌদি পন্থৌ মপা অমসুং পলেম মমা অনিমক্লা হুন্দোপীরম্লবা মোংবা য়ুমজাও কাজাওনুংদা কনানসু য়েংবী কোনবীদনা লৈহৌরে।

য়োক্লক-থাকপীরকপা

খাবা তরম খোইনুচানা ঈরুম নিংথৌগী মোংবা মশাইগোন্দা নোংপোক নিংথৌ অমসুং পান্থোইবীবু ফংদ্রবদা মখোয় অনি কদোমদা চেনখ্রবগে, কদাইদা চৎখ্রবগে, হায়বদু থিন- য়েংননবা ঈরুম নিংথৌগী মরান মকাইফম থাদোক্তুনা

থুনা য়াঙনা পনম চখোল্লক্তুনা লল্লক্তা শাথিরক্লি। খাবশিং চখোকখিদুনা ঈরুম নিংথৌ পাখংবা অমসুং ঈরুম লৈমা ঈরৈমা অনিনা মোংবা মরানয়ায়গী কোল্লোই মশঙগাইদা চঙলকপা মতমদদি মশু নাউৰা অনিদু তেক্তা কায়দনা লৈরম্লে। তেংবানবা মপুবু থাগৎচদুনা নাউৰা অনিদু লৌখৎলে, মতম্পাক্তা অমমম পমদুনা নাউথেন্নক্লে। অঙাংদু নাউৰা ওইদুনসু লাইনা য়াৎপা খয়াৎনিনা তরা চাকপু হৌ-থোংদুনা তরা চাক শায়রগা ইন্দুনা অঙাং অনি অদু ঈনুং ফম্মুংদা নাউথেম-নাউশুমদুনা কোরৌ নুমিত্তুগী অহিং ঈনুংদু লেল্লকখি।

মথংগী কোরৌ নুমিত্তু নাউৰা অনিদুগী মপন পন্থৌ অমসুং পলেম মমাদু লাক্কদ্রা হায়দুনা ঙাইববু অয়ুক্কী মতম হৌখ্রে। ঈরৈমা ঈরুম লৈমনা ঙরাংগুম অঙাং অনিদু পীজ-পীথক তৌদুনা হোৎনবদা নোংথিল অদুসু চৎখ্রে। অঙাং অনিদুগী মপা-মমা অনিদুদি খুৎকন পাঙ্গল্লবা কংলৈ পুঙময়োনগী মপু খাবদা লঙজ-লাঞ্জরুবনা অরানবগী চৈরাক-ৰারক ফংগনি কিদুনা লোৎখ্রে, অমুক মপারী মমোম অনিগী মনাক্তা লাক্ত্রে। অদুবু অঙাং অনিদুগী পল্লেম মমাদু ৰাংঙম ঈরুম নিংথৌগীদি য়াম্না নক্নাবা মমোম-লাংলেন অমনি। অদুনা অঙাং অনিদু মপা-মমা লাক্ত্রিবা ফাওবদি লাইয়িংথৌ ঈরুম নিংথৌনা য়োক-থাকপগী থৌদাং- লমদাংগী পরীং-পরমদা য়েংলবসু পীক্লিবা অঙাং অনিদু ফংলি-থেংনরুরিবা মহাক্লা/ মখোয়না য়োকপী-থাকপীফম থোকই। ৰাফমশিংদু খঙদুনা তম্ফা ৰাংঙমলোন পান্থোইবীনা মচা অনিদু মপন-মতোন্না ঈরুম নিংথৌনা য়োকপী- থাকপীগনি খন্দুনা মহাক অমসুং /নত্রগা মশাবী লাক্তুনা খাবা থেংনা উনরবা য়াবগী খুদোংথীবদু লৌরদবা য়াবগী থাজবা লৈ। অসুম্না নোংবাল্লোন সন্দ্রিক চংনিংখোম্বী অমসুং মহাক্কী মপ্পা অনিদু ঈরুম নিংথৌ পাখংবা অমসুং ঈরুম লৈমা ঈরৈমগী মনাক্তা লৌশীপাৎ অমসুং হৈরেম লমদমদা লৈদুনা অনিসিনা পন্থৌ অমদি পল্লেক শক্তুনা লেল্লক- লৈরকখি।

চাওরক-শাংলকপা

ঈরুম নিংথৌ/পাখংবা লাইয়িংথৌ অমসুং ঈরুম লৈমা/ঈরৈমা লাইরেম্মা অনিনা পন্থৌ- পলেম ওইনুনা সন্দ্রিক চংনিংখোম্বী অমসুং শেকমাই নিংথৌ[মহাক্কী মরমসি তম্ফাৰাংঙলোন পান্থোইবী ১বী অমসুং লীকলাপীচা

নোংতংনুদা য়েংবীয়ু] অনিসি য়োক্লক্তুনা চাওরক-শাংলক্খি। অদুগা মৈতৈ পোইরৈ তম্পাক্কী ৱাংঙম/মৈতৈশিংনা লৌশী লমদম অমসুং হৈরেম(লৌশি পাত্তগীনা পল্লেন ফাওবা অমসুং আইমোল মী কাংলুপগী চীঙলৈপাক অমদি পল্লেন মমাঙগী চীঙলৈপাক্তগীনা তমপাক্কী শেকমাইজীন মখাগী ইম্ফাল তুরেনগী নোংপোক থংবা তোবর্বানশিংনা কোল্লিবা লমদম/লমতুপ) লমদমসি কবো (SHAN) শিংগী লমতুপ/লৈয়াৎ লৈপাক ওইনা লৌনৈ-খন্নে[ও: ভ: ম:, ১৯৬৭,২১৯-২৩]। মরম অসিনা চংনিং লৈমসিবু কবোগী চীঞাক চাবী অমসুং হৈনবী ওইনা পীবীরি, মদুদি-

.... ঈবুংঙো খোয়রীফাববু উদ্রিঙৈ মতমদা ঈবেম্মদো চীঙদা-মান্দা, পাৎথী-কোমথীদা, লোক্তা-তাইদা তোয়না-তোয়না লেঙথোক্লক্লে। ঈবেম্মগী মরম হায়ববু মপাম কবো লমদমদা থরোই-থরাউ, লিন, তিন-কাঙ, লাইনচিংবা উচেক-ৱায়া কয়ামরুম ফাদুনা চারকপদো কাউবা লৈতে, হায়-এ অদুনা খোয়রী ফাবা ঈবুংঙোনা লাইগী ৱায়েনশঙদা কাখ্রিঙৈ তাল্লোই মরুন্বী থিখ্রিঙৈ মতম অদুমক্তদা ঈবেম্মদো তোয়না লেঙথোকই। নোংমদি অসুম থোকউ তমখিবনা ঈবেম্মনা পামেন উফৈথক্তা তাংজা লিল্লা অমা পায়রগা খরবান হায়দুনা (তৌহৈদবা পোৎ অমা চরমদায়দা ঈশ্বরদা/লাইদা কৎলগা চাবা) ফল্লিঙৈদা ঈবুংঙোনা.... ঈবেম্মবু উরুরে [রা: মাই:, ১৯৭৭,২৩৭-৩৮]।

অসিনি। অসুন্না শেনবী কবোগী লমচৎনদি অমা ওইনা পীবীরবসু ঈবেম্মা চংনিং লৈমসি ঈরুম লৈমনা চেৎনা-চান্না য়োক্লক্তুনা লৈশাবী মপুঙ ফারক্লে, লৌঙাক-ফৌঙাকপা চৎলক্লে।

পুন্সি-ৱারী লম্ফাংনবা

সন্দ্রীক চংনিংখোম্বী নত্রগা চংনিংলৈমগী পুন্সিগী ৱারীসি মখল অনি থোক্লা লৈশাবী ফারবা মতমসিদগী ওইনা পীবীরম্মী। ৱারী অনিসিদগী অহানবা অসিনা মহাক্লা চহী ১৫(তরামঙা) শুরবা মতম পুন্সি মথোৎ কারকপগী মীকী লাইকিদনা নুংশিবগী ঈথক-ঈপোম্না অপাম্বগী ঈহুন-ঈরৈদা পুক্লীঙ ৱারকপা ঙমদনা হকচাং লান্থোকপা থৌদোক্কী ৱারীনি। ৱারীসিগী পরীংদি ঃ-

অহানবা ৱারী

মপা-মচা কায়নখিবা চহী ১২(তরানিথোই) গী মতুংদা মশাগী চহী ১৫ শুরবী লৈশাবী মপুঙ ফারবী সন্দ্রিক চংনিংখোম্বী মপন পন্থৌগী পাথাং শিনবা ঈরুম নিংথৌগী পামলৌ লৌশঙদা নুমীৎ খুদিংগী লৌঙাকপা, উচেক-শাৱানা ফৌ পাম্বীদা চাক্তাবা ঙাকপা চৎলম্মী। মতমসিদা খাবনা কোয়তান তান্নবগী মফম কয়াদা মতম কুইনা কোয়রোৎ- লোৎলুরুবগা চাইরেন্দা লৈরম্বদগী খাবা অমুক লাক্তুনা মফমদুগী পান্থোইবী অমদি নোংপোক নিংথৌ তোংঙান তোংঙান্না ঈরুম নিংথৌগী মশাইগোন তম্না লাক্লবদা পান্থোইবীদি ঈরুম নিংথৌগী মোংবা মরানয়ায়দা থুংখ্রে। নোংপোক নিংথৌদি চীঙলক্তা কোয়না ঈরুম নিংথৌগী পামলোমদা লাক্লম্মী। মতমদুদা মহাক্লা লৈশাবী মপুঙ ফারবী চেংলৌ হেনবী সন্দ্রিক চংনিংখোম্বীবু উরম্মী। অদুবু মখোয়নী চেংলৌ মশক্তি খঙনরমদে। মতমদুদা মফমদুদা মখোয় অনিখক্তা লৈবনিনা ৱারী- ৱাতাই শানদুনা লৌশঙদা ফম্মিনরে। নুজাগী শাওং- শাদা উরুবা, থবাক ঙানফমগী ঈপোমদা পুক্লীঙগী ৱাফম ফোংদোক্তুনা নুপীচা মাবু লোইতান্নদুনা নুংশি হৈরাং চামিন্নরে নুপা-নুপীগী য়ুম্বানবগী মরী লৈনরে।

কোরৌ নুমিৎ চায়থরক্লবদা নোংপোক নিংথৌ চৎখরে। সন্দ্রীক চংনিংখোম্বীনা ঙসিদা উন্নরুবা, ঙসিদা নুংশিনা থম্মোই লান্থোকচরুবা মহাকপু খন্না-খন্না তোনবা নারন চন্দুনা য়াচঙলক্কদৌরবা মতমদা ঈরুম নিংথৌ মোংবা মরানয়ায়দা চঙলকপদা মপন পন্থৌগী চেংলৌ শকখঙলকপদা মকোকথক্তা নোংমৈ-শীঙজঙগী অখাক-অরাউনা খায়থরক্লে। ঈকাইবগী মৈচাক খাঙঙমদদুনা অহিং অদুদা ঈমুংদগী মপান থোকলক্তুনা ঈচেল অমগী ঈরোন্নুংদা চোংথদুনা লুপখ্রগা য়াইবী থৱাই থাদোকখি।

অনিশুবা ৱারী

সন্দ্রীক চংনিংখোম্বী নত্রগা চংনিংলৈমনা মপা-মমানা হন্দোকপীরম্বা চহি ১২ (তরানিথোই) হৌখ্রবা মশাগী চহি ১৫ (তরামঙা) শুরবা মতমসিদা চীঙঙু নোংথৌ সরারেন অৱাং পাখং য়োঙ্গরেনবা অমসুং হাওরোক কোনথৌশ্ কোরৌ/ৱাংবন লৈমা নাহুইনুগী মপারী লাইয়িংথৌ খোয়রীফাবনা

শেল্লোই মপাতাউ-খোইয়ুম থৌবা কৌবগা খুমন কংলৈ লৈকোইপুঙ, লৌশী লমদম, হৈরেম লমতুপনচিংবা লৈকোইরকপদা লমলেন ঈরুম ঈচেনগী ঈহৌফম, নুরা চংনিংলৈমা নাউয়োকফম ঈরুম পাখংবা মকাইফমদা থেংনখি। নুজাগী চেংলৌ উরুবদা খোইয়ুম খোয়রীফাবনা থম্মোই লাকশিনবা ঙমদনা খোয়দাখি। খোইয়ুম মপাতাউ থৌবগা ৱাতানদুনা নিংঙোন মাবু থেল্লকখি। নোংদম্বনা শেল্লকপা পোপানি, খাফাং-খল্লাংনবা শাবী শানৌনিনা নুজা মাসু পুক্লীঙ ঈথক হৌনা মশাবী মাবু খোয়জঙখি। মিত্তনা য়েংনরম্বদগী চীন য়াওনরকখি, পুক্লীঙ-ৱাখন ফোংদোক্লরকখি। লৌনসি-লৈনসি হায়নদুনা লাইয়িংথৌ খোয়রীফাবনা চংনিংলৈমবু পুরক্তুনা লাইয়িংথৌ মাগী মপন পলেম মমা হাওরোক লৈশং শাফবী ৱাংবন লৈমনা লৈবা মফমদা লাকখিরম্মী। অদুগা পলেম মমাদা শাবী শানৌ অনিনা নৌনা নুহোঙজনবগীদমক পুরুমজখি।

চীঙথক-চীঙদোন্দা লৈবা - লমলেন হাওরোক কোম্থৌগী খুনফমদা থুংল-লৈরবা কোরৌ খরনীগী মনুংদা চংনিং লৈমা তম্পাক লৈনেম-লৈমায়দা লৈবা হৈনরক্রে। মশাবীদা লোইবী চীঙদোন মথক্তা মশঙ-শঙ্গাই শাদুনা থম্বীয়ু, মপাম লমদমদদি লোইবী চীঙদা তোংবা, অৱাংবা লমদা লৈরকপনিনা পোইরে তম্পাক লৈনেমথক্তা লৈবদি হৈনদ্রে, মিৎ তাঙবা, না পঙবা অমসুং লোন থোক্তবগুম তৌরে হায়জরে। মশানৌগী ৱাহৈসি তাবদগী লাইয়িংথৌ খোয়রীফাবনা খোইয়ুম লাইয়ামদা চীঙ অমা পীয়ু, ঈশানৌ চংনিং লৈমগী ময়ুম শঙ্গাই শানবগীদমক্তনি হায়জরে। মদুদা খোইয়ুম লাইয়াম্না চীঙঙু নোংথৌ সরারেনগী য়াথং য়াওদ্রবদি চীঙ পীবা য়াদে, চীঙঙু মাবু কৌথরগা য়াথং লৌরসি হায়দুনা চীঙঙু মাবু কৌথরে। চীঙঙু নোংথৌ সরারেন্না ৱাংবন অৱাংবদগী লেঙথরক্লগা করিগীদমক্তা কৌথরিবনো পাউহংলক্লবদা খোইয়ুম লাইয়াম্না মরম পুম্নমক পাউদম্লগা মচাঈবুংঙো খোয়রীফাবগী মমৌ ঈবেম্মা চংনিং লৈমগী লৈননবগী নচা ঈবুংঙোনা চীঙ অমা নীরে, নচা ঈবুংঙোগা নমৌ ঈবেম্মগা অনিগী লৈফম পীনবীরম্মু - হায়দুনা লাইয়িংথৌ সরারেন্দা চীঙ নীজরে।

চীঙঙু সরারেন্না থংচীঙ, মারচীঙ, কৌব্রু, ৱাংব্রেন, চীঙখৈনচিংবা চীঙগী মপু ওইবা চীঙঙু লাইশিং লোয়নমক কৌদুনা ৱা তানরগা ঈচা-ঈমৌনা লৈনবা চীঙ অমা পীয়ু হায়রবদা চীঙঙু খোইয়ুম লাইয়াম্না মানা মানা থোকপা চীঙ

পুনরক্লে। থাংতেকচীঙ, পমচীঙনচিংবা পুরক্লবদা খোয়রীফাবনা পামদে হায়রবদা চীঙখৈনা মারজীঙনা লোইবা চীঙ, নোংপোক চীঙখৈ মায়কৈদা লৈবা সনাগী চীঙ, লুপাগী চীঙ অনি লাইয়াম্না ফোয়দুনা চিংদুনা পুরকখি হায়দুনা ফোয়চীঙ কৌবা চীঙ অদু পুরক্কুনা পীরে। মদুদা য়ারদুনা লোইবী মতোন্দা চংনিং লৈমগী শঙ্গাই শারে অমসুং চংনিং লৈমগী চীঙনি হায়দুনা চংনিং চীঙ হায়নসু থোল্লে। অসুম্না চীঙ অসিদা চীঙঙু সরারেন অমসুং ৱাংবন লৈমা নাহুইনু, পলেম-পম্থৌ অনি য়াওনা খোয়রীফাবা অমসুং চংনিংলৈমনা লৈখি। অদুগা চীঙঙু নোংনিংথৌ সরারেন্না চীঙঙু লাইগী চীঙ্গাক নত্তবা চাবগী ৱাংবন লৈমা নাহুইনুবু ইম্থোকপীবদু লৌখৎপীরগা মতম খর ফোয়জীঙদা পানমিন্নখি। মতমগী খোঙথাং মতুং ইন্না চীঙঙু সরারেন ফোয়জীঙ থাদোক্কুনা লাইরৈবাক্তা কাখি।

মতৈ-মনাউ খায়নবা - চীঙঙু খোয়রীফাবা অমসুং মতাল্লোই নোংপাল্লোন চংনিংলৈমা অনিনা মতৈ-মনাউ ওইদুনা ফোয়জীঙদা নুংঙাই মরাং কায়না পাল্লে। লোইদাম থাশীঙ য়াম্লক্লবদা চংনিংলৈমনা মপাম লমদম শেনবী কবোগী মরমদমনি শীঙথানবা ঈরুম তুরেনগী ঈহৌফম লমদমদুদা চৎনীঙলক্লে, পলেম-পম্থৌ শক্লা নাউয়োক- নাউকোনবীরকপা ঈরুম নিংথৌ অমদি ঈরুম লৈমবু উনীঙলক্লে, মদু মপ্পা শেকমাই নিংথৌ উননীঙলক্লে। মশাবী মপুরোইবদা নিংঙোন মপাম খোঙদারুগে, হঙ্গৎচববু মবুংঙোনা য়াবীদ্রে। মোংবা ঈকাইফমগী খরাই থোঙ্গান লানফরোয়, হায়বা অথিংবদুম থম্বীরক্লে। নুরা চংনিংলৈমা পুক্লীঙ খোয়রাং খোয়শাওরক্লদুনা শাবী মহাক্লা মোংবা য়ুমদা লৈতবা চীঙঙু লাই তীন্নবা খোইয়ুম ৱায়েনশঙদা কাপ্রিঙৈগী মতমদা মোংবা য়ুম থাদোক্কুনা লৈকায় পনবান লান্না চথোকপা হৌরক্লে। চীঙ-মান, লোক-তাইদা কুমদুনা মপাম কবো লমদমদা পাল্লি-লৈরিঙৈ, নিংঙোন্না লৈশারিঙৈদা চারক-থক্লকপা চীঙ্গাকশিং চাবা হৌরক্লে। অসুম্না কোরৌ নুমিৎ খুদিং লম্লক্তা কোয়না চৎলকপসিদা নোংমদি লাইয়িংথৌ খোয়রীফাবনা চীঙঙু লাইতীনফম, খোইয়ুম ৱায়েনশঙদগী হল্লকপদা চাহৈদবা চীঙ্গাক চানবা চংনিং লৈমনা উথক্তা তোংদুনা থৌরাংলিঙৈ, খরবান হারিঙৈদা লাইয়িংথৌ খোয়রীফাবনা হকথেংননা থেংনদুনা মমিৎমক্লা উরে। লমকেৎলবী মতাল্লোইবু থেম-নৌদুনা মোংবা মরানয়ায়দা নুমিত্তুমদি পুরক্লে।

লাইয়িংথৌ খোয়রীফাবনা মোংবা ময়ুম য়ৌরগা অশাওবগা লোইননা ৱাৱক্লকপা মতমদা চংনিংলৈমনা নুংশি য়াথং ইল্লরোয়, মীখা পোনবী ওইররোয় হায়রক্লে। মতৈ-মনাউ চীন্না ঙাংনরম্বদগী সেগা মাইগা হায়নদুনা চিংনা-ফানরবদা, নুরা চংনিংলৈমনা মনীঙ তন্বী ওইজরগে, চীঙঙু মাগী তাল্লোই ওইররোয়, নুংশি নাক্তা লৈজররোয় হায়দুনা য়ুম থাদোক্তুনা মপান্দা চেন্থোকখ্রে।

লাইয়িংথৌ খোয়রীফাবনা অশাওবা খংহন হন্দুনা, মমান্নবা চীঙঙু খোইয়ুমশিংগী মমাঙদা তাল্লোই কেৎনবা, মরূম্বী খৎনবসি খঙখ-উখ্রগা ঈকাইজৈ খন্দুনা মপান্দা থোক্লগা চংনিংলৈমা কদোম চৎলমগদগে হায়না য়েংলক-থিরক্লম্মী। মরানয়ায় মশাইগোনগী পনগোয়নুংদা উবা ফংদ্রবনা কোল্লোন-থোঙ্গান লান্দুনা মমায় নোংপোক ওন্দুনা তাল্লোই মাবু তান্নরকখি। লম্বীদা খোইমোম লাই নুরা অমা থেংনদুনা চংনিংলৈমগী মপাউ হংবসু খুম্বীরমদ্রে। অসুম মাঙলোমদা চঙশিল্লকপদা কৈথেল অমা থেংনরে অমসুং কৈথেন্দুদা মশানৌ চংনিংলৈমা মানবী নুপী অমা পোৎয়োনফম মরক্তুদা চঙখিবদু অরাপ্পা মফমদগী লাইয়িংথৌ খোয়রীফাবনা উরে। মহাক পরপ পরপ লাক্তুনা কৈথেল পোৎলক্তা চঙলক্লে, অদুগা পোৎফম ফম্বী মচেম- মনেমশিংদা মশানৌ চংনিংলৈমগী মৱা-মপাউ হংবা, মহাক কদায় লৈবগে থিজববু কনা অমতনসু মহাক'সিদা লৈ হায়না তাকপীরক্লে। নুজা চংনিং লৈমসু, করিগী থিবীরক্লিবনো? পামজদে হনবীখ্রো! হায়না হায়রুবদা লাইয়িংথৌ খোয়রীফাবনা অশাওবা লাইমন কাংলক্লদুনা লৈমবু কৈথেল মীয়ামদুগী মমাঙদা ফুবীরে। মীয়াম্না মতৈ মনাউগী খৎনবদু কুম্মৈ ওইনা য়েংনখিরম্মী। অদুগা মীয়ামদুদগী, কনানো করিগীদমক্তা তাকথোক্লরিবনো, হৌজিক্তি করি শারে- হায়দুনা মখোয় মশেন পঙখক্তা খৎনরকখি। মদুদা লাইয়িংথৌ খোয়রীফাবনা কৈথেল অদু কারগনু হায়দুনা থিংলম্মী। খৎন-চৈনবা, মৈহৌ- লাংপোক থোকপগুম থোক্লবা কৈথেন্নি, হায়দুনা লাংপোক কৈথেন থোনখি হায়য়ে। অসুম্না লাংপোক্তা লাইয়িংথৌদু লাংপোক নিংথৌ কৌদুনা লৈখিরম্মী।

চংনিংলৈমনা মফমসিদগী ফদী-ফরা শেত্তুনা লাক্লম্মী, লমদমদুবু তুংলমচত্তা ফদীবী লমশাং হায়না থোন্নখি। মদুগী ঈবেম্মনা নিংঙোম্বমদা নোংলেল্লগা লাইরেঞ্জম অমসুং মৈত্রমগী লমদমশিং চঙলম্লগা লমলেম লমদম

অমদা পন্দুনা মতম খর লৈরম্মী। মদুদগী হিয়াঙথাং মায়কৈদা হাইগৎলগে খল্লকপা মতমদা লাইয়িংথৌ সরারেন অমসুং মনু-মনেম ৱাংবন লৈমা নাহুইনা মমৌবু ফোয়জীঙদা উদ্রদুনা থিরকপদা লমলেন্দুনা উনখি। লমলেন্দুবু কাইনথংদা পামেন উ কদম হায়বদু থাদুনা হৌবদগী কদম পোকপা লমনি হায়দুনা কদমপোকপী/কোদোমপোকপী থোনখিরম্মী। মফমসিদগী হাইগৎলক্কুনা হিয়াঙথাংদা হীরৈমগী মনাক্তা য়াইস্না ওইনা লৈরমখি। খায়নবগী অশাওবনা মাঙওইনদুনা অমুক হাইগৎলক্লগা পোইরে কংলৈ পুঙময়োনগী খা থংবা তুরেল অচৌবনা নোংপোক মায়কৈ কোয়না চেনবা চীঙঙা চীঙদুমদা লাক্কুনা চীঙঙা লৈমা, চীঙঙা লাইরেম্মা ওইদুনা লৈখিরম্মী।

মতৈ মনাউ হুঞ্জিন্নবা - নোংপাল্লোন সন্দ্রীক চংনিংখোম্বী, চংনিংলৈমা নত্রগা চীঙঙালৈমনা চীঙঙা চীঙদুমদা পাল্লিদৈঙে, নুংশি শেৎন-খায়ননা লৈরিদৈঙেসিদা মপন পলেম মমা অপোকপী তম্ফা ৱাংঙমলোন পান্থোইবী, লংমাই/নোংমাই অঙোমগী য়ুমলৈমা ওইবী অমসুং মপন-পন্থৌ অপোকপা লংমাই নিংথৌ কাইনৌ চীঙশোম্বা, নোংপোক মাল্লং হুমওইবসু চীঙঙা চীঙদুমদা লাক্কুনা মমোম-লাংলেনবু লাঙ্গোল্লখি। অদুগা মমান থংজীঙ কোয়রেন লাই কোয়রেন অহুমগী থক্তা ৱাঙনবসু, মনু-মনেম অনি কোয়রেন লৈমা ঙাংশাবী, লেরা লৈমা লাইশন থানবী নত্রগা অয়াঙ লৈমা কবোক চায়বী অহন অমসুং নহা, মচীন মনাউ অনিমকসু চীঙঙা চীঙদুমদা লাক্কুনা মহুইরোন-মমৌবু নাউকোন-লাঙ্গোল্লখি। লেরা লৈমা লাইশন থানবী অনিমক্তি লীৱা লৈমা অমসুং পিশুম লৈমা হায়দুনা চীঙঙা চীঙগী মখা অমসুং অৱাংদা নক্লা লৈফম শেমদুনসু লৈখিরম্মী।

নোংপাল্লোন চংনিংলৈমনা মশাবী লাইয়িংথৌ খোয়রীফাবগা খায়নদুনা চীঙঙা চীঙথক্তা লৈরি-পাল্লিদৈঙগী মতমসিদা মপাম লমদম ওইনা শীথারবা লমলেন কবোগী খুল্লেপাক লৌশী-হৈরেমগী লৈয়াৎ-লমতুপ্তা খোঙদাদুনা নিংঙোনগী অউনপোৎ, অউনশন, অউন্নাইনচিংবা মপা শকপা ঈরুম নিংথৌ অমসুং পলেম শকপী ঈরুম লৈমগী মফমদগী লৌরুদুনা চীঙঙা চীঙদুমগী চীঙথক মকাইফমদা পৈদুনা থল্লে। মতম অসিদদি মশাবী লাইয়িংথৌগী মফমদা শাওরম্বা

অদু নেমথখ্রে। মপন পন্থৌ অমসুং পলেম মমানা থেম্বনে, মনেম-মকু শকপা থংজীঙ কোয়রেন নিংথৌ অমদি কোয়রেন লৈমা অনিনা থেমজিন-তকশিল্লকপনে নোংম-নোংমগী অশাওবা হন্থরক্তুনা নুংশিবগী মশক্তা ওল্লক্লে। মতমসিদা লাইয়িংথৌ খোয়রীফাবা লাক্তুনা মশানৌবু ময়ুম-মকাইফম নম্বোনগী ফোয়জীঙ চীঙদা চৎলসি হায়না থেল্লরে। মশানৌ চংনিংলৈমসু মশাগী অশাওবা মাঙখ্রবনিনা মশাবীগী মতুং ইন্দুনা নম্বোন ফোয়জীঙদা চৎখ্রে।

পুন্সিগী পোলোয়দা

নোংবাল্লোন সন্দ্রীক চংনিংখোম্বী নত্রগা ফোয়জীঙ চীঙলৈমা চংনিংলৈমা মপুরোইবা লাইয়িংথৌ খোয়রীফাবগা মতম খর খায়নদুনা তোংঙান-তোংঙান লৈনরম্বদগী হঞ্জিন্নরদুনা ফোয়জীঙ চীঙদা পুল্লপ অমুক হন্না লৈমিন্নররে। মতৈ-মনাউ অনিসি য়ুম্বানবগী পুন্সিদা মশা মশা পেন্নরবসু মখোয় অনিগী মপারী-মমোম অমতা লৈতে। অদুনা অনিসি লৈশাবী পাখং অদুম ওইদুনা লৈখি। অদুবু তাইবংপান অসিদা পোক্লক্লবা খুদিংমক শিবগী লমন তোল্লি, অদুগা লাইরৈমা চংনিংলৈমা অমসুং লাইয়িংথৌ খোয়রীফাবদি খোইমোম অমদি খোইয়ুমনি। নমু তাইবং মীনা চীঙঙু, খোইয়ুম, খোইমোম অমসুং লাইশিংবু মীওইবনা তৌবা পুম্নমক তৌরবসু, মীওইবগী লৈবা পুম্নমক লৈরবসু, চাবা-থকপনচিংবা পুম্নমক তৌরবসু, হিরম-ৱারম পুম্নমক্তা, মতীক-ময়াই লৈবা অমসুং শিবগী লমদাংশিং নত্তনা অতৈ পুম্বা মান্নে, খেন্নদে হায়না লৌরবসু, চীঙঙু-খোইয়ুম, খোইমোম অমসুং লাইশিংগীদি শিবা লৈতে, মতীক-ময়াইদা মীওইবদগী হেল্লি হায়নসু লৌনৈ। মরম অসিনা পোকপা নত্রগা পোকপগী মপোক লৈরিবী চংনিংলৈমসি অশিবা/শিবা লৈতবা তাব্রা? পুম্নমকসি ৱাখলগী পোখোক্লি, অদুনা চংনিংলৈমগীসু শিবা অমসুং শিবগী মতম, মীওইবা অমা ওইনা লৈফম থোকই। অদুবু মহাক্না শিখিবগী মতমদুদি কনানসু পীবীরমদ্রে, অদুনা মহাক শিদে নত্রগা শিবা নাইদে হায়না লৌনরে।

ৱাখোম-ৱারোয়

নোংবাল্লোন সন্দ্রীক চংনিংখোম্বী নত্রগা খোয়রীফাবা লাইয়িংথৌগী তাল্লোই লাইরৈমা/লাইরেম্মা চংনিংলৈমসি লংমাই নিংথৌ কাইনৌ চীঙশোন্না

অমসুং তম্ফা ৱাংঙমলোন অপানবী [চৈথা: কুম:, ২০০৫, ৪১]/ পান্থোইবী [মথক্কীসিদা] অনিগী অনিশুবী মমোম লাংলেন্নি। মহাক লৌশী-থম্লানগী লমদম, ঈরুম তুরেনগী হৌরকফম মরূদা লৈবা ঈরুম নিংথৌ/পাখংবগী মোংবা মশাইগোন্দা নোংপোক নিংথৌ অমসুং মতাল্লোই পান্থোইবী অনিনা খাবা তরম খোইনুচানা হাৎকনি হায়না তান্নবগী লোৎলিঙৈগী মতমদা পোকখিরম্মী। মপা-মমানা খাবা কিন্দুনা মহাক অমসুং মপ্পাবু হুন্দোকপীরমদুনা চেনখ্রবদা ঈরুম নিংথৌ অমসুং ঈরুম লৈমনা মপা-মমা শক্তুনা য়োকপী-থাকপীরকখি অমসুং চাওরক-শাংলকখি। মহাক্কী মমিং 'সন্দ্রীক চংনিংখোম্বী" হায়বসিদা খৃ: ১৮৭৪ দা চনম বাপু পেনা হঞ্জবনা পুথোকপা অমসুং খৃ: ১৮৭৫ দা চাওথোক-শাংদোক্লা লেংথোকপা "মোইরাং কংলৈ ঈশৈ" নত্রগা মোইরাং কংলৈরোনগী খম্বা-থোইবী ৱারীদা য়াওবা কবো নিংথৌগী মমোম-লাংলেন শন্দ্রিক চংনিংখোম্বীগা মহাক্কসি হেক হেক চমন্নহল্লি।

নোংবাল্লোন চংনিং লৈমগী পুন্সিগী ৱারীদা লৈশাবী ফারক্লবা মতমদগী শিবা ফাওবসিদা ৱারী অনিশুনা লমফাং ওইনা থম্বীরম্বসিদা অহানবগী ৱারী মশা মতোমতা শিজবগী ৱারীসি কয়া ফাওদে, মমিং চত্তে। ৱারীসিগা মান্নবা ৱারীশিং-কোম চীঙমী কাংলুপকী অথৌবা রাংঙমগী ৱারী, মৈতৈগী কবো সোঙগ্রি লৌঙাকপীগী ৱারী [ম: ন:, ১৯৮১, ৫১-৫৭] অসিনচিংবা লৈরি। মখোয়সি মওং-মতৌ লৌদুনা পীশিল্লম্বনি, হায়জনীঙঙি। নোংবাল্লোন চংনিংলৈমনা লৈশাবী মপুঙ ফারবদা লাইয়িংথৌ খোয়রীফাবনা তম্পাক্কী খা-নোংপোক মায়কৈদা লম কোয়রকপদা থেংনদুনা মশা মশা নুংশিনদুনা লৌন-লৈনখি অমসুং নম্বোনগী ফোয়জীঙ চীঙথক্তা পানমিন্নখি। য়ুম্বানবগী মতৈ-মনাউ খৎনবা অমসুং চান্নবগী থৌদোক কয়াগী পুন্সি লেল্লম্লগা ফোয়জীঙ চীঙথক্কী ময়ুমদা খোইয়ুম লাইরৈবাক্তা কাখিদুনা চীঙথক-চীঙদোন্দুদা শিবা নাইদ্রবী লাইরেম্মা ওইদুনা খুবম শেম্লগা লাৎলি।

লংমাই চীঙ্জারোইবী

ৱাহৌ-শৈহৌ

"..... তৌইগুম নবেন খোইমোম্ লাইরেন্মা লংমাই চীঙ্জারোইবীদা মচেঙ্ হক্মা ওইনা ৱাতানরুখিগে। ৱাংলেন পুঙ্জা অমরম্দবু ঙাইখম্ঙম-ও হায়রমলবগা মালং ফেনচী ওইনা য়োঙ্গবু মশানৌদা পাউমেল্লুইয়ে। ঈশানৌ লংমাই চীঙ্জারোইবী-ও লাইরেন্ ঈনোংয়াই থোংনাং ময়াম্বনা ৱাকৎচরকপা ৱাবু লৈয়ে, ব্রাহ্মন বামোন য়াউ, ঈরাৎ পোৎলোই মশীঙ শুনা, শংলৌ মেরামেস শেংথোইববু লুক্লেন্ পাম্না হানা য়োঙ্গনজগে হায়জরকয়ে" [ও: ভ: ১৯৭৪, ৯৭]।

মথক্তা থমজরিবা "সনামহী লাইকন" কৌবা পুয়া লাইরিক্তগী শক্তোক-লৌথোকচরকপা ৱারেং মতেক অসিদা পল্লিবা লংমাই চীঙজারোইবী হায়রিবা লাইরৈমা অসি মহাক্কী মশাবী খোইয়ুম লাইয়িংথৌ, চীঙঙু কংলৈ অশিবা/অশিবগী মরাংওন ফাৎলৌ খোম্বা (তাইবং খায়বা, লাই ৱা- হায়বা নত্রগা সনামহী) না য়াম্না লুনা-চান্না তৌজবী তাল্লোইনি হায়বদু মথক্কী ৱারেং মতেকসিনা অদুম তাকচরি। লাইরৈমা অসি মাইবা-মাইবীশিংনা শাক্ত, তন্ত্র অমসুং শাক্ত-তন্ত্র লাইনীঙশিংগী ৱাখল্লোন অমসুং ৱাখলদা পুশিন্দুনা "উমাসনা চীঙজারোইবী" হায়নসু মিংথোল্লি।

শক্তাক ৱারম :

লংমাই চীঙজারোইবী (লংমাইজীঙগী নত্রগা নোংমাইজীঙগী চীঙদা লৈবী চরোই উচেক নত্রগা উচেক চরোই ওইবী) লংমাই নিংথৌ কাইনৌ চীঙশোম্বা নত্রগা নোংপোক মাল্লং হুমওইবা নোংপোক নিংথৌ অমসুং মহাক্কী তাল্লোই তম্ফা ৱাংঙমলোন পান্থোইবীগী অহুমশুবী নত্রগা ঈতোন তোনবী মমোম লাংলেনতোন্নি। মহাক শেল্লোই-লংমাই চীঙগী চীঙয়া লমদমদা মপন পন্থৌনা চীঙয়ায় লাকপা চীঙশোম্বা ওইরবা মতমদা পোকখিবনি। মপন পন্থৌ অমসুং পলেম

মমানা খাবা তরম খোইনুচা, কংলৈ পুঙময়োনগী লৈমাবা খাবা শোকচ্রোম্বগী মপারী, খুৎকন-পাঙ্গল্লবসিদা লঙজ-লাঞ্জরুবগী খাবসিনা হাৎকে হায়দুনা কোয়তান তান্নবা, মখোয় অনিনা পোইরৈ মৈত্রবাক্কী চীঙ অমসুং তমগী লমদম কয়াদা কোয়চেন চেন্দুনা লোৎলম্বগী মতমদু লোয়খিদুনা তাইশিন্নদুনা কল্লক-য়েংথী লৈনদ্রবা মতমদা পোকপনিনা লংমাই চীঙজারোইবীসি থোইচৎ ৱাংচৎনৈ। মহাকসি মতোমতা কেনা-মৌনা য়োল্লকপনিনা খরসু নৱাংনা, চাওথোক্লা হৌরক -কারকখিরম্মী।

চীঙজারোইবীগী পুন্সি ৱারী :

শেল্লোই লংমাইচীঙ অসিদা সরারেন অরিবা ৩ (অহুম)-শেল্লোই লংমাই, লুৱাং লংমাই অমসুং থাংয়ি (চেংলৈ/ শরাং- লৈশাং) গী মী কাংলুপ-ফুরুপ অহুমসি তান্নদুনা খাবা, ঙানবা অমসুং চকপশিংগা লাম্বা পাবা য়ানবা হোৎনরিবা মতম্লি। মরম অসিনা শেল্লোই লংমাইশিংসি য়াম্না চান্ন-চিন্ননা লৈমিন্নরিবা অমসুং তোৎন-তীন্ননা মতেং পাংনরিবা তাঞ্জানি। অসিগুম্বা মতমসিদা লংমাই চনু চীঙজারোইবী শেল্লোই- লংমাইশিংগী মরক্তা থোৎন-নৌনা হৌরকপসি ময়ামদুনা নুংশিনা পঙতৌদা তৌরম্মী। চানীঙবা মনীঙ তম, শেৎনীঙবা মখা তমদুনা চহি লোঙ্গা ওইবী মখোয়নৌ-মতারোইশিংগা লোইননা লংমাই-নাপোম থুংনা কোয়চৎ চত্তুনা চাওরক-শাৎলকখিবীনি। শেল্লোইগী পাম খুদিংদা চঙদুনা অহন অমসুং মথক থোংবশিংনা পামলৌ শূবা, থবী-মাইরেন থাবা, পান-মংগ্রা লীংবনচিংবা য়েংল-উবগা মতৌ তমদুনা মশাগী পামলৌ শেমজ-শাজবীনি।

লৈশাবী ফারকপা

লংমাই চীঙ্জারোইবীনা ফনেক খোয়দোম শেৎলকপা মতমদগী হৌনা পলেম মমাগী মতুং ইন্দুনা নুপীচা শীন্থাশিং তম্লকখি। করিগুম্বদা নিংঙোন কাগী খ্বাঙগী ঈয়োং তিংদুনা তেমথেং মশীঙ খঙদনা ফি শাখি। করিগুম্বদনা ফুশা -ৱানশাদুনা য়ুমগী ঈমুংগী ফুশীঙ ৱাত্তনবা হোৎনরকই। ফুশা-ৱানশাবসি পলেম মমানা চাইরেন লমদমদা হৌদোকখিবদু পলেম মমাদগী ৱারী- শীঙবুন্দা নত্তনা শীনশূ-শীন্থাবসু তমজখি। অদুবু নাইতোম তোমপোকপী ওইবনা কেমন্না য়োকখিবনা শীল্লম- শীনথোঙ খঙলবসু অমসুং শীন্থাবা হৈরবসু কয়া

শূনীঙ-নোম্নীঙদবগুম তৌই। মপন পন্থৌনা শেল্লোই নাকপক অমগী নিংথৌনিনা মহাক্না শূ-নোমদ্রবসু করিসু অৱাৎপা লৈরমদে।

মতম্না কনাবুসু ঙাইবীদে, মহাক চহি অদুপ য়ৌরে হায়বসু তাকপীদে। অদুনা লংমাই চীঙ্জারোইবীদু মপন পলেম-পন্থৌগী মমিত্তা অঙাং ওইনা উজরবসু চহি লোঙ্গা ওইবা পাখংশিংগী মমিত্তদি মপুঙ ফারবী লৈশাবী ওইবদু চপ চানা উরে। মতমসি য়ৌরকপদা মহাক মচেমশিং অমসুং মবুংগী ৱারম তারে। মচেম য়ায়মা ৱাংবন নিংথৌ মচা ওঙবী সন্দ্রীক চংনিংখোম্বীদু মশাবী লাইয়িংথৌ খোয়রীফাবগা খায়নদুনা চীঙঙা চীঙদা চীঙঙালৈমা ওইনা লৈরে অমসুং পলেম পন্থৌ অনিমক মচেম মনাক্তা নুম্মিৎ খরনি লৈরুনবা চৎপা তারি। মহাকসু পলেম-পন্থৌগা লোইননা মচেমগী মনাক্তা চৎকদৌরি। মফমসিদা কোরৌ শীঙবুম খরনি লৈবা মতমদা চীঙ্গু কংলৈ অশিবগী লাংওন মৈদিংঙ্গু মচা অহনবা লাইয়িংথৌ সনামহী, চীঙ্গু তাইবং খায়বনা কংলৈ পুঙময়োনগী খোইয়ুম লাইয়িম মকাই ফমদগী লমলেন তেল্লোং মরমদমদা য়াথোক্লকপদা চেংলৌ শকউনখি। পনম চখোক্লকপা শাবন লমথোক্লকপদা শাবী শানৌ অনিদু নুংশি মিৎচাননা থম্মোই থম্মোই তীন্নবা মিৎচানখি। নোংদম্বনা শেন্নকপা পোৎপা লৈপুন ওইবনিনা অনিমক পুক্নীঙ তুজুংনখি।

নুহোঙ-খোঙদোংবা

লংমাই চীঙজারোইবীনা লমলেন চীঙঙা চীঙদুমদা মচেম চংনিংলৈমা চীঙঙালৈমগী মনাক্তা পলেম-পন্থৌগা লোইননা লাক্লম্বদগী মপাম শেল্লোই লংমাইচীঙদা হল্লক্লে। মতমদা নুজা মহাকপু লাইয়িংথৌ তাইবং খায়বগীদমক্তা হায়না-শীঙনরখি। নিংঙোন মশানসু ঈকুই কুইদ্রিঙৈগী মমাঙদা চেংলৌ উনখ্রবনা পুক্নীঙগী অয়াবা ফোংদোক্তুনা নুহোঙ-খোঙদোংখি। চীঙঙু-চীঙঙুরেনবী অনিনা নুহোঙ-খোঙদোংবগী থৌরমসি ইং কুমজা ১৭৩৩-৩৪ দা মৈদিংঙু গরিবনিৱাজ (খৃ: ১৭০৯-৪৮) না লমলেন তেল্লোং লমদমগী উফোঙ য়ুম্ফমদা চীঙঙু তাইবং খায়বগী খুবম শেন্বদা কংলৈ পুঙময়োনসিদগী চীঙঙু শক্তম্বু লংমাই চীঙজারোইবীগী মরানয়ায় শেল্লোই চীঙয়ায় ফাওবা পুদুনা ইং কুমজা ১৭৩৪ দা চীঙঙু মতৈ-মনাউগী নুহোঙবসি পাংথোকখি। [চৈথা: কুম:, ২০০৫, ৯৮]। মসি পাঙথোকখিবসিগী ৱারোল্দি :-

(১) ...... খুমন চৈরাকপম লমফেনগী কুমদি শক ১৬৫৬... ঈংঙা থা... থানীন য়ুমশকৈশ (ইং কুমজা ১৭৩৪ জুন-জুলাই লোন্নবা) দা লাই মহারাজগা স্না চীঙজারোইবীগা লুহোংএ [মথক্কীসিদা, ৯৪]।....

(২) ...... ঈয়ু খোইয়ুম লাইয়িংথৌ নঙদি চীঙভু নঙগী লাইশঙ য়োঈকোন্নুংদা চঙবীহিগুনো। মাগুোপ শঙদেংনুং অসিদা ফয়েং নোংগা ফাইনা, নুংঙাই মরাং কায়না লৈবীখিয়ো। চীঙভু নঙগীদমকপু খোইয়ম নতৈ মনাউগী নুহোঙ-খোঙদোংপোৎপু য়েল্লাং ঙমদমজখিগে, হায়না.....।

খোইয়ুম মতৈ-মনাউগী লুহোং পোৎলোই মশীঙ শুরবগা লোইদাম ঈঙা থাগী ৪ নি পাললবা কোরৌ য়ুমশকৈশ নুমিৎকী খেনলেন মতম ফবদা খোইয়ুম খোইমোম অনি মবু তাইবং হৌনা মতম লৌনা নুহোঙ-খোঙদোংবীরে হায়দবরা? খোইয়ুম মতৌ নুংওনবা অসিবু চেংলৌ মিৎপু লংনা শানখৈজরবগা ..... চৈরৈ মকা ফোং, মাললৌ মীমাঙ তাক, মোইবুঙ থিনকামনা, ৱাংলেন পুংখৎ তৈ, তরেৎ শেলফাং য়ৈ, বাঁশি খুৎখৎ তোয়, পেনা লময়িন খোং, জগোই খুৎয়েক লৌ, ঈশৈ তেরান শক, খুবাক তাবুঙ ফু, লোয়না ঙমদম হৌনা খোইয়ুম মতৈ মনাউবু দুলাইথক্তা থাঙ্গৎলে...... য়াংলৌ লমদাং শীৎলক্লে.... [ও: ভ:, ১৯৭৪, ১০৬-১০৮]।

অসিশিংসিনি। অসুন্না লুহোংলগা খোইয়ুম খোইমোম অনিসি শেল্লোই লংমাইচীঙদা চীঙলেন ৱাখা চীঙগী চীঙলৈপাকসি নিংঙোন লংমাই চীঙজারোইবী মহাক্কী অউনচীঙ ওইনা পীদুনা ৱাখা লাকপা পল্লুবা অমসুং ৱাখা লাকপী পল্লুবী ওইনা লংমাই ৱাখাচীঙদা পানখিরম্মী।

লংমাই চীঙজারোইবীগী শকফম-শক্তম

লংমাই চীঙজারোইবীসি খোইমোম লাইরৈমা, লাইয়িংথৌ তাইবং খায়বা (লাই/লাইয়িংথৌ-ৱা-হায়বা, ফাৎলৌ খোম্বা, লাই মহারাজ নত্রগা লাইয়িংথৌ সনামহী) গী তাল্লোই ওইনা খ্বাইদগী ঈহান হাননা শেন (Bell metal) না শকফম/শক্তম হৈ-শাখিবসি খৃ: ১৭৩৩ দা মৈদিংঙু ময়াম্বা/গরিবনিৱাজ [থোংনাং ময়াংঙম্বা, শমশোকঙম্বা, তখেনঙম্বা, মেখলেশ্বর, নোংপোক ৱাইরং পামহৈবা, গোপাল সিংহ (খৃ: ১৭০৯-৪৮)] না হৈখিবনি। হায়রিবা

শক্তমসি হৌজিক-হৌজিক ফার্ষ্ট বেটালিয়ন মণিপুর রাইফলসকী কম্পাউণ্ড মনুংদা লাংলিবা অসিনি। লাই অনিসি খৃ: ১৭৫৮ দা অৱাগী নিংথৌরেল অলাউঙ-ভুরা/পায়া [ALAUNG BHOORA/HPAYA (1760-64 A.D.)] মশামক্লা মৈত্রবাক্তা লান্দারকপদা অৱাদা পুখিদুনা অৱাগী কোনুং/কংলৈ সগাইং (Tsit-Kiang) দা থমখ্র-লাৎখ্রবদগী শগোলশেম শোইপাইনা খৃ: ১৮২২ দা মৈত্রবাক্তা পুরক্তুনা [চৈথা: কুম: ২০০৫, ১২১] অমুক লাৎখিবনি। লাই অনিসি অৱাদা খৃ: ১৭৫৮ দা পুখিবসিদগী মৈদিংঙু চীঙথংখোম্ব [রাজর্ষি ভাগ্যচন্দ্র, রাজা জয়সিং, কর্ত্তা মহারাজ, নুঙনাংখোম্বা অমসুং চীঙশাংখোম্বা (খৃ: ১৭৫৯-৬২ অমসুং ১৭৬৩-৯৮)] না খৃ: ১৭৭৮ দা অমুক হন্না শক্তম হৈখি [মথক্কীসিদা, ১৩১]। হায়রিবা অকোনবদা হৈখিবা খোইয়ুম খোইমোম অনিসি হৌজিক কৈশামথোং মোইরাংনিংথৌ লৈরক্কী লৈহাউথাবগী লাইশঙদা লাক্তুনা লৈরি। অহানবগী শক্তমসি হৈবদা করম্বা শক্তম অমসুং শারেপ শাবান্দা হৈখিবগে হায়বগী মরমদা থম্বীরম্বা ৱারোন্দি:-

.... অহয়বা কেক্রু শীনহৈবা অনিমবু তয়ম নবিঙানা মচেঙ হকমা ওই, লৌশিঙ পুকমাননা শানশেম্মন্নৌ-ও!..... ঈয়ু খোইয়ুম লাইয়িংথৌগী মূর্ত্তি মহকশাংদি তুবী ঐগী চেংলৌ শকপানথোংবু শানচুহল-ও! ঈবেন খোইমোম লাইরেম্মগী পুনুং লেপ্পানথোংদি য়োঙ্গবু ঈশানৌ গোমতি রাণী অহেনবীগী কোরী নাপোন থোং, চীনবান মোইকায় য়াৎপু শোয়হনগুনো। কোনচা লয়ফম ৫ মা অসিনা চীঙঙু মতৈ মনাউবু উনবী পুক্লীঙ চেৎনা তৌখঙ-ও! হায়না শংলৌ.......... খোইয়ুম হকচাং শেৎ ইন্দ্রি মথোঙ শেম্না লাইরেন মতৈ-মনাউগী হকচাং মওং লাক্লা শানশেম্লে। চীঙঙু লুৱাই কোয়রেল্লম, চেংলৌ শকপানথোং, লাইবক খেল্লাই তা, পিশুম পাকোয়রম, নাপা কোনয়ান লীকথোল্লম, খজাই নাকলৌ শীন, কোরী নাপোম থোং, চীনবান মোইকায় য়াৎ, মিৎমৈ তোরাললম, য়ারেন খোঙজী তা, খৌরী ঙককোয় চেং, পানবোম লেংলোইতা, খুৎফাং চাংজৌ শেম, খুবাক লৈয়িশোনবু তৈনা শেম্লা য়াঙলেন লাইকারম, পুকশিন হুইথাপ লমবু খোয়জী খোইবুঙ মরৈ তম শিনকোয় নিঙগোয়রম, খ্বাঙ পমশি থোং, শানোম ফানদোং লম, খুকলু তাঙ্গোয় থোং, খুবোম তোংয়াই লম, খুমিৎ খুজেং তা, খুনীঙ মোইদোন তা, খুৎয়া লৈখাঙ লম পুম্নমবু ৱাৎচা ঙমখৈ লৈত, শিনথোং ৯মবু মশীঙ শুনা লাইরেন মতৈ মনাউগী চেংলৌ শকপানথোং পুম্নমবু শানচুহললে। [ও: ভ:, ১৯৭৪, ১০০, ১০২-১০৩]।

...অসিনি। অদুনা ফার্ষ্ট এম: আরগী কম্পাউণ্ড মনুংদা লাৎলিবা লাইয়িংথৌ সনামহীগী শক্তম অমসুং লংমাই চীঙজারোইবীগী শক্তম অনিসি মৈদিংঙু গরিবনিৱাজ অমসুং মহাক্কী তাল্লোই লৈমা গোমতি অনিগী শকফমশিং অমসুং শারেপ-শাবানশিং তল্লগা শাখিবনি, হায়না মৈতৈশিংনা লৌনৈ।

লমচৎ অমসুং হৈনবী

নোংবাল্লোন লংমাই চীঙজারোইবী, লমচৎ ফজবী, মপুরোইবা নীঙবী অমসুং হায়বা ইনবী নুপী অমা ওইনা পীরীরম্মী। মহাক কেজ-মৌজবা পান্বী অমসুং খরমখৈ থোইচৎ-ৱাংচৎনবী অমা ওইনা হৌরক্লবসু য়ুমগী নুপী নত্রগা মৌ অমা ওইরক্লবা মতমদদি মপুরোইববু মশক মুন্না খঙবী অমসুং নুপী ওইবী হায়বসি মশাবী মপুরোইবগী হকচাং তঙ্খায়নি খঙনা চৎপী নুপী ওইরকখি। মহাক মশাবী চীঙঙু তাইবং খায়বনা লুনা-চান্না অমসুং নুংশিনা তৌবীবগুম মহাক্লসু মপুরোইবগী মফমদা মহাক্কী লৈজবা পুন্সা কখোকচৈ।

নোংবাল্লোন চীঙজারোইবীগী মৈত্রবাক্কী চীঙ অমসুং তমগী মীচম-মীয়াম অমদি খ্বাইনা পাম্লবী, মমিং লৈনা ঈকাই খুম্লবী অমসুং লুনা-চান্না তৌজবী চেংলৌ শকহেনবী অমা ওইনা "চীঙগী মচা হেননৌবী তমগী মচা লানৌবী" হায়না শৈথানৈ। মহাকসি লৈপাকসিগী মী কাঙলুপ-ফুরুপশিংগী অমসুং লৈপাক-খুন্নাইগী চৎনবী, চৎলম-লুপতীন, মচৎ-মনাৎনচিংববু লুনা-নুংশিনা তৌবী অমসুং চৎপী, মীরৈপাক-মীরমদমগী, মীতোপ-মীরানগী খুন্নাইগী মচৎ-মনাৎপু পামজদবী নুপীনি। মসিদা লৈরিবা মহাক্কী মরমচৎসি মহাক্কী মবুংঙো মশাবী তাইবং খায়বনা মৈদিংঙু গরিবনিৱাজনা শা-ঙা য়াওদবা চাক-য়েনশাংনচিংনা লুক চনগে, হায়রে, মসি লৌসি-চাসি হায়না থেম্বদা মহাক্লা খুমখিবা পাউখুমগী ৱাহৈশিং অদুনা ময়েক শেংনা তাক্লি, মদুদি :-

.... শংলৌ মেরামেস (নিরমিষ) শেংথোইববু লুকলেন পম্লা হানা য়োঈনজগে হায়জরকয়ে। অসুম পাউমেল্লুববু য়োঈবু মশানৌনা য়াইবী কলহৌ নীক্লা পাউয়াঙমদে। "তম্ফা ঐদি মাই, কদৌবা য়াউরৌ শাগী মচীঞ্জাক করম তংসি হায়বনো?" অসুক ৱাকনঙমলবগী খোইয়ুম মশাবীনা অনৌবা পাউমেল্লকয়ে - য়োঈবু মশানৌনা পাউখুল্লকয়ে - "খোইয়ুম ঈশাবী নঙনা লাইরেন ননোংয়াইদা

ৰারম থাংখৈ শেংনা হোইয়ারকপবু লেপ্পা ওইরবদি চেনফররোয়য়ে। চীঙঙু লৈশীরক্কী তোননিংথৌ, অৱাং নোংনিংথৌ য়োঙ্গৈরেনবা নঙগী লমচৎ মতুং ইন্না মচৎঙৈনে, হায়না হোয়য়ারবদা .... [মথক্কীসিদা, ৯৭-৯৮]।

অসিনি। অসুম্না মহাক মশাগী অপান্বা-অনীঙবা ফনা য়াম্না লৈজরবসু তাল্লোই অমা ওইনা মশাবী মপুরোইবগী অনীঙবা-অপান্বা মতুং ইন্না চৎকনি হায়দুনা মশা লান্থোকলিবসিনি।

ৱাখোম-ৱারোয়

নোংবাল্লোন লংমাই চীঙজারোইবী নোংপোক নিংথৌ লংমাই কাইনৌ চীঙশোম্বা অমসুং তম্ফা ৱাংঙমলোন পান্থোইবী অনিগী ঈতোন তোনবী মমোমি। মহাক শেল্লোই লংমাইচীঙগী চীঙয়ায় চীঙয়াঙগী চীঙ্গোন লমতুপতা পোকপীনি অমসুং ৱাখা চীঙতুপ্তা পানবীনি। মহাক লাইয়িংথৌ সনামহীনা লৈবা লাইকোন, লাইবুঙ অমসুং মফম পুন্নমক্তসু লৈ অমদি মৈতৈগী য়ুমথোঙ খুদিংমক্কী মবেম্মা ওইনা ঙাকপী শেনবীরিবীনি। মৈতৈ য়ুমথোঙ পুন্নমক্তা উতং ৱানা শাবা ফমবাল মথক্তা লাইয়িংথৌ সনামহীগা ফম্বাক অমতদা ফমমিন্নদুনা ঙান্থোইরিবীনি।

লাইরেম্মা লংমাই চীঙজারোইবীসি মৈতৈগী মপা-মপু লাৎপা-নীঙবা লাইনীঙ অমসুং লাইনীঙলোনগী খোইমোম লাইরৈমা অমা ওইজরবসু এবষ্ট্রেক্ত গোদ্দেশ (Abstract Goddess), ৱাখন্না শাগৎপা, পুক্নীঙনা শেম্বা উমংলাই লাইরেম্মা/লাইরেম্বী অমা ওইনা লৈ। মরম অসিনা মহাক্কী শিবা নত্রগা নোঙ্গাবগী ৱাফমসি পনবগী ৱারোন থেংনজদে। অদুগা লাইচৎ অমসুং লাইচন্দি পান্থোইবী নত্রগা নোংথাঙ লৈমগী লাইচৎ লাইচন্নি।

চকপা লমলাং মাইবী

ৱাহৌ-শৈহৌ

"..... য়োঈময়াই তাউতনপপু পাউথেম্নপা লৈমা তরামনা থৌরাংখিয়ে, নিংথৌ পোংপা তরামনা ঙমতমখিরে॥ চকপা লমলাং অমাইপী, খোমলেন মঙতম মঙচঙ থৌপী, মঙথি মঙলান চুমপী! নঙতি, য়োঈময়াই তাউতনপপু পাউকৌরুৱো॥ পোইরে চীনতুম চীনলে, ৱাংঙম মংতুম মংলে; তুপী ময়ানুং, লাইরেন মকোননুংতকীপু কারকৱো হায়না পাউথেমখৎলুৱো, থৌশীখি-এ, হায়তপরা!" [ও: ভ:, ১৯৭৭, ২৯-৩০]...

মথক্কী "নুমিৎ কাপ্পা" কৌবা পুয়াদগী লৌথোক-শত্তোকচদুনা থমজরিবা ৱারেং মতেক অসিদা পাল্লিবা "চকপা লমলাং অমাইবী", খোমলেন মঙতম মঙচঙ থৌবী, মঙখি মঙলাং চুন্বী" হায়রিবী অসি মৈত্রবাক্কী পাৱারী -পুৱারী হৌদ্রিঙৈ, হৌরমদায়গী মতম নকশিল্লকপা, নোংঙানতু উরকপা মতমদা লৈরন্বী লাইনীঙ-তীন্নীঙ অমসুং লাইনীঙ-চৎলমগী পরীংদা মমিং লৈরবী অমাইবী (মাইবী) অমনি। মহাকনা পোইরে মৈতৈ লৈপাক্কী কান্ননবা অমসুং য়াইফনবা থবক থৌরম কয়া তৌখিরম্মী, হায়বসিদি মথক্তা থমজরিবা লাইরিক্তগী লৌথোক্লকপা ৱারেং মতেক অসিনা অদুম্মক খুদম-চাংদম ওইজরে।

শক্তাক-শক খঙহনবা

চকপা লমলাং মাইবী/অমাইবী, মহাক্কী মমিং মিংথোনসিনা পীবগী মতুং ইন্না মৈত্রবাক্কী মী-কাংলুপ-ফুরুপ্তা "চকপা" কাংলুপ্তা চনবা মীওইগী নুপী অমনি। মহাক্কী মখুন খুঙ্গং, ময়ুম ঈংখোলনা লমলাং লমদমদগীনি অমসুং মসিনা মহাক্কী মমিং মিংলেন ওইনা শীজিন্নবনি অমদি খঙনখিবনি। অদুগা লমলাং হায়বা লমদমসি মৈত্রবাক্কী ময়ায়গী কংলৈ (Urban area), কংলৈ পুঙময়োন [হৌজিক্কী কংলাগী অকোয়বদা কি: মি: ১০ (তরা) গী অরাপ্পনা কোল্লিবা লমদম (Greater Imphal area)] গী খা-নোংচুপ্তা লৈরিবা লম্মাংদোং (লমলাং তোং) নত্রগা বিষ্ণুপুর/বিসেনপুর কংলৈগী অকোয়বা লমদমসিনি, মসিগী মনীং

খা- নোংচুপ্তা য়েল্লাং অদুগা লমকা লৈখ্রে। লমলাং অমসুং খুরোই হাওবা লমলাংতোংসিদা খুরোই, হেমচেং, পুংপুন অসিনচিংবা চকপগী কাংলুপ-ফুরুপশিংদা খৃষ্টগী তরাতরেৎশুবা চহি ১০০ গী মতম ফাওবদা খুন্দা লৈতারম্মী [চৈথা: কুম:, ২০০৫, ১৫]। চকপা লমলাং মাইবীগী শক্তম শক খঙহনবদা মহাক্কী অপোকপা-অপোকপী (মপা-মমা) গী মিংখৈ-মিংলেনশিং খঙদবনা মহাক্কী শীল্লম-শীনফম ওইরিবা মঙ্চঙ্বা নত্রগা মঙ্দাবা হায়রিবা মৈতৈগী মচৎ (Tradition/custom) অমসুং মনাৎ (Culture) অসিগী মরমদা খঙদবা য়াবদগী তংঙাইফদবা অদু লৈ। মরম অসিনা হিরমসিশংগী লমদাং শন্নপ্না লৌখৎচরি :-

মঙচঙ / মঙ্দাব - মৈতৈগী মঙচঙবা / মঙদাবা হায়বা মচৎ অমসুং মনাৎ অসি মৈতৈগী অরিবা লাইনীঙলোনগী চীঙঙু-খোইয়ুমশিংগী পাউতাক-লাইবাউ লৌননবগী ঈরাৎ-থৌনীগী মখল অমনি। য়েলহৌঙৈদগী "মী / মীওইবা" হায়বা থৱাই পানবা অসিনা হিংননবগী লান মায়য়োক য়ারকপদা মহৌশা লাইরেম্মগী ফম্বাক্তা লৈরি-পাল্লিবা অরেঙবা-লেঙদবা, অচৎপা-চত্তবা, অউবা-উদবা পোৎলম-পোৎশকশিংগী মহী-ময়াই অমদি মতীক-মঙমশিংগী মওং মতৌশিং, মথৌ-থৌদাংশিং, থৌদোক-থৌরাংশিং অমসুং ওইরক-হোংলকপশিং অসিদা অঙকপা, নুংঙাইবা অমসুং হৈনদবগী মৌনা-মুংনবা, য়েংথী-য়েক্লবনচিংবা কয়াগী মখল-মথেল নাইনা হকথেংননা থেংনরকপা অমসুং নাকোয়-নাথৈননা নংলকপদগী মীওইবা মখোয়না তৌবা ঙম্বা মতীক-মঙমগী ৱাংমদা লৈবা / লৈখ্রবা কনাগুম্বা নত্রগা করিগুম্বা মতীক-ময়াই চেনবা, পুবা অমসুং লোইনবা, থৱাই পাল্লবসু য়াবা, পান্দ্রবসু লৈবা-হিংবা য়াবা / ঙম্বা, মীওইবগী হকচাংগুম্বদগী হেন্না ফজবা, পাঙ্গল কনবা হকচাংনা মশা ওইবা নত্রগা মশক লৈত্রবা, মপাঙ্গল ময়াই ওইবা ওইনীঙবা-ওন্নীঙবা মশক মওংদসু ওনবা-ওইবা ঙম্বা করিগুম্বা খর লৈ হায়না খন্নৈ-নীঙনৈ অমসুং লৌনৈ অমদি মখোয়দুবু ইকাই খুম্নৈ। অদুগা মখোয়দুবু উৎলকপা, উহল্লকপা নত্রগা ফোংদোক্লকপা মতীক-ময়াই অদুগী মতুং ইন্না মৈতৈগী খুনবান-লৈপাল্লিবা খুন্নাইসিদা - চীঙঙু, খোইয়ুম, খোইমোম অমসুং লাই (লাইয়িংথৌ / লাইনিংথৌ অমসুং লাইরৈমা / লাইরেম্মা / লাইরেম্বী) - হায়না থোল্লি অমসুং খঙনৈ।

মীওইবনা মাগী ৱাখল-লৌশিঙগী পল্লেফম খঙলক্তবা, মহাক্না খঙ-হৈবগী, পুক্নীঙ- লৌশিঙগী অমসুং ৱাখলগী মহৈ-মশিঙগী পাঙ্গল-মতীক্না তৌবা ঙম্বগী ঙমখৈগী ৱাংমদা লৈখ্রবা, লমখৈ লান্থোকখ্রবা থৌওং-থৌদৌ থোক্লক-ওইরক্লবা মতমদা মীওইবনা লাইশিংদা চঙজৈ অমসুং মখোয়গী থৌজাল অমসুং মরনকু নীজৈ। অসুম্না মীওইবনা চঙজ-নীজবগী পরীং-পরমদা অরিবা মতমগী ঈরাৎ-থৌনী কয়াগী মনুংদা মঙচঙবা নত্রগা মঙদাবা হায়বা অসিসু অমনি। লাইবাউ লৌবা নত্রগা লাইগী পাউতাক লৌবা অসি চীঙঙু লাইগী ৱায়েন-কাঙলোনগী খুদম-চাংদম য়েংবা, মৈতৈগী অরিবা লোন্দা পুদাদা পাচুবা (Ordeal test/examination) গুম্না মালেম তাইবং পানবসিদা মঙচঙবসি পাক্লা-শন্না খঙনদ্রবসু আষ্ট্রিক [Ca. Sc., 1990, 92] লোন ঙাংবা কাংলুপকী শউম ফংবা মী কাংলুপশিংদদি য়াম্না চৎনবা মনাৎনি [M.M., 1980,12, 57-58, 109,111 etc]।

মৈতৈগী মঙচঙবা/মঙদাবা করম্না মতমদগী হৌরকখিবগে হায়বা ৱাহংসিগী পাউখুমদি হৌজিক ফাওবগী ওইনদি খঙঙমদবগী লৈরোন্নুংদা লৈরি। অদুবু মনাৎ অসি চৎনরকপগী ৱাফম মৈতৈগী অরিবা লাইরিকশিং - (১) পোইরৈতোন খুন্থোকপা, (২) থৱানথাবা হিরান, (৩) খাগেম্বা লাংজৈ নত্রগা সনামহী লাইহুই (অচৌবা) নচিংবদসু পল্লি-য়াওরি। লাইরিকশিংসিদা মিৎয়েং থমদুনা অরি- থিজিল্লোন (Archaeology) গী পরমদা য়েংলকপদা পোইরৈতোন খুন্থোকপগী মতমদা পারগা খৃষ্টগী মমাঙগী কুমশীঙ (২০) কুন) গী অদুৱাইদা মৈতৈ লৈপাক্তা লৈরে। অদুগা মায়কৈ খেন্নবা, মীশকসু খেন্নবা উনফম থোক্তবা পরীং অনিদা মনাৎসি মান্নবা পাংথোকখিবগী ৱারোলশিং (নুমিৎ কাপ্পা পুয়া অমসুং পোইরৈতোন খুন্থোকপা) ফংবনা লৌজরিবা মতমসিগী মমাঙদা হৌদোক্লম্লগনি হায়বগী থাজজবা চেৎনা লৈজৈ।

মৈতৈগী মনাৎ "মঙচঙবা/মঙদাবা" - বু হৌদোকপীরম্বীদি মৈতৈগী অমাইবী/মাইবী মমা (ওঝা-গুরু)/মকোক ওইবী নোংপোক লৌরাং পান্থোইবী অমসুং চকপা লমলাং অমাইবী অনিসিনি [রা: মাই:, ১৯৮০, ৱা: - ১.২] অমসুং [ঙা: কু: মা:, ১৯৮৮, ১৮৭, ১৮৯, ১৯৬]। অমাইবী/মাইবীগী

শীল্লম-শীনওং, শীন্থাং-শীন্থানচিংবগী মতুং ইন্না মেৎপী (লাইয়েংবদা মেৎনা নম্না শীন্থবী) অমসুং লাইপী (ঈরাৎ- থৌনীদা হেন্না পুক্লীঙ চঙবী), হায়দুনা মখল অনি থোক্লা খায়দোক্লকখি [শঙ: পা: পু: ম: খুৎ: লাই]। মেৎপীবু য়াপী/মপী (মমা) হায়না অমসুং লাইপীবু খাপী/খাবী হায়না খঙনৈ [ঙা: কু: মা:, ১৯৮৮, ১৯৬]। অদুগা লাইপী অসিবু অমাইবী লোইশঙ লীংলক্লবা মতমদা (১) ফুরা মাইবী, (২) শঙলেন মাইবী অমসুং (৩) লংমাই/নোংমাই মাইবী হায়না খায়দোক্লকই [মথক্কীসিদা, ২০১-২০৫]। অকোনবগী মাইবী মখল খুৎখায়দোক অসি ঙল্লিঙৈগী মতমদদি ফংদে [মশীন, খুৎ: লাই অমসুং ফমলোন, খুৎ: লাই:]।

চকপা লমলাং মাইবীসি লাইপীগী কাংলুপ্তা চনবী থোইদোক্লা মমিং লৈরবীনি। খোইয়ুম মঙচঙগী ব্রাফম হেক পল্লকপদা মহাক্কী মমিং হেক্তমক পন্নরকই [ম: গৌ: ২০০২, ৩১]। অদুগা মঙচঙবা হায়বসি হৌজিক্তদি "লাইমাঙ ফম্বা" হায়না খঙনরে [ঙা: কু: মা: ১৯৮৮, ২০০]। চকপা লমলাং অমাইবীসিদি শেনমিৎ য়েংব (মাইবী শেন হুনবগী শেন অদু য়েংদুনা লাইবাউ নত্রগা মঙতাক পাউজেন পীবা) নে, মঙজঙব (লাইমাঙ ফমদুনা লাইবাউ পীবা নত্রগা মঙদাদুনা/তুমদুনা মঙদা লাই উনরগা লাইবাউ লৌবা) নে, অনিসি তৌরম্মী [মথক্কীসিদা, ১৮৯]। মঙদাবগী থবক্লা মরু ওইনা তৌবা অমাইবী/মাইবীশিংদি-লাইয়িংথৌশিং নোংশাবা, সরারেন, পাখংবা, পুথিবা, মারজীঙ, ৱাংব্রেন, থংজীঙ, - হায়রিবা লাইয়িংথৌশিং অসিগী লাইবুঙ কাবা য়াদে, থৌগন চঙহৈদে [মথক্কীসিদা, ১৮৯]। মরম অসিনা মঙচঙবা হায়বসিগা মঙদাবা হায়বসিগা অনিসি খেন্নে [ম: গৌ: ২০০২, ৩১-৩২ অমসুং ও: ভ:, ১৯৬৭-২, ৩৬-৪০]। মঙদাবা হায়বা অসিদি অমাইবা/অমাইবী অদুনা মাগী শাগোন্নরিবা লাইদু খুরুমজদুনা তুল্লগা মমঙদা চীঙঙু খোইয়ুম/খোইমোম লাইদু লাক্লগা লাইদুদগী মপাউ/লাইবাউ লৌবনি, হায়বসি পোইরৈতোন খুন্থোকপা, খাগেম্বা লাংজৈ, থৱানথাবা হিরান্নচিংবা লাইরিকশিংনা উৎলি। খুদম- চাংদম ওইনা লৌখৎচরবদা :

.... চকপা লমলাং অমাইপীনা। ফৈরোই মঙতরৈকতা॥ মঙপোৎ চাতং সেমখিএ॥ ঙাইখোং তোনপা পাউহৌরুক॥ তাংখুল কাওসৌ ঙমনলুক॥ সীঙমিৎ লাংমিৎ অথৌবা ফানরুক॥ মনুং খোমওনলুকতা॥ চামলৌ লারোন ঙাইথিং-য়ৈ॥

খরী খোমকা হান।। সিঙ-সিঙ লাকা য়োম।। তরা চেঙ মচঙ ফাহাপনা।। মরোই ঈনোয় নুকাপনা।। ফিমু লৈরুম সীনা।। খোমলেন মঙচঙখিরে।। চকপা লমলাং অমাইপীনা।। মানপী খুৎতপ্‌ননা।। মুকমু লৈতোন কোন্‌না পাউ থেমখি-এ... [ও: ভ:, ১৯৭৭, ৩০]। ....

অসিনি। চকপা লমলাং মাইবী/অমাইবীগী মমিংসি মঙজঙ-মঙদাবী অমাইবীশিংগী মমিং ওইনসু অদুম শীজিন্নদুনা লৈ হায়সি নুমিৎ কাপ্পা অমসুং থৱানথাবা হিরান কৌবা পুয়া লাইরিক অনিসিনা খুদম-চাংদম ওইরি।

চকপা লমলাং অমাইবগী মতম

চকপা লমলাং অমাইবীনা লৈরম্বা নত্রগা হিংলম্বা মতমসি মৈদিংঙু নোংদা লাইরেন পাখংবা (চাওরাক্লা খৃ: ৩৩/৩৪-১৫৪) গী সনা হাক্তক্তনি হায়না ঙাংবম কুমার মাইবীনা পীবীরি। অদুগা নুমিৎ কাপ্পা পুয়ানদি মৈত্রবাক্কী পাৱারী -পুৱারী হৌদ্রিঙৈগী মতম, হায়বদি নোংদা লাইরেন পাখংবগী মতমগী মমাঙগী মতম নোংপোক লৌরাং পান্থোইবী (তম্ফা ৱাংঙমলোন অপানবী [চৈথা: কুম:, ২০০৫, ১৯] নত্রগা পান্থোইবী কাইনৌ চীঙশোম্বা নত্রগা নোংপোক নিংথৌ ওঙবী) গী মতমদা ওইনা পীবীরি [ও: ভ:, ১৯৭৭, ৩৫-৩৭]। অদুগা থৱানথানা হিরান কৌবা পুয়াদনা চকপা লমলাং অমাইবীসি মৈত্রবাক্তা মৈদিংঙু থৱানথাবা (খৃ: ১১১৯-১২৩১) গী সনা হাক্তক্তা খুমন লৈপাক্তা পাল্লম্বা খুমন নিংথৌ অদোন পুন্সিবা খুরেন চনবগী মতম লৈরম্বা, খুমন নিংথৌসিনা মচা নুপী খয়োঈরোন শমফবীবু মৈতৈ নিংথৌনা হাৎখিবগী চিংনদুনা মঙচঙবীয়ু হায়না নেকচখিবী অমসুং মহাক (চকপা লমলাং মাইবী) না মঙচঙখিবী, ওইনা পীরি [ম: গৌ:, ২০০২]। অদুগা মৈতৈগী উমংলাইশিংনা মশক-মমিং লৈরক্তুনা মখোয়বু মমিং-মথাগা কোন্ননা লাৎপা অমসুং ঈরাৎ-থৌনীবা হৌদোক্লকপা মতম, মৈদিংঙু শেনবী খাগী [China and Chinese] ঙম্বা, খাগেম্বগী সনা হাক্তক্তা মমিং চৎপা অমসুং খ্বাইদগী হেন্না শকখঙনবা অমাইবীসি "খাগী অমাইবী/মাইবী" নি [ঙা: কু: মাই, ১৯৮৮, ১৯৭]। অদুগা চকপা লমলাং অমাইবীসিদি মাইবী খাগীগী মমাঙদা লৈরম্বা মীওইনি। মরম অসিনা মথক্কী পীবীরম্লিবা ৱাফমশিং অসি মাঙদা থমজরগা চকপা লমলাং অমাইবীনা

লৈরম-পাল্লম্বা মতমসি লেপ্পবা হোৎনজবদা নুমিৎ কাপ্পা পুয়ানা পীবীরম্লিবা মতম, মৈদিংঙু নোংদা লাইরেন পাখংবগী মমাঙ, মৈত্রবাক্কী পাৰারী-পুৰারীগী মতমগী মমাঙগী মতমদা থমজনীঙঙি। অতৈ মতমগী ওইনা পীজরিবা মতমসিগী মতুংদা পীবীরম্লিবশিং অদুদি চকপা লমলাং অমাইবীগী মমিং লৌদুনা (ৰাইদুনা) শীজিন্নবা ঙাক্তনি হায়জনীঙঙি।

মৈত্রবাক্কী মায়চৌ-মায়নৌ খর - মৈতৈ মী কাংলুপ অসি চীঙঙু-খোইয়ুম লাইবু কিজবা, মখোয়বু ঈকাই খুম্নজবা অমসুং থাজজবা কাংলুপ্নি। অদুনা খোইয়ুম-খোইমোমশিংবু লাৎচবা, খুরুম-খাজঙজবা, ঈরাৎ-থৌনীজবা অমদি লাইশোন-তীনশোঞ্জবসি মৈতৈগী মরন্নাইগী থৌরম-থৌদৌ পুন্নমক্তা অমসুং মৈতৈ কাংলুপ-ফুরুপকী খ্বাই ময়ামগী/মীয়ামগী ওইবা লৈঙাক্লোনগী, খুন্নাইলোনগী, শেনবা-থুম্বারোনগী/শেন্দান-শেনচৎলোন, ৰায়েন -চৈরাক্লোনগীনচিংবগী হিরম-ৰারম খুদিংমক্কী থৌদৌ-থৌওং পুম্বদা লোইন-তৌনরবনি অমসুং মৈতৈ অমগী লন্নাইগী পুন্সি, অপুনবা মীয়ামগী পুন্সি নত্রগা কাংলুপ-ফুরুপকী/য়েক-শল্লাইগী পুন্সিদা লাইথৌ থৌরম য়াওদবা খক লৈরমদে। মরম অদুনা লাইথৌশিংসি তৌনবা, লাইশোন- তীনশোনবীনবা মীওই কয়ামরুম মীরোন মথং মথং শমথনা লৈরকখি। মখোয়দুগী মনুংদা মমিং-মথা ফংজবা খরদি :-

(১) নোংপোক লৌরাং পান্থোইবী, (২) চকপা লমলাং অমাইবী, (৩) থোংনাং কাইবয়াঙ, (৪)থীকনম্বা, (৫) ফোইনম্বা, (৬) থিঙকরী, (৭) থিংকোল মোরিবীচা, (৮) মোরিবা, (৯) খাবী লুকোক চনু, (৩০) লাংচেং লংমাইবা, (১১) থোঙঙাক কুরুম্বা, (১২) অশাংবম লাইবা, (১৩) লাংগোন রখোন, (১৪) কবুই শলাং মাইবা, (১৫) কুমাবম মাইবীহনবী, (১৬) মঙাং নিংথৌ পুন্সিবা, (১৭) হোঙনেম লুৰাং নিংথৌ পুন্সিবা, (১৮) অদোন পুন্সি য়ুমোইবা (খুমন নিংথৌ), (১৯) লাইয়িংথৌ নাউথিংখোং, (২০) লৈশং খেকৰাইবা, (২১) লুৰাং লংমাইবা, (২২) নিংথৌজম কিয়াম্বা, (২৩) অপোই নানা মচা, (২৪) য়ুমনাম তোম্বা, (২৫) মোইরাং শাথি, (২৬) খাইদেম তেনবা, (২৭) খোঙঙাখুন তেবীবা, (২৮) কবুই তোম্বা, (২৯) শল্লাম সনা, (৩০) নিংঙোম্বম অকোঙ, (৩১) কনক থেঙ্গা (থেঙ্গুরা), (৩২) লৌরেম্বম

খোংনাংথাবা, (৩৩) খ্বাই কেক্রু, (৩৪) কমেং ফদিবা, (৩৫) ৱাঙড়ু বাজী, (৩৬) শামুরৌ চীগোঙ, (৩৭) য়াম্বেম ফৌগাক, (৩৮) থোঙবা হিমাইবা, (৩৯) লৈশাংখোং (লোংজম) খেমা, (৪০) লাঙ্গোন লুখোই, (৪১) লাইরিকখেংবা নোংশামৈ (জগৎসিং/ধনঞ্জয়), (৪২) কবো আক্রাচা, (৪৩) লাইয়িংথৌ খাগেম্বা, (৪৪) চিরোম লাইরেনমৈ, (৪৫) তখেন শঙ্করগীরি, (৩৬) পেবীয়া পণ্ডিত, (৪৭) ৱাংখৈ তোল্লেন (খৃ: ১৮৯১), (৪৮) পাউনা পণ্ডিত, (৪৯) লাইরেল্লাকপা পাঞ্জি শঙলাকপা, (৫০) লাঙ্গোনজাম্বা হেমসিং, (৫১) পাউনা পণ্ডিত হিদং (খৃ: ১৮৯১), (৫২) লোংজম গোপাল, (৫৩) মোইরাং হিংচাবী (থাবল পণ্ডিত) অসিনচিংবা, মখোয় অসি মাগী মাগী মতমদুগী মাঙলমচৎ অমসুং তুংলমচৎ উবা ঙম্বা মাগী মাগী মতমদু পুরম্বা মায়চৌ-মায়নৌশিংনি। অদুবু চীঙড়ু লাই থাজবগী মচৎ-মনাৎসি অনৌবা সাইন্সকী মতম লাকপদগী খ্বাইগী ওইনা থাক নেমথরকখি।

চকপা লমলাং অমাইবীগী থৌওং-থৌদৌ ঃ-

চকপা লমলাং অমাইবীসি মাইবীশিংগী পুকোক্তা লৈবী ওই অমসুং মহাকসু নোংপোক পান্থোইবীগুম অমাইবীশিংনা ঈকাই খুম্নৈ। অদুবু মহাক্কী শীল্লম শীনফমগা কোননা শক্তাক্লম্বদি - "চকপা লমলাং অমাইবী, খাবী মঙজুন্বী, অমাই'মঙদা, হৈবী মাগী মদাইরেম... [ডা: ঙা: এ:, ২০০৬, ৯] -" অসিনি। অদুগা মহাক্কী থৌওং-থৌদৌশিংগী মরমদা পীবীরম্বদি :-

অমাই শীঙখোঙ লেপ্পগী শমলাং তাবুল লৈনা তাইবঙ পাউজেল-পাউতাকপী, চেঙবা খুৎলৌগী মাইবী, শরীক চোমজাও পাউখোললোই, নীঙখম ফিজী কাঙনা, নুঙনাং চারারোইনা লৈহুন লৈচা খায়না শীঙঙেল লৈহুললোই, থমনা লাকোননুং, থরো লেমফু মরুনুংগী লংশুং লীহৌনরকপী, ফৈবাক তামুন লংগুম্না চীঙড়ু মাগা লীরোন্নরকপী, কোরৌ মালেম অনিগী শুঙদাইরোই ওইরিবী ... [ঙা: কু: মাই:, ১৯৮৮, ১৯৭]..।

অসিনি অদুনা চকপা লমলাং মাইবীনা তৌরম্বা থবক্তি - চীঙড়ু অমম্বা খোইয়ুম উদবগী কোল্লোয় মপাউবু নমু তাইবং মীওইবদা পাউতাকপীদুনা মীওইবনা খঙবা মঙলানগী তাইবং-মাল্লংপান্দা লৈরিবা য়াইবীগা য়াইবীরেন (Universal

Soul) গগী মরী, অচম্বা থৱাই অমগা অতোপ্পা থৱাই অমগা অনিগী মরক্তা লৈনরিবা মরী, মঙ অমসুং তাইবং অনিদা নমু তাইবং মীগী য়াইবী থৱাইনা মশক হোংখিবা নত্রগা হোংদবগী ৱারম কয়া পুথোক্লুনা মালেম-তাইবংপানবগী ময়াই [Energy] পুন্নমক্কী হৌরকফম, মতীক [Force] পুন্নমক্কী তীনশিন্নফম অমসুং পাঙ্গল [Power] পুম্বগী পীথোক্লককফম ওইরিবা য়াইবীরেন শিদবা মহাক্কী পীক্লবা শরুক্কী মচেৎ অমা ওইরবা মীওইবগী য়াইবীনা থৱাই মিরাংপান ওইনা লাংওল্লকপা, তাইবংপান লমথোক্লককপা, মাল্লংপান পনম চখোক্লককপদা হেন্না মতীক-মঙম লৈবা ময়াইনা য়াথোক্লককপগী, লমলাল্লুবগী খমলৈ অয়েং চেংগদববু তরেৎ শেনমিৎ য়েংলে য়েংনা লমতাকপী, খোমলেন মঙচঙ-মঙদারে মঙচঙ-মঙদানা মঙতম্মী চকপা লমলাং অমাইবীনি। মহাকপু অমাই শুপতোংলাং খাবী থিয়াংথৌ (খোইয়ুম লাইবাউ লৌবদা ঈচঙ থৌবী) শিংনা "খোমলেন মঙচঙ থৌবী, মঙথি-মঙপাং চুম্বী" কৌনবদি লৈপাক মাইবী [ঙা: কু: মাই:, ১৯৮৮, ১৯৮] ওইবগীদমক্তনি, হায়না পীবীরম্মী। অসুম্না মঙদা খোইয়ুম লাইবাউ লৌদুনা চীঙঙু লাইনা শাথৌদুনা লাইতোংবা [ঈঙ্গ্রেজী ৱাহৈদা ত্রান্স (Trance) তা চঙবা] গী অতোপ্পা শকফম নত্রগা শক্তম অমা পুথোক্লুনা মৈতৈ মনাৎপু/ঈনাৎপু য়োকখৎনবা অমসুং চাওখৎনবা হোৎনবদা অচৌবা থৌদাং লৌখিবী চকপা লমলাং অমাইবী মৈত্রবাক্কী নুপীশিংগী মরক্তা লমজিং মৈরা পায়খিবী অমনি। মহাক্না লৈপাক্কী ওইবা থবক্তা থৌদাং লৌখিবগী মরমদি লাই-তীনগী ৱারী-শীঙবুন ওইরবা "নুমিৎ কাপ্‌পা" পুয়াদা ইরি, মদুদি :-

খ্বাই নোংজেংবম পীবানা নুমিৎ অনি থোক্লুনা অনিদুগী থৌগন তৌবদা পোত্থাবা ফংদ্রবা, ময়ুমগী নুপী-অঙাং (মতু-মচা) ফাওবা য়েংশিন্নবগী মতম ফংদ্রবদা মহাক্না লীরুং তেন শারগা অহন ময়াম্বা ওইবা নুমিত্তু তেন্না কাপথরে, অথাপ্পা মফমদা তাখ্রে। মদুদা নহা ওইবা মনাউ নুমিত্তুনা কিরদুনা নুমিৎকী মকোন (নোংচুপকী চীঙলক) দা লোত্তুনা লৈখ্রবদা মঙান পুবা অঙানবা লৈত্রবনা মালেম-তাইবংপান পুম্বা পুম্মম মল্লে। পুম্নমক্কী হিংনবগীদমক্তা পাংথোক্লবা থবক ইনখাংশিং পাংথোকপা, তৌবা য়াদ্রদদুনা অৱাবদা তানরে। মদুদা লৈপাক পুবা অঙম-অথৌশিং-নিংথৌ পোংবা তরা অমসুং মখোয়গী লৈমা তরানা নুমিৎপু থেমদুনা অমুক নোংথক্তা থোকহন্নবা খন্নরে। মদুদা মখোয়না নুমিৎপু

থেমগৎলুনবা চকপা লমলাং অমাইবীদা হায়রম্মী [চকপা লমলাং মাইবীনা নুমিৎনা পামগদবা পোৎলম-চৈরমশিং থৌরাং তৌদুনা শেম শারগা নুমিৎপু থেমগৎলম্মী] মসিগী মতাংদা পীবীরম্লিবা ৱারোন্দি:-

চকপা লমলাং অমাইপীনা ফিরোই মঙতারুকতা মঙপোৎ চাতং সেমখিরে॥ .....॥ ফিমু লৈরুম সীনা খোমলেন মঙচঙখিরে। চকপা লমলাং অমাইপীনা মানপী খুৎতপনানা মুকমু লৈতোন কোননা পাউথেমখি-এ॥ য়োঙ্গময়াই তাউতপনা! নোংপোক লাইরম হৌ, কাংকম নিংথৌ চনুনা পলেম পিথাং সিননা নাউয়োক-মৈ, নপন অৱাং কোরৌ নোংপু খোনপী, মালেম লৈপু লুমপী ৱায়েন ফপী, থৌপী লৈমা হুইমু লৈমা শাফপী পায়মা লিনকোয়কী নুঙমুথক্তা নাউনৌপা! হে নমুরাচা অহেনপা, নুঙঙৌ থকতা খোয়রেনপা নুঙঙারাচা অরংপা, লাইচা ঈঙৌ থকতা মিংহুনপা, লাংলেন কোংয়াঙ ৱাতোনথক্তা মিংনাইপা চনুনা লমথাঙথৌনা খোয়রেনপা, সনা খোমতোন অতোনপা! তুপী ময়ানুং, লাইরেন মকোননুংতপু কতৌপা শানথুপলিপনো? নপোইরৈ চীনতুম চীন, নৱাংঙম মংতুম মং, থাঙঙা মমনা সীরে ; পোইরৈ মীসন লৌকুমতা, মীনাই লৌতাতা, শীঙচা ৱাইকোয়তা, য়েনলাং থৌচৎতনা অঙানপা নঙপু ঙাইখমলিয়ে ; তুপী নয়ানুং লাইরেন নকোননুংতগী লমহৌরক-ও, হায়না মানপী খুৎতপননা, মুকমু লৈতোন কোননা পাউথেমপপু য়োঙ্গময়াই ॥ তাউতনপনা ৱাকনঙমএ, অঙানপা থেংকোয় নীকঙমএ॥ নোংপোক তৌরীং লৈমচানা, ঈতাইরেম চকপা লমলাং অমাইপী -ৱো! লহান ঈপন খোইমোম লাইরেমমা ..... না ঈশাপী হাননা শাৎপতি থাঙয়ি-কুম চিৎশাৎনরে। ঈশাপী অমা কোননা শাৎপতি কাইরৈ য়েরুমকুম পোমকংনরে। ঈশাপী অমা কোননা শাৎপতি সনা খোমমতোন নুমিৎ কাইতেঙমপা-ও কৌএ। মানা হুকমন হামনপা য়াংমনপনিকীনা থোংনাং কাওচাও সরালুতা চঙনা ঈমু থকয়োৎননা নোং মনএ। তাংচা মশমতোনপু লাখোক লাতোনপুঙ্পু লৈপু ওইখি-এ। নাকলু মোইফাংতোননা থাঙশা মমিনাইপপু শানওন্খি-এ। য়ারেন খোঙচীতোননা লিক্কোন শায়া মানপপু ওনখিএ। ঈশাপী তাউহুইরেং অহনপা, চৈরৈ নাউহোংহন, সনা খোম্মহন, লাংলেন কোংয়াঙ ৱাপীহন, চীঙপন খোমওন অঙললা শাৎফপা তাউহুইরেং অহনপসুং খুৱাই নোংচেংপম নাইচা য়েকমা হাওতংলা, নমু পোংপরাচা অতনপনা নাৱা খোইচু

তেনকা শানা, য়োংকাপ তেননা চৈপীরে।....।। চকপা লমলাং অমাইপী-ও! নুমিৎ ঐতি ঈতোম হলৱাই ঙমলোয়-এ। নাৱা খোইচু তেনপু শোঙকিএ।। ... চকপা লমলাং অমাইপীনা পাউথেমচপপু য়োঙ্গময়াই লাইরেন তাউতনপনা হোয়য়াপীতে।। ...... [ও: ভ:, ১৯৭৭, ৩০-৩৪]। ....

অসিনি। অসুম্না মীয়ামগী মতেং পাংনবা হোৎনখিবা অসিনা তাক্লিবদি অতৈ থবক থৌরমশিংসু পাংথোক্লমগনি। মদু থৱানথাবা হিরান পুয়াদা পীরিবা চকপা লমলাং অমাইবীগী মমিংদা লৈরিবা মীশক-মীওই অদুনা তৌখ্রিবা থবক অদুনা খুদম-চাংদমনি, মদুদি:-

মৈতৈ নিংথৌ থৱানথাবগা খুমন নিংথৌ পুন্সিবা খুরেনচনবগা মচানুপী মচানুপী পীনৈ অমসুং লৌনৈ। খুমন নিংথৌগী মচানুপীদু খয়োঙ্গরোন শমফবী অমসুং মৈতৈনিংথৌগী মচানুপীদুনা ৱাংঙমলোন চীঙখৈ থানবী হায়না কৌরম্মী। মৈতৈ নিংথৌ ওঙলিবী শমফবীসি মৈদিংঙু থৱানথাবগী তাল্লোই অহন মৈতৈলৈমা তৌকায়ঙম্বীনা তুরোন্নবগী কল্লক-মিহৌবনা খুজীন থৌরাং তৌদুনা মৈদিংঙুগী মমাতোন্না পোকপা মনাউনুপা লৈশাপাম্বগা অরোনবা মরী লৈনবা মানহন্দুনা নিংথৌদা চিংনবা পোকহল্লম্মী। চিংনবসিনা মরম ওইদুনা মৈদিংঙুনা খয়োঙ্গরোন শমফবীবু লৱাই লেনফুদা তরেংয়োৎকী য়োৎচৈনা লেঙশিন্দুনা হাৎলম্মী। অদুগা মহাক্কী অশিবা হকচাং অদু খুমন লৈপাক্তা থিল্লক্লম্মী।

খুমন নিংথৌ অদোন পুন্সিবা খুরেন চনবনা মচানুপী মীশিদু মহৌশাগী মীশিদা শিবা মান্দে, মীনা হাত্তুনা শিবা মাল্লি হায়দুনা চিংনরম্মী। মরম অসিনা মহাক্না মচানুপীগী অশিবা হকচাংদু মংলেম মংচন্দনা থন্নগা মঙচঙ-মঙদাবদা হৈরবী চকপা লমলাং অমাইবীবু কৌরুদুনা মচানুপীবু করম্না শিরিবনো কনানা হাৎলিবনো, হায়বদু মঙচঙ-মঙদাদুনা য়েংবীনবা হায়জরম্মী। মদুদা চকপা লমলাং অমাইবীনা তৌখিবদুগী মরমদা পীবীরম্লিবা ৱারোন্দি :-

.... মদাইরেম চকপা লমলাং মাইবী মঙজুম্বীনা ফৈরোই মঙদালুক্তা চামলৌ লারোন ঙাইথিং য়ৈ, চেঙঙৌ ফাহাপ্না, য়েরুম কাঙখীন্না, তরেৎ শেন্দি মরায়-ই, নোইনু থুমদি কাকুপ্না, শিঙশিংলাগা য়োমনা খোমলেন মঙজঙখিএ। য়োঙ্গবু খয়োঙ্গরোন তাংজা শমফবীদি,খমনুং মথোঙজীন্দা চকপা লমলাং মাইবী

মঙজুশ্বীনা য়োঙ্গৈবু খুজেং হংচী পায়না পাউহংখিয়ে। নপন নোংয়ায় খুমন নিংথৌনা থৌশীরকএ, কোরৌ ননোংথৌ কনানা থৌথাবনো, হায়না পাউহংববু, হোয়দা তয়ুম চকপা লমলাং মাইবী-ও! ঐদি পলেম পীখোয়রেন, পন্থৌ পাখোয়রেনগীবু নোংমন্দে, হায়না পাউখুমখিএ। তৌইগীদি য়োঙ্গৈবু নঙবু য়োঙ্গৈবু নমাঙগীনা নোঙ্গারবা, শানম য়ৌথাংলীনা নোংমল্লকপরা, হায়না পাউহংববু, হোয়দা খমনুং চাৰাই তাবী-ও। ঐবু য়ারেন খোঙজী মতাই কাঙঙমদা, চীনবান লৈতোন খত্তে হায়না মদোম খমলৈ কুমখিরে [ম: গৌ:, ২০০২, ২৯-৩০]।

অসিনি। মহাক্না মঙচঙলুরগা পাউ পুন্নমকসি খুমন পুন্সিবা খুরেনচনবদা মহাক্না খঙগদবা মওং তন্লে। মহাক্না তমখিবা পাউদমদুদি -

নোংয়ায় খুমন নিংথৌ অদোন পুন্সিবা-ও!... নমোম খয়োঙ্গৈরেনবু.... য়োঙ্গৈবু ঈথি থিয়েপৰা য়োঙ্গৈহে ঈনু নুয়েক ৰাগী নোংল্লকয়ে, হায়য়ে। ... য়োঙ্গৈবু .... নমোমনা য়ারেন খোঙজী মতাই কাঙ্ঙমদে - হায়না পাউখুশ্বীয়ে [মথক্কীসিদা, ৩০]।

অসিনি। অসুম্না মহৌশাগী পুন্সি লোয়দুনা শিবা নত্তে, তুরোন্নবগী য়েক্ল-য়েংথিবী শরৌদা মীনা হাত্তুনা, লৰাইদা তরেংয়োৎকী য়োৎচৈনা য়ৈশিন্দুনা হাৎপনি, অদুনা চীশ্বাল কাথোকপা ঙমদবনি, হায়বসি চকপা লমলাং মাইবীগী পাউতাক্তগী খঙলবদা খুমন নিংথৌ অদোন পুন্সিবনা মমোমগী লৰাইদা য়ুংশিল্লিবা য়োৎচৈদু লৌথোক্তুনা থমহৌরগা খয়োঙ্গৈরোন শমফবীগী অশিবা হকচাংদু লৈরোন চনখি [মথক্কীসিদা, ৩১]।

চকপা লমলাং অমাইবীগী অতৈ মরমশিং

চকপা লমলাং অমাইবীনা মালেম তাইবংপান্দা পোক্লকপা, মহাক্কী অপোকপা-অপোকপী, মবুং-মপ্বা অমসুং মচেম-মনাউগী মরমদা করি অমতসু ফংবা লৈতে। মহাক্না করম্না চাওরকপা অমসুং মহাক্না হৈরিবা মহৈসি করম্না হৈরকপা, কনাদা তম্লকপা, অসিনচিংবসু খঙবা ঙমদে। মহাক তাইবং মপুনা পীরকপা শীন্থা মহাক্কী শাগৈ য়ুমলেপ্পবা, চাদা- নাউদা শমথনবা য়ুম পানবগী পুন্সিদা চঙখিবরা নত্রগা চঙখিদবরা হায়বসি খঙবা ঙমদে, অদুবু য়ুম্বান্দবী অমা ওইনা নাইতোম হিংবা পুন্সিদা লেল্লমগনি হায়না চেৎনা থাজজৈ। অদুগা মহাকসি

খুৎশেমগী শক্তম অমরা, হায়না খন্দবসু ঙমদে। অদুবু পান্ধারী-পুন্ধারীগী থৌদোকশিংদা মহাক্কী মমিং পুশিল্লম্বা অসিনা মহাকসি তাইবং মীওইবগী হকচাং লৈদুনা মালেম লৈমায় থকসিদা লৈরম-লেপ্লম্বা শক্তম অমরা হায়না খন্দবসু ঙমদে।

ৱাখোম-ৱারোয়

“চকপা লমলাং অমাইবী/মাইবী” মৈতৈ লাইনীঙ মনাৎকী অমাইবা-অমাইবী (মাইবা-মাইবী) গী তাইবং-মাল্লংপান্দা মমিং লৈবী অমনি। চীঙঙু লাইগী মপাউ লৌবদা মাঙজীন থাবী অমসুং তাইবং মীওইবদা উদবা খোইয়ুম-খোইমোমগী মপাউ তমদুনা অমসুং পাউতাক তমদুনা অমদি শন্দোক্নুনা মীওইবগী কান্নবা অমসুং য়াইফনবা তৌরিবী অমনি। চীঙঙু, খোইয়ুম, লাই হায়বসি তাইবং মাল্লংপানবু শীনবা থুংনা কুপশিন-য়োমশিন্দুনা লৈরিবা ময়াই (Energy) শিং অসিনি। মখোয়দি উদনা লৈবনি, উরগা মাঙখিবনি, অতোপ্পা ময়াইগী মশক অমদা তীনশিনখিবনি। মদুবু মফম চানা শীজিন্নবা ঙম্বদুনি মীওইবনা হোৎন-তান্নরিবসি। মদুগী লম্বী পীনবা লাইনীঙ অমসুং লাইনীঙলোনশিংনা হোৎনরিবনি। অসুম্না ময়াইশিং অদুবু শীজিন্নবা ঙমখিবীশিং অদুনি খোইয়ুম লাইগা হকথেংননা নত্রগা নাকোয়ননা ৱারী শাবা হায়রিবদু। অদুনা চকপা লমলাং অমাইবীসি তেংবানবা মপুগী ময়াইদুবু শীজিন্নবা ঙম্লবীনি। লাইনা মশাগী ময়াই শীজিন্নজবদি অরায়বনি, মীনা লাইগী ময়াই শীজিন্নবদুনি লুরিবদি। মরম অসিনা চকপা লমলাং অমাইবীবু ঙসিগী মীরোনসিনসু ঈকাই খুম্নফম থোকই, ঈকাই খুম্নসি।

য়োঙ্গরুমলোন খাইনু লৌথিবী

ৱাহৌ-শৈহৌ

"...... হৈরেম লুমচেং তাউপকী মমোম খাইনু কৌপীনা লমলেন ফেনচিকোপ ঈকোপ লাইপনশোয়তা লেমলৈ ঙাতারুপপু নোংয়ায় খুমন নিংথৌ অতোন পুনসিপা য়ুমোইপনা খুনচান খাইনু লৌথিপীপু লেমলৈ ঙাতারৈএ হায়না খুন্‌চান্ খাইনু লৌথিপীপু য়ুমলক নাইফাপকুম ফারৌরপকীতমকপু ... " [মহা: লৈহেক:, খুৎ: লাই: ২৯]।

মথক্তা থমজরিবা মহাদেব লৈহেকলোন কৌবা পুয়া লাইরিক্তগী লৌথোক শক্তোকচদুনা থমজরিবা ৱারেং মতেক অসিদা পল্লিবী "খুঞ্জান খাইনু লৌথিবী" হায়রিবী নুপী অসি মহাক্কী মমিং পক্লা লম উচেক চেঙ্‌জা লুমলেনবু "খাইনু লৌথিবী লাইশেং-চেক" হায়না থোনখি-খঙনখিবী নুপী, হৈরেম লমদমদা খুন্দা-লৈতাবা লুৱাং য়েক্কী খুঞ্জান শল্লাই (Sub clan) গী চনু-নিংঙোন অমনি।

শক্তাক-শকখঙহনবা

খুঞ্জান নিংঙোন নত্রগা নুংবাল্লোন নত্রগা য়োঙ্গরুমলোন খাইনু হায়বিসি নুংবান নত্রগা লুৱাং য়েক (Clan) কী খুঞ্জান শল্লাইগী পুকোক (Progenitor), হৈরেমগী লমতুপ লমলেন্দা খুঞ্জানশিংনা খুন্দা-লৈতাবা হৌদোকখিবা অমসুং খুঞ্জানগী অপীকপা নিংথৌ পানবা লৈপাক লীৎখৎখিবা নুংবান/লুৱাং নত্রগা খুঞ্জান লুমচেংহনবা নত্রগা লুমচেং তাউবগী মচানুপীনি। মহাকপু পোকপী মমাগী মমিংনা কম্বোং লাংশাবী হায়না কৌই অমসুং মহাকসি কম্বোং মী-ফুরুপ (Sub tribe) নত্রগা শল্লাইগী নিংঙোন্নি, অকক্লবা মমিংনা লাংশাবী হায়বসিনি। য়োঙ্গরুমলোন খাইনুগী মপা লুমচেং-হনবা/তাউবসি হোঙনেম লুৱাং নিংথৌ পুন্সিবা, পামং খুন্দাবগী তাল্লোই য়ুশিন লৈমা কৌবী চীঙনুং হাওবা কৌবগী মচানুপীদুনা পোকপনি। নুংবান লুমচেংহনবসি লুৱাং নিংথৌ পুন্সিবা, হোঙনেমগী খ্বাইদগী ঈহান হানবা তাল্লোই নত্রগা নুপী অহন্না পোকপা মচা অহন. লুৱাং পুন্সিবসিগী অতৈ তাল্লোইশিং (৮/৯) না পোকপা মচাশিংদগীসু

খ্বাই পুন্নমক্কী অহন ওইবা মচানুপানি। মহাক লুৰাং মকুবী চীঙগী লুৰাং পামং খুন্দা চাওরকপা অমসুং লৈরন্বদগী কম্বোং লাংশাবীসি লৌদুনা য়ুম পাল্লবা মতুংদা য়ুমখাই-য়ুমদারক্লবদা লৈত-লায়রা কোক্লবা হোৎনরকপদা লুৰাং মকুবী চীঙ থাদোক্তুনা হৈরেম লমদমদা খুন্দারকখিবনি।

খুঞ্জানচনু খাইনু লোইথিবীসি হৈরেম লমদমসিদা খুঞ্জান লমচেং তাউবনা লৈরবা/পাল্লবা মতমদা পোকপনি। মহাক্কী মথক্তা মবুং লুমশিন/লমশীন কৌবা অমা লৈ। অতৈ মবুং-মপ্পা অমসুং মচেম-মনাউদি লৈখিদ্রে।

য়োঙ্গৈরুমলোন খাইনুনা পোকপা, চাওরকপা অমসুং হিংলিঙৈগী মতম অসি মৈদিংঙু উরা কোম্হৌবা (চাও: খৃষ্টগী কুম: ৫৬৮-৬৫৮) না কংলৈ পুঙময়োন্দা নিংথৌ ওইদুনা পাল্লিঙৈদনি। খাইনু লোইথিবীগী মবুং লমশীনগী তাল্লোই, খুঞ্জান নিংঙোন খাইনুগী মনম্মসি মৈদিংঙু উরা কোম্হৌবগী মচানুপী ৰাংঙমলোন অমনি [ম: স: ক: এ:, ১৯৯৪, ৮০, ২৯৯, etc], মমিং মথাদি পীবীরমদ্রে। খুঞ্জান চনু খাইনুনা পোক্লরি-লৈরুরিবা হৈরেম লমতুপসিগী অৰাংদা খুমন নোংয়াইশিংগী লৈপাক লৈখ্রে। নোংপোক অমসুং খাদা চীঙগী চীঙ ঙাক্তা ঙাইখ্রে অমসুং নোংচুপ অমসুং অৰাং নোংচুপকী লমদমশিং অসিদনা পাৎকী পাৎ ঙাক্তা ঙাইরম্মী। হৈরেম লমতুপসিগী খুমন লৈপাক্তা তাইনরিবা অৰাংগী ঙমখৈগী লমশাং পরেংদুসু পাৎকী পাৎ ঙাক্তনি। হৈরেমগী তম্পাক ওইবা লমদমসি ফাওদুনা নোংপোক- নোংচুপ ওইরপ্পা শেকমাই তুরেন্না চেল্লি অমসুং মফম অয়াম্বদা ঈশিং তুংবা কোমপুৎ লৈপুৎ কয়া লৈ। অদুগা ঈরম ঈরুম্না অৰাংলোমদগী মখারোমদা চেম্থদুনা শেকমাই তুরেনসিদা তাখি অমসুং শেকমাই তুরেনসিনা নোংচুপ্তা তুরেন অচৌবা (ইম্ফাল তুরেন) দা ঈতীনখি। তম্পাক্কী লমদমসি অয়াম্বনা চোৎ চোৎ লাউবা, অমসুং লৈনীন কাবনা মীশিংনা চীঙদুম, চীঙদোং মথক্তা নত্রগা লৈপুঙ থোনগৎলগা খুন্দা-লৈতাফম শেম্মী। মরম অসিনা খুঞ্জানশিংসু খেরেচীঙ কৌবা চীঙদুম অমগী মথক্তা খুন্দাফম-লৈফম শেমদুনা অহানবগী ওইনা পাল্লকখি। অদুবু মী খরদি হৈরেমগী মফম অতৈদসু খুন্দাখিরম্মী।

মহৈ-মশিঙগী লমদাংদা খুঞ্জানচনু খাইনু লৌথিবীগী মমাসি ঙা ফাননবা লাং শাবদা মমিং লৈবীনি, মদুগীদমক মহাকপু লাংশাবী হায়বা মমিংসে কৌরিবনি।

অদুনা খাইনুসি মমাগী মফমদগী মহৈ-মশিঙসি তন্নকখি। অদুদসু নত্তনা মতমদুগী নুপী শীনফমগী মহৈ-মশিঙশিং- ফিশা- লোনশা, ফিরোন-ফিরীবা, ফুশা-ৱানশা, ঈনশা-লাংশাবা, অসিনচিংবসু তন্নকখি। মোইথাপ নাইবা, কপত্রেং তরেং শীজিন্নদুনা লশিঙদগী লং পুথোকপা, তুনুং লংজা চিংথোকপা, লংশুং-লংফাইবা, তৌওৎ-তমং শীজিন্নদুনা লংয়েৎ-লংখাই শাবা, তুনুং লংচাক চাকপা, মাল্লৌ-ফিহৌবা, খ্বাঙগী ঈয়োংদা ফিশাবনচিংবা মমা-ঈবেম্মনা ময়ুমদা শীনশূ-শীন্থাশঙ, ফিশাকা লীংবদুদা শীন্দল্লখি। অদুগা মশুম্মাঙ থেল্লোংদা ঙাফালাং-চেকফালাং শাবদসু শরুক য়াদুনা মশাগী চহী ৯/১০ (মাপন/তরা) শুবদগী শীন্দল্লকখি।

থবক-ঈনখাং শূ-নোম্বা

নুংবাল্লোন খাইনু লৌথিবীনা পুঙকক চাওরক্লবা থবাক ঙানফম মকোয়-মতোঙ নাইরক্লবা, খজাই অমসুং চীম্বান্দা অঙাংবা মচু কারক্লবা, মশুঙ-মমান্নবা নুপানা শঞ্জেন-শনঙাক চৎলক্লবা, মমান-লেঙমান্নবী মতারোইশিংনা লৌঙাক-ফৌঙাক ঙল্লক্লবা মতমদা কুমগী লৌউ-লৌতাবগী থবকশিং য়াওরক্লে। লৌকুম-লৌয়ানবা, লৌপেং-লৌয়েংবনচিংবসি তৌনা তৌনা ঈমুংগী চাকথোং-ফৌশু, ফিশূ-ফিজাম, খোমশুং-য়ুশুংনচিংবা মকুপ-মতাগী থবকশিংসু পলেম মমাগী মতেং পাংবা নত্রগা মতোমতনা শূ-নোম্বা তৌরকই। লৌউ-শীঙউবগী মতম লোয়খ্রগা পাত্তা কুমদুনা ইনজিং-লোংখোন্দুনা ঙা ফাবা, লৌবুক লমহাঙদা থোক্কুনা য়েল্লাং-কেংঙোই, পেরুক্ক চিংবা য়েনশাং নাপী মনবা অমসুং থিবা-হেকপা অমদি চীঙদা কাদুনা শীংয়ান-শীঙজনবা, অসিনচিংবা শূ-নোমদুনা লেল্লম্মী। অদুগা করিগুম্বা নুমিৎশিংদনা পম্থৌ মপানা লোইবী চীঙদা শেম্বা পামদা চত্তুনা লফু, খোঙদ্রুম, মাইরেন, পান, মঙ্গ্রানচিংবা থারুবা, হেক্লকপা অমসুং য়েংলুবা অসিনচিংবসু তৌরম্মী।

খাইনু লৌথিবীনা পাত্তা ঙাতাবা

য়োঙ্গরুমলোন খাইনুসি পল্লেম-পম্থৌনা নিংঙোন মতোমতা পোকপী ওইবনা য়াম্না লুনা চান্না তৌরম্মী। মবুং-মপ্পাশিংনসু অদু মঙাই, নোংদোন থৱান মৈরাশিংগী মরক্তা তোমথিন ঙানবী শজীক্কুম থম্বীরম্মী। মরম অসিনা মহাক

থোইচৎ- ৱাংচৎনৈ। অদুবু কৈরোই-লৈকায়গী মপা-মতোন, মবুং-মপ্পা, মমা-মন্দোম, মচেম-মনাউ, খোয়নৌ মমান্নবীনচিংবগী মফমদদি চাওথোক-পোঙথোক উত্তবা অমসুং মদুগী শাজৎ লীচত্তু উত্তবনা পুম্নমক্না নুংশিনা তৌবীরম্মী। য়োঙ্গরুমলোন খাইনু মশাগী চহি ১৫ (তরামঙা) শুরে, নুজা থম্মোই লাইয়ুমদা ঈনখৎলকপগী মঙাল ফাওরে। অদুবু থম্মোই' লাইয়ুমনুংদা লৈকা ফন্না শাৎকে তৌরক্লিবা থম্মোই' থম্বালদুগী লৈহী চুপ্পীনবা খোইমু অমতগী মিতম লাক্ত্রি, নুংশিবা মশক খঙদ্রি। মহাক্না খঞ্জ-নীঙজবা কনাগী শক্তম লীংখৎত্রিঁ অমসুং লাকত্রি। পাখং খুদিংমকসি মহাক্কী মমিত্তা মচু শঙবা, মশক নাইবা য়াওদ্রি, ইচম চম্না চপ মান্ননা উরি।

থৱান, লাংবন থা অনিসিগী মতমদা খুঞ্জান চনু খাইনুসি খ্বাঙদা তুংগোন য়াল্লগা খুত্তা লোং পায়দুনা পাত্তা ঙাতাবা হেক হেক চৎলম্মী। নোংমনা মখোয়নৌ মতারোইশিংগা লোইননা লৌশী থল্লান পাত্তা লেমলৈ ঙাতাল্লি, নোংমনা পুমলেন পাত্তা শানৌ মতোমতা চীক্না ঙাতাখি। অদুগা নোংমা অমনা চান্নবী মতারোই অনিগা খরুংপাত্তা কুমদুনা তুংগোন-লোংলেন হিথক্তা থল্লগা ৱাকয়ৈ হি তোংদুনা থরো-থম্বাল হেক্তুনা, থল্লা-থমচেৎ চানদুনা নুংঙাইনা লেল্লম্মী। অদুবু লৈ পাম্বা খোইমু পাইরক্তুনা লৈরাংগী নাপদা ঙংলরবসু পম্হৌ-পল্লেমগী মনীঙনি, নিংঙোনগী পুক্নীঙনা ঈনীঙ-ঈখা তম্বা ঙমজদে হায়দুনা নুরাগী মফম কনথোকই। লৈহী নীরুবা পাখংনা লমহেনবা তাদুনা ঈকাইজদুনা মতোকখি। অঙকপনি নুজাগী পুকচেন!

খাইনু লৌথিবী ফাখিবা

লাংবন থাগী কোরৌ নুমিৎ থাঙজনি। নুংবাল্লোন খাইনু লৌথিবীনা তুংগোন ৱাইরৌ থাংনা লোংলেন শমু খুত্তা পায়না লেমলৈ ঙাতারুগে হায়না খোঙহৌ খোঙশানখিবসি মপন পম্হৌ মপা লুয়জেং তাউবনা চেংলৌ মমিৎমক্না উহৌরম্মী। য়োঙ্গরুমলোন খাইনু লৌথিবীনা খোয়নৌ লেঙমান্নবী মতারোই ৬ (তরুক) কা লোইননা পোইরৈ কৈদা, ঈৱাং-ঈরেন অচৌবা করি পাত্তা, করম্বা মফমদা নত্রগা শোয়দনা লোং খোন্দুনা লেমলৈ ঙাতারুসিগে, হায়না খন্নরকখি। ঈপাক-ঈরেনপুঙ ঈকোপকী মমিং লৈরবা লাইপনশোয়দি পেংবা, ঙাহৈ, ঙাপঙ,

ঙাতোন্দা নত্তনা পোরোম, ঙমু, ঙাক্রানচিংবা লেমলৈ মখল অয়াম্বা লৈ, অদুনা ঈকোপ লাইপন শোয়দা লেমলৈ ঙাফারুরসি, হায়দুনা লেপ্পরে। অদুগা শোয়দুদা চৎনবা খন্নদুনা খোঙশাল্লক্লে।

লমলেন ঈকোপ লাইপনশোয়দা খুঞ্জান চনু খাইনুনচিংবী খোয়নৌ মতারোই তরেৎনা থুংলবা মতমদদি নুমিৎ ৱাতোন লোমলে। অদুনা চনুরাশিং অদুনা লাইজ ঈশিংদা কুমথদুনা লোং খোন্দুনা ঙা ফাবা হৌখ্রে। অসুম্না ঙা ফানরকপা ৱাংলেন পুঙ অনিরোম ফারক্লে। খোয়নৌ মতাশিংদু মানা- মানা থোকপা লোং পায়দুনা খোন্নরকপনা অমগা অমগা তামথোক-থাপতোক্লরক্লে। খোয়নৌ মতা তরুক্তু খুঞ্জান নিংঙোন খাইনুগী মিৎয়েংদগী তামখ্রে, চেংলৌ শকথোঙ উবা ফংখিদ্রে। ঈকোপ লাইপন শোয়দুগী অরেপ্পা মফম শোয়ফমদুদা লৈহৌরিবসি খুঞ্জান খোইনু লৌথিবী মতোমতা মঙাইহৌরে। মতমদুদা মীয়ায় চল্লবা, ৱাং-চাওরবা নুপা অমা মদাইরেম মরোই অনিগা লোইননা মফমদুদা থুংলরে। মখোয়না খুঞ্জান চনু খাইনুগী মনাক্তা লৈরিবা কংফান্দা লেপ্লদুনা মহাকপু কনানো হায়দুনা হংলক্লম্মী।

- হে ঈবেন্মা লৈশাবী, চেংলৌ শকহেনবী ও! লমলেন ঈকোপ লাইপনশোয়গী শোয়ফমদা লেমলৈ ঙাফারিবী! নহাকপু কনানো? কোল্লোয় নমিংনা করি কৌবগে? মপন পন্থৌ নোংয়ায় খুমনচা কনাগী মমোম্‌নো?

- হে পন্থৌ মানবা ঈপন - ও! মমোমগী কোল্লোয় মিংদি খুঞ্জানচনু খাইনু কৌই। হৈরেম লমদমগী খুঞ্জান নিংথৌ নুংবান লুমজেং তাউবগী মমোমনি।

- করি হায়বা? হৈরেম খুঞ্জান চনুনি, খুঞ্জান লুমজেং তাউবগী মমোমনি হায়বা! মোমনু নুজা ওইবী ও! ঐসে খুমন নোংয়ায় নিংথৌ অদোন পুনবা য়ুমোইবা হায়বদুনি, খুমন ঐগী ঈরমদমগী ঈশোয়রেন ঈকোপ লাইপনশোয়সিদদি হৈরেম লমদমদা পানবা খুঞ্জান নিংঙোন নঙনা করিগী লেমলৈ ঙাতাদুনা ঙাফারবনো?

- ঈপন-ও! মালেম তাইবংপানদা লৈরিবা লমদম পুম্নমকসে তাইবং মপুনা পীনবীরকপনি, মসিদা ফংবা লন পুম্নমক অসি তাইবং মীওইবগীদমক্তনি, অদুনা লেমলৈ ঙাফারম্বনি।

- অদুবু খুঞ্জান নখোয়গী মরমদা ফাবা য়াদরা, ঐখোয়গী লমদা করিগী ফারবগে, মসিদি মপু তাক্কনা পোৎ লৌবা, খুরান-হুরানবা হায়বদুনি, অদুনা নহাক চৈরাক ফংনীওঙাইনি।

- শামা পাঙ্গল্লি, নুপানি হায়দুনা পঙহায় হায়গনু। তাইবং মপুগী পোৎ লৌববু হুরানবা কৌব্রা?

- ৰায়াম-পাউয়ামগনু। ঈদাইরেম হুইতাও থিন্‌বা, মুংবা! ৰায়াম-পাউয়ামবী লৈশাসি শমু তুংবুন পরৈননা খুমন লৈকোয়পুঙদা পুরো।

খুমন নিংথৌ অদোন পুন্সিবা য়ুমোইবগী কোল্লোয় ময়াথং ফংবদা ময়ুম খুমনগী হুইতাও খোঙথীন ফুরুপকী থিনবা অমসুং মুংবনা খুঞ্জান চনু খাইনুবু ফাদুনা শমু তুংবুন্ননা পুল্লগা খুমন লৈকোয়পুঙ তম্না পুখ্রে। খাইনু লৌথিবীগী মখোয়নৌ মতা তরুক্কুনা পোইরৈ অতাম্বদগী মখোয়নৌ খাইনুবু শমু তুংবুন হৈরৌননা পুখিবদু উহৌরে। মখোয়না মতারোইবু ফাখিবগী পাউ অসি খুঞ্জান মচীঙলম হৈরেম মকাইফমদা তম্লুগে হায়না লাকপবু তোনবা নারন চন, থবীনা ময়ুম চঙখিবনা হান্দুনা তপ্না তপ্না লাক্লম্মী।

খুঞ্জান মকাইফম হৈরেম খেরৈচীঙ, খুঞ্জান লাল্লুমথেনগী নিংথৌ লুমজেং তাউবগী মশাইগোন্দদি নুমিৎ তাশিল্লক্লবদা নুংতি নুমিৎ খুদিংগী ময়ুমদা হঞ্জিল্লকপা মতমদা মমোম খাইনু লৌথিবীনা হঞ্জিল্লক্রবদা নুংশা থিনরে। মপন পম্থৌ মপা খুঞ্জান নিংথৌ লুমজেং তাউবনা খারৌ-লাইরৌ চেন্দুনা য়েংলম্বদগী লেমলৈ ঙাতাবা চৎলুবী খুঞ্জান নুপীশিংগী ময়ুম ময়ুমদা চঙদুনা মচানুপীগী মপাউ হংলক্লে, মখোয়না উরম-থেংনরমব্রা হায়না মীপুম খুদিংদা হংলে। অদুবু অহানবদদি কনানসু উই নত্রগা থেংনরম্মী, হায়রমদে। কোন্নথংদা মহাক্কা লোইননা ঈকোপ লাইপনশোয়দা লেমলৈ ঙাফামিন্নরুবী মখোয়নৌ মতা তরুক্কুনা হৈরেম মরমদম, খুঞ্জান মচীঙলোনদা য়ৌরবদা মখোয়না পাউদমদুনা খুঞ্জান চনু, খাইনু লৌথিবীবু খুমনগী মীশিংনা ফাদুনা খুমন লৈকোয়পুঙদা পুখ্রে, হায়বসি খঙনরম্মী। খাইনু লৌথিবীবু খুমন্না ফাখ্রে খঙনরকপগী মতাং অসিগী ওইনা পীবীরম্লিবদি -

... মপন পম্থৌ নিংথৌ হৈরেম লুমচেং তাউবনা মমোমবু মরান ওনতেরক, থিঙলৌ হলৰাইরক্তরে হায়না হৈরেম চনুরা খুনচান লেমলৈ ঙাহা

তানবীশিংদা পাউহংখিয়ে। ঈমোম খাইনুবু মরান ওন্দেরক্তরে হায়ববু খোয়নৌ মতা লেমলৈ ঙাহা তানমিন্নবীশিংনা পন্থৌ হৈরেম লুমচেং তাউব-ও! খোয়নৌ ঈতা খাইনু লৌথিবীদি নোংয়ায় নিংথৌনা লেমলৈ মাগী ঙা হুরয়ে, হায়না পাউতাকঙম্বা ৰাগীবু হৈরেম লুমচেং তাউবনা... [ম: ন:, ১৯৮১, ২৩]।

অসিনি। অসুম্না খুমন নিংথৌনা ফাখ্রে হায়বসি খঙনরকখি অমসুং মহাকপু থাদোকহন্নবা থৌরাং লৌখৎখি।

খাইনু থাদোকহন্নবা হোৎনবা

খুমন লৈকোয়পুঙ নত্রগা খুমন লৈপাক্কী কোনুংসি অহানবদা থৌবাল (নিংঙোম্বম, লাইয়িংথৌ থৌবাল নিংথৌগী লাইকোন লাইবুঙ লৈরিবা মফম)দা লৈরম্বদগী খুমন নিংথৌ পুন্সিবা য়ুমোইবগী পন্থৌমপা খুমন নোংয়ায় নিংথৌ অদোম লাইফংবনা মাগী মহাকথক্তা খুমন ফেনতা লৈকোয়পুঙ (ময়াংয়ুম্ফম/ময়াং ইম্ফালগী কোকচায় অৱাং লৈকায়) দা হোংদুনা পানখি [ব: ক: শ, ১৯৯৮, ২৯-৩১]। মদুদগী খুমনগী কোনুংসি মফমদুদা খৃ: কুম: ১৩৩৫ ফাওবা ওই [মথক্কীসিদা, ১৩৪-১৩৬] দুনা লৈখি। অদুনা খুমন নিংথৌ অদোন পুন্সিবা য়ুমোইবনা পাল্লিবা অমসুং খুঞ্জানচনু খাইনু লৌথিবীবু ফাদুনা থল্লিবা মফম অসি খুমন কোনুং অসিদনি।

খুঞ্জান লমজেং তাউবনা মচানুপী খাইনু লৌথিবীবু খুমন নিংথৌ অদোন পুন্সিবা য়ুমোইবনা মাগী মরমদা ঙা ফারৈ, ঙা হুরাল্লি, হায়বা মরান শীদুনা ফারগা পুখ্রে হায়বা পাউ তাবা নুমিৎকী মথংগী নুমিৎকী অয়ুক্তা মমোম্লু থাদোকপীয়ু হায়জনবা খুমন নিংথৌবু উনবা নোংয়ায় ফেনতা লৈকোয়পুঙ তাউতেক কোননা তাদা চৎখিরম্মী। মহাক্না খুমন নোংয়ায় নিংথৌ অদোন পুন্সিবা য়ুমোইবগী মফমদা চঙজদুনা খুমন নিংথৌদুনা মমাঙগী নুমিত্তা নোংয়ায় ঈকোপ লাইপনশোয়দগী ফাখিবী নুংশীমচাদু মহাক্কী মচা নুপীনি, মহাকপু থাদোকপীয়ু, পীফম থোকপা, কোঙফম থোকপী পুম্নমক কোঙ্জরগে হায়রম্মী। মদুদি :-

... পাথৌ নোংয়ায় খুমন নিংথৌ ও! ঈমোম খাইনুগীদমকপু কাওরেন শনশাগে, তাইয়ুম নাইশাগে, হায়রুববু [ম: ন:, ১৯৮১, ২৩]...।

অসিনি। অদুবু নোংয়ায় খুমন নিংথৌ অদোন পুনসিবা য়ুমোইবনা ব্রা থৈদোক্লুনা "খুঞ্জান নিংথৌ, নঙনা মীনাই পীগে, শন কৎকে হায়রিবদু নঙগী ননাই মীনাই অদুনা নত্রগা নঙগী নশঞ্জা শন অদুনদি ঐগী ঙা হুরদে, মখোয়দি মরান লৈতে, অদুনা ঐ লৌরোয়। ঐগী ঙা হুরাল্লব্বা মরান লৈবী অসিবুদি থাদোকপা ঙল্লোয়, মরানগী মতীক চাবা চৈরাক ফংজসনু" হায়না মশা কন্থোক্লুনা মচানুপী খুঞ্জান চনু খাইনুবু থাদোকপীয়ু হায়জবদু য়াবীদ্রে। হৈরেমগী খুঞ্জান নিংথৌ লুৱাং লমজেং তাউবদু হায়ফম খুন্ফম লৈত্রে। উপায় পাম্বে লৈত্রদুনা খুমনগী কোনুং থাদোক্লুনা ময়ুম খুঞ্জান পুঙদা হল্লক্লে।

লুমজেং তাউবগী মঙদা পাউতাক্লবা

খুঞ্জান নিংথৌ লুমজেং তাউবনা খুমন ফেনতা লৈকোয়পুঙদগী মমোম খাইনু লৌথিবীবু থাদোকপীয়ু হায়জরুববু খুমন নিংথৌনা য়াবীরক্ত্রবদা নীঙবা কায়না ময়ুমদা হল্লক্লম্মী। লান তৌসি, খুমন লৈপাক্তা লান্দাসি হায়রবসু খুৎকন-পাঙ্গনবা খুমন নোংয়ায়শিংনা হেল্লি। অদুনা মচানুপী হন্দোক্লনবা, থাদোকহন্নবগী পাম্বে লৈতরে। পন্থৌ মপা অমা ওইরগা মচাবু ঙাক- শেনবা ঙমদবা, কনবী- য়োকপবা ঙমদবদুদা মথৱাই য়াম্না নুংঙাইতনা ময়ুমদা মওল-মওল খন্দুনা লৈরে। নুমিদাংগী মতম থেংজিল্লক্লবা ফাওবদা মমোম হন্দোকপা ঙমদবগী ৱাখল খন্দুনা লৈরে। নোংয়ায়গী মতম লানখ্রে, অহিংগী মতম চঙলকখ্রে। মতমদুদা খুঞ্জান নিংথৌ লুমচেং তাউবা খোমলেন তুমখুন তাল্লক্লে। ঈনুং মমৈ ওইরক্লবদা খোমলেন মঙলৈপাক অমদা খোঙদারে।

লুমচেং তাউবগী খোমলেন মঙ অদুদা মহাকপু চীঙঙু নোংদম্বা লাই কাশা, খোইয়ুম সরারেন শিদবনা মহাকপু কৌরগা পাউতাক পীবীবগুম তৌরম্মী। মহাকপু চীঙঙু মখোঞ্জেন অদুনা মমিং পন্না কৌরগা হায়রকলম্মী - হে হৈরেম লুমজেং তাউব-ও! করিগী খোমলেন তুমকনলিবনো? য়াহৌরো! নমোম খাইনুবু লাইশেংনবা হৈরেমচা পাখং য়ীমনীঙ চামলৌ লাঙাকপা, শোয়রেন পাৎলম কোয়বনা নাউৱা কোংগোয়.লাংদা হৈরৌব-চেক থোংনাং চেঙজা লুমলেনতুবু লৈবনে, পোনজেং লাইচম্ খাননা নোংয়ায় খুমন নিংথৌদা লমওক্লরু-ও! [মথক্কীসিদা, ২৪ অমসুং মহা: লৈহেক:, খুৎই লাই, ৩০] - হায়না

নোংদোন্দগী মমায় লুকথনা য়েংথদুনা হায়রকপগুম তৌবগী মঙ অসি মঙলম্মী। চীঙঙু নোংথৌ সরারেন, অৱাং পাখং য়োঙ্গীরেনবগী ময়াথং পাউতাকসি হেক লোয়বগা হৈরেমগী খুঞ্জানশিংগী নিংথৌ লুমজেং তাউবদু মীকপ খংথোক থোকলম্মী। মহাক ফুক হৌগৎলগা ফমুংদা ফমদুনা মঙদু অমুক নীঙশিঙলম্মী। মহাক্না মঙদু তাইবংপানগী থৌদোক্তা হায়বনি হায়না খঞ্জরম্মী অমসুং নোংঙানবা ঙাইদুনা লৈরম্মী।

চেক্লা চেঙজা লুমলেনতু

কোরৌ ঈনুং ঙাল্লক্লবদা হৈরেম নিংথৌ খুঞ্জান লুমজেং তাওবনা ময়ুমদগী মপান্দা থোক্লক্লে। অয়ুক্কী তৌবা হৌনবা পুম্নমক পাঙথোক্লগা ঙরাং অহিংগী মমঙদা তাক্লস্বা হৈরেমচা পাখং য়ীমনীঙ চামলৌ লাঙাকপা, শোয়রেন পাৎলম কোয়বশিংদু থিনবা লাক্লে। হৈরেম লমগী মনীঙ নোংচুপ থংবা ঈকোপ পাৎকী পাৎপানগা তাইনবা শরুক্কী লমদম তম্না লাক্তুনা চামলৌ লাঙাকপশিংদু থিরক্লম্মী। মতমদু নীংথম পান্থা চঙলক্লগদবগী মতম্নি, মীরৈপাক-মীরমদম অতাম্বদগী পাইরকপা লমঙানু মখল-মখলশিংনা পাত্তা চাক্তাবা মতম্নি। পাৎপান্দা খুন্দাবশিংনা লাং শাদুনা পাত্তা লাং থাক্ল-থারগা লম-উচেকশিং ফানবগী তাঞ্জানি। খুঞ্জান নিংথৌ লুমজেং তাউবনা মনীঙগী পাৎপান্দা তাবা লাঙাকপা হৈরেম মচা পাখংশিংদুগী মনাক্তা লাকপা মতমদদি মখোয়দু পাত্তা চেক্লা ফান-লাং কাইরম্মী। মখোয়না লাংদা ফারিবা উচেকশিং অদুগী মরক্তা ঙরাং অহিংগী মমঙদা হায়রম্বা লমগী উচেক চেঙজা লমলেনতু হায়বদু য়াওরম্মী। হায়রিবা লম-উচেক অসিগী মরমদা পীবীরম্বদি :-

... থোংনাং চেঙচা লুম্লেনতু।। শৱা পাংফংথৌ।। পোনপী নমলম য়েংবসুং নমনা ঙানবচেক। চেক্লা থারম য়েংলবসুং থানা ঙানবচেকপু থোংনাং তানতে ফিশাবনা চেঙজা লুমলেনতুবু ওইনা লাংওনখিয়ে [মথক্কীসিদা, ৩০ অমসুং ম: ন:, ১৯৮১, ২৪-২৫]।

অসিনি। অদুগা লম উচেক অসি থোংনাং ময়াংগী ফিশাবা নুপা অমনা ওনখি-ওইখিবনি, হায়না থম্বীরল্লিবসিগী ৱারোল, ৱারী ওইনা পীবীরল্লিবদি:-

লহাননোং থোংনাং মনিংথৌ, ময়াং লৈমাবনা মদাইরেম থোংনাং তান্তে ফিশাবদা পাউমেনখিয়ে, - ঈদাইরেম থোংনাং তান্তে ফিশাব-ও! ময়াং নিংথৌকী ফিপু কোরৌ নুমিৎ ৫ নিতা চৈরৈ ফিতোন লোমনা ঈয়োং লাইজী কক-ও! হায়খিয়ে। মদাইরেম থোংনাং তান্তে ফিশাবনা ময়াং নিংথৌগী ফিবু কোরৌ নুমিৎ ৫ নিদা চৈরৈ ফিদোন লোমনা ঈয়োং লাইজী ককওমদরবগী থোংনাং মনিংথৌ, ময়াং লাইজীগু লৈমাববু শোংকিরবা ৱাগীদমকপু মদাইরেম থোংনাং তান্তে ফিশাবনা ময়াং নিংথৌগী ফিবু খোয়থোমনা থোংনাং কতাপানবু নম্‌নাকননা ওইখিচেক, থোংনাং চেঙচা লুমলেনতু ... [মথক্কীসিদা, ২২-২৩]।

অসিনি। হায়রিবা লম-উচেকসি পোইরৈ মৈতৈগী মনাত্তা মীনা ওনখিবা উচেক্লি হায়না লৌনৈ অমসুং মৈত্রবাক্তা পাইরক্কুনা চাক্তাবনি হায়না থাজনৈ।

খাইনু লৌথিবী লাইশেং-চেক

হৈরেম নিংথৌ খুঞ্জান লুমচেংতউবনা মমঙগী ৱাফমদু নীঙশিঙদুনা হৈরেমচা পাখং য়ীমনীঙ চামলৌ লাঙাকপশিং অদুদগী উচেক চেঙজা লুমলেনতু অদু লৈরে। অদুগা লম-উচেক্কু অপীকপা পোন অমদা হাপ্তুনা পুরগা খুমনগী ফেন্তা লৈকোয়পুঙদা অমুক হন্না-নোংয়ায় নিংথৌ অদোন পুন্সিবা য়ুমোইবদা কৎলগা মচা নুপী খাইনু লৌথিবীবু থাদোকপীয়ু হায়জবা লাক্লম্মী। মহাক্না খুমন-ফেনতা লৈকোয়পু য়ৌদুনা খুমন নিংথৌদা উচেক অদু কৎচরবা মতমদা খুমন-নোংয়ায় নিংথৌ অদোন পুনসিবা য়ুমোইবদু উচেক্কুনা শুমহৎলম্মী অমসুং মহাক্না মদু পান্থনা ঙাওরম্মী। মহাক্না উচেক চেঙজা লুমলেন-তু অদু লৌরগা খুঞ্জান নিংঙোন খাইনু লৌথিবীবু খুদক অদুমক্তদা থাদোক্লম্মী। মদুদগী উচেক অসিবু খাইনু লৌথিবী লাইশেং- চেক হায়না খঙনখি।

খুঞ্জান নিংথৌ লুমজেং তাউবনা মচানুপীদু খুমন নিংথৌনা থাদোকপীরবনিনা মমোম লাংলেনদুবু পুদুনা খুঞ্জান মরৈপুঙ খেরেচীঙ মকাইফমদা হল্লক্লম্মী। অসুম্না খুঞ্জান-নিংঙোন খাইনু অমুক হন্না হৈরেম লমদম খুঞ্জান মশাইগোন্দা লৈরখি।

মখা তারকপা পুন্সি

খুঞ্জান চনু খাইনু লৌথিবী মশাগী চহী ১৫ (তরামঙা) দা খুমন নিংথৌনা মখোয় খুমনগী লমদা চঙশিল্লক্কুনা ঙা ফারৈ হায়দুনা ফারুরগা থাদোকপীরক্কুনা

খুঞ্জানশিংগী হৈরেমদা অমুক হল্লক্তুনা লৈরখি। মসিগী মতুং তারকপা মহাক্কী পুন্সিগা মরী লৈনবা থৌদোক- ৰাথোক অমতা তাবা ফংখিদ্রে। অদুগা মহাকময়ুম মকৈ পানখিব্রা অমসুং মহাক্কী মচা-মশূ থল্লম্ব্রা নত্রগা লৈহৌব্রা হায়বসু করি অমতা খঙবা ঙমদ্রে। মহাক্কী মখা তাবা পুন্সিগী ঈ-পাউ অমতা ফংবা ঙমদ্রে।

ৰাখোম ৰারোয়

খুঞ্জানচনু নুংবাল্লোন নত্রগা য়োঙ্গঈরুমলোন খাইনু লৌথিবী, খুঞ্জান শল্লাই/ফুরুপ হৌদোক্লকপা মতমগী লুৰাং য়েক্কী নিংঙোন্নি। মহাক্কী পুন্সিগী ৰারীগী মতেক অসিদা লম উচেক মখল অমা (চেঙজা লুমলেন-তু) গী মমল লৈবগী মশক উৎলি। মহাক খুঞ্জান কাংলুপকী শল্লাই পুকোক নুংবান লুমজেং তাউবগী মমোম লাংলেন্নি। মহাক্কী পুন্সিগী থৌদোক-ৰাথোক্লা মৈত্রবাক্কী পাৰারী-পুৰারীগী অঙনবা মতম তাংকক্কী মতাং অমগী লৈপাক-খুন্নাইগী শক্তম ময়েক শেংনা উহল্লি। মহাক্কী মতমগী লৈপাক খুন্নাইসিদা হিংনবগী লন্বী, শেন্দান-শেনচৎ অমসুং শীল্লম-শীনফমগী মশক শেংনা ৰাখন্না লাকশিনবা ঙমহল্লি। মহাক্কী পুন্সিনা মৈত্রবাক্কী অরিবা খুন্নাইদা নুপীনা করি শরুক য়াবগে, করম্বা থৌদাং লৌবগে, হায়বনচিংবগী মফমশিং, থাকশিং অমসুং ফিবম-ফিরেপশিং উহল্লি। চাওখৎত্রিবা খুন্নাই অমদা নুপীনা পাংথোক্লিবা থৌগায় অমসুং মথৌশিং মহাক্কী থৌদোক-ৰাথোক উৎলিবসি মালেমগী ওইবা থাক্তনি, চাওখৎলবা খুন্নাইশিংদা তোন্থ-হন্থবগী ফিবমদা লৈরবসু চাওখৎত্রিবা খুন্নাইশিংগীদি মশা-মশানা লেপচ-লৈজরিবা চপ চাবা ফিবমনি।

শোংগ্রী লৌঙাকপী

ৰাহৌ-শৈহৌ

"...... মমোম নাৰা অখুবীবু নাউয়োকপদা হাওনীঙশং পৌতোংনু শাফবীদি তরা অচা ৰাৎ, চৈরৈ অয়িন তামনা মাললৌ অশেৎ ৰাৎলবগী মমোম শোংগ্রী লৌথিবীবু শমু নমদা পোনা, চৈরৈ নাহোং শানা লৈকায় খুনথোঙ চৎনা তরা চাকনীববু..." [ম: ন:, ১৯৮১, ৫১-৫২]

মথক্কী লাংৱোন (লাংওন) লাইরিক্তগী লৌথোক্লকপা, মৈতৈ পুয়াদগী শত্তোক্তুনা থম্বা ৱারেং মতেক অসিদা পল্লি-হায়রিবা “শোংগ্রী লৌথিবী হায়রিবী ওয়গী লমদাং ওইবী নুপীগী শক্তম অসি মৈত্রবাক্কী ৱারেং- শৈরেংগী ৱারী-ৱাতাই অমসুং লাইরিক-লাইশূলোন [সহিত্য (Literature)] গী পরমদা মহাক্কী মফম অমা কঞ্জরিবীনি। পুন্সিগী খণ্ডম-উণ্ডমদ্রবা খোঙথাংশিংদা খোঙথাং অমগী খোঙফম অমা শোয়খিবদা লৈখা তারবী অমনা লাই-তীনগী নত্রগা লাইওই- তীনওইবগী পুন্সিগী লাংওন লৌদুনা পিখম্লখিবী চনুরা অসিনা অপাম-নুংশিগী ঈপাক্তা ঈরোইরিবশিংদা শকখঙদবা-শকখঙদবীগী নুংশি-নুংওন্না মীওইবগী পুন্সিদা পন্থুংফম লৈত্রবা মপোক ওইনা মপোক লাংওন খমনৈ হায়বসি ফোংদোক্লি। শোংগ্রী লৌয়াম্বী নত্রগা লৌঙাকপীগী ওইথোক্লরোয়দবা পুন্সিগী থৌদোক্লা শকখঙনদবদগী ওইথোকপা থৌদোক ওইরকখিবনা লাই ওইবগী পুন্সিদা শেমগত্তুনা অইবনা থম্লবা-অরিবা ৱারী - শীঙবুনসি পুৱারী- পাৱারীগী পনবাননুংদা থম্বীরম্মী। অদুবু মদুগী চপ চাবা মতমদি লেপ্পা ঙমজদে।

শক্তাক-শকখঙহনবা

“শোংগ্রী” নত্রগা শোংগ্রী লৌঙাকপী মোইরাং য়েক (Clan) কী কৌবা (কৌব্রু চীঙজাওগী লমকোন-লমকনগী লমখৈ/ঙমখৈ মনুংদা খুন্দা-লৈতাবা) নত্রগা মোইরাং অনৌবা নত্রগা মোইরাং থোকচোম শল্লাই (Sub-clan) গী য়ুকোকথোং য়াঈমা অমসুং মহাক্কী তাল্লোই হাওনীঙশং পৌতোংনু শাফবী অনিগী মমোম লাংলেনহন্নি। য়ুকোকথোং য়াঈমবসি মোইরাং কৌবগী পুকোক-পুরেন ঙাংহুনথোক্তগী মীরোন অহুম চথরগা লৈবা পুকোক কৌবা অঙাংঙানা ৱাংঙমলোন লাইরোকলেম্বী পানদুনা মচানুপা ৫ (মঙা) - খোইনাই অহনবা (খুয়োলয়োঈ থোকচাও), খোইনাই য়ুমথংবা, য়ুকোকথোং য়াঈমবা, ঈরুম লৌখিবা অমসুং নারুম অতোনবা - পোকপসিগী ময়াঈ থংবা অসিনি [চ: হে: ২০০৪, ১৫১-১৫২]। য়ুকোকথোং য়াঈমবসি মোইরাং ঈৱাংগী কোনুংদা পুরিক্লাই থিংক্রী নাচাওবা নত্রগা চোথে থাঙৱাই পাখংবনা নিংথৌ ওইদুনা পাল্লম্বদগী মতম/চহি খর নিংথৌসিনা চীঙঙু সরারেন নীঙদুনা পুক্লীঙ

লুপ্না লাইনীঙ হীরী কোন্দুনা লৈঙাক-ৱায়েন-থৌ পুন্নমক থাদোক্কুনা লৈখ্রবদা কেগে মোইরাং লৈপাক নিংথৌ পান্দবগুম লৈরে। মদুদা মোইরাংগী মীশিংনা কৌবা অঙাংঙাবু মোইরাংদা নিংথৌ ওইররো হায়না কৌরক্লম্মী। মতমসিদা মপারী খোইনাই অহনবদি কাংদোং ফারদুনা য়ুম খায়খ্রগা মতমসিগী মমাঙদা মোইরাংলোমদা কুমখিদুনা খুয়োল লমদমদা খুন্দা-লৈতাদুনা লৈখ্রবনি। অদুনা মহাকপু খুয়োলয়োঙ্গী থোকচাও, থোকচাও অহনবা হায়না খঙনদুনা লৈরবনি। কৌবা অঙাংঙানা মহাক্কী তাল্লোই অমসুং অতৈ মচাশিং পুদুনা মোইরাংলোমদা কুন্নকপসিদা খুয়োল লমদম মচানুপা খুয়োল য়োঙ্গীথোকচাওগা ওক্লদুনা মচাগী মনাক্তা পল্লম্মী। মদুদগী মহাকপু "ওক্লরেন" হায়না মিংথোনখি অমসুং খঙনখি। মচানুপা খুয়োল য়োঙ্গীথোকচাওসিনা ওক্লরেনগা থংননা লৈ হায়দুনা "থংনরেন" হায়না মিংথোনখি অমসুং খঙনখি। মফমসিদগী মচা মনাই হাওবা থাদুনা মোইরাং ঈৱাংগী কোনুংদা য়েংহল্লুবদদি পুরিক্লাই থিংক্রী নাচাওবনা লাইনীঙ হীরী কোনবা লোয়দুনা হলৱাইরক্লে, পাউদম্লরে। কৌবা অঙাংঙানা মোইরাং খোঙগুন্নকপসিদা য়ুকোকথোং য়াঙ্গীমবসু য়াওরক্লিবনি। মোইরাং নিংথৌ হল্লক্লে তাবদা কৌবা অঙাংঙানা মচাশিং পুদুনা অমুক কৌবা মশাইগোন্দা হনখিরম্মী।

শোংগ্রীগী অঙাং ওইরিঙৈগী পুন্সি

কৌবা য়ুকোকথোং য়াঙ্গীমবনা মোংবা ময়ুম খায়রবা, তাল্লোই তুয়িন তম্লবা মতুংদা মমোম শোংগ্রী পোক্লে। মহাক পোক্লবা মতুংদা য়ুকোকথোং য়াঙ্গীমবনা লৈত-লায়রগী মৈশা লাংদুনা মপনলম কৌবা লমদম থাদোক্কুনা মৈতৈ পোইরৈলম তুংওইনা খুমনলৈপাক অমদি হৈরেম লমতুপ তুংদা হুন্না লোইবী চীঙলোন পললংলাশিং লান্দুনা চৎখ্রগা ময়ীম শেনবী কবো [The Shan, the section of the Tai] গী লৈপাক, কবো তম্পাক (কাসে শান ভেলী = Kase Shan Valley) তা চৎখিদুনা খুন্দা-লৈতাদুনা চাকতাং-ফিদাংখি। মহাক্কী তাল্লোই হাওনীঙশং পৌতোংনু শাফবী অমসুং পীক্লিবী মমোম শোংগ্রীবুসু পুদুনা কবো লৈপাকতা লৈখিরম্মী।.মফমদুদা লৈরগা কৌবা য়ুকোকথোং য়াঙ্গীমবনা লৈত-লায়রগী চৈথেং কোক্লবা খাগী (চাইনা/China) - খামরন [(বর্মা/ব্রাহ্মা (ম্যান্মা/ম্যান্মা)], কবো-পোং(মাও-শান

/টাই-মাও), শেনবী-কলেৱা, শমশোক-মংশানচিংবা মৈত্রবাক্কী নোংপোক্কী লৈপাকশিং-লমদমশিংদা লল্লোনপোৎ পুদুনা থিল্লুবা, অমুক লনওনপোৎ পুরক্তুনা য়োল্লবা, তৌদুনা লল্লোন-ঈতীক চত্থরম্মী। অসুম্না লল্লোল-ঈতীক তৌবগী চৎপসিদা মতম শাংনা মীরৈপাক খাগী-খামরন্নচিংবা লৈবা, মীরমদম -মীৱাইলেন্দা লেনবনচিংবা তৌবনা ময়ুম-মশাইগোন, মহিংগোন-মকাইফম্দি মতম কুইনা কুইনা থাদোক্তুনা থল্লম্মী। মরম অসিনা অঙাং নৱা ওইরিবী শোংগ্রীদু পন্থৌ-মপা য়াওদনা মপন পল্লেম মমাখক্তনা নাউয়োক-নাউকোল্লকখি।

পন্থৌ মপা য়ুকোকথোং য়াঈমবনা শাইদাংদুনা লৈরিবা কবো মরমদমগী য়ুমদুদা লৈতবা, মীরৈপাক্তা লৈখিবনা নুপীনা পানবা য়ুমদুদা লৈত-লায়রগী লাইনা চাক্তাফম, য়াথোকফম অমসুং শান্নফম ওইরম্মী। লৌউ-শীঙউবা নত্তবা অমসুং শেন্দান-থুমদানবা তৌদবনা য়ুমদুদা চানবা পোৎ করি অমতা তারমদে। অদুবু চাদবদি য়াদবনা পল্লেম-মমা হাওনীঙশং পৌতোংনু শাফবীনা মমোম শোংগ্রী পীক্লীবীবু চরৈ নাহোং শানা শমু মনঙ্গন্দা পোরগা কবো খুঙ্গংগী য়ুমথোং খুদিংদা চান-থক্লবা পোৎ-চৈ নীবা চৎলম্মী [ম: ন:, ১৯৮১, ৫১-৫২]। অসুম্না চাকনী-ফিনীবা চৎলকপসি থাবুম য়ামশিল্লক্লবদা নহা ওইরিবী হাওনীঙশং পৌতোংনুদু কুচু মাঙশিল্লক্লে, মায়থোঙ মচি লাংশিল্লক্লে। অসুম্না লৈত-লায়রবা চান-থক্লবা অমসুং শেৎন-ইন্নবা লৈত্র-ৱাৎলবা ঈমুংদুগী ফিবমদুনা শোংগ্রীসি য়োক্লকখি। কৌবরোন শোংগ্রীনা পুঙকক চাওরকপগী মতমদা ওইরকপা মওং-মতৌগী মরমদা শৈথারম্বগী ৱারোন্দুদি :-

... মমোম শোংগ্রী লৌথিবী হৈরাঙ মতমলক, চৈরৈ শেৎতল্লক, মাল্লৌ থোংতল্লক্লিবীগী মচেম লেপপু লেপফংদা, মনীঙ শংলৈ লেপ্পু লেপফাদরিবী, শমলাং কোয়কক্লনা থমচেৎ মমায় হেনগুমলিবী তাঙজা মশমতোনবু নুজা পুকসি হুইথাপ লম, নুরা খুৱাঙ নীঙদু য়ৈনা শৱা উপোঙমৈ থোক্কে তৌগুল্লিবী নাওৱা চৈরৈ মনমখাঙ ফিদোন পেক্রুক নানৌফিনা নুজা য়েত্তা লৈ, শাগা কাঙ, ওয়দা লৈ লেঙদোন হাইগুম শীননা তাঙজীঙ হৈকল্লিবী, শীঙলেন থম্বাল লৈগুম্না পোমবোল্লিবী, মমোম শোংগ্রী লৌথিবী ... [মথক্কীসিদা, ৫২]।

অসিনি। মতম অসি শোংগ্রী লৌথীবীসি মশাগী চহি ১২/১৩ (তরানিথোই/তরাহুমদোই) শুরবা মতমগী ফিবম্নি, তাউজীঙ হৈদা হৈজীঙ ফারকপা লৈরাং লৈদা লৈহী কারক-চেল্লক্লবা মতম্নি।

কৌবরোন শোংগ্রীনা খারী লৌঙাকপা

কৌবরোন শোংগ্রীনা চাওবা লেপ্তুম ফারক্লবদা পল্লেম মমা পোকমনাবীনা নোংমা - মমোম মাবু মনঙ্গন্দা পোদুনা কবো য়ুমথোঙ-খুমথোঙ খুদিং চত্তুনা চাক্লী-ফিনীদুনা মহাকপু থাক্লকপা, চাওনবা য়োক্লকপদা মহাক্লা অৱা-অনা কয়া খাঙলক্লে, হৌজিক্তি মমোম মহাক চাওরক-শাংলক্লে, অদুনা মহাক্লা অফংবা অঙম্বা থবক শূ-নোমদুনা পল্লেম মমাগী মতেং পাংলো- হায়না হায়রম্মী। মমোম ওইবী শোংগ্রীনা মহাক্লা করি শূ-নোম্বা হৈগদবগে, তাকপীয়ু হায়জরবদা পলেম মমা হাওনীঙশং পৌতোংনুনা মমোম য়েংদুনা হায়রকখি :-

হে ঈমোম পেম্মা-ও! নঙবু শগাই পল্লাংথক্তা থাঙয়ি লীহৈ শঙ, পরীং লেপ্তুম তিং, উকাক মায়থোঙ য়ান্না, খুৱাই লাইখং তাল্লুরো, লোইমোম ফৌখোঙ শঙলুরো।

অদুনা মমোম কৌবরোন শোংগ্রীনা কবো খারী লৌবুক্কী শগাই পাবন থক্তা উকাক (লুক্রাক) য়েনপাক ঈল্লুম উপ্তু-তুপ্তুনা শৱা উচেক ঙাকখিরম্মী। "হাদা উরীৎ নাপঙবী, নপন পল্লেমনা কৌবসু তাদবী, নপন পম্বৌনা কৌবসু খুমদবী! লোইমোম ফৌপান্দা তোংদুনা লীহৈ চরোং কেনহনগনো। চেক্লা নহুম নরান্দা হন্দুনা শৱা নরুম কোল্লুচো, পোনবী নচা য়োক্লুচো! তোনবা নারন চল্লক্লে, হো চেল্লা হল্লোনে" - হায়না শৈশক্লদুনা কোরৌ নুমিৎ চুপ্পা নোংজা খুদিং কবো খারী লৌবুক্তা লৌঙাক্লম্মী। অসুম্না "লৌঙাকপী" ওইনা কৌবরোন শোংগ্রীনা লৈরকপা থাজ কয়া হৌখরে। কৌবরোন শোংগ্রী লৌঙাকপী মশাগী চহি ১৪ মপুঙ ফাখিদুনা ১৫ চঙলক্লে।

ৱাংলেন খোঙচৎ লেপ্তুবা, পুঙ্গোয় খোঙথাং পন্দবনা পুরকপা তাইবং পানবগী থৌদোক-ৱাথোক্কী লৈদুনা- উঙদুনা চৎলিবা কাংখোঙগী খোঙচত্তুদা কৌবা অঙাংঙাগী মপারী অহুমশুবা কৌবা য়ুকোকথোং য়াঈমবদু লল্লোন- ঈতীক্কী থবক্তগী মতম কুইনা খাগী মীরমদা লৈরুবদগী ময়ুম কবোগী লমদম ওন্দুনা

হল্লক্লক্ষ্মী। পোইরৈ অতাম্বদগী লাক্কুনা কৌবরোন শোংগ্রী লৌঙাকপীনা লৌঙাক-ফৌশঙলিবা লৌবুক অদোমদা লাক্লক্ষ্মী। হৈরাঙ হৈজীঙ ফারবী, তাউজীঙ মমুন ফারবী শোংগ্রী লৌঙাকপীনা লোইমোম লৌবুক্কী শগাই পাবনথক্তা উকাক কোকথোন উপ, নুজা শমু পম্বোম নামনা উকাক য়েনপাক ঈল্লুম খন্দুনা লৈরি-লেপ্লিবা শারেপ-শাবান, শকফম-শক্তমদু কৌবা যুকোকথোং য়াঈমবা উরে। নুজা চেংলৌ শক্কোয় উবদা মহাক্কী পুক্লীঙ শুমহৎখ্রে, ৱাখন লাকশিনবা ঙমদ্রে। মমোম চেংলৌ শকখঙজদ্রবী, ইনখৎলকপা মতমগী মাল্লং অঙাওবনা হুমদুনা পুরিবী, নুংশি-নুংওনবগী ঈথক-ঈপোম্না পুক্লীঙ ৱাখল থুংনা কুপ্লিবী কৌবরোন শোংগ্রী লৌঙাকপীনা লমলানবা পাখং ওইরবোই নীঙদুনা নুংশি পাউশানরে। ৱাংলেন খরগী মতুংদা খারী লৌশঙ শগাই খাদা কুমদুনা নুংশি মাগা চীল্লোক-চীন্দীননা কোল্লোয় ৱারী শানরে।

নোংদম্বনা শান্নবা কুম্মোনি, মাগী মখুৎশেম থৌদোক্লি, শকখঙদবা শকখঙদবী অনিদো নুংশিবগী হিনাউদা অপাম্বগী ময়াইনা তোংদুনা নুরা কুমজীং হীগোক থোক, মাল্লৌ চরৈ থানা হৈরাঙ চামিন্না, লৈরাং চীনমিন্নরে, নুংশি শকথোং হংনা-খঙনদনা শীঙঙেন শেখনরে, লৈরাং খায়থনরে। নুমিৎনা লৌরাং মতম লাল্লক্লবদা তম্বা মাসু চৎখরে, নুজা মদোম নুংশি ৱাখল তৌনা তৌনা শৱা চেক্লা চাক্তাবা লোইমোম ফৌশঙ লৌঙাক্লা লৈহৌরে। কোরৌ নোংমদুগী অঙানবগী মতম লোয়শিল্লক্কুনা নোংমদোন কোরৌহনবনা নোংচুপকী চীঙখোঙ পক্লক্কদৌরে। কৌবরোন শোংগ্রীসু ময়ুম মোংবা শঙ্গাইদা কারক্লে। মহাক্লা ময়ুমদা থুংলরবা মতমদা খারী লৌবুক্কী পাম্মুবদো মপন পন্থৌ ওইরম্লে। মসি মতাংদা পীবীরম্লিবদি :-

মমোম শোংগ্রী লৌঙাকপীসু নুমিদাং তাংলৌ লৈনা থেংলবগী মরান মোংবা যুম্বু তাননা খাল্লে লৌকারকপবু ৱাইথুংলবদা মমোম শোংগ্রী লৌঙাকপীনা পাউহংখিয়ে। " হে পল্লেম, হাওনীঙশং পৌতোংনু শাফবী-ও! ঈপন নঙগী ফমলেন কাদা ফম্বা কবোৱাপী হায়বা সনা লীফক ফম্না ফম্বে মাঙলমথক্তা সনা লীতাং ফানবা অসিবু কনানো? হায়না পাউহংববু, "হোয়দা ঈমোম শোংগ্রী লৌথিবী-ও! নপন পনথৌ নিংথৌ কোথক্ থোংঙাং ঙৌবা, থোংশোক শাবা

চকলৈ নেন্‌থীবা তাংলৈ কোনথিবা নপন পন্থৌ নপা পোকমাবনে, হে ঈমোম নঙবু নহান হৈরাঙ মচা য়ান, তাউজীঙ মরু পনবা নোংদা লোইদাম থাশীঙ শুদনা হুল্লাল্লল্লবগী নপনবু চেংলৌ শকখঙদা, পুনু লেপখঙনদরিঙৈনে" - হায়না পাউখুল্লবদা মমোম শোংগ্রী লৌথিবীদি তাঙজা ঈকাইখিয়ে। হুইয়াই শেনকোয় ৰাগী- হে পল্লেম ঈমা হাওনীঙশং পৌতোংনু শাফবী-ও! নমোম ঐদি য়ীপন পন্থৌ নিংথৌ... চেংলৌ শকখঙদা, পুনুং লেপখঙদরবগীদমক ঙাইতে লৌশঙনুংদা চীনগোয় পাউরান্নরক্লে। থাঙঙা ঈরৈকোক, লৈকায় ঈপনশাং, ঈতা ঙাইরোইনাই, য়াংদৌ ঈফেৎলোইবু হুইয়াই শেনকোয়য়ে। ঐদি তাইবং নমু পোংবু ওইঙল্লরোইয়ে। কোরৌ নোঙ্গারা, চীঙঙু পনল্লেগে, অমন য়াৰা পুকা ওইরগে... [মথক্কীসিদা, ৫৩-৫৪]।

অসিনি। শোংগ্রীনা মপাবু শকখঙলক্লবদা মানা তৌজরুবা থবক্কী মহৈনা ঈকাইবনা খাঙবা ঙল্লমদ্রে। কৈরোই লৈকায়গী মপা-মচাশিং, মশুঙ-মমান্নবী মখোয়নৌ মতাশিংনচিংবনা খঙলক-তারক্লগা ঈকাইজৈ, ঐহাক তাইবং পানসিদা হিংদুনা লৈবা ঙল্লরোয় হায়না পল্লেম মমাদা মশাগী অরোনবদু তাক্লল্লগা নিংথি [চিন্দৱিন (Chindawin)নত্রগা খেন্দাৰেন] তুরেন্দা চোংথদুনা পলেম মমা খঙহন্দনা য়াইবী মথৰাই থাদোকখিরম্মী। অসুম্না ইনখৎলকপা পুন্সিগী অপাম-নুংশিগী ময়াইনা মশাগী মপুন্সিগী চহি ১৬ (তরাতরুক) খক্তদা মপুন্সি লোমখি হায়না পীবীরম্মী [মথক্কীসিদা, ৫৩]।

মখা তারকপা শোংগ্রীগী লাংওন

কৌবরোন শোংগ্রী লৌথিবী, কৌবা য়ুকোকথোং য়াঈমবা নত্রগা কবো কোথক থোংঙাং ঙৌবা থোংশোক শাবা চকলৈ নেন্‌থীবা তাংলৈ কোনথিবগী মচা নিংঙোন অসিনা কবো তম্পাক্কী নিংথি তুরেন্দা চোংথদুনা য়াইবী থৰাইনা শমু হকচাং থাদোকখ্রবদা শমু হকচাংদু নিংথি তুরেনগী ঈচেন্না পুথদুনা চেন্থখ্রে। অদুগা য়াইবী মথৰাইদুনা লেমলৈ নুঙঙা ওইনা লাংওল্লকখি [মথক্কীসিদা, ৫৪]। হায়রিবা নুঙ্‌ঙা অসিনা নিংথি তুরেনগী ঈরোন্নুংদা শান্নদুনা লৈখিরম্মী।

হাওনীঙশং পৌতোংনু শাফবীনা কোরৌ ঈনুং ঙাল্লগা মমোম লাংলেন শোংগ্রী লৌথিবীবু চেংলৌ মশক উদবদুদা য়াম্না লাংতক্লরম্মী অমসুং মথৰাই

ৰারম্মী। মহাক্লা শেনবী কবোগী লৈকায় পনশাং অদু কোয়না চত্তুনা মমোমবু থিরকপদা মফম অমতদা মমোমগী চেংলৌ মশক উবা ফংলমদে। অদুনা মহাক্লা মরৈকায় অদুদা লৈবা মমোম শোংগ্রীগী মশুঙ মমান্নবী, মখোয়নৌ-মতাইরোইশিংগী ময়ুম-ময়ুম চত্তুনা মমোমবু লাকপ্রা হায়না কোয়হং হংলম্মী, অদুবু মমান্নবী কনানসু শোংগ্রীবু মহাক্কী মনাক্তা, ময়ুমদা লৈ নত্রগা লাক্ ই, হায়বসি হায়রমদে। মতোমতা মিপাইবা অমসুং পাখৎপা পোক্লবী মমাদুনা মহাক্কা থেংনবা মীপুম খুদিংমক্তা অহন-নাহা থিদ-খাক্তনা মমোম হংজববু কনানসু উই নত্রগা খঙডি হায়বীরক্তে। লাইবক থিরবী মমাদুনা মশম-মনা ঈফা-ফানা, মমায়-মমিৎ ঈথক থকনা পুক্লীঙ নুংঙাইতবা অমসুং ৰাখন্দা হায়নীঙঙাই লৈতনা ৰানা মখোন থোক্লা হীক্লা হীক্লা কপ্পুনা খাঙলম্মী। মচানুপীগীদমক খল্লুবদা চাবা-থকপা চঙদনা তুম্ব-হীপ্পা তৌদনা কপ্পুনা মতম লেল্লম্মী। অদুগা অমুক অশোঙবা নারক-মোংশোং, উমং-ৱাম্মং কয়াদা চঙদুনা নাপী-শীঙবী হাইদোক্তুনা য়েং, ঈশিং ঈপাক ঈরেনপুঙ্ ঈপুঙ-ঈকোম লৈবা, ঈতু-ঈখোং চেনবা, লমপুৎথোক-লৈপুখোক, পাথবী-কোমপুৎনচিংবা লৈবা মফম- লমশিং চঙদুনা উনা-ৰানা হাইদোক্তুনা মমোমবু লৈব্রা হায়না কোয়না থিরুবসু ফংলক্ত্রদুনা মোংবা ময়ুমদা হল্লক্তুনা লৈররে।

পল্লেম মমা হাওনীঙশং পৌতোংনুনা নুংথিন কোয়না চত্তুনা মমোমবু থিরুবা অদুদা চোকথরবা হকচাংদু নুমিদাংগী ফমুংদা তারকপা মতমদদি নীঙঙাইবা লৈতনা তুমথরক্লে। মহাক্লা তুল্লিঙৈসিদা খোমলেন মঙ অমা মঙলম্মী। মঙদুদা মমোম শোংগ্রীনা লাক্তুনা পল্লেম মমাদা "মহাক নিংথি তুরেন্দগী হাইগৎলক্তুনা মাকলং ঈচীনগী নিংথি তুরেন্দা লেমলৈ নুঙঙাচা ওন্দুনা লৈরে। নমোম ঐহাকপু তাইবং মাল্লংদা কারক্লে, লোং খোন্দুনা ঙা ফাবা লাক্লগা নমোম ঐবু লৌখৎপীরো, হায়ররে [মথক্কীসিদা, ৫৫]। পল্লেম মমানা নোংঙাল্লগা মমঙদা মচানুপীনা হায়রম্বা অদু কাউদনা মখ্বাঙদা তুঙ্গোন য়ানশিল্লগা মখুত্তা লোং পায়দুনা নিংথি তুরেন্দা লোং খোনবা লাক্লে। মমানা লোং খোনবগী মতাংসিগী ওইনা থম্বীরম্বা ৰারমদি :-

... লোংলেন খুত্তা শূনা লাইজা চেপ্খোন্ননা কোরৌ নুমিৎ চুপনা মাল্লেম মনারোইনা থিববু মমোম্বু থিখঙদরবদা ঙাখা শারংবীচা লেমলৈ তোনখারা

তোনমৈমু, ঙামায় নোংয়েংবীচাবু খোনখৎলকয়ে। ঙাচিং চিংলোইনাই লৈতাঙ কাওবা শন, ৱাংনুলোন শমফবী লমলাং অমরক চিংলবদি লেমলৈ-ঙা মশীঙ শুনা লকপা ঙা, লেমলৈ হিংনা তংববু খোনখৎলকএ। লেমলৈ নঙবু খোনবা নত্তেদা ঈমোম শোংগ্রী লৌথিবীবু থিবনে, হায়না লাইজা ঈরেননুংদবু লোংলেন চেপ্‌না হাইনা থাথরময়ে। লোংলেন অমরক খোনবদা চেঙচা নুঙলাই থক্তা নাউয়িকচাবু খোনখৎলকয়ে। থৌদু নুঙঙাচা নঙবু খোনবা নত্তেয়ে, ঈমোম শোংগ্রী লৌথিবীবু খোনবনে, হায়না তেকপী ওকলুকোন্দা লৈঙোই শেক্তাই থক্তা হুনথোক্লম্মে। হাওনীঙশং পৌতোংনু শাফবীনা মাল্লেম মনারোই, থবী তাল্লাই ওননা থিবসু থিখঙদরবগী মোমনু অৱা শোংখৈ নীক্‌না ... মরান ওন্দেরকলে
[মথক্কীসিদা, ৫৫-৫৬]

অসিনি। পল্লেম মমানা নুঙঙা (চা) ওইনা লাংওল্লবীনি হায়বা খন্দবা অমসুং খঙদবনা ঙাদু লৈঙোই শেক্তা থক্তা হুন্দোক্লম্লগা থিবা খঙদ্রে হায়দুনা হাওনীঙশং পৌদোংনু শাফাবী ময়ুমদা হল্লকখিরম্মী। নুমিদাংদুগী মমঙদুদসু শোংগ্রী লৌথিবীনা মমাগী মফমদা, মমাদুনা নুঙঙাচাদুনি। খঙদবনা হুন্দোক্তুনা থম্বীরমলে। ঙাদুনা পৎ-পুমদ্রিঙৈদা চেকশিন্না থম্বীয়ু নমু তাইবংমী ওনবা ঙমৱা য়েংজগে - হায়না হায়জরম্মী। মদুগী চেকশিন থৌরাংদুগী মরমদা হায়রিবদি:-

... লেমলৈ তীংলী কেম্‌দা, ঙাৱা ফুমলৌ লোন্‌না মকেঙ হাথনা খোইয়া লোকচুম্‌নদারিঙৈবু, তেকপী ওকলা কোন্‌দগী ঈপন নরানয়াঈদা চৈরৈ ফিরোল তরুক্‌না খাগা থানা মাল্লৌ ফিরোল তরুক্লা থক্তা থোন্‌না উকাক তপ্তাই খুম্না লাংচন পুরী তু, শৱা চাজুম থোক্তনা কোরৌ নুমিৎ তরুকনিবু নোংহাম্বী-ও। পল্লেম ঈমা নঙনদি খাম্বী তৌরাং ফককোন কোনবী-ও।। [মথক্কীসিদা, ৫৬]।

অসিনি। মঙলান পাউজেনসি ফংবদগী মমা হাওনীঙশং পৌতোংনুনা অহিং মীকপ থোক্লকপদা ফমুংদগী হৌগত্তুনা উচান মৈরা থাঙ্গৎলগা মৈরা পুদুনা মপান্দা থোক্লগা নিংথি তুরেনগী খোংবান্দা চত্তুনা মহাক্লা নুংথিন্দুদা হুন্দোক্লম্বা নুঙঙাচাদু থিদুনা খুল্লুরে। অদুগা ময়ুমদা পুরক্তুনা মমোম্না হায়জবা অদুগুম্না নুঙঙাচাদু থমদুনা নুমিৎ তরুকনি শুবা ঙাইদুনা লৈরম্মী।

শোংগ্রী লৌঙাকপীনা তেনৰা ওনবা

শোংগ্রী লৌথিবীনা থৌদু নুঙ্ঙাচা লাংওন্দুনা নিংথি ঈনুংবুঙদা লৈরম্বদগী পল্লেম মমা হাওনীঙশং পৌতোংনু শাফবীনা লোংনা খোনগৎলুরগা খঙদবগী হুন্দোক্লুরবদু অমুক খুনগত্তুনা মমোমবু অমুক হন্না নমু তাইবংমী ওইনা শানওন্নবা চেকশিন থৌরাংগা লোইননা থল্লবদা মমোম হল্লক্লগনি হায়না পল্লেম মমাসিনা য়াম্না হরাউজরম্মী। মহাক্না মমোম্না মীগী শক্তমদা লেপ্পবদো অসুপকী মতীক উনীঙলম্মী। মহাক উনীঙবদুনা খোয়রাংলম্মী, অদুনা নুমিৎ ৬ (তরুক) নি ঙাইবগী মতমদু খাঙবা ঙম্লমদে। নুমিৎ তরুকনিদু মঙোন্দদি চহি অমগী মতমগুম শাংলবা মতম ওইরম্মী। মহাক্না নুমিৎ মরিনি শুরকপদগী থৌদু নুঙঙাচা লেমলৈদুনা নমু তাইবং মী ওইরকপা অমসুং কুইনা উখিদ্রবী মমোম্না নমু চেংলৌ শকপাল্লকপদু য়েংনীঙবনা ঙাওরম্মী। কোরৌ শীঙবুম ৫ (মঙা) নি শুরকপা নুমিত্তুদি মহাক অমুক হন্না খাঙবা ঙম্লক্রে, লেমলৈ নুঙঙাচাদুবু ফিরোন ৬ খাগা থা, ফিরোন ৬ না থাক্তা কুপ্লগা, উকাক তপ্তাইনা খুমজিন্দুনা লাংজনপুরী তুনা ফাজিল্লগা শৰা চাজুম নমদুনা থল্লিবদু লোয়না লৌথোক্লে, নুমিৎ ৬ (তরুক) নি শুদ্রিবগী মৈনা মমা ওইদুনা মৈনীঙ কোল্লিবা-কুমলিবদুগী খান্বী তৌকোন চঙদ্রিঙৈ, হায়বদি মৈনা মশা-মউদু শেম-শাবা লোয়দ্রিঙৈদা মচা নুপীদুবু মী ওল্ল-ওইরব্রা, হায়দুনা য়েংলম্মী। অদুবু লাইবক থীবদি নুমিৎ ৫ (মঙা) নি চুপ্পা থল্লবদু মী ওল্লমদে, মদুগী মহুত্তা ওন্থোকপা মখলগী উচেক অমা ওন্দুনা লৈরল্লে। হায়রিবা উচেকসিগী মশক তাকপদা পীবীরল্লিবদি :-

.... পোনবী ওন্থোকপা, চেল্লা তেংহৌবা, মখোঙ থৰান লোঙজুম মানবা চেক, মচীন তেৎনৌ য়োৎকোন মানবা, মহক ফিগে লমশং মানবা, মকোক তাদি তাঙজা লিললূ মানবা, মমিৎ তমফা মিৎকোয় থিনফবা চেক্- [মথক্কীসিদা, ৫৭]।

অসিনি। হায়রিবা উচেক অসি পোনবী লোন খঙবা, চেল্লা লোনথোকপা শেনবী তেনৰা (তেন্নোয়) নি, হায়না পীরম্মী।

শোংগ্রী লৌঙাকপীনা ওনখিবা উচেক অসিনা মমা হাওনীঙশং পৌতোংনু শাফবীনা ঙাইঙমদা-খাঙহৈদনা মহাক্না চেকশিন্না থল্লিবা ৰা লুক্রাক্কী ফাজিল্লিবা

পোন্দু হাঙদোক্লবা অদুদা পোন্দুগী মনুংদগী পাইথোকখিদুনা যুমদগী তোংজেং খরা থক্তা তোংদুনা লৈরে। মদু উবদা পল্লেম মমা পোকমাবীনা নীঙবা কায়না নীঙমদনা য়েংদুনা মীকপুখি। অদুবু চেক্লা মাদি মপনগী যুমজীন চগো নারেংদা তোংখ্রগা চেক্লাগী খোঞ্জেন্না - ঈপন পম্থৌ নিংথৌ শেনবী কোথক থোংঙাং ঙৌবা, থোংশোক শাবা - ও! পল্লেম ঈমা হাওনীঙশং পৌতোংনু শাফাবী-ও! লম্বু লাকএ, চকপা লম্বু নাউদায়াম্বা, হিথরোন খোংদুম্বা, শাবী লমচাওবা মচী খুববু লাক-এ, তোংয়াঈহনববু লাক-এ, ঈমোম কোন্‌নু-ও! য়াহৌরো! অমো নঙদি পাউজেন-ও! - হায়না খোংলল্লগা শেনবী কবোগী যুমথোঙগী যুমজীনচগো নারেংথক্তা চেক্লা মৈনা ওৎনদি ঈনুং চীঙখোঙ য়াকৈবা চেকপু ওই [মথক্কীসিদা, ৫৭] না পাইখিরম্মী। অসুম্না কবো শোংগ্রী লৌঙাকপীনা চেক্লা তেন্নোই তেনৱা ওইনা লাংওনখি।

ৱাখোম ৱারোয়

মথক্তা থমখ্রিবা কৌবরোন শোংগ্রী লৌঙাকপীগী পুন্সি-ৱারী অমসুং মহাক্কী লাংওন অনি (থৌদু নুঙ্ঙাচা লেমলৈ, অমসুং শৱা তেন্নোয়/তেনৱা (উচেক) গী ৱারী শীঙবুন অসি মৈতৈ ফুঙ্গা ৱারী (Folk Tale) গী পরীংদা মমিং চৎনা লৈরিবা ৱারী অমসুনি। অদুবু ৱারী অসিনা হৌজিক্কী মিৎয়েংদা থল্লিবদি মীওইবগী খুন্নাইনা চাওখৎপগী মঙাল ফংদ্রিঙৈ নত্রগা চাওখৎপগী থাক নেল্লিঙৈদা হিংননবগী লান থেংনবদা অৱা-নুংঙাইবগী থৌদোক্কী পরেংশিং থোকই। অদুগা মীওইবগী চাদা-নাউদাবগী পরম অমসুং কাঙলম অসিবু লান্‌না শীজন্নদুনা ঈশাগী নুংঙাইনবা, হকচাং কায়াৎ পেন্নবা থৌরাংবনা মশা-মশাদদা নত্তনা খুন্নাইগী পরীংদা মাঙনবগী মশক ওই, অতোপ্পা মীদসু অৱাবা অমদি অৱাবদুগী চৈনা শোয়দনা পী - হায়বসি উৎলি। নুংশিবনা নুংশিবগী পরমদা চৎলবদি কখোকপগী লমজিং ওই, নত্রবদি য়েংথীনবা অমসুং য়েক্লবগী মরু হুল্লি।

কৌবরোন শোংগ্রী লৌঙাকপীগী পুন্সিনা নৌনা খাঙঙুথক্তা কেমখিবসি ইনখৎলকপা মতমগী হকচাং কায়াৎকী ময়াই কাববু লাকশিনবা ঙমদবদগীনি। যুম্বাল্লগা নুপী লোইনবগী মহাও খঙলবা নুপানা নুপী কুইনা লোইনরুদ্রগা মশাদা চাদা-নাউদাননবগী মতীক ময়াইনা থন্না লৈদুনা নুপী লোইননীঙবা মহৌশানি। মদু তাইবং মপুনা পীরকপা মচৎ ওইবনা কনাদসু ৱারৌগদবা নত্তে। অদুবু

শকখঙদবা অমসুং শকখঙদবী অনিনা থুনমক অপাম ঈখৌ লাংবসিদি মখোয় মখোয়গী মপোক্তুদা লঙজবনি। অদুননি শোংগ্রী লৌঙাকপীনা মশা মতোমতা শিজদুনা তাইবংপান থাদোকখ্রিবসি। মদুনা মহাক্কী লঙজবগী মরান্দু কোক্লবনি, অদুনা অনৌবা মপোক-লাংওন অমদা পোক্লরিবনি।

হাওশী নামোইনু

ৱাহৌ-শৈহৌ

"হাওশী নামোইনু নুরাবীদি মপন পল্লেম মমা পোকমাবীবু শীঙলেন নৌনা শেৎনবা, লৈরাং নৌনা খায়নরবগী পল্লেম মমা পোক্তবী নাউনম্বী লৌশীয়াম চনু পায়মা লিংজেন ফত্তবী, তাউজীঙ হৈগুম শীল্লবী, ঙাইরোং শিঙগুম শারবী য়াংলৈ তাওবা ককঙাও হুইগুম্নদি লিংজেন শোকচঙনবীনা নাউয়োকখিয়ে [ম: ন:, ১৯৮১, ৩৭]।"...

মথক্কী লাংৱোন/লাংওন কৌবা লাইরিক্তগী লৌথোক-শত্তোকচরকপা ৱারেং মতেক অসিদা পল্লিবা "হাওশী নামোইনু" হায়রিবী নুপীমচা লৈশাবী অসি পোইরৈ মৈতৈ মনাৎকী পাৱারী-পুৱারীগী পরীংদা নমু তাইবং মীনা পুন্সিগী অৱা-নুংঙাইতবগী থৌদোক-ৱাথোক্তা, মীওৎ-মীনৈগী শরৈলক্তা অৱাবগী চৈনা খাঙ্ঙম্দদুনা য়াইবী থৱাইনা হুইচারীক হুইনিংনাং (হরিনোংনাং), নিংনাং সিরেনবীচা ওইনা শানওন-শাইওনখিবী লৈশাবী অদুনি।

হাওশী নামোইনুগী পুন্সি-রারী

হাওশী নামোইনুগী অপোকপা মপন পন্থৌ মপা অমসুং অপোকপী পল্লেম মমাগী মমিং-মথানচিংবা অমতা পীবীরমদে। মহাকসি লুৱাং য়েক্তা পোকখিবীনি হায়বা অসিমতং খঙজে। মসি খঙননবগী পীবীরম্লিবদি :

... পল্লেম মমা পোক্তবীনা থৌচেৎ-থৌগায় য়ামহনখিয়ে।। "ঈমোম নুংবাললোন হাওশী নামোইনু লৌথিবী - ও! নঙবু শুকমু লৈতম ফেননা লোইমোম কুরোন হুনা চেঙজা মায়ঙৌ তাল্লো [মথক্কীসিদা, ৪২-৪৩]।

অসিনি। মসিদা মহাকপু কৌবদা মমা পোক্তবীদুনা মহাকপু "নুংবাললোন" হায়বদি নুংবান য়েক্কী নিংঙোন, হায়বদি লুৱাং য়েক ওইবী চনু/নুজা, হায়না কৌরিবা অসিনি। মহাকপু পোকপী পল্লেম মমাদু মহাক পোক্লম্লগা তাইবংপানবা থাদোক্তুনা চৎখ্রবনি। মদুদা মহাক্কী অপোকপা মপাদুনা মমা অতোনবী ঙানবা য়েক/শল্লাইগী লৌশীগাম য়ুম্লাম শাগেগী নিংঙোন, ঙানুরোন লৌশীগাম চনু লৌদুনা মহাকপু নাউয়োক-নাউকোল্লকখিবনি। ঙানুরোন লৌশীগাম চনু অসি মপুক ফত্তবী, অফবা ৱাখল খক খনবা ঙমদবী অমসুং মহাক্কী কোক্কী তুম্বা মনুংদা য়াওরিবা থোপ অদু ফত্তবা ৱাখল অমসুং মাঙন-তাক্লবা থবকশিং তৌনবা ৱাফমশিংগী তুংনফম ওইবা মফম্নি। মহাক চাবোক্তবী নুপী অমসু ওই, অদুবু মহাক্না নুংবাললোন/য়োঙ্গরুমলোন হাওশী নামোইনুবু মচা ওইনা নুংশিবা খক ঙম্লমদে। ঙানুরোন লৌশীগাম চনুসি মহাক মশা নত্তনা অতৈ অতোপ্পা মী কনা অমতবু নুংশিবা লৈতবা, মীনুংশি হায়বদু মশাদা মচেৎ অমতা য়াওদবা নুপীগী শক্তম অমনি।

হাওশী-নামোইনু চাওরক-শাংলকপা

মীওইবনা তাইবং মাল্লংপান অসিদা লাক্লবদি শিবা হায়বসিগী লমন তোল্লকই। অদুনা তাইবং হকচাংসিনা পীশক-পীক্লা লৈরম্বদগী চাওরক-শাংলক্তুনা মপুঙ ফারকপা অমসুং মদুদগী খুইথ-মন্থরক্তুনা অপৎ-অপুম্বা হকচাং ওইরক্লবগী লম্বীদা মতম পুম্নমক্তা লেপ্তুনা চঙশিল্লকই। অদুনা হাওশী নামোইনুসু পীশক পীক্লা লৈরম্বদগী তাইবং চীঞ্জাক চাদুনা চাওরক-শাংলকখি। মহাক্না চাওরকপগী লমদাংসিদা অরিবা লোন্দা-পুদাদা পীবীরম্লিবদি :-

মোমনু হৈরাঙ নেম-নেম কাগুম মতম্লক্লিববু অঙাং লাংজেং মথোঙ মকারক্লবগী মোম্নু চোমলাং মায়কোয় হেননা, অঙাং শমলাং খদাং লৈপুন জুম জুম শা, নুরা থমচেৎ মায়কোয় হেন্, হকচাং মপুঙ ফাগৎলক্লবগী নুরা পুনখীন থোঙবু হৈরাঙ্ তোঙশঙ নাইনা তাউজীঙ হৈকন তোয়রক্লববু অচাও লেপ্ফা তম্লক্পা, শাংসুং পন্দাল্লক্লবগী মনীঙ লেপ্পু লেপফারক, মনু শাংলৈ লেপ্পু লেপফংলক্লবদা খোয়নৌ মতারোই য়ামজেংলোইগা ঙাইরোইননা.... [মথক্কীসিদা, ৩৭-৩৮]।

অসিনি। অসুম্না অঙাং ওইদুনা লৈরম্মী হাওশী নামোইনুনা মচন-মনীঙ নত্রগা মচননুপী-মনম্মশিংগা শাওং-শারেপ মান্ননা চাওরক-শাংলক্লবদা মশুঙ-মমান্নবীশিংগী মরক্তা থোক্লক্লে, তীন্না-তোৎনররে। নোংমদি নুংবাল্লোন হাওশী নামোইনুগী মশুঙ-মমান্নবী, চহি লেঙমান্নবীশিং অদু লাক্কুনা মখোয় ঈনখৎলকপগী মথোক কারকপী ওইবীশিংনা মপা-মতোনগী মরুম থুপ্পুনা মবুঙ-মপ্পাশিংগী মপান তাংদুনা পন্থৌগী মোংবা মশাইগোন্দা লৈশাদুনা লৈরিঙৈসিদা ফিজেৎ-লৈতেং শেৎপা ফজবা হেনবা তান্নদুনা ফিদান্নসি, কুমওনগী লাক্লিবা নাচোং পান্থা চঙলকপগী শীঙঙেল লৈরাংশিংনা মকা ফন্না শাৎলকপা, তাউজীঙ হৈরাংনা হৈজীঙ ফানা মমুন ফানা মুল্লকপা মতমদুদা পন্থৌগী মাঙ্গোন খেনজোংলাংদা খুবাক খুরগা ঈশৈ শক্কুনা অমসুং জগোয়দুনা মখোয় ময়াম নোক্লা-খেনা শান্নমিন্নসি, হায়না হৌনমিন্নরম্মী। অদুগা মখোয় ময়াম পুন্দুনা কাং শান্নসি, হরাউ-নুংঙাইসি হায়নসু হায়নরম্মী। কাং শান্নসি হায়না হৌনবসিগী লমদাংদা থম্বীরল্লিবদি :

… শেল্লোই লংমাই কাং, ঈয়োক পাফল লী, চীঙশাং কাংলী নাই, তম্ফা ৱাংঙমলোন পান্থোইবী খোলপোই-কাং ফেনতিল শেনচা কাংবু কাংলেন খুত্তা শূনা, মোমনু খুৱাংবু (খ্বাঙবু) পোল্-হাইনা নুজা খুয়ায় মরাই লোংনা লমথা কাংকাপনা - চেকফৈ কাংহুনসে … [মথক্কীসিদা, ৩৮]।

অসিনি। অসুম্না মমান্নবী লৈশাবীশিং অদুনা হরাউ-তয়াম্মিন্নসি, নুংঙাই ময়াই কামিন্নসি হায়না হৌরবা মতমসিদা হাওশী নামোইনুদি পোক্তবী মমানা য়োকপী ওইবনিনা পুকচেল ফত্রবী মমাসিনা ঈমুংগী থবক কুপনোমগী থবক ময়াম অমা পীশিনবীরম্মী। পল্লেম পোক্তবীসিনা হাওশী নামোইনুবু মখোয়গী অথাপ্পা লৱায়গী ঈংখোল্দা চত্তুনা য়েনশাং থিরু, পান ফুকলু, লফু ফোয়রু হায়না য়াথং পীরম্মী। অদুদসু নত্তনা লাপ্পবা ঈংখোলদুদগী ফৌকং লাংলু, হায়বদি ফৌ অকংবা হোল্লু (কৈদগী/ কোত্তগী ফৌ পেক্লগা লৌরু) হায়নসু থৌদারম্মী। মশাদা মথোক কারকপা, লৈশারকপগী পুন্সি হায়বদু শুপখঙ খঙলক্তবীগুম্বী মমা পোক্তবীনা থৌদারকপসিদা হাওশী নামোইনুনা মমান্নবীশিংদা হায়জরকখি :-

হে ঈতারোইশিং-ও! ঐবু ঈমানা অথাপ্পা লৌৱাইগী ঈংখোন্দা চৎলগা লা হেক্লু, পান ফোয়রু অমসুং থুম্মোক কোকথোং পুদুনা কৈদগী ফৌ পেক্লু-খাইরু, হায়না থৌদারে। অদুনা হোরেন নুমিদাংৱাইরমদা থুম থাকপা অচাপোৎ (শীঙজু, হৈঙান, অসিনচিংবা) চানদুনা ময়াম নুংঙাইমিন্নবদু য়াওবা ফংলরোয়য়ে, অদুনা ময়াম্না ঐবু শাওবীগনু।"

ৱাফমসি তারবদা মমান্নবীশিং অদুনা হাওশী নামোইনুদা, "মদুগীদমক্তা করিসু ৱারু-নুংনাংলুগনু, পল্লেম ঈমাদু ঐখোয় ময়াম চঙদুনা থৌদাদু কোকপীনবা নত্রগা য়েথোকপীনবা হায়নগনি" - হায়না হায়রম্মী। মদুদা হাওশী নামোইনুনা, - ঐগী ঈমাদো হৈগুম শীন, শীঙগুম শানা হুই অঙাওবগুম ৱাখল ফাথবা ঙমদে, নখোয়না ঐবু চৎহনগনু হায়রুবগা খুত্তুম্না থাদুনা, কিন্না থিন্দুনা ঐবু ঈনম তৎনবা ফুবীগনি - হায়না মমান্নবীশিংদা হায়জদুনা মখোয়না মমাদা হায়বীগে, হায়বদু য়াজদ্রবদুবু ময়াম চঙদুনা ফারগা ময়ুমদা মমাগী মনাক্তা পুরক্কুনা মখোয়না মমাদা হায়রম্মী, - "হে ঈমা! ঐখোয় ময়াম ঙসিসিদি নুংঙাইনা শান্নমিন্নদুনা মতম লেনসি, হায়না-শীঙনরে, অদুনা হয়েং নোং ঙাল্লগা ঈতা হাওশী নামোইনুগা ঐখোয় ময়াম লৌৱাইদু চত্তুনা ফৌ খাইরু- লৌরুগে, ঙসিগীদি ঙাকপীয়ু" - হায়না হায়জরম্মী। মমাদুনা মদু তারগা অশাওবগা লোইননা - "ঈচানুপী চীনথীবী! নঙনা নমা ঐবু য়োন্দুনা ঐনা পীবা থৌদাগী য়াথংবু করিগী নমান্নবীশিংদা তম্লুরিবনো" - হায়দুনা হাওশী নামোইনুবু মশম খুদাংদা য়েত্তুনা, মনমদা খুত্তুম্না থাদুনা মমান্নবীশিং অদুগী মমাঙদা ফুবীরম্মী। মদুদা হাওশী-নামোইনুনা মমান্নবীশিং অদুগী মমাঙদা ঈকাইজবদুনা থম্মোই শোক্লা কপ্পুনা খাঙখিরম্মী। মমাদুগী মতৌদুদা মমান্নবীশিং অদুনা "মতা অমনি" হায়দুনা মফমদু থাদোক্লগা চৎনখি। অদুগা হাওশী নামোইনুবু - শান্নবা লায়রি, চাননবা চেঙ লৈতে, ফৌগং লাংবা (অকংবা ফৌ লৌরুবা) চত্তবা য়ারোয়" হায়দুনা নমদুনা চৎহল্লম্মী।

লাইবক থীরবী হাওশী নামোইনুনা পল্লেম পোক্তবী, মপুক ফত্তবীগী থৌদা য়াথংদু ইন্দবা য়াদ্রবনিনা মখোয়গী লৌ-ঈংখোল লৈবা অথাপ্পা লৌৱাইগী লমদুদা চৎননবা থোক্লক্লম্মী। মহাক্না ময়ুমদগী তাকলেন নোংথিন (তাকয়েন খোংবান), ৱাংথোনবী শাকৎলম (ৱাংথোনবী পুঙ), লাল্লগা হুইত্রাওবী (লমজাও

তোংবা) গী লমদম ফাওদুনা লাক্লগা পাৎচাও লৈমকোন, থোঙলেন অমুপাৎ অমসুং মেনশেং পল্লূগী মনাক্তা চৎলিবা লম্বীদা লাক্তুনা মকোই নোংলোনপাই, হাইবী তেরা থাংতুপপোক অমসুং লমলেন হাওবশী লাংজীঙ চীঙবু লান্দুনা চৎখ্রে [মথক্কীসিদা, ৪০]। অদুগা মপাগী লৌ-ঈংখোল লৈরিবা হাওরা লনশোনবী (হৌজিক্কী নোংচুপ ইম্ফালগী লনশোনবী খুঙ্গং) দা থুংলম্মী। অদুগী মহাক্লা মপন-পম্থৌগী লৌ-ঈংখোল শঙলিবা, চেঙগৈ- ফৌগৈ ঙাক্লিবা অহন্দুগী ময়ুমদা চঙলক্লম্মী। মহাক্লা মফমদুদা থুংলুরিবা মতমদু নুমিদাং য়াচংবা মতুংগী মতম ওইরম্মী। মদুগী মরমদা থম্বীরম্বা ৰারোন্দি :-

নুমিদাং তাংলৌ লৈনা থেংলবগী অমম তোনবা শীফা নীকনা লৌৰাই হামুন চারা লেপতম নৈবনা মুসুক মুসুক খোইমোম লাইবু মাল্লক্লবগী মশন লাবনা কোনথিরাইতমবু ফংজিল্লক, মনু হামপোইবনা লাকপা তম্, মীনাই লাবনা য়ীমচঙলাইতম ফংলবদা, খোইঙাল লাবনা মথোঙ থিংবা কুমবু ফংজিল্লক্লবগী [মথক্কীসিদা, ৪০]।...

অসিনি। অসুম্না মল্লবা মতমসিদা হাওশী নামোইনুনা চঙশিল্লক্তুনা কৌরগা - "অহল মতম ওইরবা ঈপু, থোঙ অমুক্তা হাঙবীয়ু" হায়রম্মী। মদুদা লৈরম্লিবা অহন অদুনা "নুমিদাংগী মতম থেংজিল্লক্লবসিদা থোঙহাঙ্ডু হায়রিবা নঙবু কনানো" হায়না হংলক্লম্মী। মদুদা হাওশী নামোইনুনা অহন্দুগী খোঞ্জেন তাবদা নীঙ্ঙমদবা, পুক্লীঙ নুংশিবগী শঔম লাংলদুনা পাক হেক খুমদোকপা ঙম্লমদে। হীক-হাইনবা কপ্লি-কপ্লিবা খোন্থাংগী খোঞ্জেন্না - "নশূ হাওশী নামোইনুনি" হায়না খুমখিরম্মী।

"নশূ হাওশী নামোইনুনি" হায়বদু তারবদা অহন অদুনা থোঙ হাঙদোক্তুনা হাওশী নামোইনুবু ঈমুংদা পুশিল্লে। অদুগা মহাক্লা হীপল্লিবা ফমুং কাংথোন অদুদা চনীঙ তানা ফমহল্লগা -"অথাপ্পা মফমসিদা করিগী লাক্লিবনো" হায়না হংলক্লম্মী। মদুদা হাওশী নামোইনুনা - "ঈপু! পোক্তবী ঈমানা য়ুমগী থবক ইনখাং পুম্নমকসি ঐঙোন্দা ইন্থোকপনা অথাপ্পা লৌৰাইগী ঈংখোল অসিদগী লা হেক্লু, পান ফোয়রু, অদুদসু নত্তনা কোত্তগী ফৌ খাইরগা পুরকউ, হায়দুনা লাকপনি" - হায়না পাউখুম্লম্মী। পাউখুমদু তাবদা অহন্দুনা নুপীমচাদুগী হৌখিবগী

নুংঙাইরবা মতমদু নীঙশিঙলুরগা নীঙ্ঙল্লক্ত্রনা মমিত্তগী মপি শিন্থদুনা কপ্লম্মী। অদুগা থম্মোই শোক্না হায়রক্লম্মী- "হে লাইবক থীবী নামোইনু! নঙবু অপোকপী নমা ঈবেম্মদুনা লৈকায়দা মৈ লৌবা ফাওবা চৎহন্দা, তুরেন্দা ঈশিং শোকপা ফাওবা কুমহন্দনা য়োক্লককখিবীনি, অপোকপী নমাদু লৈরিঙৈদা চানীঙবা চা, শেৎনীঙবা শেৎ, হীপকে ননীঙ তম, চৎকে নখা তৌদুনা লৈরক-পাল্লকপীনিকো, অদুগা হৌজিক্না ঈমুং থৌয়াম পুবা, য়ুমগী থবক পুন্নমক তৌবা অসিবু নঙগী নরাইবক অসি ওম্থোক্না থীনা তম্বীরম্মিদকো" - হায়না নুংঙাইতনা কপ্লম্মী। মদুদা হাওশী নামোইনুনা পুকচেল ফাথদুনা "ঈপু! ঐনা পুগদবা ফৌদু কোক্তা থোঙ্গত্তুনা নুংঙাইনা পুবা য়ানবা শেম্বীরো, ঐহাক য়ুমদা থুনা য়াঙনা হঞ্জখ্রগে" - হায়না হায়রম্মী।

হাওশী নামোইনু শিবা

হাওশী নামোইনুনা ময়ুমদা হনখিনবা ঙাইঙমদনা তকশিল্লকপদুদা অহল অদুনা ফৌ খাইদোক্তুনা কোকথোংদু নীঙথি-নুংঙাইনা পুবা য়ানবা শেম-শাবীবদি লোয়রে, অদুবু মহাক্না - "ঈবেম্মা! নুমিদাংগী মতম অসি থেংজিল্লক্লে, নুপীমচা মতোমতা শাংলবা লমশাং অসিদা করম্না চত্তুনা ময়ুমদা হনগে হায়রিবনো? অদুগী শরুকপুদি ঙসিগী অহিংসি ঈপুগী নাক অসিদা পোত্থারো! হয়েং নোংঙাল্লগা নীঙথিনা হল্লু" - হায়না খাম্লম্মী। মদুদা হাওশী নামোইনুনা - "ঈপু! ঐগী ঈশুঙ ঈমান্নবীশিংনা ঈয়ুম লমদমদুদা কাং শান্নবা থৌরাং তৌহৌরি, মখোয় ময়াম কাং শান্নরমখিনি। ঐহাক থুনা হনখিদুনা মখোয়না কাং শান্নবা, হরাউ-নুংঙাইমিন্নবদু য়াওবা ফংহৌদ্রবসু কাং শান্নবা লোয়বগী পোৎচা-হৈজানবা অদু য়াওরুগে, মদু নংনবা ঐ চৎচখিগে" - হায়দুনা হায়রক্লম্মী। লৈশাবীদুগী ঈনখৎলকপা মতমগী মমান্নবী মতারোইশিংগী মীরক তীন্দুনা হরাউ তয়াম্নীঙবগী ৱাফমদুদি অহল ওইরবা মপুদুনা থিংবা ঙমদ্রে। ফৌ কোকথোং অদু মকোক্তা থোনগৎপীরে। অদুগা নামোইনুসু থীন্থদনা অহিংদুদা ময়ুম মায়কৈ পাংলক্লে। হাওশী নামোইনুনা শাংলবা লমশাং ফৌগী কোকথোং থুম্মোক পুদুনা ৱানা ৱানা লাক্লম্মী। মহাক্না ময়ুমদা থুংলবা মতমদদি নোংঙান্দুনা নুমিৎ থোক্লবা মতম ওইরে। মহাক্না হেক ময়ুমদা থুংবগা ফৌগী কোকথোংদু থাদুনা ঙাইহাক্তা পোত্থাগে হায়দুনা

ফমথরকপদা ঙাইরিঙৈদা মমা পোক্তবীদুনা মহাকপু অমুক কৌরক্লম্মী। মতমদুদা মমাদু চাক থোংলি, শংলৌ য়েনশাং থোংবগী খাবৈ পায়দুনা য়িৱান্দা থোংলিবা য়েনশাংদু ওৎলি। মহাক্না হাওশী নামোইনুবু ময়ুমদা থুংলখ্রে খঙবগা থবক অয়া পীশিনগদবগী কৌরক্লিবনি। হাওশী নামোইনুসু ফন্নম্বদগী হৌগত্তুনা থীন্থদনা মমাদুগী মনাক্তা লাক্লম্মী। অদুগা করি হায়বগে, হায়দুনা হংলম্মী। মদুদা মমাদুনা - "ঈমাগী ঈবেম্মা নুংবাল্লোন হাওশী নামোইনু লৌথিবী, চেঙ লৈতে, ফৌ শুদুনা চেঙ পীয়ু" - হায়না থৌদারম্মী। ফৌ শুদুনা চেঙ লৌবগী মতাং অসিদা থন্নীরক্লিনা ৱারোন্দি :-

... শুকমু লৈতম ফেননা লোইমোম কুরোন হুনা চেঙজা মায়ঙৌ তাল্লো। লাইসরা থৈথিং-থৈথা-লা, খাইজেং খাইবুক-লা, হৈতাও মুংখা-লা, উমু তাংমা-লা, কনম ফকশা-লাদা মোমনু চেঙজা মায়ঙৌ তান্না ৱাইরু তোন্খপ লৌ, চেঙজা মাঙইন্ননা, লোইমোম থাদা চিংনা, খুৎনিংথৌ তোমপোকপীনা ফৌমান মচঙ মন্না চেঙজা মায়ঙৌ তাল ... [মথক্কীসিদা, ৪২-৪৩]।

অসিনি। অসুম্না ফৌ শুরু হায়রকপসিদা হাওশী নামোইনুনা - হে ঈমা ঈবেম্মা ঙানুরোন লৌশীগাম চনু-ও! নচা ঐবু চেঙপোৎ-কোকথোং পুরকপগী কোকথোংদু থাবু থাফাৎত্রি, ঙাইহাক্তা পোত্থাদুনা ফম্বা ফংদ্রি, লমশাং লাকপগী হুম্মাং ফাওবা তৈথোকপা নংদ্রিঙৈ, অসিদা করিগী ফৌ শু হায়বীরিবনো"- হায়না পাউখুম পীরক্লম্মী। মসিদা মমা পোক্তবী পুকফত্তবী অদু মখোয় মরীন থীৎপা মখৈ শাওখিরম্মী অমসুং ৱাতা-খোন্দা থীনা চৈরম্মী- "লৈশাবী চীনগনবী! নহাক্না করিগী ঐগী চীনথক্তা খুল্লিবনো, ঐনা পীবা থবকপু করিগী তৌনীঙদ্রিবনো" - হায়না মহাক্না য়েনশাং থোংবগী মখুত্তা পায়বা য়েনশাং ওৎলুবা য়োৎকী খাবৈ অদুনা হাওবী নামোইনুগী মকোক্কী লৱাই লেনফুদা কন্না ফুরক্লে। হাওশী নামোইনুগী মকোক কায়দুনা ঈনা পুমঙাঙ ঙাঙনা শিন্থরক্লে। অদুগা, "হো ঈমা, অয়ো ঈমা" !

- হায়না হাওশী নামোইনুনা অনাবা খাঙদুনা কপখিরম্মী।

- " হে ঈমা ঙানুরোন লৌশীগাম চনু পায়মা লীংজেন খাবী, মীনুংশি খঙদবী ও! নচা ঐদি তাইবংপান অসিদা নঙগী ননাক্তা মী ওইনা হিংদুনা লৈবা ঙম্লরোয়।

লৈকায়সিদা লৈমিন্নরিবা ঈশুঙ ঈমান্নবীশিংগী মমাঙদা ঈমায় অসি থাঙ্গত্তুনা চৎপা ঙম্লরোয়, ঈকায়বনা ঈমায়সি পুবা ঙম্লরোয়য়ে। পল্লেম ঈমা অপোকপী, কোরৌ নোঙ্গা য়াঙবীয়ো, নমোম ঐবু লৌবীররো, পল্লেম নাক্তা লাক্লগে, চীঙ্ঙু পন্দাল্লগে" - হায়দুনা লৈমায়দা তুদুনা ফর-ফর ওননা, মালেম লৈমায় খোত্তুনা কপ্লল্লগা তপ্না তপ্না লেকথরক্লে। মতম ঙাইহাক্কী মনুংদা মালেম তাইবং থাদোকখ্রে। মহাক্কী য়াইবী থৱাইনা তাইবং শমু হকচাং থাদোক্কুনা হুইচারীক হুইনীংনাং (হরিোংনাং) ওন্দুনা পাইথোকখ্রে। হায়রিবসিগী মতাংদা থম্বীরম্বা ৱারোন্দি :-

হাওশী নামোইনু লৌথিবীদি মপনগী মথোঙজীন পায়নদি তেংথাখিয়ে। লাংলেন কোংয়াঙ তংখায় শূনা য়ীমচীন চগো নারেংথক্তা পাক্তু ইতাইথক্তা হুইচারীক্কী মীকপ্না, হুইনীংনাংগী তেংথাননা মীকপখিয়ে। কোরৌ- লৈবু হুপ্নবু মাল্লং মরাং হৌবা, খমকোন মথি নাইববু লমওক্লুরবগী মোমনু শঙদিং মফনেক্লা নীংনাং তুরীংখিয়ে। নুজা চৈরে ময়িন ফি মনম খাংনা পাইখুরা তাজাবীনা নীংনাং তুশাখিয়ে, হায়দবরা! নুংবাল্লোন হাওশী নামোইনু লৌথিবীনা হুইচারীক হুইনীংনাং নীংনাং শেরনবীচাবু ওইনা শানওনখিয়ে [মথক্কীসিদা, ৪৪]।

অসিনি। অসুম্না মমা পোক্তবীনা য়োক্তুনা ৱানা তাইবংপান্দা চাওরকপগী য়োঙ্গৈরুমলোন হাওশী নামোইনু কৌবীদু লৈশাবী মপুঙ ফাদুনা মমান্নবী মীরক তীল্লকপদা পোক্তবী মমাগী শরৈ খাঙবা ঙমদদুনা ৱানা পুন্সি লোমখিরম্মী। শিননবা পোক্লকপা, পোক্লকপদগী শিবগী লমন তোন্দুনা লৈরবা মীওইবগী পুন্সি ওইদুনসু অৱাবদা অৱাবা হাপ্তুনা পুন্সি পিখম্নখিবদি অৱা-নুংঙাই লেঙশিন্নবা পুন্সিগী মচৎ নত্তে, অদুবু তাইবং মপুনা তম্লকপা নোংদম্নি, কনানদি নাথৈহল্লুবা ঙমগনি। অদুনা হাওশী নামোইনুসু অৱাবদা ৱানা পুন্সি লোয়খ্রিবনি।

ৱাখোম-ৱারোয়

হাওশী নামোইনুগী পুন্সিগী ৱারীসে অৱাবনা পুন্সি পোল্লোয় ওইবা মৈতৈ ফুঙ্গা ৱারীনি। ৱারীসি খাঙ্ঙুথক্তা শাগত্তুনা লীবা ৱারীনি। অদুননি নুংবাল্লোন হাওশী নামোইনুগী অপোকপা মপা অমসুং অপোকপী মমাগী মমিংশিং পল্লম-পীরমদ্রিবসি। থৱাইনা লাংওনবগী পরীংদা থাজবা ৱারীগী কাংখুন্দা তাবা ৱারী-শীঙবুন অসি অরিবা লোন্দা-পুদাগী খুৎইদা থম্বীরম্বনি। পোক্তবী মমা

তমথীরবী অমনা য়োক্লক-চাওরকপী মচানুপী অমনা করম্না পুন্সি লেল্লকপগে, হায়বসি মীওইবগী খুন্নাইশিংদা উবা ফংলিবদুগী মশক উৎপনি। মীনুংশি অমসুং মপা-মমানা মচাবু নুংশিবা হায়বশিংসিগী মায়য়োক্তা লৈরিবা য়েক্লবা অমসুং য়েংথিবা হায়বশিংসিদা মীওইবগী খুন্নাইদা থোকহল্লকপা ৱাথোক-লান্থোক্কী শক্তমশিং উৎপনি। মখোয়সিনা অফবা নত্রগা য়াইফবা খক পুরক্তে হায়বদু তাকপনি।

খয়োঙ্গরোন হাওরৈমা শাফাবী

(খয়োঙ্গরোন তাউথোং কায়বা চনু)

ৱাহৌ-শৈহৌ

(১) .... নোংয়ায় খুমন নিংথৌ চীঙখোঙ থোঙক্রাইবা থায়াঙ মথৌমন, চুঙশেন মরানওনতি হাওরৈ নোংচুপলা পাংপরম, খুরোই হাওরা লমলাংতোংতা ৱাঙনপা নিংথৌ ফানতেক শোকনাইপনা নোংয়ায় খুমন নিংথৌ চীঙখোঙ থোঙক্রাইপকী মমোম খয়োঙ্গরোন হাওরৈমা সাফাপীপু কাওচনপপু লোইতাম থাসিরা, লাংহৈ কুমওল্লকপী... [ব: ক: শ:, ১৯৯৮, ৪৮-৪৯]।

(২) ... মহা য়িমরুৱো কৌপতি কতৌনোংকিনো? খয়োঙ্গরোন তাউথোং কায়পা চনু লীকলাপীনা... চকপা মহালেংপা পাখং লুমিয়াচা অসিপু খুকলু হংমা তোনপা পাখং সংকাই য়াইনম সোয়তপপু খাচীকয়ে।। ঈপন পনথৌ নিংথৌ চীঙখোঙ থোঙক্রাইপনা নিংথৌ ফানতেক সোকনাইপতা কাওচননকে হায়পসু সমু খোঙথীননা ৱাকৎলুয়ে। ঐতি ঈপনপু ঈকাই-এ, ঈতু শেংকোয়- এ [M.G., 2004, 262 অমসুং ও: ভ:, ১৯৮২, ১৯৫-৯৬]।

মথক্তা থমজরিবা খুমন নিংথৌরোল লম্লুবা অমসুং মোইরাং নিংথৌরোল লম্লুবা কৌবা পুয়া/লাইরিক অনিদগী লৌথোকচরকপা ৱারেং মতেক অনিসিদা মথং শীৎনা য়াওরি-পল্লিবা "খয়োঙ্গরোন হাওরৈমা সাফাবী" অমসুং খয়োঙ্গরোন তাওথোং কায়পা চনু লীকলাপী" হায়রিবী খুমন নিংঙোন নত্রগা খুমনচনু অনিগী মমিং অনি পীরিবসি মীশক অমতদা মমিং অনি কৌবা/থোনবা মীশক- মীওই

অমতা ওইবা মীনি নত্রগা খুমন নোংয়াঙ্গ য়েক্কী নুপীনি। মহাক্কী মশক তাকপদা পীবীরম্লিবদি - "মহাক খুমন নিংথৌ চীঙখোঙ থোঙক্রোয়ব [কেগে মোইরাং লৈপাক্তা পুরিক্লাই উরা খুন্দাবনা পানবা, মৈতৈ লৈপাক্তা চাওরাক্লা মৈদিংঙু নাউথিংখোং (খৃ: ৬৬৩-৭৬৩) গী মচানুপা মৈদিংঙু খোঙতেকচা (খৃ: ৭৬৩-৭৩) নত্রগা মশূনুপা কৈরেনচা (খৃ: ৭৮৪-৯০) না পানবা অমসুং খুরোই হাওরা লমলাংতোং (লম্মাংদোং/বিষ্ণুপুর)দা ফাক্তেক শোক্লাইবনা পানবা মতমদা খুমন লৈপাক্তা নিংথৌ ওইনা পাল্লন্বা মীশক্লি] গী মচা নুপীনি। অপোকপী মমাগী মমিংনা খুমনলৈমা ঙাননুরোন চীঙয়াই নত্রগা চীঙয়াঙ্গ ঙাননুরোন হায়না কৌই [ব: ক: শ:, ১৯৯৮, ৬০]। খয়োঙ্গরোন লীক্লাবী নত্রগা হাওরৈমা শাফাবীসি খুমন নিংথৌ অদোন শিয়ারোঙগী মচেম/মচন্নি।

খয়োঙ্গরোন হাওরৈমা শাফাবীগী পুন্সি-ৱারী

খয়োঙ্গরোন হাওরৈমা শাফাবী নত্রগা তাওথোঙ কায়বা চনু লীক্লাবী অদোন চীঙখোঙ থোঙক্রোইবগী ঈনা মহাক্কী তাল্লোই ঙানবা শল্লাইগী অরিবা/খুনুং নিংথৌগী মচানুপী ঙাননুরোন চীঙয়াইগী পায়মা লিনগোইনুংদগী খুমন কংলৈ লৈকোয়পুঙ "ফেনতা লৈকোয়পুঙ, তাউতেক কোন্না-তা (হৌজিক্কী ময়াং ইম্ফালগী কোঞ্চাক অৱাং লৈকায়)" দা মালেম তাইবংপান খোঙদারকখি। অপোকপী পল্লেম মমানা মানা পোকচবা মমোমশিংগী মরক্তা কোকহন-লাইহন ওইবনা লুনা-চান্না তৌদুনা নাউয়োক-নাউকোঞ্জরকখি। মহাকসি পীশক পীক্লিঙৈদগী অঙম-অরায় খঙদবী, মীকি লাইকিদবী অমসুং মনীঙ-মখা তমগনবী ওইনা হৌরকখিরম্মী। করিগুম্বদা তীনখেৎ-লাইখেৎপী ওইনা মশাগী অনীঙবা ৱাখল, অপাম্বা পুক্নীঙগী ঈথিন্না পুদুনা চৎপী ওই। পুঙকক চাওরক্লবদা লৌশিঙ শিঙবী, মীগী মীতীক-মীরৌ খঙগনবী, মীনা তৌরিবা থবক্কী মনুংদা অমসুং মখাদা থুপ্তুনা নত্রগা লোত্তুনা লৈরিবা ৱাখল অমসুং ৱাফম খঙনবা হোৎনগনবী অমদি খঙগনবী ওইরকখি।

খয়োঙ্গরোন হাওরৈমা শাফাবীনা মশাগী চহি ১০/১১ (তরা/তরামাথোই) রোম শুরকপদগী মহাক্কী মায়থোঙদা মহাক্তা ওন্ন-তৈনবা শাবান-শক্তমগী অমসুং নুপী নুরম তাদবা, পাগী পারম তাবশিংবু চিংশিনবগী মওং-মতৌগী শকফম অমা হাপকৎপা হৌরকখি। মশাগী শাবান-শারেপ্তুসু পাখং

লৈশা থিবা, থৱানগী খোইমু লৈপাম্বশিংবু তত্তনা চিংশিনবগী ঈথক-ঈরাং হাপকৎলকই। অপোকপী পল্লেম মমাগী খুদুং ইন্দুনা ঈমুং-মনুং থবক ইনখাং অমদি নুপীচাগী শীনফম-শীল্লমশিং তম্লকখি। মশাগী চহী ১৩ (তরাহুমদোই) শুরকপা, লৈশাফান কারকপা মতমদগী মমান্নবী মতারোইশিংগী লুচিংবী ওইরকখি। নুমিদাংগী শীন্নাইফম কাবদা মোইথাপ নাইদুনা তুনুং লংজা চিংথোকপা, তৌওৎ-তমং পায়দুনা তুনুং-লংখাই শাবা, তরেং মাঙদা থাদুনা তুনুং লংচাক চাকপা, কোরৌ অঙানবদা মাল্লৌ ফিহৌবা অমসুং খ্বাঙগী ঈয়োংদা চরৈ ফিশাবা অমসুং চরৈ ফিরোন-ফিরীবা, ঈমুং-মনুংগী চাকথোং-ফৌশু, ফিশূ-ফিজাম, হাওদৈ পুকয়ু শেম্বনচিংবগী মথক্তা তম্লকখি, য়াওরকখি অমসুং তৌরকখি। কুম্বী-কুমচৎকী মতুং ইন্না লৌউ-শীঙউগী মতমদা খাল্লে লৌতাবা, লৌলীং -লৌপেংবা, লৌখাও-ফৌচনবা অমসুং মীগী খুৎলং চত্তুনা মশুঙ-মমান্নবা লৈশা-পাখংশিংগা লোইননা লৌশূমিন্নরকখি। অদুদসু নত্তনা লৌরোক থা, ফৌচন পান্থা লোয়খ্রগা লৌবুক লমহাংদা, য়েল্লাং-কেংঙোই হেকপা, পেরুক-য়েল্লুক ফোয়বা, পাত্তা কুমদুনা ইনচিং-লোংখোন্দুনা লেমলৈ ঙাতান-ঙাফবা অমসুং অনকপা চীঙদা কাদুনা শীঙজনবা, পামেন উহৈ-উপান হেকপা, তল্লা মনা-মতোননচিংবগী শংলৌ য়েনশাং থিবনচিংবা মতমদুগী নুপীনা তৌনবা শীন্থাশিং চিংখদনা তৌরকখি।

খয়োঈরোন হাওরৈমা শাফবীনা মশাগী চহি ১৪/১৫ (তরামরি/তরামঙা) শুরকপদা অঙাং ওইরিঙৈগী পুকওঙনা থবাক মায়কৈ তমখি, নীঙদুগী ঈপোম হৌনা শন্লাং ৱাই-ৱাই তাবনা মায়থোঙগী নাকচী কুপ, লুরুক্লবী মায়থোঙনা তঙাংবী চীনবান, মুনা কোনবী পীশুম্বু মপা চাবা পাখংশিংদা য়েংনীঙবা পোকহনবা হেনগৎলকখি। মমোমগী চেংলৌ শকপান্থোঙবু উরকপা লৈথিবা খোইমু শঙ্গু, লৈশা তুংয়িনবা পাখংগী পরেং লাকপা উরক-খঙলকপদা পন্থৌ অপোকপা খুমন নিংথৌনা মতমদুদা খুৎকন-পাঙ্গন্না মপান ফরক্লিবা খুরোই হাওরা লমলাংতোংদা পাল্লিবা ফান্তেক শল্লাইগী নিংথৌ শোক্লাইবদা থাজগে খন্না মমোম লাংলেন্দা চীঙ্গোয় য়াৱানা ফোঙদোক্লে। অদুগা ময়ুম ফান্তেক মনীন নাইবদা কোল্লোয় মপাউ থাদুনা নিংথৌ শোক্লাইবা মকাদসু হায়না-শীঙনবা হৌরে। অদুবু মমোম খয়োঈরোন হাওরৈমা শাফাবী নত্রগা লীক্লাবীনদি পায়মা পীবুক থৈনা মাই, ঙমজরোয় হায়না ৱাকন্দুনা লৈরম্মী।

হাওরৈমা শাফবীনা নীঙজবা কায়বা

পুন্সিগী মথোল্লক্লিবী, ইনখৎলকপা মতমগী লময়ৌবগী লমদাংদা ময়াই কানা পাল্লিবী খয়োঙ্গৈরোন হাওরৈমা শাফাবীনা লোইবী চীঙদা কাদুনা শীঙয়ান-শীঙজনবগী তাঞ্জানি। মশাগী চহিনা ১৪/১৫ শুরকপা, মীকি-লাইকিদনা থেংলিবা, নুংশি-নুংওনগী ঈরাং হৌবনা মহকচাং মশাদু ঈথক ঈপোম্না থল্লিঙৈগী মতমদনি। নোংমা লোইবী চীঙ অমদা মখোয়নৌ মতা অনিগা পামেন শীঙজা য়াল্লিঙৈদা নুংশিরবা তৌদ্রি [বাঁশি/ফ্লুৎ(Flute)] খোংবগী মখোল অমা তারম্মী। তৌদ্রিগী মখোন্দুনা নুজা মাগী নাকোঙ থোঙজাওরেন্দু পুমথন থল্লম্মী। খোঞ্জেন/মখোন্দু লাকপা মায়কৈরোমদা নাপা থাঙ্গত্তুনা তারম্মী। খোয়নৌ মমান্নবী অনিদুনা, -“করিনো অঙাওবীগুমলেনা” হায়দুনা ফাগী তৌবীরম্মী। অদুবু মহাক্না করিসু থৌশারুদে, মখোন্দুগী শুমহৎপা ময়াইদুনা মহাক্কী মপুক্নীঙবু ফাজিনখিদুনা মহাক মশা ফাওবা পঙথবগুম মখোন্দুদা তাদুনা লৈরম্মী। নুমিত্তুমদি তৌদ্রিগী মখোল তারম্বদগী লেপখ্রদুনা খোয়নৌ মতা অনিগা লোইননা ময়ুম-মকাইফমদা হল্লকখি। হায়রিবা তৌদ্রি (তৌ/তত্ত-তা-রী, তৌগী তানবা উরী- ৰারী) অসিগী মরমদা থন্বীরম্বা ৰারোন্দি :-

... কোংয়াঙ ৰাতারী, তারী লেংপা মৰাকখঙপু, সমু খুৎনা পায়না মৰাক ওইনা লাইরেন মৈতিংঙু কপোমপা নাউথেমৰাকপু লাংপন খোইরা মচীন হুৎকুম চকমোম খামবী মৈথোঙ তরুক হুৎনা খুৎপী থংমা য়ৈ খুৎনাউ থংমা খৎনা ... তারি খোলৰোল ৰাকী [ও: ভ:, ১৯৮২, ১৯৫]

অসিনি। মথং নুমিত্তসু খয়োঙ্গৈরোনসিনা মহাক্কী মখোয়নৌ-মতারোই অনিদুগা লোইননা লোইবী চীঙদুমক্তদা লাক্লম্মী। মখোয়না চীঙখোঙ য়ৌরকপমক্তদা তৌদ্রিদুগী মখোলদু তারম্মী। মদুনা খয়োঙ্গৈরোন হাওরৈমা শাফাবীবু অঙাওবী ওইহল্লম্মী। মহাক্না মতারোই অনিদুবু শীঙ য়াল্লু হায়দুনা থল্লগা মহাক মশানা তৌদ্রি খোংলিবা মফমদু থিবা অমসুং অসুপ নুংশিনা খোংলক্লিবা মীশক্তু কনানো হায়দুনা য়েংবা লাক্লম্মী।

খয়োঙ্গৈরোন অদুনা তৌদ্রিগী মখোন্দুনা পুবা মায়কৈদা মখোঙ থাংদুনা চীঙদু খর কাখৎলকপদা চীঙদুগী নাপোম অমগী নেমতকপা থেন অমদা অচম্বা

শঙ মচা অমা শাদুনা লৈবা উরম্মী। শঙদুগী মনুংদগী শুমহৎলবা তৌদ্রিগী মখোল অদু থোক্লক্লম্মী। মহাক্লা পন্থবা তৌদনা শঙদুগী মনুংদা চঙশিল্লকপদা ৰানা কাংথোন শারগা থাবা কাংখন খনবা ফমুং অমদা নুপা পাখং/নহা ওইরিবা অমনা ফমুংদা হীপ্লগা তৌদ্রিদু খোংদুনা লৈবদু উরম্মী। খয়োঙ্গৈরোন তাউথোং কায়বা চনু হাওরৈমা শাফাবীনা চপ লেপ্তুনা তৌদ্রিগী নীঙথিরবা খোঞ্জেন্দু তাদুনা লৈরম্মী। মতমদুদা তৌদ্রি খোংলল্লিবা মীশক্তুনা তৌদ্রি খোংবদু লেপ্লগা লৈশাবীদুবু কনানো হংলক্লম্মী।

- ঐহাক খুমন নিংথৌ চীঙখোঙ থোঙক্রাইবগী মমোম হাওরৈমা শাফাবী হায়বী অদুনি। শাবী ঈবুং ঙাইবা নহাক্তি কনানো?

- ঐহাক্তি চকপা মহালেংপা, পাখং লুনিয়াচা হায়বা অদুনি, পাখং ঈদোম পাহাঙ নোংজেং ওইবগী লাংলেন কোংয়াঙ ৰাক্কী তৌদ্রিসে খোংদুনা লৈরম্বনি।

- ঈশাবী পাখং ওইবা নঙগী তৌদ্রিগী মখোন অসে, মসিনা খোন্থোক, খোনৰাং-খোননেমগী খোন্থাং-খোল্লৈ অসে অসুপকী মতীক পুক্লীঙ হুনা নুংশিজখ্রে। মদুনা ঐহাকপু মফমসিদা চিংদুনা পুবীরক্লিবনি। অদুনা অমুক্তগা খোংখো তৌদ্রিদু, পুক্লীঙ পেন্না তাজখিগে, অমুক্তা খোংবীখো, কৈদৌবগে!

- শানৌ ঈবেম্মা নুংশিবী! তৌদ্রিসে খোংলগে, পেন্নবা তারো, নিংঙোন লেপ্পা ৰাগনি, চরাই ফমুং থকসিদা ফমলো লাও! পুক্লীঙ নুংঙাইনা হকচাং শাফনা তারো লাও! তৌদ্রিগী খোন্থোক শুমহৎ-ৰাকসে।

ৰাসি হায়দুনা চকপা মহালেংপা পাখংনা তৌদ্রি খুৎনা পায়খত্তুনা চীনবান্দা তৌদ্রি চৈকোক থমদুনা খোংগৎপা হৌগৎখ্রে। খয়োঙ্গৈরোন লীক্লাবীসু চঙশিন্দুনা তৌদ্রি খোংলিবা চকপা মহালেংবগী মনাক্তা ফমুং মথক্তুদা ফমখ্রে। তৌদ্রিগী নুংশিবা মখোন্দুগী খোন্নেম-খোনৰাংগী খোল্লৈ, হীক্লা নেমনা হাইথরকপা, য়াক্লপ্লা ৰাংনা হাইগৎলকপা, অমুক্লা ময়ায় ওইনা লীরীবা খোন্থাংদা মাল্লং ঈপোম ঈরোইনবগুম খোন্থোক খোন্থাংগী পরীং চৎলকপদা নুংশিবা মখোন্দা ঙাওজবী, শুমহৎপা খোন্থাংদা লুপচবী খয়োঙ্গৈরোন তাউথোং কায়বা চনুদো, পাখং মঙোন্দা কোন্দুনা শৈশক-শৈরোনগী ঈপাক্তা তাউরি। নুরাগী শামু হকচাংনা পাখংগী হকচাংদা থেংলকপা, হঙ্গৎ-হন্দা তক্লরকপা, চরৈ ফিনা য়োল্লিবা

নুজাগী থবাক হৈরাংনা তোয়না তোয়না থেংলকপদা পাখং মহালেংবগী হকচাং অমসুং থম্মোইদা অপাম ঈথক কারক্লে, ময়াই কাবগী ঈপোম্না য়েরকলে। তৌদ্রি পায়রম্বা খুৎনা নুজাগী হৈরাং চাইজী পায়রক্লে। নুজাবু ফমুং থক্তা চিংথদুনা মোমনু থাখুম হাইদোক্লে, চরৈ খ্বাঙচেৎ লৌথোক্লে, নিংঙোন্না লুনা-চেৎনা থমজবা হৈরাংদু লোঞ্জা চারক্লে, লৈরাংদু লোঞ্জিন চিল্লক্লে। নুজা মহাকসু মনুং মতম চারবী, হৈজীঙ-হৈমুন ফারবী ওইরবগী নুংশি খুদোন লৎনদনা ওকচরে, নুজা থম্মোই কৎচরে।

খয়োঈরোন হাওরৈমা শাফাবীনা মশাগী চহি ১৫ (তরামঙা) চঙলকপদা তৌদ্রিগী মখোন তাবদগী চকপা মহালেংবগা নুরা কুমজিং হীগোক থোক্লা মরী লৈনরকপা নুমিৎসিদগী নুজা থৱাই কৎখ্রবনি। নুংতি নুমিৎ খুদিংগী চকপা মহালেংবগী মনাক্তা চত্তুনা নুজা মাল্লং ফিজেৎননা শীঙেল শেখনা লৈরাং খাইথননা পানদুনা লৈরবা মতৈ-মনাউগুম নুমিৎ খরনি লেল্লক্লে। মতম অদু ফাওবদা খয়োঈরোন অসিনা চকপা মহালেংববু মশক খঙদ্রি, মখোঙ শেল্লবা খুকলুদা তৎখ্রবা মীশক্লি হাবসি খঙদ্রি। হায়রিবা চকপা মহালেংবগী হকচাং ফিবম শোয়বা, মখোঙ খুকলু নামা য়াওদবগী মতৌসি খয়োঈরোনসিনা খঙলকপগী মতাংদা পীরম্বা ৱারোন্দুদি :-

... মমানমচা চকপা মহালেংপা, শমু পাংশোয় নীকপা, পাখং লুমিয়াচা খুকলূ হংমা তোনপা, শমু পাংশোয় নীকপনা, চৈরৈ কাংখন্নুংতা তারী খোলৱোলৱাকী খয়োঈরোন তাউথোং কাইপা চনুনা মপন শানতাকতা, মতু শনফোঙতনা শীঙলেন শেখননা লৈরাং খায়থমন্নরে॥ লোকচপ হুমৱোইপী মরানৱোন, য়াইপীলৈমা, কাংতাউপীনা তেললম মাঙৱোইননা, মাললং মথি নাই, খমকোন মরাং হৌপনা চৈরৈ কাংখনপু হুমথোক্লপকী চকপা মহালেংপপু চেংলৌ মিৎথীৎনপপু খয়োঈরোন তাউথোং কাইপা চনুনা পাউমেলকয়ে। চকপা মহালেংপা পাখং লুমিয়াচা অসিপু খুকলূ হংমা তোনতপা পাখং শংকাই য়াঙনম শোয়তপপু খাচীকয়ে। ঈপন পনথৌ নিংথৌ চীঙখোঙ থোংক্রাইপনা নিংথৌ ফানতেক্ শোকনাইপতা কাওচন্নকে হায়পপু, শমু খোঙপু থীননা ৱাকৎলুয়ে। ঐতি ঈপনপু ঈকাই-এ, ঈতু শেংকোয়য়ে॥ তাইপং নমু পোংপু ৱোইঙম্

লরোয়- এ, তুৰাং-ঈ ঈৰাংকোন, লাইরেন লেমপা লৌতা নোংমল্লককে হায়না ইনতাললকখিপপু চকপা নহালেংপা খুকলূ হংমা তোনপনা কোংয়াঙ চৈশু পাল্লোইননা মোমনু মনেমমচাপু হননা য়েংনা তাললকয়ে। অতু নোংকিপু মহা ঈমরু-ও তৌনা কৌএ। খয়োঈরোন তাউথোং কায়পা চনুতি সুমলোয় ওইনা লেমলময়ে [মথক্কীসিদা, ১৯৫-৯৭]।

অসিনি। চকপা মহালেংবগী হকচাং শারেপ-শাবান, ফিবম-ফিরেপ খঙলক্লবা, মখোঙ নামা খুকউদা তেকপা মীশক্লি, থবক শূ-নোম্বা, নুপা থোকপা থৌরম পাংথোকপা ঙম্বা মীওই নত্তে খঙলক্লক্লবদা মপা-মমানা মহাকপু কন-থৌরবা ফান্তেক নিংথৌ শোক্লাইবদা থাজবদা মহাক্লা মশানা য়াদে, পামজদে হায়না য়াখিদবদু খল্লুবদা মপাগী মমাঙদা মতোমতা ঈকাইজখি অমসুং মবুং-মপ্বাশিংগী মমাঙদা চাং তাদুনা ঈকাইজখি। মরম অসিনা মহাক মহা- ঈমরুগী ঈশিং পানা লৈরবা ঈপাক-ঈরোন্নুংদুদা চোংথদুনা মতোমতা শিজরগে হায়দুনা লাক্লম্মী। মতমদুদা মহাক্কী মতৌ খঙলবা খোঙতেকপা মহালেংবনা চৈশু শুদুনা মহাক্কী মতুং ইন্নরক্তুনা মহাক্লা ঈশিংদা চোংথদুনা শিগে তৌবদুদগী কনখি। অদুগা মখোয় অনি মপোক্তুগী ওইনা কায়না-খায়নখিরম্মী। চকপা মহালেংবসু মহাকপু থাদোক্তুনা চৎখিরম্মী, অদুগা মহাকসু মফমদু (মহা চীঙ) থাদোক্তুনা ময়ুম-মরানয়াঈ খুমনপুঙদা হল্লকখি।

খয়োঈরোন হাওরৈমা শাফাবী নুহোঙবা

খয়োঈরোন হাওরৈমা শাফাবী নত্রগা তাউথোং কায়বা চনু লীক্লাবীনা মশাগী চহি ১৫ গী তংখায় চল্লকপা (১৫ মপুঙ ওইরক্কদবা) মতমদা মহা-ঈ মরূগী চীঙদুদগী ময়ুমদা হল্লক্তুনা লৈরবদা মপন পল্লেম মমা ঙাননুরোন চীঙয়াইনা মপন পম্থৌ নিংথৌ চীঙখোঙ থোংক্রাইবনা মহাকপু খুরোই হাওরা লম্লাংতোংদা পানবা ফানতেক নিংথৌ শোক্লাইবদা থাজবগী ৱাফমদু অমুক হন্না হৌদোক্লক্লম্মী। হন্দক্কী মতাং অসিদদি মশাগী মরাইবক মশানা লেপচগদবনি খল্লন্বী খয়োঈরোন হাওরৈমদু অহল-লম্মন য়াথং ইনবনা ফরে হায়বা মশাগী ৱারেপ লৌরে অমসুং ফান্তেক্তা ওঙবদু মশানা য়ারে হায়বা ৱাফম পল্লেম মমাদা থল্লে। অদুদগীদি থীন্থদনা ফান্তেক্কী য়োঈকোনুংদা পাউসি থারে। ফান্তেক শোক্লাইবগী মায়কৈদগীসু মশাগী

অয়াবা ৱাফম পীরক্লদুনা ফান্তেক শোক্লাইবা অমসুং খুয়োঈরোন হাওরৈমা শাফাবী অনিগী নুহোঙবগী মতম অমসুং নুমিৎ লেপ্লরে। শাবী মথংলেন ওইগদবা তন্বা মহাক্লসু নুজা চেংলৌ শকউদ্রিবা অমদি শকখঙদ্রিবা, অদুগা শানৌ তাল্লোই ওইগদৌরিবী মহাক্লসু তন্বা চেংলৌ শকউদ্রিবা অমসুং শকখঙদ্রিবা মশেন্নি, নুহোঙবগী নুমিত্তুদা চেংলৌ শকথোঙ উনগনি, নুহোঙবগী ঈনুং নুংমিদাংদুনা চেংলৌ শকখঙ-মায়খঙনগনি, ঐগী-মাগী ওইনগদবা লৈরবনি, হায়না লেমনা লৈথোক্লরম্মী।

মতমদুগী চৎনবী মতুং ইন্না নোংবান ফানতেক লৈপাক্কী অঙম-অথৌশিং, অকন-অরীংশিং, অচৌ-অশাংশিংনচিংবা ফান্তেক্কী মী পুন্নমক হৌদুনা চেঙলুক লমকোয় শূ, ঙাপা পৌতোং য়ান, কাওরেন শনফাং হোয়, হৈকু গোত্তম শেম, খুমলোঙ নাকথং লোন্না হিয়াঙ-হিরেন তোংদুনা লোক্তাক ঈপাক লান্না ময়ুম নোংয়াঈ খুমন লৈপাক্তা নুহোঙবা লাক্লম্মী। ময়ুম নোংয়াঈ খুমনচাশিংনা ফান্তেকশিংবু তরাম্না ওক্লে। ময়ামগী থুংফম-ফম্ফম শেমদুনা ঙমজবা হৈরান-পোৎলান্দুনা ঙাইহাক পোথানরগা নুহোঙগদৌরিবা নুপা-নুপী পাখং-লৈশা অনি পুথোক্তুনা নমু মীয়াম মমাঙদা অমাই-অশৈবনা নোংবান ফান্তেক পোকপা সরারেন, খুমন নোংয়াঈ পোকপা কশারেন চীঙঙু অনি পাউকৌজদুনা অপোক-অশাৎ লাৎলগা শাবী-শানৌ অনিগী লৌন -লৈনগদবগী পাউতাক-পাউকত্তু অয়াবা য়াথং লৌজরগা পাখং-লৈশা অনিবু অপোক- অশাৎ অনিগী খঙবীবগী লৈপুন্না পুন্দুনা মশাবী মথংলেন অমসুং মশানৌ লৈমা ওইরে হায়বা খ্বাই খঙনা পুন্সি লৈপুন শেন্বীরে। অসুন্না খয়োঈরোন হাওরৈমা শাফাবী নত্রগা খুমন চনু লীক্লাবীদু ফান্তেক নিংথৌ নোংবান শোক্লাইবনা নিংঙোন কাওজা মমল মশীঙ শুনা পীরগা নুহোঙদুনা ফান্তেক লৈমা, শোক্লাইবগী তাল্লোই ওইখি। নুহোঙবগী লাইথৌ থৌরমসি লোয়রবগা খুমন নিংথৌ চীঙথোঙ থোংগ্রাইবনা মমোমগী কাউরেন শম্মোক, ঈরোই লোইমু (খরোবী), ৱানতং (মচী কোন্দবা, মথক্লোমদা ফনগৎপা ঈরোই), তাওবা হুই শাহুই নচিংবগা, তেম চামা, তৌওৎ চামা, তমং চামা, তরেং চামা, কপত্রেং চামা, পৌ চামা, নাচৈ চামা নচিংনা অওঙ-অউন পুন্নমক শুনা তমলে। ফান্তেকশিংনা নুহোঙবগী থৌরম লোয়রগা মখোয়গী লৈমা ওইরবী খয়োঈরোনগা মহাক্কী অউনপোৎ

পুন্নমক্কা পুদুনা লোক্তাক লাননা ময়ুম লন্নাংতোংদা হন্দুনা চৎখিরম্মী। অসুন্না খয়োইরোন হাওরৈমা শাফাবী নোংবান ফান্তেক শোক্লাইবদা ওঙদুনা খুরোই হাওরা লন্নাংতোংদা ফান্তেক লৈমা ওইনা পানখিরম্মী।

ফান্তেক শোক্লাইবনা হোঙনেম্বা

নোংবান ফান্তেক শোক্লাইবনা খয়োইরোন হাওরৈমা শাফাবী নুহোঙল মতুং চহি ওল্লক্লবদা ফান্তেক শোক্লাইবা নিংথৌনা মহাক্কী মহী- ময়াই অমসুং মতীক-মঙম উৎকে, তৌবা ঙম্বগী মপাঙ্গন, মথৌনা খ্বাই লৈপাকশিং - মোইরাং, খুমন, লুৱাং, হাওরোক-কোন্থৌ, থাঙ্গ-কম্বোং, পোইরৈ মৈতৈনচিংবদা খঙহন-উহনগে, পাকথোক-শন্দোক্কে, হায়না খুরোই হাওরা লমলাংতোংদা "লোনলোই [কোনয়াই হুনবগী লমতুপ - লম্মাংদোংদগী নম্বোন ফাওবগী লমদম] হোঙগে" হায়না হোঙনেম কুম্মৈ তৌদুনা মহাক্লা শা-লান ফাখিবগী লাল্লু চোম্মায় লৈরিবশিং পুন্নমক য়ান্দুনা- থেন্দুনা থল্লগা উৎনবা থৌরাং তৌরম্মী। হায়রিবা হোঙনেম্বগী হরাউ- কুম্মৈসিদা মহাক্লা মহাক্কী মমান-মকুবোক খুমন নিংথৌ চীঙখোঙ থোংগ্রাইববু লেঙবীরক্লবা অমসুং হোঙনেম কুম্মৈসি য়াওবী য়েংবীরনবা পাউজেন- পাউকৎ কৎলম- পীরম্মী। মহাক্কী হোঙনেম কুম্মৈসিনা লোনলোই লমদম পুমনীন নীল্লম্মী।

নোংবান ফান্তেক শোক্লাইবনা মতীক-মঙম, মপাঙ্গল- মথৌনানচিংবা অসুপ য়াম্না লৈদুনা ময়াই য়াম্না লৈরিবসি মহাক্কী লাম্মী মনুংদা মপাঙ্গল কল্লবা, শা-লান্দা হৈথোই-শিঙথোইরবা, ফত্ত-লৌশিঙ, শরৌ- লাংথাক্লচিংবদসু হৈ-শিঙলবা, নুংবান/লুৱাং লাল্লোই তরেৎ" হায়না খঙনবা (মতুংদা মখোয়সি "য়াইস্কুল লাল্লোই তরেৎ" হায়নসু খঙনরকখি, মচীন-মনাউ তরেৎনি, হায়না মীওই তরেৎ ওই, মখোয়সি "অঙোম" য়েক নত্রগা শল্লাই নত্রগা শাগৈ/য়ুম্নাক ওনগনি, হায়বসি মোইরাং কংলৈ ৱারীগী চাওবা নোংথোনবগী পুন্সি-ৱারীনা তাক্লি) অসি লৈরম্মী। মখোয় তরেৎ অসি নোংবান ফান্তেক শোক্লাইবগী হোঙনেম্বা অসিগী মরুমদা শোক্লাইবগী অপাম্বা থবক পাংথোক্লবা থৌরাং তৌদুনা লৈরম্মী। অদুগা অচাওরম পাম্বনা ঙাওরবা ফান্তেক শোক্লাইবা অসিগী হোঙনেম কুম্মৈসিগী মরুমদা শারম চামা, লানলম চামা শুবা মীশিংগী মকোক কক্লুনা

মহাক্কী মিংচৎ তানবা অমসুং মিংদা ফজবা হেনগৎহন্নবগী শরৌগী খুজীন থৌরাং অমসু ফুমদুনা লৈরম্মী। হায়রিবা অসিগী থৌরাংসি নোংবান ফান্তেক নিংথৌ শোক্লাইবনা ঈরেম লেমনা নিংথৌগী ফম্বালদা লৈরগা লোননা থবক পাংথোকপগী শীন্থাসি লুৱাং লাল্লোই তরেত্তা শিন্নদুনা থল্লম্মী। অদুনা মখোয় তরেৎসিনা মীরক-খুল্লক্তা, নারক-মোংশোংদা/উমং-ৱামংদা শাথি-লান্থিদুনা লৈরম্মী। মতমদুদা শারম চামা, লাল্লম চাবা শুবা নত্রগা শুনা ফাবা-হাৎপা ঙমখিবশিংগী মনুংদা খুমন নিংথৌ চীঙখোঙ থোংগ্রাইবা অসিসু অমনি, অদুনা মহাকপু খুমন লৈপাক্তগী খুরোই হরাও লম্লাংতোংদা অহোঙ- কুম্মে য়েংলো, হোঙনেম থৌরম য়াওবীরো, হায়দুনা পাউকৌরিবনি। অদুগা শারম চামা, লাল্লম চামা শুবা অতোপ্পা অথৌবা অমনা কেগে মোইরাং লৈপাক্কী অৱাং মায়কৈগী লমখৈ-ঙমখৈ অমসুং পম্থোঙ ঙাক্লিবা ঙানবা শল্লাইগী কাকলেন (ককয়েন) নোংতং শূচানি। মহাক্কী মখুত্তা লুৱাং লাল্লোই তরেৎ তুম্লগনি, তরুক্লা মহাক্লা হাৎলগনি, অমনা খুমন পুরেম্বদা চঙজদুনা মথৱাই হিংজখিগনি।

খয়োঙ্গীরোন হাওরৈমগী ফৌশু-ঈশৈ

খুমন নিংথৌ চীঙখোঙ থোংগ্রাইবদি ঈচম চম্লা মপারী, মনাই মশন নত্রগা মরোই-মপাং কনাসু লোইনদনা মচানুপী ওঙবা ফান্তেক্কী কোনুংদা মমাক নুপানা পাংথোকপা হোঙনেম্বগী হোঙনেম কুম্মে য়াওন-য়েংনবা লাক্লম্মী। মহাক্লা নোংবান ফান্তেক্কী কোনুং মশাইগোন্দা হেক থুংলবগা মমোম লাংলেন হাওরৈমা শাফাবী উনদুনা ৱারী-ৱাতাই শান্নরে। অদুগা হোঙনেম্বগীদমক্তা লাকপা থুংলবা মীথুংশিংগী অকক্লা-অতম্লনা শাবা শঙশাংদা চঙদুনা পোত্থাদুনা লৈখ্রে। মতম ঙাইহাক্কী মনুংদা নোংবান ফান্তেক নিংথৌ শোক্লাইবনা মদাইরেম লুৱাং লাল্লোই তরেৎকী লুচিংবা লাল্লোইহন কৌদুনা কোনুং শঙ্গাইনুংগী অচীকপদা হোঙনেম কুম্মে তৌরিঙৈ মনুংদা তৌগদবা মথৌ-মঙম, পাংথোক্কদবা মশীন-শীন্থা পুম্নমক শিন্নরম্মী। শিন্নরিবা মথৌ-মঙম অমসুং মশীন-শীন্থাশিংদু ফান্তেকলৈমা খয়োঙ্গীরোন হাওরৈমা শাফাবীনা মখোয় অনি খঙন্দনা তাঞ্জা চারুদুনা লোয়না তারে।

লুৰাং লাল্লোই তরেত্তা শিন্নরিবা শীন্থাদু তারু-খঙলুবদা খয়োঙ্গৈরোন হাওরৈমা নুঙ অনিগী মরক্তা হা ওইরে, অমরোমদা মশাবী মপুরোইবা অমসুং মহাক্কী অচাওরম কানবা মিংচৎ অদুগা অমরোমদা মায়কৈ অমদনা মহাকপু পোকপীরকপা পন্থৌ মপা অমসুং য়াইবী থৱাই কনবা, অনিসিগী মরক্তা মহাক চপ লেপ্তুনা লৈরে। ফোঙনা পন্থৌ মপাদা হায়নবা চৎলুবা নত্রগা পন্থৌ মপা উন্নরুব্বদা লীংজেন খাবা শোক্লাইবনি, মহাক হিংনবগী পান্থৈ নত্রগা লম্বী লৈত্রবনি। মপন পন্থৌ নিংথৌবু কন্দবদি য়াদে কমদৌনি! পন্থৌ মহাক্তি তৌনরিবা লৌতুনবা অমসুং হাৎনবগী শরৌ-লাংথাক অসি করিসু খঙদনা মচা-মমাক্কী কুম্মৈনি, চাওখৎ থৌরাংগীনি হায়দুনা নুংঙাইনা লৈরি, মথংগী মিকুপ্তা য়েক্লবনা করি তৌরক্কদৌরিবগে হায়বসি খঙদ্রি অমসুং খন্দ্রি। মপাঙ্গল ফনা কল্লি, শা-লান নীঙথিনা হৈ হায়দুনসু মী অমতগা তরেৎকা লাম্বা তৌনরবদি অমতদুনা মায়থীবা তাবনি। অদুনদি মহাকপু কন্ননবা করম্না, করি তৌগদবগে হায়না খয়োঙ্গৈরোন হাওরৈমা শাফাবীনা হন্না হন্না খনবা হৌরক্লে। মহাক্না অপোকপা মপাবু কন্ননবা, মপা নিংথৌদা মহাকপু খুদোংথীবনা কোয়শিল্লে, নথৱাই হিংনবা চেলহৌরো হায়বা পাউসি পীননবা লৌখৎ-পায়খৎখিবা থবক- থৌদাগী মরমদা পীরল্লিবদি:-

... নোংয়াঙ্গৈ চৈরৈ মকা ফোং, খুমন মীমাঙ হেননা নোংপান মরানয়াঙ্গৈতা ৱাইথুংলুপপু ফানতেক শংলৌ মথৌরাং, য়েললাং মঙমতমপু মাললং নোংহুম-পাউকুম নাতারপকী, মমোম হাওরৈমনা মপন চেংলৌ শকউরপতা, থাঙয়ী খোংচ্রোমপা মশুমখঙ, ৱাক্না মানপী তেমথাশুম শুমলেন মায়পাকপতা শরা ৱাইরৌ পামপা মন্নশুকনা শুকমু লৈতম ফেন, য়ামপী মায়ঙৌ তানঙমপতা শুমপন তেরানশৈপু তেংথাননা, "মীকী মচা লমলানপা! মমোম অমা ফুয়পতি মীরমতা থাচ-এ, মীৱাই-তাম' তা কাওচন-এ! মমোম শিতনুপীনা হৈরাঙ খুৎতা শূনা খমলৈ -পাউথেম হৈপীকা থংলেন ৱা-তমথীকা নুংওন ৱামান্ননা লাংথু তাকলৈ শাচেনপা, পুকনীঙ্ ফিরোননুংগী উনপী খনচীন হৈপনা, ৱাকয়ৈ ঈফাই চনহন্তা, তোংচেং হিউপ লাংহনতনা কোরৌ নোংয়িন চেক্লা কোঙ্কোয় লাংখঙপকুম থৱাই লাইশেং হৈচখি-ও" - হায়না মমোম হাওরৈমনা শুমপন তেরানশৈ ফৌশু তেংথা শকঙমপপু নাতারপতা, নোংয়াঙ্গৈ খুমন নিংথৌ চীঙখোঙ থোংক্রাইপতি ... [ব: ক: শ:, ১৯৯৮, ৫০-৫৩]।

অসিনি। মপন পম্থৌ কন্নবগীদমক্তা ফৌশু ঈশৈদা শৈথাদুনা পাউ পীখিবগী শৈরোন্দুনা হায়রিবদি - "লমলানবা নুপা অমনা মচানুপী অমা পোকপদি মীরমদা থাজদুনা অথাপ-অতাম্বা মীরৈপাক্তা ময়ুম পানহল্লি, মচানুপীদুনা মখুত্তা অচা-অথক পায়দুনা অশিবগী পাউথেম হৈরবী খমনুং কিকোই লৌওনবীপা লোইননা ফত্রবা, তমথীরবা মৰা মপুরোইবদুগা লৌতুনদুনা মান্নরগা কৌথোক্তুনা হাৎননবা শীল্লে, অদুনা ৰাখন মুন্না তৌদুনা ঈয়াঈদা হিরাক্লদুনা হি উপহন্দনবা অতিয়াদা পাইবা নোংইন চেক্লোনা মহাকপু ফাননবা লাং থাক্লি হায়বা খঙবগুম খঙনা হৈনা-শিঙনা থৰাই হিংনবা, নশা লীৎনবা হোৎনজখো" - হায়বসিনি। হয়েংদি অহোঙ- কুম্মৈ হৌগদবগী ঙসিদি ঈংনা চীক্লা লৈরিবা নুমিদাংগী মাল্লং (নুমিদাং পূং ৭-৮ গী মতম) দুদা ফৌশুবা, চেঙ চোয়বগী ফৌশু-ঈশৈ অসিনা শন্দোকলক্তুনা খুমন চীঙখোঙ থোংগ্রাইবনা তারে। ঈশৈ শক্লক্লিবা খোঞ্জেন্দুগী মীদু কনা ওইরমগদবগে হায়বদুসু খঙলে। অদুগা ঈশৈদুগী শৈরোন ময়েক্লা করি হায়রিবনো, হায়বদুদা ৰাখল মুন্না খন্থরক্লে। ৰাফমশিংসি মচানুপীনা মঙোন্দা হায়রিবনি, মহাক খুদোংথীবদা তারে, মশা চেকশিঞ্জনবা পাউজেন-পাউতাক্লকপনি, হায়না ৰাখল অমসুং ৰারম চুম্না লৌখ্রে। অদুগা করম্না মশা কঞ্জসিগে, ফান্তেক শোক্লাইবগী থাক্লিবা লৌ অমসুং থারিবা লাং অসিদগী করম্না নাম্থোকসিগে খল্লক্লে। কোনুংগী অকোকপা লমসিদগী মশা লীখোক্লবসু উমং-ৰামং, নারক-মোংশোং মরক্তা লুৰাং লাল্লোই তরেৎ লুমদুনা লৈরমগনি, মখোয়না শোয়দনা তান্নরক্কনি, অদুনদি করম্না মনা-মনীন নাইদনা মখোয়গী মখুত্তগী নাম্থোক্কনি, হায়না খনবা মখৈ খল্লুরগা পাম্বৈ ফংলদুনা মশাগী ফিজেৎ লৈতেংশিং - লাংমৈ পুঙলেন, পাম্বোমদা শিবা তান, খুদাংদা শিবা খুজী নচিংববু লৌথোক্তুনা ফিরোন্নুংদা লোৎশিন্দুনা লাকপদা উমং-ৰামং মনুংদা ৰাখ্রেক কৌবা উচেক অমা তেন্না কাপ্তুনা লাই-ৰায়েন য়েংবদা লুৰাং লাল্লোই তরেৎনা মোংশোং মরক্তা লাল্লুমদুনা লৈবা উরে। মহাক্লা মখোয় তরেৎপু কৌথোক্লগা মহাক্কী মমিং ফান্তেক নিংথৌনা লানমিং চলহৌরে, মহাক্কী লাংমৈ, তান, খুজী অমসুং নাশি-নায়ান্নচিংবা নামা অমা লৌহৌরবনি" হায়রবদা লুৰাং লাল্লোই তরেৎনা, "অদুদি ফরে, নহাক চৎলো" হায়দুনা থাদোক্লক্লে। অসুম্না চীঙখোঙ থোংগ্রাইবনা মরৌশিঙগী মপান্না মথৰাই হিংদুনা ময়ুম নোংয়াঈ খুমন পুঙদা তেক্তা-কায়দনা হনখিরম্মী।

খয়োঙ্গৈরোন হাওরৈমা শাফাবী নোংমনবা

লুৰাং লাল্লোই তরেৎনা, খুমন নোংয়াঙ্গ নিংথৌ চীঙখোঙ থোংগ্রাইবনা মহাক্কী মমিং, মপোৎ-মচৈ, খুজি-নাশিনচিংবগা লোইননা নোংবান ফান্তেক শোক্লাইবা নিংথৌনা লানমিং চলহৌরে হায়বদগী থাদোকখ্রে, ময়ুম লমদম য়ৌরম্লগনি", হায়না ফান্তেক শোক্লাইবদা পাউ তম্লুরবদা ফান্তেক নিংথৌসিগী নীঙবা কায়রে, অদুগা খুমন নিংথৌ চীঙখোঙ থোংগ্রাইবসিনা করম্না মখোয়গী অরোনবা অমসুং লৌতুনবগী পাউ অসি ফংদুনা ফান্তেক নিংথৌ মহাকপু অপঙবা শীরম্লগা নাম্থোক্কুনা চৎখ্রে। মহাক্লা মথৰাই হিংখিবা অমসুং হিংনবগী থৌরাং লৌখৎখিবসি কনাগী খুজীন-থৌরাংননো? মদুগী লমন খুমদবা য়ারোয় হায়না ফান্তেক শোক্লাইবা নিংথৌনা মপুক্লীঙদা লেপখিরম্মী। অদুগা লুৰাং লাল্লোই তরেৎপু অতোপ্পা শাশীঙ চামা, লানশীঙ চামা শুবা অকন-অথৌ কাকলেন নোংতং শূচাগী লুরেন কক্লুনবা মোইরাং লৈপাক্কী অৰাংগী পন্থোঙলম খুয়োল লমদা থুনা য়াঙনা চৎনবা য়াথং পীরম্মী। লুৰাং লাল্লোই তরেৎনা মখোয় তরেৎ ওইদুনসু লাম্থৌয়াঙ লানহৈবা কাকলেন নোংতং শূচাদদি মখোয়না চঙবা ঙল্লোয়, মহাক্কী লূরেন কক্লুবা ওইথোক্লোয়, মখোয়দগী য়াম্না হেন্না হৈ-শিঙঙি হায়না হায়রম্মী। মদুনা ফান্তেক শোক্লাইবনা লমলোই, হোঙনেম্বা, খরোই হোঙনেম কুম্মৈগী অহোঙ পোৎথেন-পোৎ উৎপসিদা অনৌবা ককপা লুরেন, শাশীঙ-লানশীঙ শুবগী লুরেন অমতা উত্তবা তাবরা, হায়না ৰারৌনা হায়রক্লম্মী। মদুদা লুৰাং লাল্লোই তরেৎনা শাশীঙ চামা, লানশীঙ চাবা শুবা মহাক্কী তাল্লোইদুসু শাশীঙ লানশীঙ শুবী, শারম চামা ফাবী, লানশীঙ চামা ফাবী চিংঙি। অদুনা কাকলেন নোংতং শূচাগী তাল্লোই হাওনু কৈশীতোনবীগী তাংজা লূরেন কক্লুরগে, মদু লূয়ানফমদা য়াল্লসি, হায়রম্লগা মমায় মোইরাং লৈপাক ওন্না খোঙশানখ্রে।

নোংবান ফান্তেক শোক্লাইবনা শাশীঙ লানশীঙ শুবা মমান খুমন নিংথৌ চীঙখোঙ থোংগ্রাইবগী তাংজা লূরেন কক্কুনা খরোই হোঙনেমপুঙগী লূয়ান থোনকমদা য়ানগে, অয়েংবা মীপুম খুদিংমক্তা ফান্তেক শোক্লাইবা মহাক্কী কন-থৌবগী মতীক-মঙম উৎকে অমসুং খঙহনগে খঞ্জরম্বদু কায়রবদা কায়হল্লিবা মীশকসি কনানো, কমদৌনা অরোনবা পাউসি য়ৌহল্লিবনো হায়না য়াম্না কুপ্না থিগৎপা হৌরে। মতম ঈকুই কুইদনা মাগী হোঙনেম ঈংখোল চাওগোয়নুংদা হোঙনেম্বা হৌগদবা কোরৌ নোংমা ৰাৎলিঙৈদা মশানৌ ফান্তেক লৈমা

খয়োঙ্গৈরোন হাওরৈমা শাফাবীনা নুমিদাং ফৌশু চেঙচোয়বদা ফৌশু-ঈশৈ শকখিবা লীরোন শৈনা পাউতাকখিবগী ৱাফমসি তারক্লে। খুমন নিংথৌ হিংখিবসি ফান্তেক শোক্লাইবা মহাক্কী অচাওরম কাবগী লমদাংদা নীঙবা কায়বা অদুতনা লোয়রোয়, মহ্ চাওবা খুমন্নি, লমন খুমগনবা নোংয়াঙ্গৈনি, মীনা লাকচখিবদা লেম্না তোক্কন্দবা অদোন্নি, শোয়দনা লমন খুমগে, হায়রক্কনি। হৌজিক্তি খুমনগা মতম-পুম্বগী ওইনা য়েক্লরবনি, য়েংথীনরবনি অমসুং মুঙনরবনি। ফান্তেক শোক্লাইবা ঐগী নীঙবা কায়হন-থুগায়দুনা মপাবু থাদোকখিবী চীঙখোঙ থোংগ্রাইবগী মচানুপী খয়োঙ্গৈরোনসিনা ফান্তেক ঐগী মোংবা ঈশাইগোন্দা লৈবসি কাংখদা লিন চঙবা-লৈবগুম্বনি। মরম অসিনা মহাকপু থমদবা তাই, হায়বা ৱাখন অসিনা নোংবান ফান্তেক শোক্লাইবগী পুক্নীঙদা লাউদুনা লৈরম্মী।

নোংবান ফান্তেক শোক্লাইবনা মহাক্কী তাল্লোই খয়োঙ্গৈরোন হাওরৈমা শাফাবীগী মফমদা থল্লিবা মলোম, পুক্নীঙদা পুরিবা ৱারুম লাইমন অমসুং থরুমগী নুংঙাইতবা অসিগী থবক থুনমক পায়খৎকে লেপ্লম্মী। মরম অসিনা হোঙনেম কুম্মৈ পাংথোকপা হৌবা নুমিৎ অদুগী মথংগী নুমিৎ অদুগী অহিংদুগী অথেংবা মতমদা মহাক্লা ফমুংদগী হৌগত্তুনা ঈশি শিনা তুল্লিবী মহাক্কী তাল্লোই খয়োঙ্গৈরোন হাওরৈমা শাফাবগী ফমুংদা চঙলক্লগা নুপীদুবু থাঙনা মথবাক্তা থিল্লম্মী। অদুগা মমায়দা মোন্না নমশিন্দুনা নুংশা হোনবা ঙমদনবা ঙাইহাক থল্লে। মহাক্লা অদুন্না তৌবদুদা খয়োঙ্গৈরোন হাওরৈমদি নুংশা হোনবা ঙমদদুনা অমন-খমলৈ কুমখ্রে। খয়োঙ্গৈরোন হাওরৈমা শাফাবী শিরে হায়বা খঙলবদুদা নোংবান ফান্তেক শোক্লাইবনা ঈমুংদগী মপান্দা থোক্লদুনা মী লৈব্রা হায়না য়েংলম্মী। অদুগা খয়োঙ্গৈরোন হাওরৈমগী অশিবা হকচাংদু পুদুনা মহাক্কী ময়ুম-ঈংথোনগী মপান্দা থোক্লক্লম্মী। অশিবা হকচাংদু হাওয়েন য়াঙ্গৈাই-ঈ (য়াঙ্গৈাই তুরেন) দা থাদদুনা তুরেন ঈচেন্দা অশিবা হকচাংদু তাউথহনখিরম্মী। অসুন্না ঙাইহাক তোবর্বান্দুদা লেপ্তুনা মহাক্লা হাৎনীঙলিবা চীঙখোঙ থোংগ্রাইবগী মথক্তা লমন খুম্বা, খুমন নিংথৌসিগী মচানুপী মহাক্কী মায়য়োক্তা অমসুং মহাক্কী অনীঙবা অপাম্বগী ওন্ন-তৈনবা থবক তৌবী, মহাক্কী তাল্লোই ওইরগা মশাবী মপুরোইবগী মায়য়োক্তা লেপ্পী মহাকপু হাত্তুনা লমন খুম্বগী থবক পাংথোকপসিগী নুংঙাইজরম্মী। মতৌ অসুম তৌনা খয়োঙ্গৈরোন হাওরৈমা শাফাবী মপা-মমানা থাজবীবা মপুরোইবগী মখুত্তা পুন্সি পীখন্নখিরম্মী।

ৱাখোম-ৱারোয়

খয়োঈরোন হাওরৈমা শাফাবী নত্রগা লীক্লাবী খুমন নিংথৌ নোংয়াঈ চীঙখোঙ থোংগ্রাইবগী মমোম লাংলেনহন্নি। মহাক্কী মপ্পা নোংয়াঈ শিয়ারোঙনা মপন পন্থৌগী মতুংদা খুমন নিংথৌ ওইখি। খয়োঈরোন ফান্তেকলৈমসিবু মপুরোইবা ফান্তেক নিংথৌ শোক্লাইবনা মপন পন্থৌ নিংথৌ চীঙখোঙ থোংগ্রাইবগী শাশীঙ চামা লানশী চামা শুবগী লাল্লূ চোম্মায় পান্নবগী অরোনবা শরৌ শীন্দুনা লাল্লূ কক্লবা হোৎনবদা খয়োঈরোনসিনা মপাগী থৱাই কল্লুবগীদমক মপুরোইবসিনা ময়ুম্মক্তদা হাৎপীখিরম্মী। খুমন-নোংয়াঈ নিংথৌ চীঙখোঙ থোংগ্রাইবনা মহাক মশাবু হাৎকে তৌখিবা, মদু ঙমহৌদ্রগী মঙোন্দা অরোনবা শরৌসি তাকথোক্তুনা মপাগী থৱাই কনবগীদমক্তা মমোম লাংলেনবু হাৎখিবগীদমক্তা ফান্তেক শোক্লাইবগী মফমদা লমন খুম্নবা থৌরাং তৌখিরম্মী। খুমন নিংথৌ চীঙখোঙ থোংগ্রাইবনা কেগে মোইরাং নিংথৌ উরা খুন্দাবা/ঙাংঙোইদগী শা-লানগী মতেং লৌরগা নোংবান ফান্তেক শোক্লাইবগী মথক্তা খুরোই হাওরা লমলাংতোংদা লান্দাখিরম্মী। কেগে মোইরাং অমসুং নোংয়াঈ খুমনগী অপুনবা লাম্মীনা ফান্তেক লাম্মীবু তুম্না হাত্তুনা খুরোই হাওবা লমলাংতোং লৌখিরম্মী। ফান্তেক শোক্লাইবা মরোই-মরান তাক্তুনা লমলাংতোং থাদোক্তুনা চেল্লগা মতম খর হিংলম্মী, অদুবু ঙাংঙোই লমদমদা লোত্তুনা হিংলম্বনি।

অসুম্না খয়োঈরোন তাউথোং কায়ব চনু হাওরৈমা শাফাবী নত্রগা খুমন নোংয়াঈ চনু লীক্লাবীগী মহাকথক্তা অমসুং মশুঙলাংগী নোংবান ফান্তেক লৈপাক কায়খি। অদুবু নুরা মানা খোয়দাজবা মাঙ্গদি তৌদ্রি তারী খোংহৈবা চকপা মহালেংবা মশাবীনি। মনেম মচা মহাক্কী কায়ন-মৈচাক ফুমদুনা পুন্সি লেল্লকপনা নোংবান ফান্তেক লৈমা ওইনা ফান্তেক শোক্লাইবদা ওঙদুনা মতম ফনা শাংনা পাল্লবদসু চাদা-নাউদারমদে। অসুম্না খয়োঈরোন হাওরৈমা শাফাবীগী পুন্সিগী পোলোয়সি মফম-মরাং খঙদনা থম্বীরম্মী। অদুবু মতমদুগী থৌদোক্কী পনগোয়নুংদা শেমগৎ-শাগৎচদুনা থমজবনি।

ঈচুম লাইরেম্মা
(লৈমা য়াংদৌ তাউবী)
ৱাহৌ-শৈহৌ

"লৈমখোং" হায়বা মমিং/মিংফম নত্রগা মিংথোন/মিংথোং নত্রগা মিংহুন অসিনা মৈতৈলোনগী ৱাহৈ-ৱাতাগী/ৱাঙাং-শাঙাংগী নত্রগা ময়েক্কী অতাবী, হায়বদি, লাইরিক-লাইশূগী ওইনা খঙনরিবদি, "লৈম- [ৱাহন্দোক্তা, "নিংথৌগী তাল্লোই", মৌ ওইরবী নুপী নত্রগা ঈকাই খুম্নফম/খুম্ননীঙাই ওইরবী ওয়গী লমদাং ওইবী অমা] গী খোং [ৱাহন্দোক্তা, মহৌশাগী (লাই খুৎশেমগী) নত্রগা খুৎশেমগী (মীগী মখুৎশেমগী) ঈরম, ঈচেন নাইবা তুখুন নত্রগা তুরেন মচা অমা] হায়বনি। অদুগা মৈতৈগী/খ্বাইগী চৎনবীগী পরীংদা খঙনরিবনা, ইম্ফাল কংলৈ/সহরগী অৱাংলোমদা ইম্ফাল কংলৈপুঙগী মথম্মোইদগী কি: মি: ১৬ (তরাতরুক) লাপ্পা লৈবা মফম/লম অমা অমসুং লমসি ফাওদুনা চেনবা ইম্ফাল সহরসিগী অৱাংলোমদা লৈবা কৌব্রু চীঙজাওগী চীঙশাং-চীঙ্গোনগী লমখৈ-লমকন মনুংদা চনবা কৌবা হিংলেন নত্রগা ঈংঙেনচীঙ [নত্রগা অৱাং ঈঙৌরোক চীঙশাংগী অৱাং-নোংপোক্লোমদা শন্দোক্লিবা চীঙশা অমা] দগী হৌরক্লগা/থোক্লক্লগা ফৈদিংগা [ইম্ফালদগী অৱাংলোমদা কি: মি: ১০ লাপ্পা মফম] ফাওরগা ইম্ফাল তুরেন্দা ঈতীনখিবা ঈরম/খোংলম অমা নত্রগা লৈমখোং হায়না মিংথোল্লিবা খোং অসিগী মপান্দা নত্রগা খোংবান্দা [তোবর্বান নকপা লমশিং] দা লৈবা, তাবা নত্রগা খুন্দা-লৈতোবা খুন/খুঙ্গং নত্রগা মফম/লম অমা" - হায়বসিনি।

মৈতৈলোনগী ৱাহৈ "খোং" হায়বসিনা ঈচেন নাইবা/লৈবা ঈশিংগী ঈরম, তুখুন তুরম নত্রগা খোংলম [মহৌশাগী/মীখুৎশেমগী] নত্রগা ঈরমগী লম-মমিং নত্রগা লম্মিংসিগী লম/মফম নত্রগা খুন/খুঙ্গংসি ফাওদুনা চেল্লিবা ঈরম-তুরম/তুখুন- খোংলম নত্রগা তুরেন মচা অসিগী মরীন/মরম অসিগী খোংবান্দা [মপান/তোবর্বানগী] নাকল য়েৎ-ওয়দা নত্রগা অনিদগী অমদা লৈরু-তারুবদগী খুন/খুঙ্গংসি মমিংসি থোনখিবনি নত্রগা পীখিবনি। অদুবু হায়রিবা মমিং অসি করম্বা মতমদগী লৈরবগে, কনানা, করিগী, করিদগী,

করম্না থোনখ্রিবনো, হায়বসিগী লাই-তীনগী নত্রগা লাইওই-তীনওইবগী ৱারী-শীঙবুন [Myth, or Legend] নত্রগা ৱাফম নত্তবা পাৱারী-পুৱারী পনগোয় [Historical Sphere] গী ওইবা ৱারম/ৱারী নত্রগা ৱারোল ফংঙমনা লৈরি। মীগী থবক্লা মীনা তৌগদবনি, লাইগী থবক্লা লাইনা তৌগদবনি, লাইনা তৌববু মীনা খঙবা ঙম্বা হৌনদে, "লৈমখোং" থোনবসি মীগী থবক্নি। অদুগা থায়নদগী হায়নরকপা নত্রগা চৎনরকপা হায়বসি করিগুম্বা থৌদোক /ৱাথোক নত্রগা থৌরম/ৱারম অমদগী/খরদগী ওইরকখিবনি, করিগুম্বা অমা থৌদোক নত্রগা থবক অমা থোক্লক- ওইরক্লবগী, মদুগী মরমদা মরম [Cause] অমা লৈরবনি নত্রগা করিগুম্বা অমা লোৎলিবনি। অদুবু লৈমখোংসিগী ওইনদি হায়রিবা মরম নত্রগা থবক্তু ফোংনা উত্রি/উহন্দ্রি।

লৈমখোং হায়বা মমিংসিদা

"লৈমখোং" হায়বা মমিংসিদা লৈরিবা তুরেন-মচা অমসুং হৌজিক্কী খুঙ্গং খুনফম ওইরিবা মফম/লম অসি থায়নঙৈগী পোইরৈ মৈত্রবাক্কী নুংবান/লুৱাং মী-কাংলুপকী মনীঙ-মখা তম্বা অমসুং মশা মতোমতনা লৈঙাক- ৱায়েন -থৌদা তৌজবা অপীকপা নিংথৌ পানবা লৈপাক মচা [The Luwang Princedom/Principality] গী লমখৈ-লমকনগী মনুংদা চল্লি, মমাঙঙৈগী মতম অমসুং মমাঙগী ঙরাং-নহানগী মতম [Medieval and Premodern periods] দনা মৈতৈ লৈপাক মণিপুরগী অহল্লুপ পানা [Ahallup Pana, the rural administrative division of elder/senior rank/status or the north-western quarter of the Manipur/Imphal Valley] গী লমখৈ-লমকন মনুংদা লৈ। অদুগা হৌজিক্কী মতমগী মণিপুর ষ্টেটকী ওইনা মৈত্রবাক্কী লৈঙাক্লোনগী লৈয়াত্তা সেনাপতি ডিষ্ট্রিক্টকী সদর হিলস ডিভিজনগী কাংপোকপী সব ডিভিজনগী রিভেন্যু এডমিনিষ্ট্রেটিব য়ুনিটকী মনুংদা থল্লি।

লৈমখোংগী কেকু লোৎপী - লৈমখোং হায়রিবা মমিং অসি করিগীদমক্তা থোনখ্রিবনো, হায়বা ৱাহংসিগী পাউখুমদু কেকু লোত্তুনা লৈরি।

লোৎলিবা কেকুদু অফোংবনা ফোংঙি, অথিবনা থিরি। হায়রিবা তুরেনসিদা অমসুং মফমসিদা লমমিং অমসুং তুরেন মমিংসি থোনবা অমসুং/নত্রগা কৌবসিগী লমদাংদা লাই-তীনগী নত্রগা লাইওই-তীনওইবগী ৱারী-ৱাখুন্না শৌগত্তুনা লৈ। মদুশিংদু মৈতৈগী অরিবা লোনগী পরীং মান্না শাগত্তুনা লৈ অমসুং ৱারী শীঙবুনশিংগী ৱারোনশিংদুদি :-

(১) লমমিৎলোন্দগী

লৈমখোং কৌবদি লাইরুরা তরেৎমনা মপাইবুংঙো তাওরোইনাইবু থিরকপদা লৈরমমে। অদুগীবু লৈমখোং কৌয়ে (ম: গৌ:, ২০০৪, ৩০৮)।

(২) লাইবা নহা উঙাম থাবনা লাইজ ঈচেন মতুং ইন্না উঙাম চিংলকপদা য়োইবু লৈমা খয়োইনিংবীনা ইনফুই মাইরং সোন, হঙ্গেন তাইখাং লাক, পৌরা মাইরুপ চন, লাইজ ইপুক কাপ, তিললাং হাইশিৎননা লেমলৈ ঙাচোপ থেমলম্মী। ঈশিংনা উঙাম চিংলকপগী লাইজ ইথিন ইপোম হৌবনা লেমলৈ ঙাতাবা য়াদ্রে হায়না লাইবা নহা উঙাম থাববু অথিবা য়াৱা কোলোইনা চৈরম্মী। লাইবা নহা উঙাম থাবনা অথিবা কোলোই তাবদা পায়মা তকলৌ শিদং শোননা য়োইবু খয়োইনিংবীগী মখুদাং পায়দুনা চিংবদা য়োইবু লৈমা খয়োইনিংবীনা খোংনা লাউনা কপলম্মী হায়বগী মফম অদু লৈমখোং কৌনখি (মথক্কীসিদা, ৩০৮-৩০৯)।

অসিশিংসিনি। ৱাফম অনিসি নত্তবা অতৈ ৱারোন্দি থোইনা লৈত্রে। অদুগা হায়রিবা ৱাফমশিংসি কদায় ফাওবা চুন্নবগে, করম্বা মতমগী ৱারোলশিংনো হায়বনচিংবগী লমদাংশিংদা সাইন্টিফিক ওইবা মিৎয়েং [Scientific view] থমদুনা জষ্টিফিকেসন [Justification] তৌবগী তঙাইফদবা লৈ।

মিৎয়েং থম্বগী নৈনরোন্দা - মৈতৈ লাইরিক, "লম্মিৎলোন" কৌবা মৈতৈ ময়েক্লা ইবীরম্বদগী বেঙ্গোলী ময়েক্তা শীন্দোক্তুনা ফোংলকপা লাইরিক্তগী লৌথোক্তুনা মথক্তা থমজখিবা ৱারোল অনিসি মৈতৈলোনগী য়াওল, খোঙজেন অমসুং অওন-অহোংবগী মশক, মচৎ, মতৌনচিংবগী মিৎয়েংদা থম্লকপদা, ৱারোন অনিমকসি মৈতৈলোনগী/মণিপুরীগী খ্বাইদগী হেন্না থেংলবা মতমগী অমসুং হৌজিক হৌজিকমক ঙাংন-শক্লরিবা লোন অসিগী লোন্দা-পুদা, মচৎ-মতৌ, মশক-মশা, থাক অমসুং ফিবমদা লৈ। লৌখৎলিবা/পীরিবা

হিরম-ৱারম (Topic or Field) শিং অসিনা অরিবা মতমগী/মখলগী ৱারী শীঙবুনগী মওং-মতৌ, মচত্তা অমসুং মশক্তা পানশিন্দুনা পীরগসু নত্রগা ৱারী লীরগসু মসিশিংসিদা শীজিন্নরিবা লোন্দা-পুদা, ৱাহৈ-ৱাতা অমসুং/নত্রগা ৱাঙাং-শাঙাংশিংসি মৈতৈগী অরিবা লাইরিকশিং (পুরাণ/পুয়াশিং) গী ৱারেং, শৈরেং অমসুং ৱারেং- শৈরেং (Prose-poem) শিংদা খক শীজিন্নদে, মখোয়সি অরিবসু নত্তবা অনৌবসু ওইদবা, মরক্তা লৈবা লোনশেমগী মশক্লি। ৱারোলশিংসি থম্বীরম্লিবা অইবা (শিং) দুনা অরিবা সাহিত্যগী নত্রগা মতমগী লোন্দা-পুদা খর অমসুং মমিং-মথাশিং - লাইরুরা (লাইনুরা হায়বনা য়াম্মী), তাউরোইনাই, উঙাম থাবা, খয়োইনিংবী, অসিনচিংবা অমদি অরিবা লোনগী ফ্রেজ (Phrase) অমসুং ক্লোজ (Clause) শিং খর-ইনফুই ("ইনফু" হায়গদবনি, খৃ: ১৯৫০ রোমগী মতমগী লোন্দানি) মাইরং সোন, ... লেমলৈ ঙাচোপ থেম্লম্মী (থেমলমএ, হায়গদবনি), অসিনচিংবা পুদুনা শীজিন্নরবসু, "হুরানবা নকোক্তা নাপী পক্লে", হায়বদদা হুরানবদুনা মকোক্তা নাপী মাবগুম নত্রগা নানবগুম অইব (শিং) দুগী অনৌবা মতমগী লোন্দা-পুদাদু হেক্তা চোংথোকচরক্কুনা, "হায়বগী মফম অদু লৈমখোং কৌনখি" হায়রক্লিবসিনি।

ৱারোলশিংসিগী কেকু লোৎপী শান্নবগী অমসুং কেকু ফোংবগী ৱারেপ অমনিদং মথক্তা থমজরিবসিনা মরম ওইরগা পীবীরম্লিবা মৈতৈ লাইরিক্কী ৱারোলশিংসিগী মচৎ-মতৌ, মশক-মশা, অসিনচিংবনা হৌজিক্কী মিৎয়েংদা পুরক্লিবদি - ৱারোলশিং অসি মৈত্রবাক মণিপুরদা লাইরিক লাইশূগী লাইরিক শূব (ইবা, পাবা, নৈনবা, খন্নবা অমসুং তানব) গী পরীং অমসুং পরমদা চৎনরম্বা, ৱায়েন-ৱাখুন ওইনা লৈরবা অইবা নত্রগা নৌনা ইরকপা লাইরিক (শিং) পুম্নমক মৈতৈ সনা কোনুংদা থাগৎলগা পণ্ডিত/য়োঙ্গৈরেন লোইশঙ/শঙলেন্দা লৈরিবা য়োঙ্গৈরেন/পণ্ডিতশিংনা পারগা, করিগুম্বদা মৈদিংঙু ফাওবা পাদুনা তাবীরগা লাইরিক (শিং) তুগী অচুম-অরান য়েংশিনবা অমসুং চুমদবা-ওইদবা অমসুং অরানবা ৱাফম/ৱারোল য়াওরগা নত্রগা ওইরগা চৎনহন্দবা, অইবা মশাদুনা লাইরিক্তু মাঙহঞ্জবগী মচৎ-মনাৎ নত্রগা ৱায়েল-ৱাখুল লৈরম্বা [চৈথা: কুম:, ২০০৫, ৩৮৫, ৩৯০,৪৩৯,etc] নিয়ম/নীতি অদু লৈত্রবা মতমদা মশম-মমিং লোৎপা নত্রগা তাক্তবা মীওই (শিং) খরনা খৃ: ১৯০০ দগী ১৯৪৮

নত্রগা মসিগী মতুংদা ইশিন-খোৎচিন্দুনা থেৎচিন-হাপচিনবা অমসুং তোপশিন-তপশিনবনি, হায়জনীঙঙি। অদুগা লাই-তীনগী, লাইওই-তীনওইবগী ৱারী-শীঙবুনশিং, খুনুং ৱারী, ফুঙ্গা ৱারী, চাকঙাই-ৱারীনচিংবসি খুন্নাইগী হরাউ-তয়ামগী, কুম্মৈ ফিয়োংগী, লাইরাৎ-থেল্লাৎকী, লাইনীঙ, থৌরমগী অমসুং অৱাবা পোত্থোকপা, নুংঙাইনা মতম লেন্থোকপা, অসিনচিংবগী লীনা-তানবা ৱারম-ৱারীশিং ওইনা থমসি, মতম তাংকক পীদনা, মীওইবগী পুন্সিদা পানশিনবা য়াদবা অমসুং সমাজগী উরিবা ঙসিগী শক্তম, ঙরাংগী শকফম, ঙরাং-নহানগী নত্রগা হৌজিক্কী ফিবম য়েংলগা-উরগা পুথোক্লকপা ৱাশেম-ৱারী (শিং) অমদি নৌনা শেমগৎ, ৱাফমশিং অমদি শাগৎ' ৱারম-ৱাফমশিংগী ৱারীশিংদি মশাগী মহৌশাগী অতাবী লৈত্রিবা মখৈদি পুৱারী-পুৱারীগী পরীং-পরম (Historical trend) দা পুশিন্দবনা ঐখোয়গী শাফম ওইগনি।

ৱাহৈ অমনিদংগী শৌ কায়বা - মথক্কী লাইরিক্তগী লৌথোক্লকপা ৱারোন অনিসিগী অহানবা ৱারোন্দা "তাউরোইনাই" হায়বসি, মখোয়সিগী য়েক্তুনা পীরল্লিবা লাইয়েক ময়েকশিংদা লৈরিবা মওং-মতৌ, ফিবম-শক্তম, শাওং-শাবান্নচিংবগী মতুং ইন্না মসি/মখোয়সি, চীঙলাই-লাইরেন [Dragonish python] নত্রগা লাইরেন-চীঙলাই [Pythonic dragon] ওইনা খ্বাইনা য়াননা অমসুং চৎননা লৌনৈ/খন্নৈ। মসিবু লাই ওইবগী মচৎ মনাত্তা "লাইয়িংথৌ পাখংবগী শাদোং (Animal vehicle) নি, তাউরোইনাই লৈরবদি পাখংবা লৈ, পাখংবা লৈরবদি তাউরোইনাইসু লৈ", হায়না লৌনৈ। তাউরোইনাইসিবু মৈতৈনা তাঙজা লিন নত্রগা লিল্লাথী (Snake or serpent) ওইনা নত্রগা তুবী লাইরেন (Python/boa) ওইনা নত্রগা চীঙলাই (Dragon) ওইনা খক পীরমদে অমসুং তাউরোইনাই ওইরবদি মহৌশা লাইরেম্বীগী মতম্পাক্তা লৈরিবা/ফংলিবা তুবী লাইরেন (Natural animal python) গী ফম্বাক্কী, হায়বদি ৱাখলগী পরীং-পরম (Trend or thought and thinking or imaginery aspiration) গী লোইবী চীঙলাই (Miraculous animal dragon)গী শাওং-শাদাগী শাবান, শাথুপ-শাথেক, মচৎ-মনাৎনচিংবগী মহী-ময়াই, শক্তা-নাতাগী শা মখল অনিসিগী পুনশিন- য়ানশিন্নবা নত্রগা তীনশিন-তোৎশিন্নরগা থোকপা ফিবম শাথেক-তাংথেক, পাফন-শাফন, মচৎ-মনাৎনচিংবগী শক্তমদা/শকফমদা পীবীরম্মী। মসিগী ৱাহৈশিংগী ওইনা য়েকপীরম্বা মশক অমদি :-

... তুরেল অদু তৌবদা লাইরেন অঙৌবা মচী পানবা অমা কোনুংদা চঙখিএ [মথক্কীসিদা, ৬৯]।

অসিনি। তাউরোইনাইগী মশা/হকচাং (Body) অমসুং মকোক অদু তুবী লাইরেনগী ওইগনি অদুবু মচী পান্দবা লাইরেন্দু মচী চীরেন (Horn) অমসুং লাংয়েন (Corn) পানগনি, করিগুম্বদনা মশোঙ (Mane) পানগনি, মদু লুতুংদগী ময়াঙলেন (Backbone) গী পরেংদু থুংনা পাল্লি, মমিৎনা শেন্দ্রাং (Sparrow) গী নত্রগা অতোপ্পা শা/উচেক নত্রগা মীগী মমিৎ পাল্লি, অদুগা মচীন্দা হুইয়াগী য়াতাগী ময়াশিংনা মচীনবান্দগী হেন্দোক্লা থিন্দোক্তুনা লৈগনি অমদি হায়রিবা পুন্নমকসিনা চীঙলাইগী ওইবা হকচাং কয়াৎশিংনি। অদুগা হায়রিবা শকফম অদুদা অমুক তাঙজা লিনশিংনা মরৈ তম্বগী মতৌ উত্তুনা করিগুম্বা খরদা মরৈ তম্বা নত্রগা থিন্দোক্তুনা থম্বগী মনাৎসু তাউরোইনাইগী শক্তমদা উহল্লি।

তাউরোইনাই হায়বসি মালেম তাইবংপানবগী থৱাই পানবশিংগী মরক্তা য়াওদ-লৈতবা, মৈতৈগী লাইনীঙলোন অমসুং লৈশেম-নোংশেমলোনগী তীল্লিরেন, লাইয়িরেন, খারিরেন, লিনদাউরেন অমসুং তাউরোইনাই হায়দুনা তাইবং মাল্লংপান— নোংলোন মাপন/তরেৎ, লৈরোন তরেৎ অমসুং লৈখারোন তরেৎ/মাপনদা লৈতবা, মৈতৈগী লাই-ৱারী- শীঙবুনশিংদা ৱাখন্দগী থোকপা পোখোক্তা থৱাই পানবগী মশক ওইনা পুথোকপা, লোইনা-তীনবগী মশক্লা ওইরকপা শা, পাখংববু য়োকখৎ-শৌগৎপগী পাম্বৈ অমনি। মরম অসিনা পাখংবনা মোইরাংদগী খুনগারকপদা তাউরোইনাইগী চীরেন-লাংয়েনথক্তা তোংদুনা খুনগারকখি হায়রিবনি। অদু সাইন্টিফিক ওইনা য়েংলবদি পাখংববু শৌগৎলিবা অঙোম মী- কাংলুপকী লুচিংবা খুৎকন-পাঙ্গল্লবা পুরৈরোম্বা (অঙৌবা কৌই) ওইরম্বনি।

"লাইরুরা/লাইনুরা তরেৎ" হায়বসিনা মালেম লৈশেম-লৈশানবা গুরু শিদবা (Almighty Preceptor) গী অনীঙবা মতুং ইন্না লৈমরেন শিদবী লৈশীরেন-লৈপুনবীনা পুথোকখিবা, মালেমগী লৈশীবা, লৈথোনবা, লৈনেৎপা অসিনচিংবা তৌখিবী, "লাইবুঙথৌ/লাইবঙথৌ (লাইঈবুংধৌ নত্রগা লাই ঈবুধৌ?) মাপন, লাইনুরা তরেৎ" হায়বদুদগী পূরগা তম্ফা ৱাংঙমলোন পাম্হোইবী অমসুং মহাক্কী মচীন-মনাউ/মতা তরুক, মখোয় তরেৎসিনা পুল্লগা

ওইবা [ম: চ: স:, ১৯৯৯, ৩৩,৩৮] লাইরুরা তরেৎ অদুনি [মথক্কীসিদা, ৪-৫, ১১]। মরম অদুনা লৈমখোং থোল্লকপগী ৱাখোঙ-ৱারীনি হায়দুনা পীরল্লিবা ৱারোনসি চন্নফম খঙদবা ৱারম নত্রগা ৱাফম ওইনা অদুম লৈজনবা থাদোক্কুনা থমজরল্লে।

মথক্কী, লাইরিক্তগী লৌথোক্কুনা উৎচবগী অনিশুবা ৱারোল নত্রগা ৱারীদা য়াওরিবা "য়োইবু (য়োঙ্গবু/য়োয়বু, ওইগদবনি)" হায়রিবা ৱাহৈ, "খয়োইনিংবী (খয়োঙ্গনীঙবী)" নত্রগা "লৈমা" হায়রিবা মিং খঙনবা অনিসিগী মরক্তগী অমবু মতীক-মঙম, ময়াই ফোংদোকপা ৱাহৈ (এডজেক্টিব/Adjective) ওইনা শীজিন্নরিবা (য়োঙ্গবুসি নাউন/ Noun নি) অসি ৱারী/ৱাফম মতেকসিদা উৎলিবী ঈচম চম্বা মীচম্ ওইবী নুপী (কেরেক্তর) অমদা শীজিন্নগদবা ৱাহৈ নত্তে, মসিদি লাই নুপী লাইরৈমশিং/লাইরেম্মশিং/লাইরেনবীশিং (লাইরেন্বীশিং) নত্রগা লাইনুরাশিং (লাইরুরাশিং) নত্রগা লাইগী মতীক-ময়াই, মঙম-মঙালনচিংবা ফংলবীশিং নত্রগা লাইনা থৌজাল লনকুবীদুনা লাইগী মহী-ময়াইনা মশাগী মতীক মঙাল হাপ্লবী-লৈরবীশিং অমসুং/নত্রগা নিংথৌগী (য়েক্কী/কাংলুপকী নিংথৌশিং, মরু ওইনা মৈতৈ নিংথৌগী) মফম ফমথোন [লৈমরেন/মহারানী, অপানবী অহন (Senior Superior queen) দগী অপানবী নহা (Junior Superior queen) ফাওবগী মনুংদা লৈবী অপানবী (শিং), দগী লৈমখুবী অহন (Senior Inferior queen) দগী লৈমখুবী নহা (Junior Inferior queen) ফাওবগী মনুংদা লৈবী লৈমখুবী (শিং)], মফম নাইবী নত্রগা কাবীশংবু (তাল্লোইশিংবু) খঙনবদা শীজিন্নে, অদুগা মফম ফমথোন নাইদবী/কাদবী, লৈতবী নিংথৌগী লৈমা/তাল্লোইশিংবু "য়োঙ্গহৈ" হায়না কৌনৈ, খঙনৈ অমসুং শীজিন্নে। অসিগুম্বা ৱাহৈশিংসিগী শীজিন্নফম, খুৎশীজিন্না অসিনচিংবগী ৱায়েন লৈজরিবশিংসি থুগায়দুনা/য়েংদনা মৈতৈগী ইনসিগ্নিয়া (Insignia, badges or marks of office, etc.) ওইবা পোৎ/ৱাহৈবু লল্লক্তা মতোমতা ইন চিংদুনা ঙা ফারম্বী কনানো, করিনো মশক খঙদবী নত্রগা তাক্তবী, অতৈ ৱারী-শীঙবুন ফুঙ্গাৱারীনচিংবদা ফাওবা মশক-মমিং লৈতবী নুপী অম (লৈমা খয়োইনিংবী) দা য়োঙ্গবু মিংথোন পীবসি মফম মরাং খঙনা তৌবা লাইবক থীবগী

থৌদৌনি। মরম অসিনা "লৈমখোং" লমমিং নত্রগা খোং/তুরেন মমিং থোল্লকপগী অনিশুবা ৱারী-শীঙবুন নত্রগা ৱাখোঙ-ৱারমসি ফেক্ত (Fact) নত্তে, ফিক্সন (Fiction) নি, ফন্টাসি (Fantasy) নি, হায়না ৱাফমসিমসু থাদোকচরল্লে।

ৱায়েন - মৈতৈগী লাইরিক, 'লম্মিৎলোন' দা পীরম্বদগী শত্তোক-লৌথোক্তুনা মথক্তা উৎচরিবা ৱারোল অনি অসিদা পীবীরল্লিবা "লৈমখোং" মিংথোনবগী থম্বীরল্লিবা মরমশিং (Causes) অমসুং পরম-কাঙখুল্লম (Reason) শিংসি মরম চাবা, পরম চুম্বা অমসুং কাঙখুন-কাঙলম চুনবা ওইদে অমদি খন্ন -নৈনবদা পক্ল-ৱাইনদবগুম তৌই নত্রগা চুন-চানদে। অদুগা ৱারী-শীঙবুন অনিসিদা পীরিবা ৱাহৈ-পরীংশিংসি মমাঙশিংদগী অপূবা (Borrowed/loan) য়াওরগসু অতৈ মৈতৈগী অরিবা সাহিত্যগী লাইরিকশিংদা লৈরিবশিংগা মচৎ-মতৌ, ৱাখুন-পোমিৎ, লৈতেং-লৈথেৎনচিংবদা মান্নদে, অনৌবা মতমগী লোনশেম-ৱাশেম্নি হায়বদু মশানা হেক্তমক তাকচবশিংনি অমসুং ৱাহৈশিংগী পরেং লেঙশিন্নবা, ৱাহৈ পরেং শেম-শাবগী মওং-মতৌ, পরীং-পরম, মচৎ-শাজৎনচিংবদসু অশোয়বা য়াম্না উই। মখোয়সি নত্রগা মখোয়না পীরিবা/পুথোক্লিবা ৱারী- শীঙবুন নত্রগা ৱারী -ৱাখোঙশিং মৈতৈ-লাইনীঙ মনাৎকী নাৎকী লীক্লম-লীকখুন্দা অমসুং কাংলুপকী মচৎ-মনাৎকী পরম-তুরমগী পরীংদা অকায়বশিং লৈ নত্রগা য়েক্ল-মৌনবগী ৱাখল অমসুং ৱাখল্লোন পুই। মখোয়সি মৈতৈগী/মণিপুরীশিংগী অরিবা লোনগী সাহিত্যবু মশক খঙদবা মীওই (শিং) খরনা হেক্তা ইশিল্লম্বগী মচৎ মতৌগী কাইদা/নমুনানি। মরমশিং অসি লৈবনা মরমশিংসিদা য়ুম্ফম ওইরগা মথক্কী লাইরিক্তগী লৌথোক্লবা ৱারোলশিংগী ৱারম/ৱাফমশিংসি অইবশিংদুগী মশা-মশাগী ওইনা অদুম লৈজনবা থমজরল্লে।

পোরম-পোমিৎ কাঙ্বা (Insinuation)

"লৈমখোং" হায়বা মফম/লম/খুঙ্গং/লমদম অমসুং ঈরম -খোংলম/তুখুন-তুরম নত্রগা তুরেন মচা অনিসিগী মরম-ৱারম নত্রগা মৱা-মপাউসি মৈতৈগী লাইরিক-লাইশূগী ওইবা ৱারী-শীঙবুনশিং নত্রগা

ফুঙ্গাৱারী, খুনুং পূৱারীনচিংবগী লীকলম-লীখুনশিং অমসুং মণিপুরী কাংলুপকী মচৎ-মনাৎকী পরম পরীংগী লাকোয়-মকোয় (Sphere/Circle of Cultural Heritage) গী মনুংদা ময়েক শেংবা মমি উৎনবা মচু শঙনা উহন্দে, উরূম-ৱারূম লৈবা ওইনা নাথে-নাকোয়ননা থম্বা উজে। অদুবু মমিংসিনা কোল্লিবা অমসুং কল্লিবা লম/লমদম নত্রগা খুঙ্গং/মফম অমসুং ঈরম-খোংলম/তুরম-তুরেন অদুদি থায়নঙৈদগী হৌজিক ফাওবদা লৈরি অমসুং তুখুন-খোংলমগী ঈরম-ঈচেল খক্তনা, তুখুন-খোঙ্গুন মুত্তনা লৈরি। অদুগা তুরেন মচাসিগী য়েৎ থংবা (নোংচুপ থংবা) তোবর্বান-খোংবান্দা ঈচুম লাইরেম্মা [য়োঈরুমলোন/লুৱাং চনু/নুংবান নিংঙোন লৈমা য়াংতাউ অতাওবী (য়াংদৌ তাউবী), লুৱাং পুতাংখোয় খুৎয়োনবা (নুংবান পুদাংকোই খুৎকোইবা, হোঙনেম লুৱাং নিংথৌ পুন্সিবগী ময়াম্বা অহন) চনু নত্রগা মমোম/মচানুপী] গী লাইবুঙ-লাইকোন লীংদুনা লাইফম/লাইখুবম য়ারি। অদুগা "লৈমখোং" হায়রিবা খোং/খোংলম নত্রগা ঈরম/তুরেন মচা অসিনা ফাওদুনা চেল্লক্লিবা লৈমখোং কৌবা খুন/খুঙ্গং নত্রগা লম/মফম অসিগা মসিগী হেক খা থংবদা তাইননা লৈরিবা খোয়রেন খুন নত্রগা খোয়রী খুন [অঙাং নৱা অমগী তাইবং মাল্লংপান্দা ফাওরকপগী নৱা খোয়রী খোয়রেনখি-ককখিবা মফম/খুন (The place or village where the navel-cord of a newly born child was cut)], লোম্থে তারক্লগা খুরখুল/খুর্খুলগা লৈমখোং তুরেনসিগা অমদি লৈমখোং হায়বা মমিংসিগা থায়নঙৈদগী হৌনা তৎন-থানবা য়াদ্রবা মরী লৈনরকপগী খুদম-চাংদম কয়ামরুম লৈবা উজে।

"খোয়রীখুল/খুরখুল" হায়বা খুঙ্গংসি, মণিপুর ইতিহাসকী ময়ায় চনবা মতমগী তাংকক্কী খৃ: ১৭০০ কী অদুৱাইদা মতমদুগী কবো লৈকায় [হৌজিক্কী দিয়ুলালেঙ (Dewlaland) মনুংগী কবো লৈকায়, দিয়ুলালেঙ, ৱার সিমিত্রী, ডি: এম কোলেজনচিংবনা কল্লিবা লমকনশিং] দা খুন্দা লৈতারম্বা কবো [Shans from the then Shan states in the Upper/Northern Burma/Myanmar] শিংবু খুনহোংহন্দুনা খুন্দাহনখিবনি। হায়রিবা খুনসিগী খুঞ্জাশিংসি কবো/শান [The Shans were the Tai-s who were the introducers, initiators and skill workers in mulberry sere/silk culture] ওইবনিনা খৃ: ১৭০০

গী মতম অদুৱাইগী কব্রং [কবো লং, the thread of Kabo/Shan/ Tai ie. the mulberry silk] গী লং অমসুং ফিগী মমিং চৎপা লমদমশিং - ফয়েং, সেকমায় [খা, অৱাং অমসুং নোংপোক সেকমায়], লৈগ্রাম, অসি নচিংবগী মনুংদা অমা ওইদুনা লাকখিবনি অমসুং হৌজিকমকসু মমিং চৎলিবনি।

লাই-তীনগী/লাইওই- তীনওইবগী নত্রগা খুনুং পুৱারীগী/ফুঙ্গাৱারীগী ৱারী-শীঙবুন্দা - "লৈমখোং" হায়বা লমমিং অমসুং খোংমিংসি থোল্লকপগী লমদাংসি, লাই-তীনগী/লাইওই-তীনওইবগী (Myth/legend) নত্রগা খুনুং-পুৱারীগী/ফুঙ্গা ৱারীগী (Primitive/Folk tale) নত্রগা খুৎশেম-ৱাশেম ৱারী (Fictional/Romantic story) দা পুক্লীঙ থম্বা তারবদি, মৈতৈগী অরিবা নোভেল (Novel), "খোংচোম নুপী নোংকারোন [নুংবান-লুৱাং চনু-নিংঙোন খোয়নৌ মতা তরুকখক্লা নুংশিবা মশুঙলাংগী, পামুবা মহাকথংগী কাংলুপ-ফুরুপকী খেন্নবা নাইদবা, মীগা মীগা খেন্নবা লৈতবা অৱাং কোরৌ নোংলৈপাক্তা কাখিবগী ৱারী শীঙবুন] গা লোইননা মৈতৈগী লাইনীঙ-লাইশোন্দা শৈশক-শৈরাংনরিবা "হিচিং-হিরাউ", "উয়াল্লোন" নচিংবদা মিৎয়েং থম্বা, মখোয়দুগী শক্তমশিং (Exhibiting characters) দা ৱাখল চিংশিনবা নত্রগা মদুশিংদুদা থম্মোইগী মিৎকী মিৎয়েং লৈশিনবগী মথৌ চঙঙি। অদুগা খোংজোম নুপী নোংকারোনগী লুৱাংচনু খোঙচোম্বী/খোংজোম্বী তরুক অসিবু "খোঙজোম্বী [মখোঙ ৱারকপা ঙমদনা খোঙফেন-খোঙদোইনবী নত্রগা পঙচত্তা চৎপী] " হায়না মিংথোন্নখিবগী মরম অমসুং মখোয়বু "খোংজোম নুপী" কৌবা থৱানমিচাক্কী শয়োম [কৃতিকা নক্ষত্র (The constillation called PLEIADES or TAURI, consisting of Six stars)] ওইনা মৈতৈগী চৎন-ৱারী (Customary Tale/story) দা থমলিবীশিংসিগী মরমশিংসিগা য়াম্না চেৎলবা মরী লৈনৈ, তশেংনমক হায়রবদা লৈমখোং খুঙ্গং/লম অসিদা অমসুং খুঙ্গংসিগী মখা থংবদা তাইননা লৈরিবা খুরখুল/খুর্খুল খুঙ্গংসিদা থোকখি-ওইখিবা থৌদোকশিংগী ৱারী-শীঙবুননি। হায়রিবা ৱারী শীঙবুনসিগী মচি-মচং (Essence and karnel) ওইবা ৱারী-পরীংগী শরুক অদু হায়রিবা খুরখুল, লৈমখোং অমসুং মখোয়গী অকোয়বগী লম/লমদমশিংবু কোল্লিবী অমসুং ঈতু-ঈখোংসিগী মবেম্মা ওইরিবী লাইরেম্মী

[Presiding or authority - exercising Goddess or divinity] অসিদা তুংশিন-পুনশিন্দুনা লৈ। হায়জরিবা লাইরেম্বীসি মথক্তা পঞ্জখিবা "ঈচুম লাইরেম্মা" হায়না মিংথোনবা লাইরেম্বী অসিনি, লৈমখোং খোংবান্দা খুবম য়ারিবসিনি।

ঈচুম লাইরেম্মা - হায়রিবা লাইরৈমা অসি মৈতৈগী উমংলাই হরাউবগী লাইরাৎ-লাইথৌ নত্রগা ঈরাৎ-থেল্লাৎ থৌরম পাংথোকপা য়াদবা অমসুং "য়াদে" হায়না মৈতৈগী লৈপাক-নিংথৌনা য়োঙ্গরেন-পণ্ডিতশিংগী পাউতাক লৌদুনা অমসুং ইন্দুনা থম্লরম্বা লাইরেম্বীনি [হৌজিক্তদি লাইরেম্বীসি লাই হরাউবগী থৌরমসি পাঙথোক্লরে]। লাইরেম্মসিবু হরাউবা য়াদে, হায়না মমাঙঙৈগী অমসুং মমাঙগী মতম খৃ: ১৯৫০ রোম ফাওবদা থিংলল্লিবসি করিনো? থিংলল্লিবা মীশিং নত্রগা থিংননবগী পাউতাক পীরিবা য়োঙ্গরেন/পণ্ডিতশিং অদুনদি থিংননবগী মতীক চাবা মরম লৈতনদি থিংলল্লোয় নত্রগা থিংবা ঙম্লোয় অমসুং থিংফম থোক্তে। মরম অসিনদি লমদাংসিদা করিগুম্বা মিত্রং (Magic) নত্রগা মিৎলং-মায়রং-লাংথাক (Illusive/illusory mirage) অমদি মরৈরে অমসুং মসিগী শৌ কায়বা নত্রগা লাং কায়বা চঙলি। ঈচুম লাইরেম্মসিগুম্না হরাউবা য়াদে হায়দুনা থিংলম্বা মৈতৈ-উমংলাইশিং - চীঙঙা লৈমা/লাইরেম্মা [মপুরোইবা খোরীফাবা - মৈরাবগা খায়না - খৎনদুনা চীঙঙাদা লৈবী চঙনীঙলৈমা নত্রগা শন্দ্রিক চঙনীংখখোম্বীনি, খায়নরিঙৈনিনা য়াদে], থোঙঙাক লাইরেম্মা [অশিবগী লাইরেম্বীনি, হরাউহৈদে নত্রগা পাম্হোইবীনা খাবা খঙদনবা হনুবী শাদুনা লোৎলিবনি, মীমাঙ থোকপা য়াদে, হরাউহৈদে], লোকলাউ লাইরেম্মা [লোক্লাউবুঙ য়াইস্কুল-মোইরাংখোম, ইম্ফালদা লৈবীসি লোকথুং-লোকখুগী লাইনি, লাইনা থোক্লক্কনি, হরাউহৈদে], উচেক্কোনগী মোরিবা [লোত্তুনা লৈবা লাইনি, মীমাঙ থোকহৈদে, হরাউহৈদে], পীশুম লাইরেম্মা [খায়নদুনা লৈরিবী মমৌ নুপী চীঙঙা লাইরেম্মা শঙলিবী লাইয়িংথৌ থংজীঙগী লেরালৈমা/লীরালৈমা লাইশন থানবী (অয়াঙলৈমা কবোক চাইবী) অনিশুবী/অতোনবীনি, মমৌগী অরাবা মতমদা হরাউহৈদে], অসিনচিংবগী অৱা-তুরৈ চনবা, শেৎন-খায়নবা, মীমাঙ ফম্বা নত্রগা ঈকাই নংবা (চোপ্পা), লোন্না-থুপ্পা লোৎপা, অসিনচিংবগী মওং-মতৌনচিংবদগী মরম/ৱারম অমমম লৈনরি/লৈনরম্মী।

লৈমখোং, লম্মিং অমসুং খোংমিং থোনবগী ৱারী-শীঙবুন অসিদা থৌদোক-ৱাথোক্কী, ৱারীদুদা য়াওরিবা মীওইশিং, শক্তম লাংলিবা নত্রগা পুরিবা শক্তমশিং [প্রধান নায়ক/নায়িকা, নায়ক/নায়িকা, সহনায়ক/সহনায়িকানচিংবা] গী মীশক ওন্থোক্তুনা, অচুম্বদু লোৎশিন্দুনা অতোপ্পনা (অতোপ্পগী মমিংনা) মহুৎ শিঞ্জিন্দুনা অমসুং অতোপ্পা অনৌবা মওং-মতৌ অমদা পুথোক্তুনা নাথৈননবা অমসুং নাকোয়ননা পুননবা ফনা য়াম্না কন্না হোৎনদুনসু মৈবু ফিনা কুপ্পুনা থম্বা য়াদবগুম অমসুং নোংজু পান্থাগী ঈশিং ঈচাওগী তুরেন লৌনম্বান্দা ঈফুৎ ফাওরকপগী ঈথিং পন্থিংবদা অমা মেল্লিঙৈদা অতোপ্পা অমা হেক্তা ফাওরকপা, ফাওরকপদু থিংলিঙৈদা অতোপ্পা অমা হেক্তা ফাওরকপা, ফাওরকপদু থিংলিঙৈদা অতোপ্পা অমদা অমুক হেক্তমক ঈফু থোক্লকপা অদুগুম্না অতোপ্পা ৱারী অমদা পোম্নিৎ অমা হেক্তা কাংলকপা অমসুং অতোপ্পা ৱারী-শীঙবুন অমদা ঈহুন অমা হেক্তমক পীরকপা ওইনা মৈতৈ লাইরিকশিংগী ৱারেং, শৈরেং অমসুং ৱারেং- শৈরেংশিং কয়াদা লংলা-লংজীন পীদুনা/উত্তুনা লৈ। অসিগুম্না থৌদৌসি, অতোপ্পা ৱারী, পুৱারীগী পনগোয়নুং [Historical Enclosure] দা লৈরিবা মৈদিংঙু ময়াম্বা/গরিবনৱাজ মহারাজ [খৃ: ১৬৯০/১৬৯১ - (খৃ: ১৭০৯-৪৮) - খৃ: ১৭৫২] গী মরমদা মৈদিংঙুসিবু মকেং থাঙ্গাল খুন [ময়াংখাং (ইম্ফালদগী অৱাংলোমদা কি: মি: ৬১ লাপ্না লৈবা) চীঙমী খুনগী চীঙদা লৈবা খুঙ্গং] দা মপাঙ্গবুংঙো তুবী চরাইরোংব (খৃ: ১৬৯৭-১৭০৯) না নিংথৌ ওইদুনা পাল্লবদা হেক পোকপগা থৈদোকহন্দুনা য়োকখিবা অমসুং চাওরকপগী ৱাশেম-ৱারী, মীনম-লৌনমগী ৱারী অমা স্নাকোনুংগী য়োঙ্গরেন/পণ্ডিতশিংনা শেমগৎ-শাগত্তুনা মীয়ামগী মমিত্তা উৎ চায়রবসু চৈথারোল কুম্বাবনা, মৈদিংঙু গরিবনিৱাজবু খৃ: ১৬৯০-৯১ দা পোক্লিবী মমা শাৎপম চনু নোংথিল চায়বীদুদি মৈদিংঙু চরাইরোংবনা নিংথৌ ওইবগী চহি খৃ: ১৬৯৮ কী মার্চ থাসিগী মমাঙ, খৃ: ১৬৯৬ কী জুলাই থাদা শিখ্রে [শক ১৬১৯ গী লমতা ১০ নিদা নিংথৌ ওইবা অমসুং শক ১৬১৮ গী ঈংঙা ২৭ দা নেংথিলচায়বী শিবা [চৈথা: কুম:, ২০০৫, ৫১ অমসুং ৬১ মথং শীৎনা]-হায়না ময়েক শেংনা পীরি। মসিনা মৈতৈ পণ্ডিতশিংগী অরোনবা, অরোৎপা অমসুং হুরান-লোনচৎ অদুশিংদুগী লৈমখোং কৌবা খুরখুন্দগীনা কৌবা

ঈংঙেনচীঙ ফাওবগী লমদমশিংবু কোল্লিবা অমদি লৈমখোং কৌবা খোং/তুরেনসি মবেম্মা লাইরেম্বীসিগী পুন্সিগী ৱারীগী ৱারম-ৱাফমশিং অসি "লৈমখোং" হায়বা লমমিং অমসুং তুরেনমিং/খোংমিং অসিশিংসিগী ওইনা য়াম্না মরু ওইরিবা ৱারী-ৱাখোঙনি, মহাক্কী থৌদোকশিংগী ৱারীদগী পুন্নমকসি ওইরকখিবনি। অদুবু মৈতৈ লাইরিকশিংগী ৱারী-শীঙবুনশিং পুন্নমকসি তশেংনমক থোকখিবা পুন্সি ৱারীশিংলা নত্রগা নত্তবরা হায়বদুদি মণিপুর পুৱারী অমসুং মসিগী পামজবশিংনা লেপ্পীরসনু।

ঈচুম লাইরেম্মগী ৱারী-ৱাখুন

ঈচুম লাইরেম্মগী ৱারী-ৱাখুন অমসুং লীক্লম-শীঙবুন অসি অরোৎ-অফোং নাইবা লোৎনা-ফোংনা হায়বা ৱাফম-ৱারমশিং অমসুং "কেকু, ফোং-ফোং" হায়বা ৱারোলশিং ওইবনিনা মীশক অমখক্তগী ৱারীসিনা মীওই অনি-অহুম থোক্লা, অমুকসু মী ওইনা, অমুকসু মহৌশানা শকপাল্লকপী লাইগুন্না খেন্ন- তোপ্পরবা ৱাখলগী ঈচেল (Idea), থৌদোক- ৱাথোক্কী পরম (Plot) ৱারী- ৱাখোঙগী ৱাফম/(Problem), ৱারী- ৱাচৎকী পরীং (Theme) অমসুং মপুঙ ওইনা লৌনবা ৱারম (General notion or concept) সি অনি থোক্লা লৈরি। অইবশিং খরনা নত্রগা মহৈ-মশিঙ হৈবশিং খরনা মখোয়গী ৱাখল-লৌশিঙগী নত্রগা লাইরিক-লাইশু হৈ-শিঙবগী মতেংনা ৱারম-ৱাফম অমতগী ওইনা পুথোক্লবা হোৎনরবসু মমিং পানবা মীওইশিংগী মফমদদি ৱারীগী পরীং অমসুং পরমসি অনি থোক্লা/ওইনা অদুম্মক উবা ফংঙি অমসুং ৱারী-শীঙবুনশিংদুদি :-

১) অহানবা ৱারী-ৱাখোঙ

[খোংচোমনুপী নোংকারোনগী]

থায়না মমাঙঙৈগী মতম অমদা লুৱাং/নুংবান য়েক্কী চনু/নিংঙোন তরুকখক্লা হাওকু মী-কাঙলুপ [হাওকু, হৌজিক্কী সেক্তা খুনগী মনীঙদা (নোংচুপ্তা লৈরিবা তাংখমগী অৱাংলোমদা কি: মি: ৩/৪ রোম থাপ্লা লৈরিবা টাইগর কেম্প (Tiger camp) কী অৱাংদা খুন্দারম্বনি (পাখংবা: লাই: খুং: লা:) অমসুং

মখোয়সি লুৱাংদগী থাক য়াম্না হন্থবা মী-কাংলুপ ওইনা পীরম্মী] কী ওইবা মখোয়গী ময়ুমদগী লমদম খর তাম্না লৈবা শোয়ফম (অয়োকপা নত্রগা য়োক্তবা ঙা ফাফম) অমদা ঙা তীক্লনবগী- লৈরুনবগীদমক্তা চৎলম্মী। মফমসি হৌজিক লাঙ্গোন চীঙশাংগী- চীঙ্গোন মনুংগী চীঙখোঙ চীঙয়াদা লৈবা চীঙনুং-শোয় অমনি। [অদুবু পীরম্লিবা মফমসি মণিপুর পুৱারীগী ময়ায়চনবা মতমদগী অনৌবা মতম তাংকক ফাওবদা মমিং য়াম্না চৎখিবা "অৱাং লম্ফেনশোয়" হায়বসি য়াম্না মাল্লি]। হায়রিবা নুংবান/লুৱাং চনু (য়োঙ্গৈরুমলোন হায়দে) তরুক অদুগী মমিংশিংদি - (১) লুৱাং নিংথৌ পুন্সিবা চনু (হোঙনেম, লুৱাং নিংথৌ পুন্সিবা), (২) খোমথোক মরৈমাবা চনু, (৩) তোংচেং নুরাবী, (৪) ইংঙেন নুরাবী, (৫) ঙানুরোন লৌশীগাম চনু অমসুং (৬) লুৱাং পুতাংখোয় খুৎখোয়বা চনু লৈমা য়াংদৌ অতাউবী হায়বীশিংসিনি [ম: ন:, ১৯৯৫, ২৭-২৮]।

লুৱাং চনু তরুকসি হাওকু পাখং তরুক লৈরমদুনা মখোয়দুগা মপা-মপা শেম্নদুনা নুংশি' পুকতীন্না হৈরাঙ লোঞ্জা চামিন্না, লৈরাং লোনজীন চীনমিন্নদুনা অহিং অদুমা শোয়দুগী শোয়শঙদা লেকমিন্নখিরম্মী। নোংঙাল্লগা লুৱাং চনুরাশিংদুনা ময়ুমদা হল্লমদায়দা হাওকু পাখংশিং অদুনা মখোয়দি অতোপ্পা চীঙগী কাংলুপ, থাক হন্থবা মখোয়গী কাংলুপকী খুন অমদগী লল্লোন্নবা হুই, ওকশিং ৱাল্লু-লৈরুখিগে, অদুগা মখোয় চনুরা তরুক্তুনা ময়ুমদা হনখিবদা অহিং লম্লক লুথুম্বা শোয়খোঙ তাইথেৎপদু (ময়ুমদা হঞ্জিন্দনা লম্লক্তা শোয়শঙদা য়ারেকপদু) গী মখোয়গী অহল্লম্মন, মপা-মমা, মবুং- মপ্বানচিংবনা ফু- চৈবা তৌবদি নুমিত্তুদগী মঙানী শুরকপা নুমিত্তা তেন্দোংয়ান (ইম্ফালগী অৱাং লোমদা কি: মি: ১২ লাপ্পা ফৈদিঙ্গাগী হেক অৱাংদা লৈবা লম/মফম)দা উনসি, অদুগা মখোয় পুন্না ফুরুপ- কাংলুপ খায়দ্রবা, ফুরুপ-কাংলুপকী থাক অনেম-অৱাং লৈত্রবা, মীগা মীগা খেন্নবা থমদ্রবা লাইরৈপাক [কৌব্রু চীঙজাওগী খ্বাইদগী হেন্না ৱাংবা চীঙদোন] তা কামিন্নদুনা মফমদুদা পানমিন্নরুসি হায়না ৱারেপ্পখিরম্মী।

লুৱাং চনু তরুক্তুনা ময়ুমদা থুংলুবা মতমদদি মখোয়গী অহল্লম্মনশিং, মবুং-মপ্বা, মচে-মনেমনচিংবনা মখোয়গী লৈশাবী-চনুরাশিংনা নত্তবা লমচৎ চৎলুরবী, লুহোংদনা মৌ ওইবী, অদুগীসু মথক্তা, কাংলুপ তীন্নদবা, থাক হন্থরবা অমসুং মতীক-মপা চান্নবদগী থাক নেমথ-তোন্থরবা মীরুপ-কাংলুপকী

পাখংশিংগা অহিং য়ারেকমিন্নবী ওইনা ফু-চৈদুনা পাউথোক- মীচৈনবীদুনা তৌবীরম্মী অমসুং মখোয়বু মিংদা থীনা খোঙজোম্বী [Naughty girls] নত্রগা খোঙজোমনুবী (Indecent maidens or character/chasity loosed damsels) হায়বা মিংচৎ-থীবা মিংথোনসি পীদুনা ঈকাইবা পীরম্মী। নুংবান চনু তরুক্তুনা মমানমচা মাঞ্জা ওইজগে নীঙজবা মখোয়গা হায়ন-শীঙনখিবা অমসুং থান-লেপ্পখিবা নুমিৎ মঙানিদু ময়ুমদা ৱানা খাঙদুনা ঙাইরগা উনসি হায়না লেপ্পখিবা মফম তেন্দোংয়ান্দুনা লাক্লম্মী। অদুবু থান-শীঙনখিবা মতমগী মনুংদা লেপ্প-হায়নখিবা মফমদুদা উনবা ফংদ্রবদুদগী লুৱাং নিংঙোনশিংদুনা মখোয়গী মরমদমলোমদা অমুক্তং য়েংলম্লগা মমায় অৱাং ওন্দুনা কৌবা ঈংঙেন চীঙলোম লাক্লম্মী। হায়রিবা চীঙসি য়ৌরবদা মখোয় তরুক্কী মনুংদা য়াওরিবী লুৱাং খুদোংকোই খুৎকোইব চনু লৈমা য়াংদৌ অতাউবীদি মতারোইশিংগী মতুং ইনবা ঙম্লক্রে। মহাক্কী মফমদা থোক্লকপা হকচাংগী থৌওং-থৌদৌগী মরমদা পীবীরম্বা ৱারোন্দি:-

“পোইরৈ লমবু য়েংমিন্নখিসে হায়না... য়েংলময়ে। অতুনোংকিপু লোইপী খোয়নৌ লময়েংচীঙ-ও কৌপপু পোইরৈ তাফা থিপনা, ৱাংঙম হায়মন তানপনা নুংপান য়ীংঙেন-চিঙ-ও তৌনা কৌএ। খোয়নৌ মতা লৈমা য়াংতৌ অতাউপীতি য়াউৱা মশীঙ শু, চকমোম তেমখাঙ লোন, লোইতাম থাপু ফারপকিতমকপু খোয়নৌ মতা মঙামকিপু হৈনা মতুং য়িনঙমতরপকি লৈমা য়াংতৌ অতাউপীনা ৱাহমলকয়ে। হে খোয়নৌ য়ীতা মঙামা-ও! নঙখোয়তি হান্নপু কোরৌ নোংকাঙম-ও! নতা অইতি য়ীপারী করি ওইপপু শাৎলক্পনো, য়ীমোম কলম্পপু ফুইরক্পনো, পারী নাউপেংকে, য়ীমোম নাউনৌকে তৌকুমলে।।... মপারী তাইবঙ নমু পোং ওইপপু শাৎকপরা হায়পপু, শাৎলক্তে, চেকলা লোনথোকপা, হারি খোনতৈপপু শাৎলকয়ে। পলেম মমা লৈমা য়াংতৌ অতাউপীনা লাংলেন চানা য়িথাঙথৌনতি মপারীকি নাউৱা মখোয়পু লেল্লময়ে, অতুনোংকিপু নাউৱা খোয়রীখুন-ও তৌনা কৌয়ে।।... পলেম মমা লৈমা য়াংতৌ অতাউপী ... না মপাবী হারি খোনতৈপা... পু ৱাহমখিএ। পারী চেক্লা ওনথোকপা নঙপু নপন অইনা কোরৌ নোংকাপতা কামন্নফরোয়.... পারী... নঙপু হয়েং লোইতাম মনুং ওই, ঈঙা থানা মমৈ হুইথরকপা ঈংঙেন থাকী মচীন ফাওরকপতা

খোইমা নারোন্নুং, হাউনা ইতোনথক্তা ৱাংপন পাংনা য়েংনতি ঈঙা কুমচেন লাউখৎলক-ও! নপন ঐসুং কোরৌ থারুপননতি ঈঙেন কুমখাইপপু তমথরক্কে। হয়েং লোইতাম ঈঙা চানপী থাতা পারী নঙপু... লমৱোক্লসে, হায়না ৱাহন্নরমএ। অসুম্না পাউমেন্নরল্লপকা লৈমা য়াংতৌ অতাউপীদি মপারী হারি খোনতৈপপু খায়নরল্লপকা অৱাং লাইনা পাংপরমতা খোয়নৌ মতা মঙামপু কৌনা কৌনা কারকয়ে [মথক্কীসিদা, ৩৪-৩৫]।

অসিশিংসিনি। মথক্কী ৱারোলসিদগী ফংলিবা ৱাফমশিংদি-লৈমা য়াংদৌ অতাউবীনা শোয়খোঙ তাইথেৎনা অহিং অমা নুংশিবা মাগা লেনমিন্নরুবদগী মহাক চনুগী চরৈ চিল্লে, পীবুক্লুংদা তাউজীঙ তয়াল মিতমখিবনা মখোয় মতা তরুক্কা কৌবা ঈংঙেনচীঙ য়ৌবদা য়াংদৌ অতাউবীনা মতা মঙাগী মতুং ইনবা ঙমদদুনা মফমদুদা লৈহৌখি। অদুগা মফমদুমক্তা মতারোইশিংনা চৎথ্রবদা মপারী অমা শাৎখি অমসুং পোক্লিবা অঙাংদু লম থাঙথৌ [A species of Grammineae or Poaceae family] কৌবা নাপীনা মখোয়গী খোয়রী (Navel-cord) লেনবীখি নত্রগা ককপীখি। মদুদগী মফমদুবু/খুন্দুবু "খোয়রেনখুন" হায়বদগী থৈথরক্তুনা খোয়রীখুন কৌখি অমসুং খোয়রীখুনসি অমুক শমজিন্না, তেনশিন্না অমসুং থুজিন্না হায়রকপগী লোন্থৈদা "খোরখুন অমসুং খুরখুল/খুর্খুল" হায়না তারকখি।

লৈমা য়াংদৌ অতাউবীগী মপারী অসি মী (মীওইবা) ওইনা পোক্কদ্রা, হায়ববু পোক্লক্তে, মখোন থোকপা, মীরোনগী মখোন্দগী তৈবা/তৈন-ওন্নবা (থোৎ-নৌদবা, অয়াকপা মখোল ওইবা) হারি (Cicada Sp. fam. Cicadidae) ওইনা পোক্লক্খি। মসিদা ৱারীসি পোইরৈতোন খুন্থোকপগী হৌগৎলকপদা অমসুং তোকপা-য়েনবাগী ফুঙ্গাৱারী তৌবগুম্না শা-ঙা, উচেক-শাৱা, তীন-কাঙনচিংবনা মীরোন ঙাংবা, মীগী লীচৎ তৌবা, অসিনচিংবগী শা-উচেক্কী ৱারী শীঙবুন [FABLE TALE] গী নমুনা-কাইদা (Style) দা পুরক্লি। অদুগা য়াংদৌ অতাউবীগী মপারীসি কুমচৎ পান্থা খোঙচৎ তাকপা-খঙহনবা [Indicator of annual seasonal change and advance of rainy season] অমসুং অঙৈং-অশা, নোং-চীঙনচিংবগী ফিবম মশাদা ফাওবা [Sensative insect or creature of weather

or climatic condition] ওইরি। চাঁঙলক-মাল্লক, উমং-ৱামংদা হারী অমসুং তম্পাক্কী লৈরক-খুল্লক্তা হারিনীংনাং/হরিনোংনাং হায়রিবশিংসিগী কুমজেন (কুম/পান্থা লাকপগী পাউ চেনবা/পীবা) - কুমখাইবা (কুম/পান্থা খায়দোক্লবা) ঙম্বগী মগুন লৈবা/চেনবা থৱাইপানবা (Creature) অমা ওইনা [মথক্কীসিদা, ৩৪-৩৫]। পীরল্লিবসিগী মরূমদা করিগুম্বা অমা লৈরি, হায়বা তাকপনি অমসুং পোল্লিবা মপারী অসি অচম্বা অঙাং/মপারী নত্তে হায়বনি নত্রগা অফবা অঙাং ওইদুনসু যৌহামগুম চৎখ্রবা য়ুম্লাক-শাগৈ মরক্তা, মপা-মচাশিংগী মরক্তা তীনবা য়াদবা, মচানি তাকপনি। মরমশিং অসিদা মিৎয়েং থল্লকপদদি লৈমা য়াংদৌ অতাউবীসি লৌনবা য়াদবা লৌনবা, লাইবক থিবগী নোংদমদা মৈচৈন্নরবীনি। মপুক্লীঙ ৱারকপা ঙমহৌদবগী নত্রগা মশাগী ৱাখল ৱারকপা ঙমদবা, ময়াই কারবা হকচাংবু লাকশিন-ফাজিনবা হৈতবা কনাগী লাংদা তারুবনা লাইবক থীহৌরবী অমনি, মরমসিনা মহাক্কী মমিংসি লোত্তুনা থমখিবনি।

ৱায়েন-কাঙলম

মথক্কী খোংজোমনুপী নোংকারোনগী ৱারী পরীংদগী ফংলিবা থৌদোক-ৱাথোক্কী পরম অমসুং য়াওরিবা মচাক-মথুমগী ৱাখুন-কাংখুনগী ৱারম অমদি পীরল্লিবা লংলা-লংজীনশিংসিনা পুরক্লিবা ৱাফমশিংদি - খোয়রেন খুন/খুরখুন অমসুং মসিগী অকোয়বদা লৈরিবা লমদমশিং অসি লৈমা নুফা-মরূম্বী ওইনা খোঙজোম্বী (A naughty damsel, acted as a paramour) অমগী মরমদম-মশাইগোন ওইনা মতম খরদা ওইরবসু লৈরম্বা, মতুংদা মাগী থৱাই-মিরাংপাননা খোয়দানা ওঙজ-লৈজরম্বা লমদমনি অমসুং লৈমা হৈৱাইননা খোঙজোম্বী/খোংজোম্বীসিবু লমদম নত্রগা মহাক্লা/মহাকপু খোংজোম্বী ওইহনখিবা খোং অসিগী খোংবান অমসুং খোংসিগী ঈশিং চাবা লমশিং অমসুং খোংসিবু কোল্লিবী, মখোয়সিদা য়াথোক-য়াতারিবী অমদি লৈরি-পাল্লিবী লাইরৈমা/লাইরেম্মা ওইনা পীরি।

য়েৎকী লমদাং অমসুং ওয়গী লমদাংগী পোৎপানি, অনি চৎপা অমসুং তুমা ওইবা থৱাই পানবগী পুন্সিনি। ৱাফম অসি লাকপদা লৈমা খোংজোম্বী [লৈমা য়াংদৌ অতাউবী, ঈচুম লৈমা নত্রগা ঈচুম লাইরৈমা/লাইরেম্বী অমসুং ঈরোক লাইচম লৈমা (মতুংদা মমিংসি লাকখিগনি)] না মহাক্কী মবুংঙো, খোয়দারোই

ওইবা, নুজাগী লৈজবগী খ্বাইদগী হেন্না মমল য়াম্লববু লান্থোকখিবা লাইয়িংথৌ/লাইনিংথৌ অসিবু কনানো? হাওকু পাখং তরুক্কুগী মনুংদগী লৈমা য়াংদৌ অতাউবীনা মাল্লং ফিজেৎনদুনা ঈনুং অমা নোংলেনমিন্নখি, ফয়েং-নোংফাইমিন্নখি হায়না মৈতৈ লাইরিক "খোংচোমনুপী নোংকারোন" কৌবনা পীরিবা হাওকু পাখং, "হাওকু লুফুই নাপা" [মথক্কীসিদা, ২৮] হায়বা অসিরা? ৱাহংসিগী পাউখুম ঙাইখিবা তারি, মরমদি অরেপ্পা খঙদ্রি, নুমিৎ মঙানি নত্রগা তরুকনিদা নুপী অমনা পারী-মমোম শাৎপগী মতম শুদ্রি, ঙাইখিবনা চুমগনি নত্রগা চুম্লক্কনি। অদুবু লৈমখোং লমদমসিবু অমসুং খোং/তুরেন মচাসিবু লৈমখোং হায়বা মমিংসি কৌখিবা নত্রগা থোনখিবগী মমিং মিংথোনসি "লৈমা খোংজোম্বী" হায়বা লুৱাং চনু তরুক, মরু ওইনা মখোয়গী মনুংদগী অতাক-অফোংনরবী, পলেম মিংথোন ফংলবী লৈমা য়াংদৌ অতাউবীদা পীখিবা মীপাউথোক্কী মিঙ্গৌ [Mock nickname] অসিদগী লৌদুনা, "লৈমা খোংজোম্বীগী খোং" অমসুং মসিবু তেনশিন-শমজিন্না হায়রগা "লৈমখোং" হায়না লৌনৈ। অদুবু তশেংনমক মসিনা হায়রিবসি অওইরব্রা নত্রগা ওইদব্রা, হায়বদুদি খোংজোম্বী অমসুং খোঙজোম্বী অনিসিগী ৱাহন্দোকশিং (Meanings), খঙনবীশিং (Denotations) অমসুং মখোয় (ৱাহন্দোক অমসুং খঙনবী) সিদগী হেন্না পাক্লা শন্না/পাকথোক- চাওথোক্লা/শন্দোক্লা লৈরিবা ৱাহন্দোকশিং/খঙনবীশিং (Connotations) হেন্না হকচিনবা নত্রগা লুশিনবগী ৱাখল থম্বনি।

২) অনিশুবা ৱারী-ৱাখোঙ্

[উয়াললোন, হিচিং-হিরাউ অমসুং অশৈ-অমাইগী চৎন ৱারী-শীঙবুনগী]

"লৈমা য়াংদৌ অতাউবী" হায়বীসি, লুৱাং/নুংবান য়েক [clan] শল্লাইশিং [Sub-clans], অমসুং শাগৈশিং [Races/Families] শন্দোক্লিবা হকথেংনবা পুকোক (Immediate progenitor) "হোঙনেম", কৌবা লুৱাং নিংথৌ পুন্সিবা (Long live king of the Luwangs) অদুগীময়াম্বা লুৱাং পুদাংকোই খুৎকোইবা/খুৎখোইবা অমসুং মহাক্কী তাল্লোই য়াংখুলৈমা অনিগী মচানুপীনি [মথক্কীসিদা, ২৭-২৮ অমসুং রা: মাই:, ১৯৮০, ৭০,৭১]। য়াংখুলৈমা/য়াংখুরৈমসি খুমন কুরৈমা হায়নসু পীবীরম্মী [মথক্কীসিদা, ৬১]। মহাকসি মচানুপা/পীবা পোকখিদবীনি।

লৈমা য়াংদৌ তাউবীসিনা মপুঙ-মরৈ ফারক্লবা, অপাম-নুংশি শকখঙলক্লবা মতমদা হোঙনেম্, লুৰাং নিংথৌ পুন্সিবগী মফমদা নুংশি' পুক্লীঙ থমদুনা নীঙজ' থম্মোই কৎখিবীনি। হকচাং কায়াৎকী মঙমগী তাউজীঙ হৈরাঙ কত্তুনা থম্মোই তিংনা নুংশিবগী লৈরাং লোকখি-চীনখিবীনি। অদুবু, হোঙনেম অমসুং য়াংদৌ অতাউবীগী নুংশি'-নুংওন/নুংঙোনগী মরী অসি য়ুম্বাল্লবগা য়ুম্বান্দ্রিবীগা মায়কৈ ফিজেৎনবগী মরীদগী হেন্দুনা নক্লবা ঈ মশেনগী মীনোক-মীশা লাংগদবা, মতমদুগী তুংলমচৎকী মখা শমথরকপা খুন্নাইগী লোনচৎ, চৎলম-লুপতীন, নুহোঙ' - য়ুমদীন, মরান তেংনা য়ুমগাবা, অসিনচিংবদা অকায় ওইবা, ওঙন-লৌনবা, নুংশি' ৱাইথুংনবা য়াদবা মরী, মচা চনুরা নিংঙোনগা মপাতোন মখুরাগগী নুংশি' ৱারীনি। তশেংনমক অপাম-ঈখৌ লাংবগী ময়াইকাবনা ৱাপাংবা ওই, হকচাং কয়াৎনা পোনথা থাদুনা নুংশিবা লৈনখিবা ওইদুনসু লৌন-লৈনবা য়াদবনা থিংদুনা তুংলমচত্তা থম্লকপনা মাঙগী ৱারীগী থুপ্পনি। অদুবু মালেমসিগী চৎখ্রবা খুনুং খুন্নাইশিং [Primitive communities or Primal societies] দদি করিগুম্বদা অদুম থোক্লবনি, থৰাই পানবগী পরমদা মপা-মমা জুরা অমতগী মচা খুনু মচীন-মপ্পা/মবুং মচন্না মখোয়গী য়ুমলেপ চারা তম্নরি। অদুবু হায়রিবা পা- পী, লাবা-অমোম নত্রগা নুপা-নুপী অনিগী নুংশি' লীপুনগী ৱারী শীঙবুন অসি খুন্নাইদুদা পাল্লিবশিংগী হিংবগী থাক ৱাংবা হেনগৎলবা অমসুং খুন্নাই লীচৎ-লোনচৎকী অতৈ চৎলম, লুপতীন, শাচৎ-লমচৎনচিংবগী মশক্কী ফিবমশিংগী থাক ৱাংখৎলবা মতমদা লাকপা তুংলমচৎকী খুন্নাই পামদবা থৌদৌ/থৌওংগী ৱাথোক ওইনবা, শাগৈ মশেন ওঙনবা, শাগৈ নাতৈগী মনুংদা লৌন-লৈনবা অমসুং নক্লবা ঈ-মরী মরক্তা য়ুম্বানমিন্নবা নুপা-নুপী অনিগী মরীসি লোৎশিন্নবা নত্রগা নাথৈ-নাকোয়ননবা থৌরাং লৌখৎলবা অমসুং খুজীন-থৌশীল্লস্বশিংদুগী মনুংদা লৈবা ৱারী- শীঙবুন অমনি। অমরোমদা অমুক মসি হকচাং কায়াৎকী মতীক-মঙম লৈরক্লবা, হকচাং শারেপ ফারক্লবা মীওইবগী থম্মোইদা ঈহৌরকপা অপাম-নুংশিগী ঈথিন, ৱাখন্দা ফাওরকপা কায়াৎকী ময়াইকাবা অমসুং অপাম-ঈখৌলাংবগী নোংলৈ নুংশীৎ অমদি হকচাং কায়াৎকী অপেনবনা লৈহী চুপ্পুনা খোইহী ওলহল্লকপদগী নুংশি মিরেন লাংখিবা অসিশিংসিগী থিংঙম-ফাঙমদ্রবা, লাকঙম-থেমঙমদ্রবা ঈথক-ঈপোমশিংগী ওইবা ৱারম্নি, মতম চুপ্পগী চুমদুনদা লৈরগদবা ৱাফমনি।

লৈমা য়াংদৌ অতাউবী অমসুং নুংবান পাখং হোঙনেম- নুংশি নুংওনগী ৰারীসিগী থৌদোক- ৰাথোক্কী পরীংদা পীবীরম্লিবদি - লৈমা য়াংদৌ অতাউবীসিনা নাউৰা ওইরিঙৈগী পুকওংনা থবাক মায়কৈ তমখিদুনা থারক ময়ি তারক্লবদা নুংবান/লুৰাং পাখং (হাওকু পাখং শাবা) হোঙনেম/হোঙনেম্বগা কুমজীং পরে থোক্লা হীকোক কুম্বাল লৌবদগী চকমোম তেমখাঙ লোনখি, চনু চরে চীনখি। মহাক্কী পাউসিনা খুন্নাই যুমথোঙ শীনবগুম্লবী লৈমা য়াংদৌ অতাউবীদু মাগী মতমদুগী খুন্নাইনা, শাগৈ-নাতৈনা, কৈরোই- লৈকায়নচিংবনা ইস্থোকপীরবী, নুংশিবা মহাক্কী মপারী-মমোম নাউপুবগী খুন্নাইগী মীচৈ ফংলবী, মীপাউথোকপী ওইরে। খুন্নাইদা মিংদা থীবা নংলবী লৈমা য়াংদৌ অতাউবীনা মহাক্কী পায়মা শিয়োম্নুং, উনবী লিনগোয়নুংদা য়াওরি-লৈরিবা নুংশিবগী খুদম, পামুবগী চাংদম অদুবু অকেমফাত্তা মাঙহন-তাকহন্নীঙদবনা শাগৈ-শল্লাই মফম থিদ্রবা, ফুরুপ-কাংলুপ খায়দ্রবা, অচৌ-অশাং নাইদ্রবা অমসুং ফিজেৎ-লৈতেংগী মথৌ চঙদ্রবা, মহৌশা লাইরেম্বীগী মথানুং, অচীকপা-নাইতোম্নবগদা লোইন-তীন্নবা উমং-ৰামং, লৈচীন-নোংনা কুপ্লবা লমদম, লোইবী চীঙদোন নোংলৈবাক মরমদমদা মীৰা-মীশা লাংদনা, মীনোক- মীচৈ তাদনা পাঞ্জ-লৈজরুরগে হায়দুনা মমান্নবী, খোয়নৌ শামান-লেংমান্নবী মতারোই খর (মঙানি হায়) গা লোইননা অৰাং কোরৌ নোংমদোন নোংলৈপাক [অৰাংলোমদা লৈবা নত্রগা অৰাংবা লমদম ওইবা অমসুং অপাইবা লৈচীন্না নোংগী মরীক-মরীক খীক্তুনা লৈরিবগী অৰাংবা মতোন/মথক্তা কোৎ-লৌদুনা নত্রগা য়ান্দুনা লৈরিবা নোং/লৈচীন-নোংগী লৈপাক/লমদম] দা কাখিরম্মী। মহাক্লা খুনুং খুন্নাইদুগী মীয়ামগী মিৎয়েংদগী মুৎখ্রবদি, উখিদ্রবদি নত্রগা লোৎখ্রবদি মীৰা ঙাংননীঙলিবা পুম্নমক্তুনা মহাকপু কাউথোক্লখ্রে, কাউখ্রে। অদুগা মহাক্তি কৌবা ঈংঙেনচীঙসিদা কৌরবু চীঙজাও-চীঙশাংগী চীঙশাসিবু অমসুং চীঙশাসিদা লৈরিবা লোক্লেন-লোকচপ, লোকচাও-লোকখু, ঈরোক-লাইজমলোক্ল চিংবা লোক-তাইশিং, চীঙজেং-চীঙনাপোম, চীঙয়াঙ-চীঙচেপ, চীঙদোন-চীঙথেন, থেল্লেন-থেনবুঙ, থেনচা-থেনপীক, উ-ৰা, শা-উচেক্লচিংবা পুম্নমক্তা লোইননা লৈরি-পাল্লিবী, পুম্নমকসিবু কোনবীরিবী, ঙাকপী- শেনবী লাইরেম্মা ওইনা **"ঈরোক লাইচম লৈমা"** মিংথোন্দুনা লৈখিরম্মী। হায়রিবা লৈমা য়াংদৌ অতাউবী কৌবী, কৌবা

ঈংঙেনচীঙগী ঈরোক লাইচমলৈমা মিংথোনবীসিনা হোঙনেম লুৱাং নিংথৌ পুন্সিবগী ঈনা মপারী অমা কৌবা ঈংঙেনচীঙ অসিদা পোকখিরম্মী। পোক্লিবা মপারী অসি শমু তাইবং মী ওইনা পোকখিদে, শাগী জাত্তা, তীন-কাঙগী লুপ্তা লৈবা থৱাইপানবা ওইনসু পোকখিদে, তল্লা পামেন অচৌবা উপী-উরেন উনিংথৌ [মমল য়াম্বা/তাঙবা, মীয়াম্না পাম্নবা উ মখল অমা(PHOEBE HAISIANA or P. LANCEOLATA, fam. LAURACEAE)] ওইনা পোক্লক-শাৎলকখি হায়না পীরি।

মতম খোঙলৈ মতুং ইন্না নুংবান পাখং, হোঙনেম লুৱাং নিংথৌ পুন্সিবনা মহাক্কী ময়াম্বা অহন্না পোকপী, মহাক্কী লৌন-লৈনহৈদবী ওইদুনসু লোন্না ওঙন-ৱাইনদুনা নুরা নাকলূ ফিয়াল্লবীনা খুন্নাই মীনোক খাঙঙম-পুঙমদবনা মতমদুগী লুৱাং খুনুং খুন্নাইদুদগী মহাক্কী শক্তম উখিদবা/মুৎখিবা, কৌবা ঈংঙেনচীঙদা কনাবুসু খঙহন্দনা ঈরোক লাইচম লৈমা ওইনা শানওনখিবা/শাইওনখিবা (Manifest/Transform) মতমদুদগী নুরা মহাক্কা পাখংবা মহাক্কা চরৈ নমখাঙ নমহুন্ননা নুংশি-পুক্লীঙ লীতীন্না, শমু হকচাং লীয়েৎনা শাবী- শানৌ ফমতীননা, নুংশিবা-নুংশিবী হকতীন্ননা নুংশি চার লীংখিবা, তাউজীঙ হৈরু হুনখিবনা খোয়জী মিহুন লাংখিবগী ৱাফমসি কাউথোকখিরম্মী। মশুঙলাংগী নুংশি পিখম্নখ্রবী মহাকপু কাউথোকপীখি।

লৈমা য়াংদৌ অতাউবীগা নুংবান পাখংবা হোঙনেমগা লম্লক লুথুম্না শোয়খোঙ তাইথেৎননা কুমজিং পরৈথোক, হৈরাঙ লোঞ্জা চামিন্নখিবা, লৈরাং লোঞ্জীন চীনমিন্নখিবা মফমসি, লৈমখোং লমদমসিগী লৈমখোং, খোং/তুরেন অসিনা কৌবা ঈংঙেনচীঙগী চীঙ্গোন্দগী থোরক-হৌরকপগী লম/মফম অদুদা নত্রগা কৌবা ঈংঙেনচীঙগী চীঙ্গোনগী মফম/লম, ঈশিং-ঈরম/খোংলমগী চেন্থরকফম, “লৈমা খোংজোম্নী” হায়না পোইরৈ অশৈবা, ৱাংঙম তেংথাবশিংনা শৈশক-শৈথানদুনা মিংহুন-মিংথোন্নরিবা লম/মফম ওইগনি হায়না মাঙজৌ-মাঙথাননা লৌজরি। লৈমা য়াংদৌ অতাউবীগা হোঙনেম লুৱাং/নুংবান পাখংবগা মমাঙগী মতমদা হকতীন-ফমদিন্নখিবগী নত্রগা নুজাগী শমু হকচাং কখোকখিবগী মফম অমসুং ৱাফম নত্রগা থৌদোক অমসুং থৌদৌদুদগী লৈমা

য়াংদৌ অতাউবীদা খাঙখা মিহুন্না তাউজীঙ মরু পন চনু চরৈ চীনখিবগী ৱাফমসি নত্রগা ৱারী- ৱাখোঙসি হোঙনেম লুৱাং নিংথৌ পুন্সিবনা মহাক্কী হি নত্রগা হিরেন শাননবগীদমক্তা কৌবা ঈংঙেনচীঙসিদা উ য়ান্ননবা লাকপা মতমদা নীঙশিঙলকখি নত্রগা নীঙশিঙলকপগী ৱাফোং-ৱারোন পীরি [উয়াললোন, খুৎ:লাই:, হিজিং হিরাউ, খুৎ: লা: অমসুং রা: মাই:, ১৯৮০, ৬৩-৭৬, ৭৮-৮০]। হায়রিবা ৱারী-পরীংসিগী ওইনা পীবীরম্লিবসিগী য়াম্না তেন্না, মরূ-মরূ ওইবদুদা লৌখৎচদুনা মখাদা থমজ-উৎচরি :-

"... তাইবং পানবা মপুনা লুৱাং গুরু শিদবা হায়না লাংওল্লকখি। মহাক্কী লাংওন তরেৎলকশুবা মতমদা খোংজোমনুবী মতা ৭ কা লুৱাং পাখং লাংওন ৭ কা হায়না-শিংনবা (শীঙনবা) লৈখি। ... ইশাবী নখোয় ৭ মকপু ... নিংঙোন ঐখোয়না নোঙ্গারম-লমদাং হান্না কারম্লগে...।

... লৈমা মচিন-মনাউ ৭ মক্লা অদাম শোয়শেন্বা লুৱাং নোংবান তম্বা মখোয়বু লাক্কদ্রা হায়না ঙাইনা ঙাইনা কাখি হায়এ।

মতম অদুদা লৈমা অতোনবীদি লুৱাং ঈনা খোইজিখাদা মিহুনখিবনা খোংকাপ নাহুই থাংবা ঙমশিল্লক্ত্রে। ... [মথক্কীসিদা, ৬৩-৬৪]

লৈমা অতাউবীদি অতোম্বীনি, ইবেম্মা মহাক্তি লুৱাং নোংবানগী তাউজিং মমি তমখিবনা মচেম ৬ কী হৈনা মতুং ইনলুরগা... ঙমদদুদা নোঙ্গুমহৌরে। অসুম্না মরম ইরম ইরোক শমদুনা হল্লকপদা লোইদাম নাউয়োক নাওশংনা খোইরী-খোইদাৎ শিৎনা মপারী নাওহনববু পোকখি হায়বগী লমদম অদুবু খোয়রিখুন হায়না কৌখি [মথক্কীসিদা, ৬৫]।

লুৱাং তম্বা ৭ মক্লা নোংবান মনীন নাইখি। তম্বা অহুম অমদি নোঙ্গারম তানখি। ঈবুংঙো মখোয়না লুৱাং শোয় চারম্বা লমদমবু লাংগোন নাপোম খম্লুং শোয়ালম হায়এ। কৌবা লুৱাং অনিনা কোনবা লমদা চারম্মী হায়এ, হৌজিক্তি শোইরেন খোং উকাশোয় হায়এ।

অসুম্না লৈমা খোঙ্গুল্লকপীদি মপারী নাউহনববু কোন্দুনা লৈরকখি। ... মচা ইবুংঙো নাউহনবনা ইপা মশক খঙদনা লৈগদৌবগী শরুকপুদি য়াইবীনা

চীঙনুং হারি ওইদুনা লৈগদবগী শরুকপুদি পামেন উরক্তা তিল্লুরগে তল্লা উনিংথৌ ওইদুনা মপোক লাংওন ঙাইরুগে...। ইমাগী ঈবুংঙো তল্লা উনিংথৌ ওইনা শাইওল্লুনু... উচম ওইনা পোকলু: শয়ি, উপন, নারেং, থাংজিং, কুহি, ওইনা পোক্লুচো, তল্লা উনিংথৌদি ওইরুগনু।... মমানা পাউমেনবা য়াদনা... উনিংথৌ ওইনা শাইওনখ্রে [মথক্কীসিদা, ৬৬]।

... নিংথৌ মাগী মংলানচাদা ... তম্ফা তুবী চীঙলাই লৈমনা মঙফাওনখিএ। ... হা লুৱাং নিংথৌ পুন্সিবা! ঈশাবী লাংওন ওইবা নহাকপু তম্ফা ঐবু কাউরব্রা...। নিংথৌ খোমলেন মঙলানচাদা নহাননোংগীবু নিংশিংদুনা মঙদমখি [মথক্কীসিদা, ৬৬]।

... তল্লা অচৌবা, পামেন ৱাংথোইববু য়াল্লগা ৱাকয়ে হিবু ওইয়ো, লাইয়িংথৌ, হায়খিয়ে।... লুৱাং ইপাচা... নখোয়বু হয়েং কৌবা শোয়া ঙাল্লগা কৌবা চীঙজাও কাদুনা তল্লা অচৌবা ... য়াল্লুসে...।

নিংথৌনা হায়রকই... পামেল অমা, তল্লালক্তগী পামেল মদোম ৱাংথোইনা হৌরিবা অসিবু... নিংথৌনা সনা লুপা কোনয়াই চন্দুনা পামেন উখোংখাদা য়ারেকখ্রে।... য়ারেক্লিঙৈদা তম্পাক লৈরেনহনবী ঈরোক লাইচমলৈম... না মচাবু কৌদুনা কপ্লক্লে... ঈমাগী ঈবুংঙো! ঈমানা নঙবু তল্লা উনিংথৌ ওইনা শাইওনগনু হায়ববু য়াদবা মরমনা...।

অহিং তাংলৌ অথেংবদা ... মমানা ... কপ্লকপা য়াৱা খোঞ্জেল ... লুৱাং নিংথৌনা তারেদো।

তল্লা মাগী মতৌ উবদা নিংথৌনা নিংঙমদবগী ৱাহৈনা – নহান নোংগী মশানৌ কোরৌ লৈমা খোঙজোমনুবী লৈমা তোনবী, ৭কী মনুংদা, হৈরাং লোঞ্জানখিববু নিংশিংলক্তুনা নিংথৌনা পামেন মখোঙখাদা চঙলক্লগা... পামেন মাবু থেল্লক্লে, হায়এ।

পারী ইবুংঙো ইপানা নঙবু শকখঙলুদ্রে, ৱারৌগনু ইপাদা, ইপানা নঙবু লুৱাং ঈয়েনলুদা ঙান্নগে হায়দুনা... থিরকপনি... পারী নঙগী নমিংদি হিয়াং কৌগে, য়াঙবা নথৌ অরেনবদা হিয়াঙ হিরেন কৌরগে, লুৱাং ঈয়েনলুদা

পাল্লুরসে হায়না.. থেন্নক্লে, হায়এ। ... পামেন মানা তুরবদা... পামেন মশা কক্‌য়ে... থৌরাংলক্লবদা... লুৱাং ময়ুম নাক্তা চীঙশাং নাপোম লাননা পাইখ্রে, হায়এ [মথক্কীসিদা, ৭৫-৮০]।

অসিশিংসিনি। অদুগা লমদমসিবু অমসুং খোং/খোংলমসিবু লৈমখোং হায়না কৌখিবসিগী লমদাংদা লাইরিক অসিনা অমুক থন্বীরল্লিবা ৱাফমদি :-

লৈমা তুমখুন তাল্লিঙৈদা মচেম তরুকমক্তো মনাওবু থন্নম্নগা কারকখি, অদুবু কারা খুন হায়এ। ঈবেম্মশিংনা কাখিবগী লম্মিৎলোন - অসুম্না লৈমা ৭ মক্কা নোঙ্গারকপদা তৌরম্বা খোং, মাগী মমিং "লুৱাংলী" "লুৱাংলৈ" হায়ববু কৈদৌনুংগী কৌবগে, নহান নোং অদাম শোয়শেম্বা নোংবান তম্বা মখোয়গী ৱারী লীনা তৌরম্মী হায়বগী "লুৱাং-লী", লৈমা কোলোয় লৌদুনা, "লুৱাংলৈ" "লৈমখোং" হায়না কৌখিএ। অসিনা লোয়বা নত্তে [মথক্কীসিদা, ৬৪-৬৫]।

অসিনি। পীরিবা অমাইবশিং অমসুং অশৈবশিংগী "লৈমখোং থোনবগী ৱারোন/ৱাফমসি শক্তা-মিংগা চানদবা, থৌদোক্কা ৱারীগা চুনদবা, লৈতোন শরূ পান্দবগী পঙহায়-হায়বা, লম চৎপদা নত্রগা লাইরৈপাক কাবদা খোং নত্রগা তুরেন তৌইগা হায়জিনবসিবু য়ারিব্র? মখোয়গী লাইদু লাইদা অমনি হায়নগদবা অমসুং নাতৈ অমা থিরগা চানৈ চানদে খন্থদুনা হেক্তা হায়জিনবা, লুৱাং-য়ী/লুৱাং-ঈ (লুৱাংশিংগী ঈশিং/ঈচেন নত্রগা ঈরম/ঈখোং) হায়বসি ময়েক শেংনা মনানা তাদবা নত্রগা মরৈ লৈয়েং ফাইবা, লৈতোন চুম্না খৎপা হৈতবদগী লুৱাংলী/লুৱাংলৈ হায়রিবসিদগী হেন্না মখা তাজররোয়।

"লুৱাং-ঈ" হায়রিবা তুরেন মচাসি নত্রগা ঈরম-খোংলমসি লৈমখোং খোংলম/তুরেনসিগী মশা (Branch) নি, মসি লৈমখোংসিদগী ফৈদিংগা [ইম্ফাল টাউন্দগী অৱাংলোমদা কি: মি: ১০ থাপ্পা লৈবা মফম] দা খাইরগা লৈমখোংনা খারোমদা চেন্থখ্রগা লুৱাং-ঈনা নোংচুপলোম থেক্নুনা খজীক্তং চেল্লগা লীক্লাবী চীঙ [লীক্লাপীচা নোংদমনুগী চীঙ, ফৈদিংগাগী নেম্নেল হাইৱে ৩৯গী মপান্দগী নোংচুপ লোমদা খম্ন্নাংননা নত্রগা পেরেলেল ওইনা লৈরিবা/শন্দোক্লিবা চীঙ] গী চীঙখোঙ-চীঙয়াগী লম কোয়দুনা চেল্লগা খা নোংচুপ পাংনা লাক্লগা

খোঙহামপাৎকী নোংচুপ্তা লৈরিবা চীঙশাং মচাগী নোংচুপ্তা খা পাংনা চেন্থরগা লাঙ্গোন অমসুং চীঙ্গোনগী অৱাংলোমদা শন্দোক্লিবা লৈ-ঈংখোল, লমলোঙ্গৈগী মনীঙ-চীঙ, হাওকপ চীঙশাং, খুনফম ঙাংচেং লৈরিবা চীঙগী মনীঙদা শন্দোক্লিবা মঙারক কানবী চীঙনচিংবা লৈরিবগীসু নোংচুপ্তা চেল্লক্লগা, কমেং, লমদেংগী নোংপোক্তা লৌবুক লৈরিবশিং লাম্থোক্লগা লৈরিবা লাঙ্গোনগী নোংচুপ থংবা শরুক লৈমরোক, তম্পা ৱাংঙমচীঙ, অমসুং ঈরোইশেনবগী নোংচুপ থংবা চীঙখোঙ, চীঙয়া, ঈরোক-লোক্লমনচিংবগী ঈশিং লৌরগা তোইবী লৈমা ঈরেন/হিদেন ফাওদুনা চেল্লক্লগা ঈরোইশেনবগী খা-নোংচুপ থংবা চীঙখোঙ-চীঙয়াদা থোরক্লগা হৌজিক্কী নম্বুন তুরেন (মমাঙঙৈগী ৱাইশেন তুরেন) মরীন্দা ঈতীল্লিবা তুরেন-মচা অসিনি। লুৱাং-ঈ তুরেনসিদা "লুৱাং-লী" নত্রগা "লুৱাং-লৈ" হায়বনচিংবা থোঞ্জিনবা অমসুং খোংজোমনুবী ওইখিবী লুৱাং চনুরাশিং তৌখিবনিগকা হায়জিনবসি, মাইবগী লাইমাঙ ফম্বগী লাইবাউদগী লৌবা মাল্লি, মৈতৈগী অরিবা লাইরিক অমতদা য়াওদে অমসুং অরিবা লাইরিকশিংদদি লুৱাং-ঈ তুরেন অসি "চেংলৈ লুৱাং-ঈ, কম্বোং নাৱাং-ঈ" হায়নসু থোনখি। অমাইবা-অমাইবী (মাইবা-মাইবী) অমসুং অশৈবা (পেনা) না হায়বসি মখোয়গী গুরু য়োঈরেম/পণ্ডিতনা মৱা লৌদে, শীঙথাবীদে নত্রগা লাইরিক্তা চনবীদে।

লীখুন-লংজীন

মথক্তা থমজখ্রিবা উয়াললোন, হিজিং-হিরাউ অমসুং মখোয়সিবু লাই-হরাউবদা অমাইবা-অমাইবী অমসুং অশৈব [পেনা: Singers with the rhyme and rhythm of Meitei -viol] শিংনা শক্লা- শোন্নবা শৈশক শৈরাংদগী লৌখৎপা লৈমখোংগী ৱারী-শীঙবুন, লৈমখোংগা মচীনঙৈদা মরী লৈনখিবা মীশক- মীওইশিং অমসুং থৌদোক-ৱাথোক্কী ৱারী-ৱাখোঙশিং অমসুং ৱাতেম-ৱাতাইশিং অসিদগী ফংলিবদি লৈমখোং কৌবা/থোনবা খোং/তুরেন- মচা অসি কৌব্রু চীঙলেন-চীঙজাওগী চীঙ্গোল-লমকনগী চীঙশা-চীঙগোন অমা ওইরিবা কৌবা হিংলেন/ঈংঙেন চীঙদগী হৌরক্লগা খারোমদা চেন্থরক্লিবা মহৌশাগী খোং/খোংলম নত্রগা তুরম-তুখুনগী তুরেন মচা অমনি, মসি মহৌশা লাইরেম্বীনা তৌবীরম্বা ঈরম খোংলম্নি। অদুবু মসি মীনা

তৌবা খোং ওইনা খোংজোমনুপী মতা তরেৎ [অশেংবা খোংজোমনুপী থৱানমিচাক শয়োমদা লৈবদ্বি থৱানমিচাক তরুক খক্তনি, তরেত্তগী অমদি তাইবংপান্দা লৈহৌরে হায়বনি, লাইরিক হৈবগী লৌনি] না নোংলৈপাক্তা নোঙ্গারকপদা তৌরম্বনি, হায়না পীরি [মথক্কীসিদা, ৬৪]। খোংজোমনুপী তরেৎনা লুৱাংলী/লুৱাংলৈ [লুৱাং-ঈ নত্রগা লৈমখোং অমসুং লৈমখোংগী ম:শা লুৱাং-ঈ নত্তবা] তৌরম্বগী ৱাফম/ৱারোল অসি, হিন্দু বৈষ্ণবশিংগী য়ুম্বান্দ্রিবা পাখং কৃষ্ণগা য়ুম্বাল্লবী রাধা শ্রীমতীজীগগী মধুর প্রেমলীলাগী শ্রীমতী রাধিকানা ব্রজ বৃন্দাবনগী লৈমায়দা খুজী [কঙ্কন-Bracelet] না রাধাকুণ্ড তৌই/তৌখি, হায়বগুম্বনি, ওইবা য়াবা-য়াদবগী ৱাফম লৈতে, হায়রগা লোয়রে। অদুগা নুমিৎ ৫ নি/৭ নিদা লুহোংদনা মৌ ওইরবী ৭ (তরেৎ) না লৈমখোং তৌবসি, ওঝা মাইবগীসিবু লাই শান্নবীরিবা, মোন্দ্রং শান্নবীরিব্রা?

লৈমখোংগী লমখৈ-লমকন মনুংদা লৈমখোং খোং/তুরেনগী খোংবান্দা লৈমা খোংজোম্বী/খোঙজোম্বী (য়াংদৌ অতাউবী) না মহাক্কী লৈজবা পুম্নমক কখোকচনীঙবা, পনম হেকমায় কামিন্নরিবা, নুংশিবা (মপাতোন/মখুরা লুৱাং/নুংবান পাখংবা হোঙনেম, লুৱাং নিংথৌ পুন্সিবা) গী মফমদা মহাক্কী হকচাং কয়াৎকী নুপী কখোক্তুনা নুংশি' লৈহী চুপহনখিবা মফম/খোংবান অদু নীঙশিঙবগী লাইয়ুমনুংদা ঙাক-কন্দুনা থম্মনবা খোং অসিদা মমিং অসি পীদুনা-থোন্দুনা থমখিবনি, হায়বসি "উয়াললোন" লাইরিক্লা সাক্ষীনি। অদুগা খোংসিবু অমসুং খোংসিদগী মমিং লৌদুনা/পুদুনা লমমিং থোনখিবা মফমসিবু অকাউবগী শূম [Woodlouse, any of numerous isopod crustaceans of family Oniscidae] না চাখিগদবা, নীঙশিঙদবগী লৈশৌ [White ant or termite (Odontoteomes obesus, fam. Termidae)] চীকথৎখিগদবদগী কন্ননবা অমসুং হৌখিবগী খোঙথাংনা পুথখিদুনা মাঙখিদনবা লোনথোক্তবা নত্রগা ৱাঙাংদনা খুদম-চাংদম উহন্নবা নত্রগা উৎননবা, পুক্লীঙ-ৱাখন্না খুদম- চাংদম্ন পীনবা অমদি নুংশি' থম্মোই লকা খুদিংদা নীঙশিঙবগী লংলা- লংজীন ওইহন্নবা, অপাম- নুংশি' খুদোনগী পায়মা খোয়রেনফম, খোয়রেনখুন, খোয়রীখুন নত্রগা খুরখুল/খুর্খুলনা মনাক্তা থমদুনা, হৌখ্রবা মতম অমগী কায়না মৈশা-লাংবগী ৱারী লীরিবা খোং (খোংলম) অমা ওইনা ঙসি লৈমখোংনা লেপ্পি।

ৱারোয়শিন

পাৱারী-পুৱারীগী পনগোয়নুং (Historical enclosure) নত্রগা শাগৎ-ৱারী (Fictional/Romantic story) গী ওইনা লাইরিক-লাইশূদা নত্রগা অইবা ৱারেং/শৈরেং/ৱারেং-শৈরেংদা মমি তারবা [Documentary or written aspect] নত্রগা চীনবুঙ-চীনফাগী মীরোন কয়া ফাওনা চীন্দা পুনরক্তুনা/পুথনরক্তুনা চীন্থাং-পাউথাং ওইরবা ৱারী (Oral traditional tales brought down through mouth to mouth) বু চেবাংদা ময়েক তারবা অমসুং তাদ্রিবশিংদগী লৌখৎচদুনা পুথোকচরক্লিবা মথক্তা থমজরিবা ৱারম-ৱাফমশিংসিদা মিৎয়েং থমজবদা মখোয়সিনা ঙসিগী নত্রগা হৌজিক্কী মতমগী মিৎয়েংদা পুরক্লিবদি ঃ-

লৈমখোং হায়রিবা লমদম/লম নত্রগা খুঙ্গং/মফম অমসুং মসিবু ফাওরগা খা পাংনা চেন্থরক্লিবা মহৌশাগী লাই খুৎশেমগী ওইবা খোং/ঈরম, "লৈমখোং" অদুম্মক কৌবা অনিসিগী মমিংশিংসি থোল্লকপগী ৱারমশিং নত্রগা ৱারী-ৱাখোংশিং, মশাগী ওইনা লৈজে। অদুবু হায়রিবা ৱারী-ৱাখোঙশিং অসি, মৈতৈ/মণিপুরী কাংলুপসিগী খুন্নাইলোনগী/সমাজনীতিগী অথিংবা য়ৈথৎপগী পনগোয়নুংগী চৎলম-লুপতীনগী ৱায়েন-ৱাখুনগী মনুংদা থল্লিবা অরোনবা, অথুপ্পা অমসুং অরোৎপগী চৎনৱা-পোইরৈ থৈন-থুপ্ন-ৱা অমসুং ৱাংঙম-নুৱা ৱারোৎ-ৱাতেম-ৱা ওইবনা নোংথিনগী অঙানবদা/মঙান্দা পুথোকপা য়াদে, পুথোক্লদে। মালেম তাইবংপানমকসিদা হিংলম্বা অমসুং হিংলিবা মীওইবগী কাংলুপ-ফুরুপ পুম্নমক্কী ওইনা ফমুং ফমজাওনুং অমসুং মোল্লাং তপ্তাই থক্কী ৱারী-ৱারমসিদি লৈনরিবা ঙাক্তনি, অদুবু চীননা পনবদি নামুংঙি, মরমদি মসি মালেম তাইবংপানসিদগী মীওইবগী চার (Species) মুক্তনবগী পাংথোকপা থৌরমনি অমসুং থৌশীন-থৌরাংনি। মরম অদুনা নুং অমসুং পান ফাওনা, মনুং-মপান নাইনা ৱাখল অমসুং ৱাখল্লোনগী ঈচেন অনি ফাংনা হায়দোকফদবদুনা হায়দোক্তনা পুক্নীঙখক্তনা খঙননা অমসুং ফোংদোকফবদুনা ফোংনা অফোংবা ৱারী-শীঙবুন্দা মিত্রং হাপ্তুনা থম্নবনি। মসিনি লৈমখোংগী মরমদা থোক্লিবসু, মদুদা খোং অসিগা লম্মিংসিগনা মতুং ইল্লকপনি।

লমমিৎলোন্দা পীবা "লৈমখোং" থোনবগী ৱারোনশিংদা অহানবগী ৱারোন "লৈমখোং কৌবদি লাইরুরা তরেৎমনা মপাইবুংঙো তাওরোইনাইবু থিরকপদা লৈরমমে, অদুগীবু লৈমখোং কৌয়ে" - হায়বসিদা লাইরুরা তরেৎসি কনা-কনানো? পান্থোইবী খোঙ্গুলদা পীরিবা তম্পা ৱাংঙমলোন পান্থোইবীগী মচীন-মনাউ নত্রগা মতাশিং, মহাক মশাগা থারগা তরেৎ শুবদুরা, তাওরোইনাইসি, তুবী থিংকোক লাইরেম্মা [ম: চ: স:, ১৯৯৯, ৪]," অসিরা, পান্থোইবী খোঙ্গুলদা অসুম্না হায়বরা, অসিগুম্বা লোন্দা- পুদা ইবরা অমসুং পান্থোইবীনা হায়রিবা মফমসি য়ৌখিবরা? হায়রিবা ৱাফমশিংসিদা মিৎয়েং থম্লকপদা নাতৈ পুতৈ চাদবা, হেক্তা হায়জিনবনি। অদুগা অনিশুবা ৱারোন - "... য়োইবু লৈমা খয়োইনিংবীনা খোংনা লাউনা কপ্লম্মী হায়বগী মফম অদু লৈমখোং কৌনখি" হায়বসি "লৈমখোং" নত্তনা "লৈমলাউ/লৈমরাউ" কৌদ্রিবা করিগীনো? অদুগা লৈমখোংসি মফম (লম/খুঙ্গং) অদুবু ওইনা পীরি, খুঙ্গং নত্রগা মফমদুদি খোংদুনি, মফমদু নত্তে, অমা হেক্তা হায়জিন্নবগী ৱাফমদা ওইরগদি খঙজদ্রে।

লৈমখোংগী মরম/ৱারম অসিদি নুংশি- নুংওনগী থৌদোক্কী, লৌন-ওঙনবা তৌহৈদবা ৱাথোক অমা শোয়দুনা/শোয়বদগী থোকখিবা, অমুক হঞ্জিনবা য়াররোয়দা থৌওং- থৌদৌদগী মিংদা থীবী, খোঙজোম্বী [কোয়গনবী, মখোঙ য়াম্বী, লমকেৎ-লমহাইবী (Naughty or one who has loosed character or chastity or lost virginity)] নত্রগা খোংজোম্বী [খোংচোংবী, খোংবু ঙন্বী, খোং(দু) গা মরী লৈননা ৱাথোক-থোকখিবী] ওইখিবী অমগী পুন্সি ৱারীগা মরী লৈনবনি। লুৱাং পুদাংকোই খুৎকোয়বা অমসুং য়াংখুরৈমা [মসি মৈতৈগী মৈহৌরোনশিং-নোংখ্রং, লাংথবাল্লোন, শঙ্গোয়-ফম্মাঙনচিংবদা পীদে] অনিনা পোকপী লৈমা য়াংদৌ অতাউবীনা মরান নুহোঙ-খোঙদোংবা [Inauguration of sexual acts or starting/beginning/commencement of copulation/cohabition or mating] নত্রগা লুহোংবগী [Change of head/skull or surname/family] নত্রগা লৌন-লৈনবা [Marriage/Wedding or matrimonial/nuptial

alliance/relation] গী ৱাখল থম্লুবা য়াদ্রবা মথংলেন নুংশিবা/নুপা অমদা মপুন্সি মাঙজরুবদুনা শেৎন-খায়নবগী মৈশা লাংখিবগী ৱাফমদি-

... নহাননোংগী মশানৌ, কৌরৌ লৈমা খোংজোমনুপী লৈমা তরেৎকী মনুংদা অতোনবী, ৭ কী মনুংদা হৈরাং লোঞ্জানখিববু নিংশিংলক্তুনা নিংথৌনা পামেন মখোঙখাদা ... পারী ঈবুংঙো! ঈপানা নঙবু শকখঙলুদ্রে... [রা: ম:, ১৯৮০, ৭৯ অমসুং উয়াললোন, খুৎ: লা:]

অসিনি। হায়রিবা ৱাফমসিদা থাজবা থমদুনা খোং অসিগী খোংবান, মচী অমদা থোকখিবা থৌদোক্তগী ৱাথোক-লাম্হোক ওইরক্তুনা খোংজোম্বী/খোঙজোম্বী মিংথোল মিংদা থীনা ফংখ্রবা লৈমা খোংজোম্বী, লৈমখোং, অসিনচিংবসি থোক্লকখিবনি, হায়না চেৎনা থাজজে। অদুবু হায়রিবা ৱাচোপ- ৱাথী ওইরবা অমসুং চৎনবী খুন্নাইগী চৎলম লুপতীন, মচৎ-মনাৎকী ৱায়েন-ৱাখুন্দা কায়বা নত্রগা কায়রক্কদবা, ফিদম-খুদম্লরক্কদবা ৱারম/ৱাফম ওইবনা ৱারী-শীঙবুনসি চৎনহন্দুনা খঙহল্লোয়দবগী ফিজঙ মরূমদা থম্লে। অদুবু "লৈমখোং" অমসুং খুরু খুন্নচিংবা খুঙ্গংশিং কোল্লিবী লাইরেম্মা ঈচুমলৈমা/ঈচুম লাইরৈমগী ৱারী ৱাখোঙ ফাক্কৎলকপদি অরিবা ৱারী-শীঙবুনগী লাথুপ্লুংদা লোৎশিন্দুনা থল্লিবা অরিবা লনগৈগী লন অসি মতোমতা থোকচরক্তুনা অরিবা সাহিত্য থোঙজীন্দা লেপ্লে।

মরী মখোঙ উৎচবা

অফোংবা লাইরিক-

১) স: রু:, ১৯৯১ - সৌগাইজম রুহিনীকুমার : উমংলাই - উমংলাই লাইকোন (মশানা, ইম্ফাল- ১৯৯১)

২) ও: ভ:, ১৯৮২ - ওয়নাম ভোগেশ্বর : মোইরাং নিংথৌরোন লম্বুবা (মশানা, ইম্ফাল- ১৯৮২)

৩) ম: ন:, ১৯৮১ - মোইরাংথেম নরেন্দ্র : লাংব্রোন (মশানা, ইম্ফাল- ১৯৮১)

৪) ম: স: ক: এ:, ১৯৯৪- ইরোম অমুবী, খেলচন্দ্র ভোগেশ্বর, ইবোচৌবা: শাগৈ-শলাইরোল (মনিপুর ষ্টেট কলা একাডমী, ইম্ফাল- ১৯৯৪)

৫) রা: মাই:, ১৯৭৭- রাজো মাইবী: লাংওন (মশানা, ইম্ফাল- ১৯৭৭)

৬) ম:চ:স: ১৯৭৯ - শ্রীমোইরাংথেম চন্দ্রসিংহ: পোইরৈতোন খুনথোক (মশা, ইম্ফাল - ১৯৭৯)

৭) চ:হে:খা:, ১৯৮৭- চনম হেমচন্দ্র খা: মপুথিপা (মশা, ইম্ফাল- ১৯৮৭)

৮) ও:ভ:স: ১৯৬৭ - ওয়নাম ভোগেশ্বর সিংহ : নিংথৌরোন শৈরেং (মশা, ইম্ফাল- ১৯৬৭)

৯) ও:ভ:স: ১৯৬৭(১)- ওয়নাম ভোগেশ্বর : নিংথৌরোল লম্বুবা (মশা, ইম্ফাল - ১৯৬৭)

১০)র:মাই: (১)১৯৮০ - রাজোমাইবী : লাংদাই (মশা, ইম্ফাল - ১৯৮০)

১১) ম:গৌ:, ১৯৯৭ - ময়াংলম্বম গৌরচন্দ্র

১২) ও:ভ:স:, ১৯৭৪ - ওইনাম ভোগেশ্বর সিংহ: সনামহী লাইকন (মশা, ইম্ফাল- ১৯৭৪)

১৩)চৈথা:কুম:, ২০০৫ - শ্রীলাইরেনময়ুম ইবুংঙোহল সিংহ অমসুং শ্রীনিংথৌখোংজম খেলচন্দ্র সিংহ: চৈথারোল কুম্বাবা (মনিপুরী সহিত্য পরিষদ, ইম্ফাল- ২০০৫)

১৪)ম:চ:স:, ১৯৯৯ - শ্রীমোইরাংথেম চন্দ্র সিংহ: পানথোইবী খোঙ্‌কুল (মনিপুরী সাহিত্য পরিষদ, ইম্ফাল- ১৯৯৯)

বিঃ কুল্লচন্দ্র শর্ম্মগী ফোঙখ্রবা লাইরিকশিং

১) সনাতোম্বী (নোভেলঃ ১৯৬৮)
২) চরিক পরেং (নোভেলঃ ১৯৬৯)
৩) য়ুগী পাত্রদা তশবীর (নোভেলঃ ১৯৭০)
৪) খুমন নিংথৌরেল লম্বুবা (পুয়া মশামক ঃ ১৯৮৯)
৫) থাঙমৈরোন (পুয়া মশামক ঃ ১৯৮৯)
৬) সনামহী পুয়া (অরিবা লাইনিংথৌসিংগী লাইরিক ৬খকঃ ১৯৮৯)
৭) মণিপুরী নুঙগী চক্তা লৈরম্বা মীশিং (অর্কিওলোজিকেল এস্পেক্ত ঃ ১৯৯৬)
৮) নোংদা লাইরেল পাখঙবগী মমা মপা থিবা (থিজিন- হুমজিনবাঃ১৯৯৬)
৯) হৈক্রু হিদোংবা অমসুং মোইরাংলৈমা থাঙ্গপাৎ (থিজিন- হুমজিনবাঃ১৯৯৬)
১০) ৱাংখৈ মৈরাবা অথৌবা (থিজিন- হুমজিনবাঃ ১৯৯৬)
১১) মৈত্রবাক মণিপুরগী খুন্থোক- খুন্দারোন (থিজিন- হুমজিনবাঃ ১৯৯৭)
১২) চীংঙা লাইরেম্বীগী পুৱারী (থিজিন- হুমজিনবা ঃ ১৯৯৮)
১৩) মৈত্রবাক মণিপুরগী ফুশা-ৱানশারোন (থিজিন- হুমজিনবাঃ১৯৯৮)
১৪) খুমন নিংথৌরোল লম্বুবা (অনৌবা লোনগী ৱাহন্থোক য়াওবা)
১৫) মৈতৈগী লুহোংবা অমসুং লৌন লৈনবগী ৱায়েন-ৱাখুন (থিজিন-হুমজিনবাঃ ১৯৯৮)
১৬) মৈতৈগী শা লান ফাবগী থৌরম খর (থিজিন-হুমজিনবাঃ ১৯৯৯)
১৭) সনা-চহি অহুম (থিজিন- হুমজিনবাঃ ১৯৯৯)
১৮) চুপশারোল (থিজিন-হুমজিনবাঃ ১৯৯৯)
১৯) Typolgy & Technology of Meitei Writing Materials (Research Work - 1999)
২০) মৈতৈগী মচুগী মনাৎ (থিজিন-হুমজিনবাঃ ২০০০)
২১) লমাংদোংগী বিষ্ণু লাইশঙগী য়ুমশা কৈশারোল (থিজিন-হুমজিনবাঃ২০০০)
২২) মৈদিংঙু ময়াম্বা গরিবনিৱাজ (থিজিন-হুমজিনবাঃ২০০০)
২৩) সঙ্কীর্ত্তণ নির্নয় (থিজিন- হুমজিনবাঃ ২০০১)
২৪) কেক্রুপাৎ (থিজিন- হুমজিনবাঃ ২০০১)
২৫) ফাইল (থিজিন- হুমজিনবাঃ২০০৫)
২৬) A Dictionary of Manipur Medical Terms (Medical Work 2007)
২৭) মৈত্রবাক্কী য়োৎ থাঙগী চক (থিজিন- হুমজিনবাঃ২০০৭)
২৮) মৈতৈ অথৌবা অহুম (থিজিন- হুমজিনবাঃ ২০০৮)
২৯) Phamlon (Translation Work 2009)
৩০) মৈত্রবাক্কী নিংথৌ ফম্বাল কল্লকখিদবা নিংথৌমচা মশুশিং (থিজিন- হুমজিনবাঃ২০০৯)
৩১) চৈথারোল কুম্বাবগী কুম্বারোলশিং etc. (থিজিন- হুমজিনবাঃ২০১০)
৩২) চৈথারোল কুম্বাবগী কুম্বারোল অমসুং নুমিৎ থবান (২০১০)
৩৩) খৃঃ ১৮৯১ গী মমাঙদা লৈরম্বা মৈতৈ পাঙল (মণিপুর মুস্লিম)গী ফিভম (২০১০)
৩৪) জেনরেল শৌগাইজাম্বা বলরামগী পুন্সি ৱারী (২০১১)
৩৫) সনা চহী অহুম (২০১১)
৩৬) মৈতৈ লাইনীঙ, হিন্দু লাইনীঙ, চাংদম-পাদম (২০১১)
৩৭) চন্দ্রকীর্ত্তি জিলা দরবার - ১৯৭৪ (২০১২)
৩৮) খৃঃ ১৮৯১ গী মমাঙগী মৈতৈগী ৱায়েনশঙশিং (২০১৩)
৩৯) লৈশং যাত্রা অমসুং মৈতৈ মুক্না (২০১৩)
৪০) হিয়াংথাং লাইরেম্মা (২০১৩)
৪১) Cheitharol Kumbaba-1955 (English 2013)
৪২) Elements of Meitei Folklore (English 2014)
৪৩) Cheitharol Kumbaba-1984(2015)
৪৪) মণিপুরগা ম্যান্মারগা লৈনবা মরী (২০১৫)